**মপুং ফানা কিদনি অনাবশিংদা লমজিং পীরিবা**

# কনসি অদোমগী কিদনি

## মপুং ফানা কিদনি অনাবশিংদা লমজিং পীরিবা

ডা: সঞ্জয় পন্দ্য

ডা: সঞ্জয় পন্দ্য

### ঐখোয় করি খংলবগে?

- কিদনি য়াদ্রবা অনাবগী মশীং অঙকপা ফংনা হেঙ্গৎলে।
- লায়না অসিগী অথেংবা তাঙক্কী লায়েংগী খরচ অসি হার্ট বাইপাস সর্জরিদগী হেল্লি।
- লায়না অসিগী মতাংদা খংজিলহৌবনা লায়না অসিদগী ঙাথোকচবা ঙমগনি।

### লাইরিক অসিগী মতাংদা খরা

- অপাবা মীদা লায়হল্লি অমদি মতমগা চান্নরবা কিদনি লাইয়োংগী ৱাফম কয়া পীরি।
- মীয়াম্না কিদনিবু মতৌ করম্না মপাঙ্গল কন্না থম্নবা লমজিং লমতাকলি।
- লায়না অসিগী খুদোংথিবদগী মাঙজৌননা চেকশীনগদবা লাইওংশিং খঙহন্নবা অমদি ঙন্না লায়েংহৌনবা অচম্বা পাম্বৈশিং।
- ক্রোনিক কিদনি নারবা মী অমগী পাঙথোক্কদবা অমসুং লায়েংগী মরমদা মচা খায়না পীরবা পাউতাক হায়বদি দাইএলাইসিস থেংথহন্নবা অমসুং পুন্নমকতগী নাম্থোক্লবা।
- লায়না অসিনা নারবা মীওই অমনা চাগদবা অমসুং চারোইদবা চীঞ্জাক্কী মরমদা মচা খায়না য়াওরবা।

**পুক্নিং চংনা পাবিয়ু, অদোমগী কিদনি কনবীয়ু।**

কনসি অদোমগী কিদনি

ডা: সঞ্জয় পন্দ্য অমসুং প্রিতি পন্দ্য

কনসি অদোমগী কিদনি



মপুং ফানা কিদনি অনাবশিংদা লমজিং পীরিবা

ডা: সঞ্জয় পন্দ্য
প্রিতি পন্দ্য

# কনসি
# অদোমগী কিদনি
# মপুং ফানা কিদনি অনাবশিংদা লমজিং পীরিবা

ডা: সঞ্জয় পন্দ্য
প্রিটি পন্দ্য

# মপুং ফানা কিদনি অনাবশিংদা লমজিং পীরিবা

## কনসি অদোমগী কিদনি

## কিদনি লায়নাশিং থিংহৌনবা অমসুং লায়েংবগী মতাংদা অকুপ্পা পাউদম পীবা

ডা: সঞ্জয় পন্দ্য
এমদি দিএনবি (নিফ্রো)
কন্সল্টিং নিফ্রোলোজিষ্ট

প্রিটি পন্দ্য
কোওর্দিনেটর, কিদনি ইদজুকেসন

*লাইরিক অসি কিদনি অনাবা মীওমশিংদা কৎথোকচবনি।*

# ৱাহৈদোক

মালেমগী মফম খুদিংমক্তা কিদনিগী অনাবা হেনগৎলক্লি মরুওইনা মণিপুর ষ্টেটতসু ঐহাক্না হৌখিবা চহি ১০ অসিদা মণিপুর মীয়াম্বু সেবা তৌবা ঙম্বগী য়াম্না খুদোংচাবা ফংদুনা কিদনি লায়না নারবা মীওইশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনরি। হায়রিবা মতম অসিদা ঐ ইশামক্না ইম্ফালদা চাং নাইনা চৎপা ঙল্লী, রোতরি ক্লব পোলো সিটি, মমিং লৈরবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অমদি ষ্টেটনা চলাইবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সেসকা খুৎশম্নদুনা থবক তৌরক্লি। ঐখোয়না মশিং য়াম্লবা কিদনি লায়নাগী মতাং হেল্‌ঠ চেকঅপ কয়া পাঙথোকখি, পব্লিক এদজুকেসন লেকচর কয়াসু পাঙথোকপগা লোয়ননা ডাক্তরশিংগী এৱারনেস হেনগৎনবা সি এম ই কয়াসু পাঙথোকখি। ঐহাকপু ভিজিটিং প্রোফেসর ওইনা বার্ত্তন তৌরক্তুনা রিমসনা ঐহাকপু ইকাইখুম্নখি। ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোইশিংবু কিদনি লায়নাগী মতাংদা অনৌবা লৈরিবা খোংথাংশিং অদু য়ৌহনবা ঙমখি। লোকেলগী পাউ-চেশিংদা চাং নাইনা আর্টিকল হাপ্তুনা কিদনি অনাবগী মতাংদা মীয়াম্বু লৌশিং হেনগৎহল্লি। কুমজা ২০১৪ দা ঐখোয়না রোতরি ক্লব পোলো সিটিগা খুৎশম্নরগা অনাবা অমা শেল তিংহন্দনা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখি। মণিপুরদা অহানবা ওইনা রোতরি ক্লব পোলো সিতি অমসুং ফোর্টিস হোস্পিটাল বসন্ত কুঞ্জগা খুৎশম্নদুনা অখন্নবা পিপিপি পার্টনসসিপ অমা পাঙথোকখি। ঐগী মায়কৈদগী অহানবা থবক অমা ওইনসু লিভর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট অমা পাঙথোকখি।

ঐখোয়না য়াম্না নৌনা পায়খৎপা খোংখাং অমদা লিভর ট্রান্সপ্লান্ট লোয়রবা মতুংদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট অমা মায়পাক্না পাঙথোকখি। চাউনা মায়পাকপা অমদা মণিপুরগী কিদনি নারবা অঙাংশিং ট্রান্সপ্লান্ট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা অদুনি। ঐহাক্না রিমসকী ডিরেক্টর ওব নিফ্রোলোজি প্রোফেসর সরতকুমার, সিজ হোস্পিটালগী ডা: গুলিভর সেনিয়র নিফ্রোলোজিষ্ট অমসুং ডা: রাজেস ৱাইখোমবু থাগৎপা ফোংদোক্লি, মণিপরদা কিদনি লায়না য়েংশিনবদা মখোয়না য়াম্না চাউনা মতেং পাঙবিখি।

য়াম্না চুম্না হায়খ্রবা ৱাফমনি "নোলেজ ইজ পৱার"। লাইরিক অসিগী পান দমদি ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা কিদনি অনাবগী মরমদা হেন্না খঙহন্নবা লৌশিং জ্ঞান

পীবা লোয়ননা ঐখোয় পুন্না খুৎশমমিন্নদুনা কিদনি লায়না লাকপদগী কিদনি কলহৌসি। ঐনা রাজকোটকী সেনিরর নিফ্রোলোজিষ্ট অমদি ফাউন্দিং ওথরসু ওইরিবা, ডা: সঞ্জয় পন্দ্য, লোয়ননা প্রোজেক্ট অসিদা ঐগী পাটনর ওইরিবা এম. দিজেন্দ্রো সিংহ অমসুং কে. কোবা সিংহগী মথক্তা লমন তোনশিল্লবনি, মখোয়গী মতেং য়াওরমদ্রবদি লাইরিক অসি ফোঙবা ঙম্লম্লোইদবনি।

# ডা. সঞ্জিব গুলাতিগী মরমদা



ডা: সঞ্জিব গুলাতি হৌজিক হৌজিক, ন্যু দিল্লীগী বসন্তকুঞ্জদা লৈবা ফোর্টিস হোস্পিটালদা নিফ্রোলোজিগী ডিরেক্টর ওইরি। মহাক ইন্দিয়ান সোসাইতি ওফ ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টেসনগী ভাইস প্রসিদেন্টনি লোয়ননা ইন্দিয়না সোসাইতি ওব নিফ্রোলোজিগী সঞ্জয় গান্ধি পোষ্ট গ্রেজ্যুট ইন্সটিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্সেসকী এডিসনেল প্রোফেসর ওইরম্মী। মহাক কানাডাগী হেমিল্টন সহরদা লৈবা মেকমাষ্টর য়ুনিভর্সিটিগী নিফ্রোলোজিগী এসোসিয়েট প্রোফেসর ওইনসু থৌ পুরম্মী। থাক হেঞ্জিল্লবা কিদনি অনাবশিংগী মেনেজমেন্ট তৌবদা ডা: গুলাতি চহি ২৫ হেন্না এক্সপরিএন্স লৈরবনি। ইন্দিয়াদা অচৌবা প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা লক্লৌদা লৈবা এসজিপিজিআইগী দাইএলাইসিস এন্দ ট্রান্সপ্লান্ট প্রোগ্রামগী য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। চহি অসিগী ওইনা ইন্দিয়াদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসনগী মরমদা খুৎমাং চাওশিন্না থবক তৌখিবগীদমক মহাকপু জে এস পটেল ওরেসনগী মনা পীখি লোয়ননা ৱার্ল্ড ৱাইদ এচিবরসনা কুমজা ২০১৪ দা হেল্‌ঠ কেয়র পার্সোনেলিটি ওফ দি য়রগী মনাসু পীখি। মহাক্না তোঙান তোঙানবা ইন্টর্নেন্সেল অমসি নেসনেল কনফরেন্স কয়াদা পেপর খুদোল তমখি লোয়ননা ইনদেক্স জর্নেলশিংদা সাইন্টিফিক পেপর ১৩০ হেন্না ফোংখি, মদুগী মনুং এন ই জে এস, কিদনি ইন্টর্নেসনেল অমসুং অমেরিকান জর্নেল ওফ কিদনি দিজিজ য়াওরি। মহাক্না টেক্সবুক ময়ামগী চেপ্তর ১৩ সু ইখ্রে (মদুদা মমিং লৈরবা ওক্সফোর্দ টেক্সবুক ওফ নিফ্রোলোজি অমসুং কম্প্রিহেন্সিপ পিদিয়াট্রিক নিফ্রোলোজি য়াওরি) মসিদসু নত্তনা মশিং য়াল্লবা গেষ্ট লেকচরসু ওইখি। কিদনি লায়নাশিংগী মরমদা মশামক্না পুথোকপা থবকশিংগীদমক এৱার্দ কয়াসু ফংখ্রে। মহাক্কী থবকপু ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ মেডিকেল রিসার্চ, ইন্দিয়ান একাদমি ওফ পিদিয়াট্রিক্স, চাইল্ড হেল্‌ঠ য়ু কে রোয়েল কলেজ ওফ ফিজিসিয়ান্স অমদি সর্জন্স ওফ কনাডা অমসুং দি জপানিজ সোসাইটি ওফ নিফ্রোলোজিনসু শক খঙলবা মীওই অমনি।

মহাক্না মমিং লৈরবা জর্নেল কয়া খুদম ওইনা পিদিয়াট্রিক্স, অমেরিকান জর্নেল ওফ কিদনি দিজিজেজ, ইন্দিয়ান জর্নেল ওফ নিফ্রোলোজি, পিদিয়াট্রিক্স নিফ্রোলোজি অমসুং ইন্দিয়ান পিদিয়াট্রিক্সকী রিভিয়ুৱরসু ওইরি। অতোপ্পা ইডিতোরিএলগী থবকসু তৌখি। পাউচে কয়াদা অমদি মেগাজিন কয়াদা আর্টিকল হাপ্তুনা মীয়াম্বু কিদনিগা মরী লৈনবা এৱারনেস পীবগী থবকসু তৌখি।

## থাহৈ খরদং

ঐনা রোটরী ক্লব ওফ পোলো সিটী ইম্ফালগী মায়কৈদগী ডা. সঞ্জিব গুলাতিবু "কনসি অদোমগী কিদনিবু" হায়বা লাইরিক অসি ফোংবিবগীদমক থাগৎচরি। ঐখোয় য়াম্না চাওথোকচৈ মদুদি মহাক্না লোয়ননা কিদনিগী মরমদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমদি ফ্রী মেদিকেল কেম্প কয়া পাঙথোকপগীদমক্তসু। মহাক্না কিদনি চেকশিন্নবগীদমক হোৎনজরিবা অসিদা নুংঙাই-য়াইফবতা ওইসনু হায়না ঐখোয়না থৌনিজরি।

সলাম সচিদানন্দ সিংহ (মোমা)
প্রসিদেন্ট (২০১৬-১৭)
রোটরী ক্লব ওফ পোলো সিটী ইম্ফাল
আর. আই দিষ্ট্রিক্ট ৩২৪০

## ঐখোয়না কিদনি লায়নাশিং থিংহৌরসি .....

“কনসি অদোমগী কিদনি” হায়বা লাইরিক অসিনা মরুওইবা তোইনা থেংনবা কিদনি লায়নাশিং থিংহৌনবগী অমদি খঙহৌনবগীদমক হোৎনবা লাইরিকনি।

হৌখিবা চহি ১০ খরা অসিদা কিদনি লায়না নাবগী মশিং অসি কিনিঙাই ওইবা মওংদা খঙহেন হেনগৎলক্লি। ক্রোনিক কিদনি লায়না হায়বসি য়াম্না তোইনা থেংনবা লায়েংবা ঙমদবা ওইরি। অনাবগী হৌরকফম, লাইওং খঙবা অমসুং অনাবা অসি ঙন্না থিংহৌবগী লৌশিং লৈহৌবনা খুদোংথিনিঙাই ওইবা অনাবা অসিগা লান্থেংনবগী খ্বায়দগী ফবা লম্বেলনি। লাইরিক অসিনা অচম্বা প্রজা অমনা খঙবা ঙমগদবা কান্নবা পীবা ঙম্নবা হোৎনবনি।

ঙন্না লাইওং লেপথোকপা অমদি লায়েংথোকপনা মতম শাংনা শেল য়াম্না তিংদবিদা কান্নবা পীবা ঙম্মী। লায়না অসিগী মরমদা মাংজৌননা খঙহৌদবা, লাইওং অমসুং খুদম খঙহৌদবনা থেংনা লাইওং লেপ্তুনা লায়েংবদা থিন্থহল্লি। দাইএলাইসিস অমসুং কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগুম্বা ক্রোনিক কিনি দিজিজগী থাক হেঞ্জিল্লবা তাঙ্কক অসি লায়েংবদা শেল য়াম্না চংবা মরম্না ইন্দিয়াগুম্বা লায়রবা লৈবাক অমদদি শুপ্নতগী অনাবা চাদা ১০ খক শেল পুথোকপা ঙল্লি। মরম অদুনা ঙন্না লাইওং লেপথোকপা অমদি লায়েংবনা লৈবাক অসিদা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ হন্থহনবগী অমত্তা ওইরবা পাম্বৈনি।

লাইওং লেপথোল্লবা মতুং কিদনি লায়না নারে খঙলকপদা অনাবা অমদি ইমুং মনুংগী মীওই পুম্নমক পাখৎনৈ। অনাবা মশামক অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লায়না অদুগী মরমদা খঙননবা হোৎনৈ। তৌইগুম্বসুং লায়েংলিবা ডাক্তর অদুনা য়াম্না কুপ্পা ৱারোলশিং অদু য়াম্না শেংনা খঙহনবা পুম্নমক্তা ঙম্নদে। ঐখোয়না মতাং অসিদা লৈরিবা অহাঙবা মফম অদু লাইরিক অসিগী মতেংনা মেনশিন্নবা হোৎনবনি। কান্নবা পাউতাক য়াওবা লাইরিক অমা ইনাক্তা লৈরবা মতমদা পানিংবা মতাং চাবা মতম য়েংদুনা পাবগী কান্নবদু লৈ। মসিনা তোঙান-তোঙানবা কিদনি লায়নাশিংগী লাইওং, লাইওং লেপথোকপা, থিংহৌবা অমসুং লায়েংবগী মরুওইবা ৱারোল পুম্নমক অরাইবা অমদি অচম্বা লোলদা পীরি। তোঙানবা কিদনি লায়নাশিংগীদমক্তা চিঞ্জাক্কী মতাংদা পীবা চাগদবা চারোইদবা পুম্নমক লাইরিক অসিদা য়াওরি। ঐখোয়না

য়াম্না শেংনা ফোংদোক্লি মদুদি লাইরিক অসিদা পীরিবা পাউদম পুন্নমক মেডিকেল পাউতাক নত্তে; মসি হিরম অমদা মুন্না খঙনবগী খক্তনি। ইশানা ডাক্তর তান্নদনা ফার্মাসিদগী হেক্তা লৈরগা চাজবা অমদি লাইরিক অসি পারগা চিঞ্জাক হোংদোকপা খুদোং থিনিঙাই ওই। মসি কৈদৌনুংদা তৌরোইদবনি।

মসিগী কিদনি গাইদ অসি কিদনি অনাবা খক্ত নত্তনা মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদসু কান্নবা পী লোয়ননা কিদনি নারকপা য়াবা মীওইশিংদসু কান্নবা পীবা ঙমগনি। অদুগা থিজিন-খঙজিনবা মীওইশিংগী য়াম্না কান্নবা মহৈগী ওইবা তুংফম অমা ওইরি। মেডিকেলগী মহৈরোই, ডাক্তরশিং, পেরামেডিকেলনচিংবগী য়াম্না কান্নবা রেফরেন্স গাইদ অমা ওইরগনি।

ঐখোয়না ডা: গৌরড অমসুং ডা: সুসমিতা দাবে, অয়াজখান কবি অমসুং নেহা কবিবু কিদনি গাইদ অসি পাবদা য়াম্না লাইহনবা অমদি ময়েকশেংনা খঙহনবা ঙম্নবা মওংদা পুথোকপদা য়াম্না মরু ওইবা মতেং পীবীরকখিবগীদমক থাগৎপা ফোংদোকচরি। ঐখোয়না ঐখোয়গী নুংশিরবা ইচা ইছা অমসুং রোহনবুসু ঐখোয়গী "কনসি অদোমগী কিদনি" লাইরিক মপুং ফারকপা মতমদা মখোয়গী মায়কৈদগী নুঙাইবা ফোংদোরকপা অদুবুসু থাগৎলি।

ঐখোয়না লাইরিক অসি পাগদৌরিবা মীওই অদুনা য়াম্না কান্নবা পীবা ওইরগনি। হেন্না ফনবা সজেসন থাবিরকপা য়াগনি।

পুন্নমকপু নাদ-য়েক্তবা পুন্সি ওইবিয়ু।

ডা: সঞ্জয় পন্দ্য
প্রিটি পন্দ্য
রাজকোট, ইন্দিয়া

# অইবশিংগী মরমদা



*ডা: সঞ্জয় পন্দ্য*

*এমদি দিএনবি (নিফ্রোলোজি) নিফ্রোলোজিষ্ট*

ডা: সঞ্জয় পন্দ্য অসি রাজকোট (গুজরাট - ইন্দিয়া) তা প্রেকটিস তৌরিবা সেনিয়র নিফ্রোলোজিষ্টনি। মহাক্না মহাক্কী এমদি (ইন্টরনেল মেডিসিন) কুমজা ১৯৮৬ তা গুজরাটকী জামনগরদা লৈবা এম পি সহা মেডিকেল কলেজদা তৌরকখি অদুগা দি এন বি নিফ্রোলোজিনা কুমজা ১৯৮৯ দা অহমেদবাদকী ইন্সটিট্যুট ওফ কিদনি ডিজিজ এন্দ রিসার্চ সেন্টরদগী তৌরকখি। কুমজা ১৯৯০ দগী হৌজিক ফাওবা গুজরাটকী রাজকোটতা নিফ্রোলোজিষ্ট ওইনা প্রেকটিস তৌরি।

ডা: পন্দ্য কিদনি লায়নাগী ইদজুকেসন্দা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওইনি। অহানবা অমা ওইনা মহাক্না হিন্দি অমসুং গুজরাতি লোলদা কিদনি অনাবশিংগী মরু ওইবা ইদজুকেসন গাইদ ইদুনা ফোংখি। “কিদনি ইদজুকেসন ফাউন্দেসন” অসি ডা: পন্দ্যনা মীওই চা কয়াদা কিদনি লায়নাশিং থিংহৌবা অমসুং চেকশিনবগী লৌশিং পীনবা পান্দম থমদুনা লিংখৎখিবনি।

কুমজা ২০১০ দা ইংলিসতা নত্তনা মমালোন্দা হেন্না পুক্লিং থমদুনা হিন্দি অমসুং গুজরাতি লোলগী ৱেবসাইট হৌদোকখি। চহি ওন্দ্রিবৈদা ৱেবসাইট অনি অদুবু য়েংখিবা মীওই লাক্ষ ২৫ হেনখি।

কুমজা ২০১১ দা কিদনি গাইদশিং মরাথি অমসুং টেলুগু লোলদা মুম্বাইদা সেনিয়র নিফ্রোলোজিষ্ট ডা: জোটসনা জোপে অমসুং হায়দরবাদগী ডা: কৃষন স্রিনিভাসনগী মতেংগা লোয়ননা ফোংদোকখি।

মেডিসিন্দা লৈবা প্রোফেসনেলশিংগী ওইনদি ডা: পন্দ্যনা “প্রেক্টিকেল গাইদলাইন্দ ওন ফ্লুইদ থেরাপি” হায়বা লাইরিক অমা ইখি। মদুনা ইন্দিয়া মচা অমনা ফ্লুইদ, ইলেকট্রোলায়টস, এসীদ বেজগী খল মান্নদবা অমসুং পেরেন্টরেল ন্যুট্রিসনগী মরমদা ফোঙবা অহানবা লাইরিক ওইখি। হৌজিক ফাওবা পাবদা য়াম্না লায়বা লাইরিক অসি কোপি ৩৬,০০০ হেন্না য়োনখ্রে। ডা: পন্দ্য ক্লিনিসিয়ান অমসুং মহৈরোইশিংগী মরক্তা য়াম্না মমিং লৈবা মীওই অমনি। মহাক্কী অচম্বা, প্রেকটিসতা যুমফম ওইবা লোয়ননা ফ্লুইদ, ইকেট্রোলায়ট অমসুং এসীদ বেজ খল মান্নদবগী নুঙাইবা লোকচরশিং অদুনা মহাকপু মীয়াম্না হেন্না পাম্নহল্লি।

## প্রিটি সঞ্জয় পন্দ্য, বিএসসি কোওর্দিনেটর, কিদনি ফাওন্দেসন

প্রিতিনা ডা: পন্দ্যগী ইদজুকেসনেল ইনপুটশিং অদুবু য়েংশিল্লি। অইবা ৱারোল, মখোয়গী শেমদোক শেমজিন, নমথোক নমশিন অমসুং তুংগী একাদেমিক্কী ওইবা পোরম কয়া হাপশিল্লি। মহাক্না কোরেস্পোন্দেন্স অমসুং প্রোমোসন্দসু মতেং পাংই। ৱাহৈ অমরোমদা মিষ্ট্রেস প্রিটি পন্দ্যনা ডা: পন্দ্যগী প্রোফেসনেল অমসুং ইদজুকেসনেলগী ওইবা খোংথাং কয়াদা তৎনা-থানা য়ারাইদবা লাইভ পাটনরগী থৌদাং লৌরি।

# য়াওফম তাকপা

## অহানবা শরুক : কিদনিগী মরমদা মরুওইবা পাউদম খরা


চেপ্তর ১ ৱাহৌদোক

চেপ্তর ২ কিদনি অমসুং মদুগী মথৌ

চেপ্তর ৩ কিদনি লায়নাগী লাইওংশিং

চেপ্তর ৪ কিদনি লায়নাশিংগী লাইওং লেপথোকপা

চেপ্তর ৫ মরুওইবা কিদনি লায়নাশিং

চেপ্তর ৬ কিদনি লায়নাশিংবু লান্না থাজনবা অমসুং অচুম্বশিং

চেপ্তর ৭ কিদনি লায়নাশিং থিংহৌবা


## অনিশুবা শরুক : মরুওইবা কিদনি লায়নাশিং অমদি মদুগী লাইয়েং

## কিদনি ফেলর


চেপ্তর ৮ কিদনি ফেলর হায়বসি করিনো?

চেপ্তর ৯ একুট কিদনি ফেলর

চেপ্তর ১০ ক্রোনিক কিদনি দিজিজ : হৌরকফম

চেপ্তর ১১ ক্রোনিক কিদনি জিজিজেজ : লাইওং অমসুং লাইওং লেপথোকপা

চেপ্তর ১২ ক্রোনিক কিদনি দিজিজেজ লায়েংবা

চেপ্তর ১৩ দাইএলাইসিস

চেপ্তর ১৪ কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন


## অতোপ্পা মরুওইবা কিদনি লায়নাশিং


চেপ্তর ১৫ দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ

চেপ্তর ১৬ পোলিসিষ্টিক কিদনি দিজিজ

চেপ্তর ১৭ কিদনি নাম্মতনা হিংবা


Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

চেপ্তর ১৮ য়ুরিনরি ট্রেক ইনফেক্সন

চেপ্তর ১৯ নুঙ লৈবগী লায়না

চেপ্তর ২০ বেনিঙ প্রোষ্টেটিক হায়পরপ্লাসিয়া (বিপিঐচ)

চেপ্তর ২১ কিদনি অমসুং দ্রগশিং

চেপ্তর ২২ নিফ্রোটিক সিন্দ্রোম

চেপ্তর ২৩ অঙাংদা য়ুরিনরি ট্রেক ইনফেক্সন

চেপ্তর ২৪ বেদৱেটিং

**কিদনি লায়নাগী চিঞ্জাক**

চেপ্তর ২৫ ক্রোনিক কিদনি লায়নাশিং অমদি চিঞ্জাক

গ্লোসরি অমদি এব্রিবিএসন

কিদনি অনাবশিংগী তোয়না থেংনবা ঈগী টেষ্টশিং

ইন্দেক্স

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# লাইরিক অসি করম্না শিজিন্নগনি?

লইরিক অসি পন্দুপ অনি য়াওই

**অহানবা পন্দুপ :**

পন্দুপ অসিদা কিদনিগী মরমদা খঙবা অমদি কিদনি লায়নাশিং থিংহৌবগী মরমদা নৈনরি। মীওই খুদিংনা লাইরিক অসিগী শরুক অসি শুংশোই শোয়দনা পাবীগদবনি। মসিদা পীরিবা পাউদম অসিনা ইচম চম্বা মী অমনা কিদনি অনাবশিং ঙন্না মশক খঙদোকহৌবা অমসুং কিদনি অনাবশিংদগী ঙাকথোকহৌবা।

**অনীশুবা পন্দুপ :**

শরুক অসি মীওই অমগী খঙনিংবা অমদি তঙাইফদবা য়েংলগা পাবা য়াই।

পন্দুপ অসিদা

- অচৌবা কিদনি লায়নাশিংগী মরম পীবা পাউদম, মদুগী লাইওংশিং, লাইওং লেপথোকপা থিংহৌবা অমসুং লায়েংগী মতাংদা নৈনরি।
- কিদনি শোকহনবা লায়নাশিং (খুদম ওইনা দাইএবিটিস, হায়ব্লদ প্রেসর, পোলিসিস্টিক কিদনি অনাবনচিংবা) অমসুং থিংহৌবদা পায়খৎকদবা খোংথাংশিং; অমদি অতোপ্পা কান্নরবা পাউদম কয়া পীরি।
- ক্রোনিক কিদনি লায়নাশিং নারবা মতমদা চাগদবা চিঙ্গাকশিংগী মতাংদসু নৈনরি।

*লাইরিক অসিদা পীরিবা পাউদমশিং অসি মেডিকেল এদভাইস নত্তে; ডাক্তরগী পাউতাক য়াওদনা হিদাক চাবনা শোকহনবা য়াই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# অহানবা শরুক

## কিদনিগী মরমদা তঙাইফদনা খঙজিংগদবা

- কিদনিগী মওং-মতৌ অমসুং মথৌশিং।
- কিদনি লায়নাশিংগী লাইওংশিং অমসুং লায়েংবা।
- কিদনি লায়নাশিংগী থাজনবী অমসুং অচুম্বশিং।
- কিদনি লায়নাশিংদগী চেকশিন্নবা উপায়শিং।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

## চেপ্তর ১
## ৱাহৌদোক

কিদনি হায়বসি হকচাং মনুংদা কান্নদবশিং অমসুং হু ওইবা পোৎশিংবু পুথোকখিদুনা ঐখোয়গী হকচাং শেংনা অমসুং ফনা থম্বদা মরুওইবা শক্লোন অমা লৌরিবা অঙকপা কয়াৎ অমনি। হকচাংদগী হু চেনবশিংবু লৌথোকপনা মরুওইবা থবক ওইরবসু মসিখক্তা নত্তে, কিদনিন ব্লদ প্রেসর চাং নাইহনবা, মহি-মনাইগী চাং অমসু ইলেক্ট্রোলায়টশিং শীন্দোক-শীঞ্জিন তৌবগী মরুওইখ্রবা থবক অমসু কিদনিনা তৌরি। ঐখোয় অয়াম্বা কিদনি অনিগা লোয়ননা পোল্লবসু সুপ্নগী অমখক্তনা থবক পুন্নমকসি পাঙথোকপা ঙমই।

হৌখিবা চহি খরসিদা দাইবেটিস অমসুং হায়পর্টেন্সন নাবা অনাবশিং মশীং হেনগৎলকপগী নুংঙাইতবা ফিভম অমা লৈরকখ্রে। মসিনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নাবা অনাবা মশীংসু হেনগৎলকখ্রে। মসিনা কিদনি লায়নাশিংগী মরমদা হেন্না ৱাখল তানবা অমসুং খঙনব, লায়নাশিং অদু মাঙজৌননা থিংহৌনবা অমসুং মতম ঙন্না লায়েংহৌনবগী মথৌ তাবা লৈরে। লাইরিক অসিনা হোৎনরিবসি সুপ্নগী মসি কোকহন্নবনি কিদনিগা মরিলৈনবা লায়নাশিং খঙনবা অমসু মখোয়বু থেংননবা হেন্না ফবা থৌরাং তৌনবা অনাবশিংদা মতেং পাংনবা মসিনা পান্দম থল্লি। তোয়না হঙ্গনবা ৱাহংশিংবুসু মসিনা পাউখুম পীনবা হোৎনরি।

লাইরিক অসিগী অহৌবা শরুক্কা মীওইবগী হকচাংদা মরুওইবা কয়াৎ অমা ওইরিবা কিদনিবু পাবীবশিংদা মশক তাক্লবা অমসুং কিদনিগা মরৈ লৈনবা লায়নাশিং লাক্ত্রিঙৈদা থিংহৌনবা খোঙথাংশিং পীবা। অদুমওইনমক, লাইরিক অসিগী অকোনবা শরুক অমদি কিদনি অনাবশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংগী মরি লৈনবা হিরমশিংদা অখন্নবা পুক্লিং চঙলি। তমথিরবা লায়না অসি ওইহল্লকপা, লাইওং অমসুং মসিগী লাইওং লেপ্পনচিংবা লাইরিক অসিনা নৈনরি অমসুং ফংলিবা লায়েংশিং অনাবশিংদা খঙহল্লি।

অখন্নবা চেপ্তর অমনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজশিংগী ঙল্লিবা চেল্লবা তাঙ্ককশিংদা লৌখৎকদবা চেকশিন-থৌরাং অমসুং নাহন্দনবা ঈ-পাউ খঙনবা করম্না হোৎনহৌগনি হায়বসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি।

নত্রগা দাইএলাইসিস য়েথোকউ অমসুং ত্রান্সপ্লান্টেসন ফাওবা, দাইএলাইসিস, কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন অমসুং কাদাভর ত্রান্সপ্লান্টেসনগী কান্নরবা ঈ-পাউ অকুপ্পসু তোঙান-তোঙান্না পীরি।

*নহাক্কী কিদনি মশক খঙউ - কিদনি অনাবশিং থিংউ*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

লাইরিক অসি কিদনি অনাবশিংগীদমক মপুং ফারবা গাইদ অমা ওইহন্নবা (কিদনি ফেলর নত্তনা) তোয়না থোক্কনবা কিদনিগী প্রেব্লেমশিংগী ঈ-পাউ, কিদনি লায়নাশিংগী মতাংদা লান্না থাজনবশিং অমসুং অচুম্বশিং মসিদা য়াওরে। কিদনি লায়না থোকহন্দনবা অমসুং থিংহৌনবা গোল্ডন রুলশিং, কিদনি অনাবশিংনা শীজিন্নবা কম্মন দ্রগশিংগী মরম, মসিদগী হেনবা ময়াম অমসুং পীরি।

চারিবা চিঞ্জাক অসি নুংনাংবগী য়াম্না মরুওইবা হিরম অমা ওইবা মরম্না অমসুং ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সিকেদি) গী হিরম অসিগীসু তোঙানবা চেপ্টর অমদা য়াওরি। মাঙজৌননা চেকশিনহৌগদবশিং অচুম্বা অমসুং মতিকচাবা চিঞ্জাক খনবগী মতাংদসু অনাবশিংদা মসিনা পাউতাক পীরি। অরোয়বদা পীরিবা গ্লোসরি অসিনা এব্রিবিয়েসন পুন্নমক অমসুং টেক্নিকেল টার্ম পুন্নমক শন্দোক্না তাক্লি অমসুং লাইরিক অসিবু খঙবদা লায়থোকহল্লি।

**দিসক্লেমর :**

কিদনি গাইদ অসিদা পীরিবা ঈ-পাউ অসি এদুকেসন পর্পোজ খক্তগীনি। লাইরিক অসি শীজিন্নরগা ফংবা লাইওং অদুগী য়ুম্ফমদা ইশা ইতোমতনা লাইওং লেপচবা নত্রগা লায়েংবা তৌগীগনু। লায়েংনবীদমক নহাক্না মতম পুন্নমক্তা নহাক্কী ডাক্তর নত্রগা অতৈ হেলথ প্রোফেসনেল খন্নগদবনি।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ২
# কিদনি অমসুং মসিগী মথৌ

কিদনি অসি মীওইবা হকচাংগী খ্বাইদগী মরুওইবা কয়াৎশিংগী মনুংদা অমনি। মসিগী থবক শোয়রকপদা শাথিবা অনাবশিং নত্রগা শিবা ফাওবা থোকহল্লকপা য়াই। মসিগী য়াম্না অকুপ্পা-অরুবা ষ্ট্রকচর অমসুং ফঙ্কসনশিং লৈ। মসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা থবক অনিদি মাঙনিংঙাই ওইবা অমসুং হু চেনবা অরেমখাক ওইবা পোৎশিংবু চামথোকখিবা অমসুং ঈশিং, মহি-মনাই, মিনরেলশিং অমসুং কেমিকলশিংগী খল চানা থম্বনি।

### কিদনি ষ্ট্রকচর

কিদনি হকচাংদগী হু ওইবা অরেমখাক পোথোকশিং অমসুং অহেনবা ঈশিং লৌথোক্তুনা য়ুং শেমই। কিদনি মনুংদা শেল্লকখিবা য়ুং অদু য়ুরেটর ফাওদুনা ব্লাদরগী মনুংদা চেনশিল্লকই। মদুগী মতুংদা অরোয়বদা য়ুরেথ্রা ফাওরগা মপান্দা থোক্লকখি।

- নুপা অমসুং নুপী, অয়াম্বা মী কিদনি অনি য়াওই।
- কিদনিশিং অসি স্পাইনগী নাকল অনিদা পুক্কী মথক অমসুং তুংথংবা নাকলদা লৈ। শোকহন্দনবা মখোয়বু লাৱার রিবশিংনা ঙাকথোকই।
- কিদনিশিংনা পুক্কী য়াম্না মনুং চঙশিনবা মফমদা লৈবা মরম্না মী অমনা মহৌশানা মখোয়বু খুৎনা থিবদা লৈ হায়বা ফাওবা ঙমদে।
- কিদনিশিং অসি হৱাই জুরা মানবা ওর্গানশিংনি। মপুং-মরৈ ফারবা মীওই অমগী কিদনি অমনা সেন্টিমিটর ১০ শাংই, সেন্টিমিটর ৫ পাকই অদুগা সেন্টিমিটর ৪ থায় মসি গ্রাম ১৫০-১৭০ রোম লুমই।
- কিদনিশিংদা শেল্লকখিবা য়ুংনা য়ুরেটর ফাওরগা য়ুরিনারি ব্লাদরদা শেন্থরকই। য়ুরেটর অসি অখন্নবা মশলশিংনা শেম্বা সেন্টিমিটর ২৫ রোম শাংবা উতোং মানবা ষ্ট্রকচর অমনি।
- য়ুরিনারি ব্লাদর হায়রিবসি পুক্কী মখা অমসুং মনুংথংবা শরুক্তা লৈবা মশলশিংনা শাবা অহোবা কয়াৎ অমনি। মসিনা য়ুং তুংশিন্দুনা থমফম অমা ওইনা থবক তৌই।

> *নুপা অমসুং নুপীগী কিদনিশিংগী লৈফম, মশক অমসুং মথৌ মান্নে।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**Location of Kidneys and Urinary System**




- অহল অমগী ব্লাদরনা য়ুং মিলিটির ৪০০-৫০০ রোম পুবা ঙমই অমসুং পুবা ঙম্বা চাংসি য়ৌনা থল্লক্লবা মতমদা মীওই অমনা য়ুং হান্নিংবা পোল্লকই।
- ব্লাদর মনুংগী য়ুং অদু য়ুং হান্বা মতমদা য়ুরেথ্রা ফাওরগা মপান্দা থাদোকখি। নুপীশিংদদি য়ুরেথ্রা অসি তেল্লি অদুগা নুপাশিংদনা মসিদগী হেন্না শাংই।

**হকচাংগীদমক করি মরমগী কিদনি তঙাইফদ্রিবনো?**

- ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী তোঙান তোঙানবা মখল অমসুং চাং মান্নদবা চিঞ্জাক চারি।
- ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা ঈশিং, থুমশিং অমসুং এসীদশিংগী চাংসু নুমিৎ খুদিংগী খেন্নে।
- চিঞ্জাকপু ইনর্জি ওন্থোক্লবগী লেপ্তুনা চত্থবা কাঙলোন্দা মাঙনিংঙাই ওইবা হু মচাকশিং থোকহল্লই।
- মরম ময়াম অসিনা হকচাংদা য়াওরিবা মহী, ইলেক্ট্রোলায়টশিং অমসুং এসীদশিংগী চাং অওনবা লাকই। হকচাংনা পামদবা হু ওইবা পোত্থোকশিং তুংশিল্লকপসি পুন্সি মাঙহন্নিংঙাই ওইহল্লি।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- কিদনিশিং মাঙতাকনিংঙাই অমসুং হু ওইবা এসীদিক অমসুং হুগী পোত্থোকশিংবু হকচাং মনুংদগী চাথোক্তুনা শেংদোকনবগী য়াম্না মরু ওইবা থবক পাঙথোকই। মতমসিমত্তদা মখোয়না ঈশিং, ইলেক্ট্রোলায়টশিং অমসুং এসীদ বেজগী অচুম্বা খল শেমই অমসুং মদু ঙাক্তুনা থমই।

## কিদনিগী থবকশিং করিনো?



**কিদনিগী থবকশিং**

- ঈ শেংদোকপা
- মহী অমসুং মিনরেলশিংগী রিগুলেসন
- ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল
- আরবিসী প্রদক্সন

কিদনিগী মরুওইবা থবক্তি য়ুং শুংবা অমসুং ঈ শেংদোকপনি। হকচাংনা মথৌ তাদ্রবা অরেমখাক মচাকশিং, অহেনবা থুমশিং অমসুং অতৈ কেমিকলশিংবু কিদনিনা লৌথোকখি। কিদনিগী মরুওইবা মথৌশিংদি মখাদা শন্দোক্লা তাক্লি।

## ১. অরেমখাক ওইবা লেমখাকশিং লৌথোকপা

অরেম্বা পোত্থোকশিং লৌথোক্তুনা ঈ শেংদোকপনা কিদনিগী খ্বাইদগী মরুওইবা থবক্নি।

ঐখোয়না চাখিবা চিঞ্জাক্তা প্রোটিন য়াওরি। হকচাং চাউখৎনবা অমসুং রিপ্যার তৌবগীদমক প্রোটিন মথৌ তাই। অদুবু হকচাংনা প্রোটিন শীজিনথোকখিবদা অরেম্বা পোত্থোকশিং থোকহল্লকই। অসিগুম্বা অরোম্বা পোৎলমশিং তুংশিল্লকপা, য়ামশিল্লকপা অসি হকচাংগীদমক্তি হু গুম্বনি। কিদনিনা ঈবু চুমথোকই অমসুং হু ওইবা অরেম্বা মচাকশিংবু য়ুং ওইনা মপান্দা থাদোকখি।

ক্রিএটিনিন অমসুং য়ুরিয়া মরুওইবা অরেমখাক অনিনি। মসিগী চাং অদু হকচাংদা লায়না ওনবা ঙমই। ঈদা মখোয়গী ভেল্যু অদু কিদনিগী থবক্তা খঙই। কিদনি অনিমক ফেল ওইরা মতমদা ঈ টেষ্ট তৌবদা ক্রিএটিনিন অমসুং য়ুরিয়াদা ভেল্যু ৱাংগনি।

## ২. অহেনবা মহী লৌথোকপা

কিদনিগী অনিশুবা খ্বাইদগী মরুওইবা থবক্তি অহেনবা ঈশিংগী শরুকপু য়ুং ওইনা পুথোকখিবা অমসুং হকচাংদা মথৌতাবা ঈশিংগী চাং অদুম থমদুনা

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**য়ুং শেল্লকপা**

কিদনিনা চুমথোক্ল বগীদমক মিনিট অমদা ঈ মিলিলিটর ১২০০ নত্রগা নোংমদা লিটর ১৭০০ ফংই

↓

গ্লোমেরুলসননা মিনিট অমদা য়ুং মিলিলিটর ১২৫ নত্রগা নোংমদা লিটর ১৮০ শেম্মী

↓

ট্যুবুলশিংনা মহীগী চাদা ৯৯ (লিটর ১৭৮) অমুকহন্না চুপশিল্লি

↓

য়ুং লিটর ১-২না অরেমখাক ওইবা পোত্থোকশিং/হু চেনবশিং অমসুং অহেনবা মিনরেলশিং হকচাং মনুংদগী থাদোক্লকই।

মহীগী খল রিগুলেসন তৌবনি। অসুম্না কিদনিনা হকচাং মনুংদা লৈফম থোকপা ঈশিংগী য়ামগদবা চাং অদু লেঙদনা থম্মী। কিদনিশিংনা শোয়দুনা থবক তৌবা ঙমদ্রবা মতমদদি অহেনবা ঈশিংগী চাং য়ুং ওইনা লৌথোকখিনবগী তৌবা ঙম্বা অদু মাঙখি। হকচাংদা অহেনবা ঈশিং অদুনা পোমথোকহল্লই।

### ৩. মিনরেলশিং অমসুং কেমিকলশিংগী খল

সোদিয়ম, পোটাসিয়ম, হায়দ্রোজন, কেলসীয়ম, ফোসফরস, মেগ্নেসীয়ম অমসুং বাইকার্বোনেট কুম্বা মিনরেলশিং অমসুং কেমিকলশিং শীন্দোক-শীঞ্জিন তৌবগী অতোপ্পা মরুওইবা মথৌ অমসু কিদনিনা তৌই।

সোদিয়মগী লৈগদবা চাংদা অওনবা লাকপদা সেন্সোরিয়মদা শোকহল্লকপা য়াই, পোটাসিয়মগী চাংদা অহোংবা লাকপদা হার্টকী তান্থাদা শাথিনা শোকহনবা য়াই, মশলশিংগী থবক তৌবদসু শোকহনবা য়াই, কেলসীয়ম অমসুং ফোসফরসগী মহৌশাগী লৈবা খল ঙাক্কুনা থম্বা হায়বসি শরু অমসুং য়া ফহন্নবগী মথৌ তাই।

### ৪. ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌবা

কিদনি মখল কয়াগী হোর্মোনশিং (রেনিন, এনজিওটেসিন, এলদোষ্টেরোন, প্রোষ্টাগ্লান্দিননচিংবা) পুথোকই অমসুং ব্লদ প্রসর কন্ট্রোল তৌবদা মরুওইবা শক্লোন লৌরিবা ঈশিং অমসুং থুমহি হকচাং মনুংদা চাং অমসুং মওং মরিন তানা থমই। হোর্মোন পুথোকপদা অপনবা, অকায়বশিং পীবা, অমসুং কিদনি ফেলরগী অনাবা মীওই অমদা থুম অমসুং ঈশিং শীন্দোক-শীঞ্জিন তৌবা শোয়রকপদা হায় ব্লদ প্রেসর থোকহল্লি।

### ৫. রেদ ব্লদ সেলশিং পুথোকপা

কিদনি মনুংদা থোকপা এরিথ্রোপোআইটিননা রেদ ব্লদ সেল (আরবিসী) পুথোকপদা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌরি। কিদনি ফেলর ওইবদা এরিথ্রোপোআইটিন থোকপা হন্থরকই। মসিনা অমুক আরবিসী পুথোকপা হন্থহন্দুনা লো হিমোগ্লোবিন (এনিমিয়া) ওইহল্লকই।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

রিনেল ফেলর ওইবা অনাবশিংদা এরিথ্রোপোআইটিন পুথোকপা নেস্বা মরম্না আইরন অমসুং ভিটামিনশিংগী সপ্লিমেন্টশিং পীদুনসু হিমোগ্লোবিন কাউন্ট ফগৎলক্তে।

## ৬. অফবা শরু ওইহন্দুনা থম্নবা

চিঞ্জাক্তগী কেলসীয়ম চুপশিন্নবগীদমক, শরু অমসুং য়া চাউখৎহন্নবগীদমক, অমসুং শরুবু মশা ফহন্নবা অমসুং কলহন্নবগীদমক ভিটামিন দি বু মসিগী মশা খিঙনা অমসুং অকনবা মওং অদুদা কিদনিনা ওন্থোকই। কিদনি ফেলর ওইরবদি ভিটামিন দি গী অকনবা মথৌ হন্থরক্তুনা শরুশিংগী চাউখৎপা হন্থরকই অমসুং শোলহল্লকই। মশা চাউজল থীরকপনা অঙাংশিংদা কিদনি ফেলর ওইবগী অহানবা খুদম ওইবা য়াই।

## করম্না ঈবু শেংদোকই অমসুং য়ুং শেমই?

ঈ শেংদোকপগী থবক চথবদা কিদনিনা মথৌতাবা পোৎচাকশিং পুন্নমক খাক্তুনা থমহৌই অমসুং খনগৎলবা অহেনবা মহী, মিনরেলশিং অমসুং অরেমখাক ওইবা পোথোকশিং হকচাংগী মপান্দা পুথোকখি।

য়ুং শেল্লকপগী য়াম্না কুপ্লবা কাঙলোন অমসুং অঙকপা থবক অসি ঐখোয় খঙজিনসি।

- হার্টনা চিংলিবা অপুনবা ঈগী চাদা ২০, হায়বদি ঈ মিলিলিটর ১২০০ মিনিট খুদিংগী শেংদোক্নবগীদমক কিদনি অনিদা চঙলকই হায়বসি নহাক খঙব্রা? অসুম্না নোংমদা ঈ লিটর ১৭০০ শেংদোকই!
- শেংদোকপগী থবক অসি নেফ্রোনশিং হায়না খঙনবা অপীকপা ফিল্টর য়ুনিটশিংদা তৌই।
- কিদনি অমমমদা নেফ্রোন মিলিয়ন ১ রোম য়াওই। গ্লোমেরুলস অমসুং ট্যুবুলশিংনা নেফ্রোন অমা শাই।
- গ্লোমেরুলস হায়রিবশিংসি সেলেক্টিব ফিল্ট্রেসনগী মওং-মরিল ওইবা য়াম্না পীকপা অহোবা মখুল মচা-মচা ওইবা ফিল্টরশিংনি। মখোয়সিগী খুথাংদা ঈশিং অমসুং অপীকপা পোৎচাকশিং লায়না চুমথোকই। অদুবু অচৌবা রেদ ব্লদ সেলশিং, হ্বাইট ব্লদ সেলশিং, প্লেটলেটশিং, প্রোটিননচিংবদি হায়রিবা মখুলশিংসি ফাওদুনা চৎপা ঙমদে। মরমদুনা মশা-মউ ফরিবা মীওইগী য়ুংদা অচৌবা পোৎচাকশিং য়াওদে।

*কিদনিগী মরুওইবা মথৌদি য়ুংগী মওংদা অরেমখাক অমসুং হকচাং মাঙনিংঙাই ওইবা পোথোকশিং অমসুং অহেনবা ঈশিং লৌথোকখিবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- য়ুং শেন্নকপগী অহানবা খোঙথাং গ্লোমেরুলাইদা তৌই, মসিদা য়ুং মিলিলিটর ১২৫ মিনিট অমদা চুমথোকই। মসি তশেংনা অঙকপনি মদুদি পুং ২৪ দা য়ুং লিটর ১৮০ শুংই। মসিদা অরেমখাক ওইবা পোত্থোকশিং, মিনরেলশিং অমসুং হু ওইবা পোৎচাকশিংখক্তমক য়াওই, অদুবু গ্লুকোজ অমসুং অতৈ কান্ননিংঙাই পোৎচাকশিংসু অদুম্মক য়াওই।
- কিদনিনা য়াম্না হৈ-শিংনা অমুকহন্না চুপশিনবগী থবক চথে। ট্যুবুলশিংদা চঙলক্লিবা মহী লিটর ১৮০ গী মনুংদগী মহী অদুদা চাদা ৯৯ খনগৎলগা অমুকহন্না চুপশিল্লি অমসুং শুপ্পগী লেমহৌবা চাদা ১ খক্তমক য়ুং ওইনা মপান্দা থাদোকখি।
- হৈ-শিংলবা কাঙলোনগী থবক অসিদা মথৌতাবা পোৎচাক পুন্নমক অমসুং মহী লিটর ১৭৮ ট্যুবুলশিংদা অমুকহন্না চুপশিল্লি অমসুং ঈশিং লিটর ১-২, অরেমখাক পোত্থোকশিং, অহেনবা মিনরেলশিং অমসুং অতৈ অসিগুম্বা অমাঙবগী মশক ওইবা পোৎথোকশিংদমক মপান্দা থাদোকখি।
- কিদনিনা শুংবা য়ুং অদু য়ুরেটরদা চেন্থরকই অমসুং য়ুরিনরি ব্লাদর ফাওরগা চৎখি অমসুং অরোয়বদা য়ুরেথ্রা ফাওরগা মপান্দা থোকখি।

**মশা ফরিবা কিদনি লৈরিবা মীওই অমগী য়ুংগী লৈগদবা চাংদা খেন্নবা লৈব্রা?**

- হোয়, চুন্নগী মীওই অমদা য়ুংগী চাং লেপ্পবগী মরুওইবা মরমশিংদি থকচিল্লিবা ঈশিংগী চাং অমসুং এটমোস্ফ্যারিক টেম্পরেচরনি।
- ঈশিং য়াম্না থকপা ৱাৎপা মতমদা য়ুং কুঙশিল্লকই অমসুং মসিগী য়াম্বা চাং হন্থরকই। (মিলিলিটর ৫০০), অদুবু ঈশিং মরাঙ কায়না থক্লবদি য়ুং হেন্না শেন্নকই।
- কালেনথাদা শাবা হেনগৎলকপনা হুমাং থোকখিবা মরমনা য়ুংগী য়াম্বা চাং হন্থরকই। নিংথমথাদদি মসিগী ওন্ন-তৈনবদনি শাবগী চাং নেমই, হুমাং থোক্তে, য়ুং হেন্না শেম্মী।
- মহৌশাগী চাংদা ঈশিং থকপা মীওই অমদা য়ুং শেম্বগী য়াম্বা চাং মিলিলিটর ৫০০ দগী হন্থরবদি নত্রগা মিলিলিটর ৩০০০ দগী হেল্লবদি মদু কিদনি অদুদা পুক্লিং চঙশিনবা অমসুং লায়েংথোকপা মথৌ তারে হায়বগী ময়েক শেংলবা ঈঙ্গিৎ অমনি।

*য়ুং শুংলকপা য়াম্মলক্ত্রবা নত্রগা য়াম্মল্লক্রবদি কিদনি অদু পুক্লিং চঙশিনবা অমসুং লায়েংবা য়ারে হায়বা তাকপনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ৩
# কিদনি লায়নাশিংগী লাইওংশিং

কিদনি লায়নাশিংগী লাইওংশিং অমগা অমগা খেন্নে। লৈরিবা লায়না মখল অমসুং মদুগী শাথিবা চাংগী মখা য়াম্না পোল্লি। অয়াম্বা মতমদা লাইওংশিং মহৌশা-মহৌশা ওইনা তৌই অমসুং অশেংবা মশক উৎতে, মরম অদুনা ঙল্লিঙৈগী তাঙ্কক্তা লায়না অসি নারে হায়বগী লাইওং লেপ্পা ঙমদে।

**কিদনি লায়নাশিংগী অয়াম্বনা খঙনবা লাইওংশিং :**

**• মায়দা পোমথোকপা**

মায়, খোং অমসুং পুক্তা পোমথোকপা অসি কিদনি লায়নাগী য়াম্না তোয়না থোক্কনবা মওং অমনি। কিদনি লায়নানা মরম ওইদুনা পোমথোকপগী মওং মরিল অসি মীৎকী মখা মায়দগী হৌই অমসুং অয়ুক্তা অয়াম্বা উবা ফংই।

কিদনি ফেলরনা পোমথোকপা অসিদা তোয়না থোকপা অমসুং মরুওইবা মরম্নি। অদুবু মায়-মীৎ পোমখৎলে হায়দুনসু মদু কিদনি ফেলরনা হেক্তা ওইরগনি হায়বা লৈতে হায়বসি খঙবা মথৌ তাই। কিদনিগী থবক মহৌশাগুম লৈদুনসু কিদনি লায়না খরদদি পোমখৎপা থোকই। খুদম ওইনা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমনি। মসিগী চপ মান্নবা মখলদা খংজিনগদবা অমদি কিদনি ফেলর ফজনা ওইরবা অনাবা মীওই খরখক্তদি পোমখৎপা অসি অমতা উদবসু য়াই।

**• চানিং থক্লিং পোক্তবা, হুমাং কাংবা, ওনিংবা**

চানিং থক্লিংবা ৱাৎলকপা, চিনদা মহাও খঙবা শোয়রকপা অমসুং চিঞ্জাক নীংথিনা চারক্তবা হায়বশিংসি রিনেল ফেলর ওইবা মীওই অমনা মায়োক্লবা নুংঙাইতবা মওংশিংনি। কিদনি ফেলর হেন্না শাথিরকপগা লোয়ননা হু চেনবা পোৎচাকশিং মায়দগী মীওই অমনা হুমাং কাংবা, ওনিংবা অমসুং hiccup তৌরকই

**• হায় ব্লদ প্রেসর - হায়পরটেন্সন**

কিদনি ফেলর ওইবা অনাবশিংদা হায়পর্টেন্সন হায়বসি অয়াম্বা থোকই। চহি নৌরিঙৈ (চহি ৩০ ফাদ্রিঙৈ) দা হায়পর্টেন্সন থোক্লবদি নত্রগা দাইগনোসিস তৌবা মতমদা ব্লদ প্রেসরে য়াম্না ৱাংলবদি মদুগী মরমদু কিদনি প্রোব্লেম ওইবা য়াই।

*মীৎ মখা মায়দা পোমখৎপা অসি কিদনি লায়নাশিংগী খ্বাইগী তোইনা থেংনবা লাইওংনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- **ঈ ৱাৎপা (এনিমিয়া) অমসুং হকচাং শোন্থবা**

হকচাং শোন্থবা, ঙন্না চোকথবা, থবক্তা পুক্লিং চংবা ৱাৎলকপা অমসুং Pallor হায়রিবশিংসি এনিমিয়া (হিমোগ্লোবিন লেভেল নেম্বা) লৈবা মীওই অমদা তোয়না থোকই। করিগুম্বা এনেমিয়া অদু চুম্নগী লায়েংদা কান্নরক্রুবদি কিদনি ফেলর লৈহন্দনবা, থিংহৌবা মথৌ তাই।

- **অকক্নদবা কমপ্লেনশিং**

খ্বাং মখা নাবা, হকচাং চীকপা অমসুং খোং জিং-জিং লাওবনচিংবা কিদনি লায়নাগী তোয়না নুংঙাইতবশিংনি। চাউজন থীবা, থীক নেম্বা, খোংগী শরুশিং কোনবসি কিদনি ফেলর লৈবা অঙাংশিংদা থোক্কনবশিংনি।

- **য়ুরেনরি কমপ্লেনশিং**

অয়াম্বা মতমদা তৌনবা য়ুরিনরি কমপ্লেনশিংদি :

১) য়ুং হান্দোকপা চাং হন্থদুনা পোমখৎপা থোকহনবসি কিদনি লায়না মখল কয়াদা য়াম্না তোয়না থোকই।

২) য়ুং হানবদা শাবা ফাওবা, তোয়না য়ুং হানবা অমসুং য়ুংদা ঈ য়াওবনচিংবসি য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সনগী লাইওংশিংনি।

৩) য়ুং হানবদগী ঈচেলদা অপনবা পীবনা য়ুং হানবদা নুংঙাইতবা, খজিক্তমমক নত্রগা মরীক-মরীক ওইনা হানবা থোকই। শাথিবা ফিভমশিংদদি য়ুং হান্দোকপা শুকঙম ঙমদবা অসি তোয়না থোক্তবা নত্তে।

মী অমদা মথক্তা পল্লিবা লাইওংশিং অমসুং খুদমশিং অসিগী মনুংদা খর লৈরবসু মসিনা মহাক কিদনি লায়নানা নারে হায়না হেক্ত লৌবদি য়াদে।

অদুমওইনমক অসিগুম্বা লাইওংশিং লৈরক্লবদি ডাক্তর তাননবা অমসুং টেষ্টশিং অমসুং চেকঅপশিং তৌথোক্তুনা কিদনি লায়না লৈরকপগী ওইথোক্লিংঙাই অমত্তা লৈতনবা য়াম্না কন্না পাউতাক পীনিংঙাই ওই।

> *নহা ওইরিঙৈ চহি মতাঙদা শাথিবা হায়পর্টেন্সন লৈরে খঙলবদি কিদনি প্রোব্লেমশিং লৈহন্দবা থিংহৌগদবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ৪
# কিদনি লায়নাশিংগী লাইওং লেপ্পা

‘মতমচানা থবক তৌহৌবনা মাঙজবদগী কলহৌই’ হায়নরিবদু কিদনি লায়নাশিং লায়েংবগীদক্তি অচুম্বমক্নি। ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সিকেদি) গুম্বা লায়না লায়েংদুনা ফহনবা ঙমদে অমসুং কিদনি লায়নাগী অরোয়বা তাঙ্কক (এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ - ই এস কে দি) লায়েংগী অচঙমল হায়নিংঙাই লৈতনা ৱাংই। অসিগুম্বা কিনিংঙাই লায়না অমনা নাবা মীওই এসিমটোমেটিক ওই হায়বদি লায়না অদুগী মপান্থোংদা উৎথোকপা লাইওংশিং লৈতবগুম্না উগনি। মতম ঙন্না কিদনি লায়নাগী লাইওং লেপ্পুনা খঙহৌরবদি মেদিকেল ত্রিটমেন্ট চত্থরগা মসি কোমনা লায়েংবা ঙমই। মরম অদুনা কিদনিগী নুঙাইতবা, চিংনবা অমা লৈরকপদা খুদক্তা চেক-অপ অমসুং মতম ঙন্না দাইগ্নোসিস তৌনবা চৎহৌগদবনি।

**কিদনি চেক তৌথোকহৌগদবসি কনানো? কিদনি প্রোব্লেমশিং লৈরকপা য়াবগী হায় রিস্কতা লৈরিবসি কনানো?**

কনাগুম্বা মীওই অমদা কিদনিগী নুংঙাইতবা অমা হেক্তা থোক্লকপা য়াই, অদুবু মসিগী খুদোংথিবা য়াবা ফিভম অসি হেল্লকই, মখাগী ফিভমশিংসিদা :

- কিদনি লায়নাগী লাইওংশিং লৈরবা মীওই
- দাইবেটিস নাবা মীওই
- লাকশিনবা ঙমদ্রবা হায়পর্টেন্সন লৈবা মীওই
- কিদনি লায়না, দাইবেটিস অমসুং হায়পর্টেন্সন নাবগী ৱারী লৈবা ইমুং
- মৈখু শীজিন্নবা, মশা হেন্না নোয়বা অমসুং/নত্রগা চহি ৬০ গী মথক ওইরবা মীওই
- পেইন রিলিভিরশিংনা মতমশাংনা লায়েংলক্লবা মীওই
- পোকপদগী য়ুরিনরি ট্রেক্তকী দিফেক্ট লৈরকখিবা মীওই

অসিগুম্বা ৱাংনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা য়াবা মীওইশিং স্ক্রিনিং তৌবনা কিদনি লায়না অসি মতম ঙন্না খঙবদা মতেং ওই।

**কিদনি প্রোব্লেমশিং করম্না দাইগ্নোসিস তৌগনি? মহৌশানা করি টেষ্টশিং তৌনৈ?**

তোঙান-তোঙানবা মখলগী কিদনি প্রোব্লেমশিং লাইওং লেপ্পুনা খঙননবা ডোক্তর অদুনা অনাবা মীওইদুগী মপুংফাবা ৱারী লৌই,

> *ক্রোনিক কিদনি দিজজগী ঙল্লিবৈ তাঙ্কক অসি মহৌশানা লাইওং উখোল্লক্তে, মসি খঙদোক্লবা অমতা ঙায়রবা লম্বীদি লেবোরেটরি টেষ্টশিংনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

মীওই অদুগী হকচাং মপুংফানা য়েংশিল্লি, ব্লদ প্রেসর ওল্লি অমসুং মদুগী মতুংদা মথৌতাবা টেষ্ট তৌনবা পাউতাক পী। মতম নাইনা পাঙথোকপা অমসুং খ্বাইদগী কান্নবা টেষ্টশিংদি য়ুং টেষ্টশিং তৌথোকপা, ঈ টেষ্ট তৌথোকপা অমসুং রেদিওলোজিকেল টেষ্টশিং তৌথোকপা অসিনি।

## ১) য়ুংগী টেষ্টশিং

মখল কয়াগী য়ুরিন টেষ্টশিংনা তোঙান-তোঙানবা কিদনি লায়নাগী লাইওং লেপ্পবগী কান্নরবা লীখুনশিং পী।

### রুতিন য়ুরিন টেষ্টশিং

- মসি ইচম-চম্বা, শেল য়াম্নসু চঙদবা অমসুং য়াম্না কান্নবা দাইগ্নোষ্টিক টেষ্ট অমনি।
- য়ুংগী টেষ্টশিং অদুদা মহৌশা নত্তবশিং উরবদি মদুনা মরুওইবা দাইগ্নোষ্টিক ক্ল্যুশিং পী, অদুবু টেষ্টকী নোর্মেল রিপোর্ট ওইরবসু মদুনা কিদনি প্রোব্লেমশিং লৈরব্লোই হেক্তা হায়বা য়াদে।
- য়ুংদা প্রোটিন য়াওবা (প্রোটিন্যুরিয়া) অসি কিদনি লায়না কয়াদা উই। মসি কৈদৌঙৈদা থৌশাদবা তৌরোইদবনি। য়ুংদা প্রোটিন য়াওবনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (অমসুং হার্ট দিজিজগী ফাওবা) গী অহানবা, খ্বাইদগী ঙনবা অমসুং অমতা ঙাইরবা ৱার্নিং সাইন্নি। খুদম ওইনা প্রোটিন্যুরিয়া অসি দাইবেটিস কিদনি য়াওবগী অহানবা ঈঙ্গিৎনি।
- য়ুংদা পস সেল (Pus cells) শিং য়াওবনা য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন (য়ুটি আই) নারে ফোংদোকই।
- প্রোটিন অমসুং রেদ ব্লদ সেলশিং য়াওবনা ইনফ্লেমেটরি কিদনি দিজিজ (হায়বদি গ্লোমেরুলোনেফ্রাইটিস) কীদমক দাইগ্নোষ্টিক ক্ল্যু পী।

### মাইক্রোএলবুমিন্যুরিয়া

মাইক্রোএলবুমিন্যুরিয়া হায়বসি য়ুংদা প্রোটিনগী য়াম্না পীকপা চাং য়াওবা অদুবুনি। টেষ্ট অসিনা দাইবেটিসতা কিদনি য়াওবগী দাইগ্নোষ্টিকীদমক অহানবা অমসুং খ্বাইদগী ঙনবা ক্ল্যু অদু পী। তাঙ্কক অসিদদি চথফম থোকপা অমসুং য়াম্না কুপ্পা লায়েংনা লায়না অসি অমুক হান্নগী ফিভমদা মনিং হন্দোকহনখিবা য়াই। তাঙ্কক অসিদা রুটিন য়ুরিন টেষ্টতা প্রোটিন (এলব্যুমি) য়াওদে।

| |
|---|
| *কিদনি লায়নাশিং মতম ঙন্না লাইওং লেপথোক্লবগীদমক য়ুং চাংয়েং তৌথোকপা য়াম্না মরু ওই।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**অতৈ য়ুং চাংয়েংশিং**

- এলব্যুমিনগীদমক পুং ২৪ য়ুং চাংয়েং : য়ুংদা প্রোটিন য়াওবা অনাবশিংদা পুং ২৪ দা মাঙখিবা প্রোটিনগী অপুনবা চাং অদু লেপ্পবগীদমক টেষ্ট অসি মথৌ তাই। লায়না অসি করম্বা থাক য়ৌরে হায়বা অমসুং প্রোটিন মাঙখিবা অদুদা লায়েংগী ফল অদু খঙনবা টেষ্ট অসি কান্নে।

- কলচর অমসুং সেন্সিটিবিটি টেষ্ট : চাংয়েং অসি পুং ৪৮ দগী ৭২ রোম ফাওবগী মতম চঙই অমসুং য়ুটি আই থোকহনবা বেক্টেরিয়াগী মখলগী মরমদা, ইনফেক্সন অদুগী কনবা-কন্দবা চাং অমসুং মসিগী লায়েংগীদমক এন্টিবাইওটিক খনবগী মতাংদা মরুওইবা ঈ-পাউ পী।

- এসীদ ফাষ্ট বেসিলায়গীদমক য়ুং চাংয়েং : চাংয়েং অসি য়ুরিনরি ট্রেক্টতা ট্যুবরক্যুলোসিস লৈব্রা হায়বগী দাইগ্নোসিস তৌবদা কান্নে।

## ২. ব্লদ টেষ্টশিং

তোঙান-তোঙানবা মখলগী কিদনি প্রোব্লেমশিংগী প্রোপর দাইগ্নোসিস করি তৌগদগে লেপ্পবদা ঈগী মখল কয়াগী চাংয়েংশিং মথৌ তাই।

- **ক্রিএটিনিন অমসুং য়ুরিয়া**

ক্রিএটিনিন অমসুং য়ুরিয়াগী ব্লদ লেভেলশিংনা কিদনিশিংগী থবক অদু উৎলি। ক্রিএটিনিন অমসুং য়ুরিয়া অসি কিদনিনা ঈদগী লৌথোক্লকপা অরেমখাক ওইবা পোৎথোক অনিনি। কিদনিগী থবক শোত্থরকপা মতমদা ক্রিএটিনিন অমসুং য়ুরিয়াগী ব্লদ লেভেলশিং ৱাংই। সেরম ক্রিএটিনিনগী নোর্মেল ভেল্যু এমজি/দিএল ০.৯ দগী ১.৪ নি অদুগা ব্লদ য়ুরিয়াগী নোর্মেল ভেল্যুনা এমজি/দিএল ২০ দগী ৪০ নি। মখোয়গী ভেল্যু হেন্না ৱাংবা কিদনিদা হেন্না চাউনা শোক্লে উৎলি। ব্লদ য়ুরিয়া লেভেলদগীদি ক্রিএটিনিন লেভেলনা কিদনিনা তৌবা থবক্কীদমক হেন্না থাজনিংঙাই ওইবা গাইদ অমনি।

- **হিমোগ্লোবিন**

মশা ফবা কিদনিশিংনা হিমোগ্লোবিন য়াওরিবা রেদ ব্লদ সেলশিং পুথোকপদা মতেং ওই। ব্লদ টেষ্ট অমদা হিমোগ্লোবিন নেম্লবদি, মদু এনিমিয়া কৌই। এনিমিয়া অসি ক্রোনিক কিদনি দিজিজশিংদা তোয়না উবা অমসুং মরুওইবা খুদম অমনি। অদুমওইনমক অতৈ অনাবশিংদসু এনিমিয়া অসি তোয়না থোকপা থেংনৈ। মরম অদুনা এনিমিয়ানা কিদনি লায়নাগীদমক অকক্লবা টেষ্ট অমা নত্তে।

| |
|---|
| *রিনেল ফেলর লৈব্রা য়েংথোক্লবা সেরম ক্রিএটিনিন ব্লদ টেষ্ট অসি চাং নাইনা শিজিন্নে।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- **অতৈ ব্লদ টেষ্টশিং**

কিদনি অনাবশিংনা তোয়না পাঙথোক্লবা মখল কয়াগী ব্লদ টেষ্টশিংদি : ব্লদ শুগর, সেরম প্রোটিন, কোলেষ্টরোল, ইলেক্ট্রোলায়টস (সোদিয়ম, পোটাসিয়ম অমসুং ক্লোরাইদ), কেলসীয়ম, ফোসফরস, বাইকার্বোনেট, এ এস ও টিটর, কমপ্লিমেন্ট অসিনচিংবনি।

৩) **রেদিওলোজিকেল টেষ্টশিং**

- **কিদনিগী অলট্রাসাউন্দ**

অলট্রাসাউন্দ অসি ইচম-চম্বা, কান্নরবা, অথুবা অমসুং সেফ ওইবা টেষ্টনি, মসিনা কিদনিগী সাইজ, সীষ্ট, ষ্টোন অমসুং ট্যুমরশিং লৈবগী কান্নরবা ঈ-পাউ পী। অলট্রাসাউন্দ অমনা কিদনি, য়ুরেটরশিং, নত্রগা ব্লাদরগী মফম অমদা য়ুংদা অথিংবা লৈবশিং খঙবা ঙমই। ক্রোনিক কিদনি ফেলর ওইবদদি কিদনি অনিমক্কী সাইজ অদু মহৌশানা পীকপা থেংনগনি।

- **পুক্কী এক্সরে**

টেষ্ট অসি য়ুরিনরি সিষ্টমদা নুঙ লৈবগী দাইগ্নোসিস তৌবদা কান্নে।

- **ইন্ট্রা ভেনস য়ুরোগ্নাফি (আইভিয়ু)**

আইভিয়ু (ইন্ট্রা ভেনস পেলোগ্রাফি - আই ভি পি হায়নসু খঙনবা) অসি অখন্নবা এক্সরে টেষ্ট অমনি। টেষ্ট অসিদা মচু (এক্সরে ফিল্মসশিংদা উবা ঙম্বা মহী) য়াওবা রেদিও ওপেক আওদিন খুদাংগী ভেন অমদা কাপশিল্লি। ঈগী ঈচেলদা কাপশিল্লিবা মচুগী মহী অসিনা কিদনি ফাওরগা চৎখি অমসুং য়ুংদা থোক্লকই। মরম অদুনা য়ুং অদু রেদিও-ওপেক ওইরে অমসুং মসিনা য়ুরিনারি ট্রেক্ট হায়বদি কিদনিশিং, য়ুরেটরশিং অমসুং ব্লাদরবু উহল্লে। অকক্লবা তোঙান-তোঙানবা মতমদা এক্সরে পিকচর কয়া মথং মথং লৌই। অদুনা য়ুরিনারি সিষ্টেমগী এনাটোমি অমসুং ফঙ্কসনিংগী মপুংফারবা শক্তম অমা পী। আই ভি য়ু না ষ্টোন, ওবষ্ট্রক্সন, ট্যুমর অমসুং কিদনিশিংগী ষ্ট্রকচর অমসুং ফঙ্কসনদা মহৌশাগা মান্নদবা অহোংবশিংনচিংবা প্রোব্লেমশিং ফোংদোকই।

*কিদনি লায়নাগীদমক খ্বাইদগী মরুওইবা স্ক্রিনিং টেষ্টশিংদি য়ুরিন টেষ্ট, সেরম ক্রিএটিনিন অমসুং কিদনিগী অলট্রাসাউন্দনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

কিদনি ফেলরগী মতাংদদি আই ভি য়ু অসি মহৌশানা তৌনবা পাউতাক পীদে, মরমদি কাপশিনখ্রিবা মচুগী মহী অদুনা য়াম্না শোন্না থবক খর-খর তৌজরিবা কিদনিশিংদু অমুক শোকহনখিবা য়াই। কিদনি ফেলর ওইবদদি টেষ্ট মনুংদুদা মহীগী মচু অদু মপান্দা মতীকচানা থাদোক্তবা য়াই। টেষ্ট অসি মীরোল্লিঁডে মনুংদফাওসু তৌহন্নদে। হৌজিক্কি মতমদদি অলট্রাসাউন্দ অমসুং সী টি স্কেন ফংলবনা টেষ্ট অসি তৌবা হন্থরে।

- **ভোইদিং সিষ্টৌয়ুরিথ্রোগ্রাম (ভি সী য়ু জি)**

  ভোইদিং সিষ্টৌয়ুরিথ্রোগ্রাম - ভি সী য়ু জি (হান্নদি মিকটুরেটিং সিষ্টৌয়ুরিথ্রোগ্রাম এম সী য়ু হায়না খঙনরম্বা) টেষ্ট অসি অঙাংশিংদা তৌবা য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সনগী চাং খঙনবগীদা য়াম্না তোয়না মথৌ তাই। অখন্নবা এক্সরে টেষ্ট অসিদা ব্লদদর অদু কেথেটরগী খুথাংদা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা কন্ট্রাষ্ট মেদিয়মনা পীকথলহল্লি। ব্লদদর অদু থল্লবা মতুংদা কেথেটর অদু লৌথোকই অমসুং অনাবা অদুদা য়ুং হান্দোক্লবা হায়। য়ুং হান্দোক্লিঁডে মনুংদা মতম কান্ন-কান্নরগা লৌবা এক্সরেনা ব্লদদর অমসুং য়ুরেথ্রা অদুগী আউটলাইন অদু উৎলি। টেষ্ট অসিনা য়ুংনা য়ুরেটরশিংদা অমুকহন্না চেনশিনবা অমসুং কিদনিদা ফাওবা য়ৌখিবা (ভেসিকোয়ুরেটরেল রিফ্লক্স হায়না খঙনবা) অসিগী দাইগ্নোস তৌবদা অমসুং য়ুরিনরি ব্লদদর অমসুং য়ুরেথ্রাদা ষ্ট্রকচরেল এবনোর্মেলিটি দাইগ্নোস তৌবদা কান্নে।

- **অতৈ রেদিওলোজিকেল টেষ্টশিং**

  কিদনি প্রোব্লেম খরগী দাইগ্নোসিসকীদমক অখন্নবা টেষ্টশিং কিদনি অমসুং য়ুরিনরি ট্রেক্টগী সী টি স্কেন, রেনেল দোপ্লর, রেদিওন্যুক্লিয়ার ষ্টদি, রেনেল এনজিওগ্রাফি, এন্টিগ্রেদ অমসুং রিত্রোগ্রেদ পৈলোগ্রাফি অসিনচিংবশিং য়াম্না কান্নে।

- **অতৈ অখন্নবা টেষ্টশিং**

  কিদনি বাইওপসি, সিষ্টোস্কোপি অমসুং য়ুরোদায়নামিক্স অসি কিদনি প্রোব্লেম খরগী চপচাবা দাইগ্নোসিসকীদমক মথৌতাবশিংনি।

## কিদনি বাইওপসি

কিদনি বাইওপসি হায়বসি অকক্লবা কিদনি লায়নাশিংগী দাইগ্নোসিসতা কান্নবা মরুওইবা টেষ্ট অমনি।

> *কিদনিগী সাইজ, মওং অমদি লৈফম খঙদোকপা ঙম্বা অমাঙবা পীদবা অচম্বা টেষ্ট অমনি কিদনি অলট্রাসাউন্দ হায়বসি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

### কিদনি বাইওপসি করিনো?

কিদনি বাইওপসিদা য়েত্তুম অমদা কিদনি টিশ্যুগী অপীকপা মচেৎ অমা লৌথোক্লকই অমসুং মাইক্রোস্কোপ অমদা ইগজামিন তৌই। অকক্লবা কিদনি লায়না খরগী চপচাবা মওং মতৌ অদু দাইগ্নোস তৌনবা কিদনি বাইওপসি পাঙথোকই।

### করম্বা মতমদা কিদনি বাইওপসি তৌনবা হায়?

অকক্লবা কিদনি লায়না খরগীদি মপুংফাবা হিষ্টরি, ইগজামিনেসন অমসুং টেষ্টশিংনা অচুম্বা দাইগ্নোসিস খঙবা ঙমদে। অসিগুম্বা অনাবশিংদা কিদনি বাইওপসি অমা তৌবখক্তনা চপচাবা দাইগ্নোসিস পাবা ঙম্বা অমতা ঙায়রবা টেষ্টনি।

### কিদনি বাইওপসিনা করম্না মতেং ওই?

কিদনি বাইওপসিনা করিনো খঙবা ঙমদ্রবা কিদনি লায়না খরগী অকক্লবা দাইগ্নোসিস তৌবা ঙমহল্লি। মসিগী ঈ-পাউ অসিগা লোয়ননা নেফ্রোলোজিষ্ট অদুনা মহৈ ফংগদবা লায়েং-থৌরাং অমা তৌবা ঙমহল্লি অমসুং অনাবশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংদা লায়না অদুগী শাথিবা চাং অমসুং চত্থরক্লিবা মওং অদু খঙহনবা ঙমই।

### করম্বা টেক্নিক্না বাইপিসি পাঙথোকই?

খ্বাইদগী তোয়না শীজিন্নবা মেথদতি পবক্যুটেনস নীদল বাইওপসিনি। মসিদা মখুল হোবা নীদল অমা স্কিন ফাওরগা কিদনি অদুদা থিংজিল্লি। অতোপ্পা তাঙনা শীজিন্নবা মেথদ অমনা সর্জরি মথৌ তাবা ওপন বাইওপসিনি।

### করম্না কিদনি বাইওপসি পাঙথোকই ?

- অনাবদু হোস্পিতালদা মিং চল্লি অমসুং মশাগী অয়াবা লৌই।
- বাইওপসিগী মাঙওইননা ব্লদ প্রেসর নোর্মেল ওইহল্লি অমসুং ব্লদ টেষ্টনা ব্লদ ক্লোট্টিং নোর্মেল ওইরে হায়বদু খঙদোকই। বাইওপসিগী চয়োল ১-২ গী মমাঙদগী ব্লদ ক্লোট্টিং থিংনবা হিদাক (খুদম এস্পিরিন) থাবা লেপই। কিদনিশিংগী লৈবা ফিভম খঙনবা অমসুং বাইওপসি তৌগদবা অকক্লবা মফম লেপ্পবা অলট্রাসাউন্দ লৌথোকই। মসিগী মফম অসি নঙ্গল মশলশিংগী মনাক খ্বাংগী মথকথংবা শরুক্তা রিবকী মখাদনি।
- অনাবা অদু চাকখাউরোমদা মায় লুকথরগা লৈহনগনি, পুক অদু মোন নত্রগা টাৱেল অমনা শৌগৎকনি। থবকশিং তৌরিঙৈ মতম মনুং অনাবদু

*অকক্লবা কিদনি লায়নাশিং লাইওং লেপথোকপদা চপচাবা লম্বেল খঙননবা পাঙথোকপা টেষ্ট মখল অমনি কিদনি বাওপসি হায়বসি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

মপুংফানা মমিৎশিংনা লৈগনি। অঙাংশিংগীদদি মমিৎ শিংহন্দনবা এনেস্থেসিয়া থারগা কিদনি বাইওপসি তৌই।

- উনশা অদু নীংথিনা শেংদোক্লবা মতুং বাইওপসি তৌগদৌরিবা মফমদু অনাবা ফাওহন্দনবা লোকেল এনেস্থেসিয়া থাই।
- হোলো বাইওপসি নীদলগী মতেংনা অপীকপা লংজা মানবা মচেৎ ২ নত্রগা ৩ কিদনি অদুদগী লৌই। মসিগী স্পেসীমেনশিং অসি হিষ্টোপেথোলোজি ইগজামিনেসনগীদমক পোথোলোজিষ্টা থাখি।
- বাইওপসি মতুংদা, ঈ থোকপা থিংনবা বাইওপসি মফমদুদা প্রেসর পীশিল্লি। অনাবদু পুং ৬-১২ পোথানবা হায় অমসুং মহৌশানা মথংগী নুমিৎতা দিসচার্জ তৌই।
- বাইওপসি মতুংদা চয়োল ২-৪ রোমদি অকনবা থবক নত্রগা এক্সসাইজ তৌদনবা পাউতাক পী।

## কিদনি বাইওপসিদা রিস্কশিং লৈব্রা?

সর্জিকেল প্রোসীজর অতৈগুম্না কিদনি বাইওপসি মতুংদা অনাবা মীওই খরখক্তদি কমপ্লিকেসনশিং থোকপা য়াই, খজিক্তং নাবা ফাওবা, অমসুং ঙাংলৈনবা য়ুং হানবসি অমুক নত্রগা অনিরক্লম্বা তৌবদা তোয়না থোক্তবা নত্তে। অদুবু মসি অয়াম্বা মতমদা মতোমতা ফজখি।

ঈ মখাতা থোকপা তাঙনা থোকপা কেসশিংদদি ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন মথৌ তাই। শাথিনা মখাতাবা ব্লীদিং তৌবা য়াম্না তাঙনা থোকপশিংদদি সর্জরি তৌরগা কিদনি অদু ইমর্জেন্সী ওইনা লৌথোকপসু তৌদবা য়াদবা ওইরকপা য়াই।

করিগুম্বদা ফংলিবা কিদনি টিশ্যু অদু দাইগ্নোসিসনা মতিকচাদবা য়াই (২০ গী মনুংদা অমগুম্বা) মতাংদদি অমুকহন্না বাইওপসি মথৌ তাই।

*কিদনি বাইওপসি অসি মহৌশানা মপুংফানা তুমদবা মতমদা অপীকপা য়েত্তুমনা তৌই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ৫
# মরুওইবা কিদনিগী লায়নাশিং

### কিদনি লায়নাশিং কাঙলুপ অনি খায়দোকই

- মেদিকেল দিজিজশিং : মেদিকেল কিদনি লায়নাশিং হায়বদি কিদনি ফেলর, য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন অমসুং নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমনচিংবা অসি নেফ্রোলোজিষ্টশিংনা হিদাক থাদুনা লায়েংই। কিদনি ফেলর ওইবা য়াম্না হেঞ্জিলকখ্রবা অনাবশিং দাইএলাইসিস অমসুং কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগুম্বনা লায়েংবা মথৌ তাই।
- সর্জিকেল দিজিজশিং : ষ্টোন দিজিজ, প্রোষ্টেট প্রোব্লেমশিং অমসুং য়ুরিনরি সিষ্টমদা কেন্সর তৌবদসু সর্জিকেল কিদনি দিজিজশিংদি সর্জরি, এন্দোস্কোপি অমসুং লিথোত্রিপ্সি তৌদুনা য়ুরোলোজিষ্টশিংনা লায়েংই।
- **নেফ্রোলোজিষ্টশিংগা য়ুরোলোজিষ্টশিংগা করি খেন্নে?**

  নেফ্রোলোজিষ্টশিংদি ফিজিসিয়ানশিংনি অদুগা য়ুরোলোজিষ্টশিংনা কিদনি দিজিজশিংদা স্পেসিএলাইজ তৌরবা সার্জনশিংনি।

| মরুওইবা কিদনি লায়নাশিং | |
|---|---|
| **মেদিকেল** | **সর্জিকেল** |
| এক্যুট কিদনি ফেলর | ষ্টোন দিজিজ |
| ক্রোনিক কিদনি দিজিজ | প্রোষ্টেট প্রোব্লেমশিং |
| য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সসন | কঞ্জেনিটেল য়ুরিনরি এনোমেলিশিং |
| নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম | কেন্সর |

### কিদনি ফেলর

চুমথোক্লবা অমসুং অরেমখাক পোত্থোকশিংবু মপান্দা থাদোকখিনবগী কিদনিশিংগী থবক তৌঙম্বদা হন্থরকপা অমসুং ইলেক্ট্রোলায়ট বেলেন্স থম্বা

*এক্যুট কিদনি ফেলর হায়বসি কিদনিগী থবক থুনা মাঙথরকপনি।*
*অতেনবা মতমগী লায়েংনা কিদনিশিং মহৌশানা ফগৎলকই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ঙম্বদা হন্থরকপা অদুবু কিদনি (রিনেল) ফেলর কৌই। ব্লদ টেষ্টতা সেরম ক্রিএটিনিন অমসুং ব্লদ য়ুরিয়া ৱাংলবদি কিদনি ফেলর নারে হায়বা ফোংদোকই। কিদনি ফেলর অসি মওং অনি খায়দোকই : একুটট কিদনি ফেলর অমসুং ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (ফেলর) হায়না।

## একুটট কিদনি ফেলর

কিদনিগী থবক্তা খঙহৌদনা হন্থরকপবু একুটট কিদনি (রিনেল) ফেলর নত্রগা একুটট কিদনি ইঞ্জুরি (একেআই) কৌই। একুটট কিদনি ফেলর লৈবা অনাবশিংগী অয়াম্বদা য়ুংগী চাং হন্থরকই। একুটট কিদনি ফেলর ওইরকপগী মরুওইবা মরমশিংদি দাইরিয়া, ভোমিটিং, ফেলসীপারম মেলরিয়া, হায়পোটেন্সন, সেপসিস, দ্রগ খর (এসীই ইনহিবিটর এনএসএআইদি) নচিংবা। মতমচানা নীংথিনা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট (অদুগা মরক্তা দাইএলাইসিসসু) তৌরবদি অয়াম্বা অসিগুম্বা অনাবশিংদা কিদনি ফঙ্কসন মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকই।

## ক্রোনিক কিদনি দিজিজ

থা কয়ারোমদগীনা চহিরোমদা মথং মথং তপ্না-তপ্না, হেন্না কনখৎলকপা অমসুং অমুক হন্দোকপা য়াদব ফিভমদা কিদনি ফঙ্কসন মাঙখিববু ক্রোনিক কিদনি দিজিজ - সী কে দি (ক্রোনিক রিনেল ফেলর) কৌই। সী কে দি দা কিদনি ফঙ্কসন তপ্না অমসুং লেপ্তুনা হন্থরকই। মতম শাংলবগী মতুংদা মওং অসি কিদনি মথৌ তৌবা পুল্লেপ লেপ্পগী তাঙ্কক অদু য়ৌনা হন্থরকই। লায়না অসিগী য়াম্না হেঞ্জিনখ্রবা অমসুং পুন্সি মাংঙনিংঙাই থাক অসিবু এন্দ-ষ্টেজ কিদনি (রিনেল) দিজিজ (ইএসকেদি/ইএসআরদি) কৌই।

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ অসি সাইলেন্ট দিজিজ অমনি অমসুং অয়াম্বা মতমদা খঙনদে। সী কে দি গী অঙনবা থাক্কী ঈঙ্গিৎশিং নত্রগা সিমটোমশিংদি খরক্তনি। সী কে দি গী অচম্বা সিমতোমশিংদি শোন্থব, চানিং-থক্লিংবা লৈরক্তবা, নোজিয়া, স্বেল্লিং, হায় প্রেসরনচিংবসিনি। সী কে দি গী খ্বাইদগী মরুওইবা মরম অনিদি দাইএবিটিস অমসুং হায়পরটেসননি।

*অশাংবা মতমগী লায়না কিদনি ফঙ্কসন চাং নাইনা তপ্না হেনগৎলকপা অমসুং অমুক হন্দোকপা য়াদবা অদুবু ক্রোনিক কিদনি দিজিজ কৌই*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

যুরিন ইগজামিনেসনদা প্রোটিন য়াওবা, ব্লদ টেষ্টতা ক্রিএটিনিন ৱাংবা, অমসুং সোনোগ্রাফিদা পীকশল্লবা কিদশিং লৈবা অসি ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী খ্বাইদগী মরুওইবা দাইগ্নোষ্টিক ক্ল্যূশিংনি। সেরম ক্রিএটিনিনগী ভেল্যু অদুনা কিদনি ফেলরগী শাথিবা শাথিদবদু উৎলি অমসুং দিজিজ অসিদা মসিগী ভেল্যু অসুম অসুম হেনগৎলই।

সী কে দি গী অঙনবা তাঙ্কক্তা অনাবা অদু মথৌতাবা হীদাক অমসুং চিঞ্জাক শেমদোকপগী মথৌ তাই। লায়না অসি পুংফা ফহন্নবগী লায়েং লৈতে। অদুবু মসিদা চথরিবা লায়েংগী পান্দমদি লায়না অদু হেঞ্জিল্লকপা তপথহনবা, কমপ্লিকেসন থোক্লক্কদবগী থিংহৌবা অমসুং অনাবদু শাথিদুনসু অনাবা মীওই অদুবু অশাংবা মতম অমা নুংঙাইনা ফজনা থম্নবনি।

লায়না অদুগী হেঞ্জিল্লকপদু কা হেনজিনবা তাঙ্কক (এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ) য়ৌরকপা মতমদদি কিদনি ফঙ্কসনগী চাদা ৯০ হেন্না মাঙখি (সেরম ক্রিএটিনিন মহৌশানা এমজি/দিএল ৮-১০ দগী হেল্লি) তাঙ্কক অসিদা ফংলিবা লায়েংশিংদি দাইএলাইসিস (হিমোদাইএলাইসিস অমসুং পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস) অমসুং কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন অসিখক্তনি।

দাইএলাইসিস হায়বসি কিদনি মথৌ তৌবা লেপ্লবা মতমদা হকচাংদা তুংশিল্লক্লিবা অহেনবা মহী অমসুং অরেমখাক পোথোকশিংবু হকচাংদগী লৌথোক্লবগী ফিল্টরিং প্রোসেস অমনি। দাইএলাইসিসনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজগীদমক পুংফ-ফহন্নবা পাম্বৈ নত্তে। ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী এদভান্স ষ্টেজ (ইএসকেদি) দা অনাবা মীওইদু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা চাং নাইনা দাইএলাইসিস ট্রিটমেন্ট (কিদনি অদু মায়পাক্না ট্রান্সপ্লান্ট তৌদ্রবদি) মথৌ তাই। দাইএলাইসিসগী মেথদ অনিদি হিমোদাইএলাইসিস অমসুং পেরিটোনিএল দাইএলাইসিসনি। হিমোদাইএলাইসিস (ঐচ দি) না খ্বাইদগী পাকশন্না শীজিন্নবা দাইএলাইসিসকী মওংনি। অখন্নবা মেছিনগী মতেংগা লোয়ননা ঐচ দি দা অরেমখাক পোথোকশিং, অহেনবা মহীশিং অমসুং সোল্ট লৌথোকই। যুমদা নত্রগা থবক শুফমদা মেছিন অদুগী মতেং য়াওদনা পাঙথোকপা য়াবা এম্বুলেটরি পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (সীএপিদি) হায়বসি দাইএলাইসিস মোদেলশিংগী অতোপ্পা মওং অমনি।

*কিদনি ফেল ওইরবা মতমদা ঈদগী অহেনবা মহী অমসুং অরেমখাক পোথোকশিং লৌথোকপগী আর্টিফিসেএল মেথদ অমনি দাইএলাইসিস হায়বসি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**মরুওইবা কিদনি লায়নাশিং ২১ :**

কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌবনা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ (এন্দভান্স ষ্টেজ ক্রোনিক কিদনি দিজিজ) গী খ্বাইদগী ফবা লায়েং অমসুং অমতা ঙাযবা ক্যুরেটিব ত্রিৎমেন্ট মেদেলিটিনি।

**য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন**

য়ুং হানবদা শাবা, তোয়না য়ুং হানবা, পুক মখাদা নাবা অমসুং লাইহৌ হৌবনা য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন (য়ুটিআই) না অয়াম্বা মতমদা থোকহনবা মওংশিংনি। য়ুং টেষ্ট তৌবদা পস সেলশিং য়াওবনা য়ুটিআই লৈরম্বা য়াই উৎলি।

য়ুটিআইগী অনাবা মীওই অয়াম্বনা এন্টিবাইওটিক থেরাপিদা ফজনা ফগৎপা ঙম্মী। অঙাংশিংদা নাবা য়ুটিআইদি অখন্নবা ওইনা খন্নবা চঙই। অঙাংশিংদা য়ুটিআই লায়েংবা মতম থেংথরবা নত্রগা মতিকচাদবা লায়েংনা মখোয়গী চাউখৎলক্লিবা কিদনি অদুদা অমুক হন্দেকপা য়াদনা শোকপা ওইহনখিবা য়াই।

রিকরেন্ট য়ুটিআইগী অনাবশিংদদি মপুংফানা ইনভেষ্টিগেসন চত্থদুনা য়ুরিনারি ট্রেক্ট ওবষ্ট্রক্সন, ষ্টোন দিজজ, য়ুরিনরি ট্রেক্টকী এবনোর্মেলিটি অমসুং জেনিটো য়ুরিনরি ট্যুবরক্যুলোসিস লৈহনদবা য়াম্না মরু ওই। অঙাংশিংদা য়ুটিআই অমুক হঞ্জিন্না থোকপগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি ভিয়ুআর (ভেসিকো য়ুরিটরেল রিফ্লক্স) নি। ভিয়ুআর হায়বসি য়ুংগী ঈচেল অদু ব্লদর অদোমদা অমুকহন্না চেশিল্লদুনা য়ুরেটর অমদা নত্রগা অনিমক্তা চংলক্তুনা কিদনিশিং অদু ফাওবদা য়ৌরকপগী কঞ্জেনিটেল এবনোর্মেলিটি অমনি।

**নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম**

কিদনি দিজিজদা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অসি অহলশিংগা য়েংনবা অঙাংশিংদনা য়াম্না হেন্না তোয়না তৌবা উই। পোমখৎপা (ইদিমা) গী তোয়না এটেক তৌবনা খ্বাইদগী তোয়না থোকপা লাইওংনি। য়ুংদা প্রোটিন য়াওবা (নোংমদা গ্রাম ৩.৫ হেন্না), ব্লদ এলবুমিন লেভেল নেম্বা (হায়পো এলবুমিনেমিয়া), হায় কেলেষ্টেরোল লেভেল, নোর্মেল ব্লদ প্রেসর অমসুং নোর্মেল কিদনি ফঙ্কসন অসি লায়না অসিগী মহৌশাগী ওইবা মওংশিংনি।

*অঙাংশিংদা লৈবা য়ুটিআই লায়েংবদা মতম থেংথবা অমসুং মতিকচাদবনা অঙাংশিংদুগী চাউখৎলক্লিবা কিদনি অমুক হন্দোকপা য়াদনা শোকপা ওইহনবা য়াই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

মসিগী লায়না অসি লায়েংবদা নিংথিনা ফগৎপা ঙম্মী। লায়েংবা লোয়রবা মতমদা অনাবা খরদি লাইওং অমত্তা উৎতবা য়াওই অদুবু অয়াম্বা মতমদদি লায়না অসি অমুক হৌগল্লি।

অসুম্না লায়েংবদা চাংনাইবা পরিংদা ফংবা ফল, অনাবা হন্থদুনা লায়েংদনা লৈবা মতম অমদি তোয়ন অনাবা হৌগনবা অদুনা কিদনি পোমখৎপগী মরম ওইহল্লি; হায়রিবশিং অসিবু নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমগী শক্তমশিংনি।

অনাবা ফগৎপগী পরিং অমদি অমুক হন্না অনাবা হৌরকপগী মতম য়াম্না শাংবা (চহিরোমদা), ওইগনবনা লায়না অসি অঙাং অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা অৱাবা অমা ওইরি। অদুবু মরুওইবা নিংশিংগদবদি মতম শাংনা চংলগা থোরকপা ফল অদুনা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম লৈবা অঙাংগী অফবা ওইরি। হায়রিবা অঙাংশিং অসি নাদবা কিদনিগী মথৌ ফংবা হকচাং নাদ-য়েক্তনা লেনবা পুন্সি অমা ফংবা ঙম্মী।

## কিদনি ষ্টোন (কিদনি নুঙ)

কিদনি ষ্টোন (নুঙ) অসি য়াম্না তোয়না থেংনবা অমদি মরুওইবা কিদনিগী অনাবনি। কিদনি, য়ুরেটর অমদি ব্লদ্দর নুঙ লৈগনবা জগাশিংনি। কিদনি নুঙ লৈবগী অনাবগী তোয়না থেংনবা লাইওংশিং অদুদি য়াম্না কনবা, খাঙবা ঙমদবা অনাবা, ওনীং-ওনীং তৌবা, য়ুংদা ঈ য়াওবা অসিনচিংবনি। তৌইগুম্বসুং মীওই খরদদি কিদনি নুঙ লৈরবসু মতম কুইনা লাইওং লৈতবসু (সাইলেন্ট ষ্টোন) য়াই।

নুঙ লৈৱা খঙদোক্লবা, পুক্কী শরুক এক্স-রে অমসুং অলট্রাসোনোগ্রাফিনা খ্বায়দগী মরুওইবা থিজিন হুমজিনবগী থবকনি।

অয়াম্বা মতমদা নুঙ মচাদি ঈশিং য়াম্না থক্লবা মতুং য়ুং হান্দোকপদা মতোমতা থোকখি। করিগুম্বা নুঙ অদুনা তোয়না নাহল্লবা, ঈশিং মরীদা অপনবা পীরবা নত্রগা কিদনিদা অশোকপা লৈহল্লবদি নুঙ অদু লৌথোকপা তঙাইফদ্রে। নুঙ লৌথোকপগী মওং অসি নুঙদুগী চাওবা-পীকপা, লৈফম অমদি মখল অদুদা য়াম্না মখা পোল্লি। নুঙ লৌথোকপগী খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা মওংশিং অদুদি লিথোক্রিপসি, এন্দোস্কোপি (পিসিএনএল, সিষ্টোস্কোপি অমদি য়ুটেরোস্কোপি) অমসুং ওপন সর্জরিনি।

*বিপিঐচ অসি চহী য়াল্লবা নুপাশিংদা তোইনা থোক্কনবা ঈশিং মরীগী নুঙাইতবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

নুঙ অমুক হন্না লৈরকপা য়াবগী চাং অসি চাদা ৫০-৮০ ফাওবা লৈবা মরমনা, মহি-মনাই য়াম্না থকপা, চাবা মতমদা অথিংবা খর থন্বা অমদি চাং নাইনা চেক অপ তৌথোকপা মীপুম খুদিংগী তঙাইফদে।

## বেনিঙ প্রোষ্টেটিক হায়পরপ্লাসিয়া (বিপিঐচ)

প্রোষ্টেট গ্লান অসি নুপাশিংদতা ফংই। মসি ব্লদ্দর (ঈশিং খাও) গী হেক মখাদা অদুগা য়ুরিথ্রাগী অহৌবা শরুক য়োমশিল্লি। হায়রিবা গ্লান অসি চহী ৫০গী মতুংদা চাওথোকই। চাওথোক্লবা প্রোষ্টেট গ্লান্না য়ুরিথ্রাদা ননশিন্দুনা লৈ অমদি চহী য়াম্লবা নুপাশিংদা য়ুং হানবা মতমদা নুংঙাতবা ফাওহল্লি।

বেনিঙ প্রোষ্টেটিক হায়পরপ্লাসিয়া (বিপিঐচ) গী মরুওইবা লাইওংশিংদি তোইনা য়ুং হানবা (মরুওইনা নুমিদাংদা) অমদি য়ুং হানবা লোয়রবা মতুংদা য়ুং মরিক মরিক তাবা অদুনি। অমাংথোংদা খুৎশা অমা থিংজিন্দুনা য়েংবা (দিজিটেল রেক্টেল এগজামিনেসন) অমদি অলট্রা-সাউন্দ লৌথোকপনা লায়না অসি খঙদোকপগী খ্বায়দগী মরুওইবা পান্বেনি।

বিপিঐচ কী লাইওং য়ামদবদগী ময়াই ওইরপ উৎপা মশিং য়াম্লবা অনাবশিং হিদাক শাংনা চাদুনা য়াম্না কান্নবা মওংদা লায়েংবা ঙম্মি। হেঞ্জিনলক্লবা লাইওংশিং উৎপা অনাবা ময়াম অমদি প্রোষ্ট্রেট কা-হেন্না চাওথোক্লবদি এন্দোস্কোপিক রিমুবল ওব প্রোষ্টেট (টিয়ুআরপি) মথৌ তাগনি।

*কিদনি নুঙ লাইওং উৎতনা চহী কয়া লৈবা য়াই*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ৬
# কিদনি অনাবশিংবু লান্না থাজনবা অমদি অচুম্বশিং

**লান্না থাজনবা :** কিদনিগী লায়না খুদিংমক ফবা ঙমদে।

**অচুম্বা :** নত্তে, কিদনিগী লায়না খুদিংমক ফবা ঙম্মী। ঙন্না য়েংথোকপা অমদি লায়েংবনা অয়াম্বা কিদনি লায়নাশিং ফবা ঙম্মী। অদুগা অতোপ্পা লায়না কয়া অমদনা লায়না অদু হেঞ্জিলহন্দবা ঙম্মী অমদি তপথহনবা ঙম্মী।

**লান্না থাজনবা :** কিদনি অমা ফেল ওইরবদি কিদনি অনীমক ফেল ওইগনি।

**অচুম্বা :** নত্তে, কিদনি ফেলর হায়বসি কিদনি অনীম্মক ফেল ওইরবা মতম্বু খঙনৈ। কিদনি অমা ফেল ওইবা মতমদা মীওই অদু করিগুম্বা নুঙাইতবা লৈতে, অসিগুম্বা মতমদা ঈদা য়াওবা য়ুরিয়া অমসুং সেরম ক্রিএটিনিন টেষ্ট তৌবদা নোর্মেল ওই। অদুবু কিদনি অনিম্মক ফেল ওইরবদি হকচাংদা ফত্তবা অরেম্বা পেৎশক তুংশিল্লক্কুনা ঈদা য়ুরিয়া অমসুং সেরম ক্রিএটিনিনগী চাং হেনগৎতুনা কিদনি ফেলর ওইরকপা য়াই।

**লান্না থাজনবা :** কিদনি লায়নাশিংদা ইদিমা (পোমখৎপা) না কিদনি ফেলর ওইহল্লি।

**অচুম্বা :** নত্তে, কিদনি লায়না খরদা ইদিমা লৈরবসু কিদনিগী মথৌ নিংথিনা তৌবা ঙম্মী। (খুদম, নেফ্রোটিক সিন্ড্রোম)।

লান্না থাজনবা : কিদনি ফেলর ওইরবা মীওই খুদিংদা ইদিমা লৈ।

**অচুম্বা :** নত্তে, ইদিমা অসি কিদনি ফেলর ওইরবা অনাবা অয়াম্বদা লৈরবসু অনাবা পুন্নমক্তা লৈবা নত্তে। অনাবা খরদি কিদনি ফেলর ওইগদবা নকশিল্লক্লবসু ইদিমা লৈতে। মরম অদুনা ইদিমা লৈতবনা কিদনি ফেলর ওইরোই হায়বা য়াদে।

**লান্না থাজনবা :** কিদনি লায়না লৈরবা অনাবশিংনা ঈশিং য়াম্না থক্কদবনি।

**অচুম্বা :** নত্তে, য়ুং হানবগী চাং হন্থরকপনা পোমখৎলকপা অসি কিদনি লায়না কয়াগী লাইওংনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা অনাবশিংদা ব্লাটর বেলেঞ্জ থম্নবা ঈশিং খাকচিনবা মথৌ তাই। অদুবু নুঙ লৈবা অমা ঈশিং মরীদা নারকপা অদুগা কিদনিগী নুঙাইতবা লৈতবশিংদদি ঈশিং য়াম্না থকপা মথৌ তাই।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**লান্ন থাজনবা :** ঐ করিসু তৌদে, অদুনা ঐ কিদনিগী নুঙাইতবা লৈরম্মোই।

**অচুম্বা :** অয়াম্বা মতমদা ক্রেনিক কিদনি লায়নাগী হৌরকপা অনাবশিংদা লাইওং অমত্তা লৈতে। লেবোরেটোরিগী চাংয়েংদা ফংবা নোরমেল ওইদবা ফলশিং খক্তনা অনাবা লৈব্রা খঙদোকপগী খোঙথাংনি।

**লান্না থাজনবা :** ঐ হকচাং নুঙাই, অদুনা ঐগী কিদনি নুঙাইতবগী লায়েং মখা চৎথবা মথৌ তাদ্রে।

**অচুম্বা :** ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সি কে দি) না নাহনবা অনাবশিং মওং চুম্না লায়েংলবদি মশা য়াম্না ফগৎলি, মরম অদুনা মখোয়না হিদাক মখা তানা চাবা অমদি চাবদা থন্নবা অথিংবা অদু তোকথোকই। সি কে দি গী হিদাক মখা তানা চাদবা অসি য়াম্না খুদোংথিঙাই ওই। মসিনা কিদনি ফেল ওইবদা মতেং থুনা পাংশিন্দুনা অতেনবা মতমদা অসিগুম্বা অনাবশিংনা দাইএলাইসিস নত্রগা কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন (শিন্দোকপা) মথৌ তারকপা য়াই।

লান্না থাজনবা : ঐগী সেরম ক্রিএটিনিনগী চাং অসি নোর্মেলদগী খর ৱাংখৎলি। অদুবু ঐ হকচাং নুঙাইতবা করিমতা লৈতে, পাখৎনিঙাই ওইদে।

অচুম্বা : সেরম ক্রিএটিনিনগী চাং অসি খজিক্তংখক হেনগৎলবসু মসিনা কিদনি নারকপগী খদুম ওইহল্লি অমদি চেকশিনগদবনি। মখল কয়াগী কিদনি অনাবনা কিদনিবু শোকচিলহনবা য়াই, মরম অদুনা থিন্থ্দনা নেফ্রোলোজিষ্ট তান্নগদবনি। ঐখোয়না সেরম ক্রিএটিনিনগী চাং খরা হেনগৎপগী মরু ওইবা অদু ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী তোঙান তোঙানবা থাকশিংদা খঙজিনগদবনি।

ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী হৌরকপদা লাইওং অমত্তা উরোই, সেরম ক্রিএটিনিনগী চাং হেনগৎলপনা কিদনি লায়নাশিংগী মরী অদু ওইহল্লি। সেরম ক্রিএটিনিনগী থাক অসি 1.6 mg/dl ওইরবদি কিদনিগী মথৌ চাদা ৫০ মাঙলবনি হায়না খঙবা ঙম্মী। তাঙকক অসিদা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ খঙদোকপা অমদি লায়েংবা হৌবা য়াবা চপ চাবা মতমনি। নেফ্রোলোজিষ্ট অমগী মীৎয়েং মখাদা লায়েংবনা কিদনিগী মথৌ মতম শাংনা ফনা থম্বা ঙম্মী।

সেরম ক্রিএটিননগী মচাং অসি 5.0 mg/dl লৈরবদি কিদনিগী মথৌ অসি চাদা ৮০ মাঙলবনি। মসিনা কিদনিগী মথৌ য়াম্না শাথিনা শোকচিল্লে হায়বদু উৎলি। তাঞ্জা অসিদা নিয়ম চুম্না লায়েংবনা কিদনিগী মথৌ শোকচিলহন্দনবদা কান্নবা ফংগনি। অদুবু নিশিংগদবদি তাঞ্জা অসি ক্রোনিক কিদনি দিজিজ

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

লায়েংনবগী থেংলবা মতম ওইরে অদুনা খ্বায়দগী ফবা লায়েংবগী খুদোংচাবা অদু ফংদ্রবনি।

করিগুম্বা সেরম ক্রিএটিনিনগী চাং অসি 10.0 mg/dl ওইরবদি কিদনিগী মথৌ অসি চাদা ৯০ মাঙলবনি কিদনি অনাবগী অরোইবা তাঙককনি হায়বা উৎলি। তাঞ্জা অসি লায়েংবদা উপায় লৈররোই। অয়াম্বা অনাবশিং দাইএলাইসিসকী মথৌ তারগনি।

**লান্না থাজনবা :** কিদনি ফেল ওইবদগী দাইএলাইসিস অমুক তৌবা হৌখ্রবদি শুংলেপ লেপ্পা য়াদে।

**অচুম্বা :** নত্তে, অনাবা অমনা দাইএলাইসিস কয়াম কুইনা মথৌ তাবগে হায়বদু মহাক্কী কিদনি ফেল ওইবগী মখলদুগী মখা পোল্লি। একুটট কিদনি ফেলর হায়বসি মতম খরগিনি অমদি অমুক হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিনবা য়াবা কিদনি ফেলরনি। একুটট কিদনি ফেলর লৈরবা অনাবা খরদি দাইএলাইসিস মতম খরতমক মথৌ তাই। মপুং ফানা লায়েংলবা অমদি দাইএলাইসিস খরগা লোয়ননা একুটট কিদনি ফেলর অসি নিংথিনা ফগৎতুনা কিদনি অদু মথৌ তৌবা ঙম্মী। মতম পুম্বা দাইএলাইসিস তৌগনি হায়বগী অকীবা লৈদুনা দাইএলাইসিস থেংথরবদি অনাবা অদু শিবা ফাওবা য়াই।

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ অসি তপ্ন-তপ্না হেঞ্জিল্লকপা অমদি হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিনবা য়াদবা কিদনি ফেলর অমনি। ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী য়াম্না শোকচিল্লবা ফিভমদা (এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ) পুন্সি চুপ্পা দাইএলাইসিস কী মতেং তঙাইফদে।

**লান্না থাজনবা :** দাইএলাইসিসনা কিদনি ফেলর ফহল্লি।

**অচুম্বা :** নত্তে, দাইলাইসিসনা কিদনি ফেলর ফহনবা ঙমদে। দাইএলাইসিসনা অরেম্বা কান্নদবা পোৎ, অহেনবা ঈশিং লৌথোকপা অমদি ইলেকট্রোলাইটকী চাং নিংথিনা মান্নহনবা অমদি এসীদ বেজগী চাংসু মান্নবা, য়াম্না কান্নবা পুন্সি কনবা ঙম্বা লায়েংনি। দাইএলাইসিসনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রবা কিদনিগী মহুৎ শিল্লিবনি। দাইএলাইসিস অনাবা অদু লাইওং লৈহনদে, কিদনি ফেল ওইরুরবসু মশা ফনা হিংনা লৈহনবা ঙম্মী।

**লান্না থাজনবা :** কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসনদা নুপা অমদি নুপী মখোয়গী কিদনি অদু নুপা-নুপী ওন্ননা দোনেট তৌবা য়াদে।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**অচুম্বা :** নুপা অমসুং নুপীনা মখোয়গী কিদনিশিং অদু নুপা-নুপী ওন্ননা দোনেট তৌবা য়াই মরমদি কিদনিগী শক্তম অসি নুপা অমসুং নুপীগা চপ মান্নে।

**লান্না থাজনবা :** কিদনি দোনেট তৌবনা হকচাং অমদি নুপা-নুপী শন্নবদা অকায়বা পী।

**অচুম্বা :** কিদনি দোনেসন তৌবা অসি পাখৎনিঙাই ওইদে অমদি হকচাং অমসুং নুপা-নুপীগী শন্নবদা অকায়বা পীদে। কিদনি পীথোকখিবা মীওইশিং য়ুম্বানবগী মরী থম্বা অমদি অঙাং পোকপা ঙমদুনা অকায়বা লৈতবা পুন্সি মরেল অমা হিংবা ঙম্মী।

**লান্না থাজনবা :** কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌননবা কিদনি লৈবা য়াই।

**অচুম্বা :** কিদনি লৈবা অমসুং য়োনবা ক্রাইমনি। মরী-মতা নত্তবা মীওই অমদগী কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌবনা মরী-মতা অমদগী লৌবা কিদনিগা চাংদম্নবদা মরী-মতা নত্তবগী অদুনা হেন্না লৌশিনবা য়াদবগী চাং ৱাংই।

**লান্না থাজনবা :** ঐগী ব্লদ প্রেসর অসি নোর্মেল ওইরবনিনা এন্টিহায়পরটেন্সিপ গুলি মথৌ তাদ্রে। ঐনা এন্টিহায়পরটেন্সিপ গুলি চাদ্রবদি হকচাং নুঙাইবা হেনগৎলি, মরম অদুনা হিদাক অমুক করিগী চাগদবনো?

**অচুম্বা :** ব্লদ প্রসর ৱাংবগী অনাবা ময়াম অমা মখোয়গী ব্লদ প্রসর অদু কন্ট্রোল তৌরবা মতুংদা মশা নুঙাইরকপা নত্রগা লাইওং উৎলকতবদগী হিদাক মখা তানা চাবা লেপথোকই। অদুবু কন্ট্রোল তৌরবা হায়পরটেন্সন অসি সাইলেন্ট কিল্লরনি (তুমিন্না হকচাং শোকহনবা)। মসিনা মতম কুইশিল্লক্লবদা হার্ট এটেক্ট, কিদনি ফেলর অমদি ষ্ট্রোকনচিংবা অরুবা লায়না কয়া লাকপা য়াই। মরম অদুনা হকচাংগী মরু ওইবা ওর্গানশিং কন্ননবা লাইওং উৎত্রবসু হকচাং নুঙাইবা মাল্লবসু চাং নাইনা হিদাক চাদুনা ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌবা মথৌ তাই।

**লান্না থাজনবা :** খোঙ অনীগী কারক্তা লৈবা খাও অমদা কিদনিশিং অসি নুপা খক্তদা য়াওই।

**অচুম্বা :** নুপা অমসুং নুপী অনীমক্তা চপ মান্নবা মওং, চাউবা মান্ননা মথৌ মান্ননা পুক্কী মনিং থংবা শরুক খর চৎখৎলগা কিদনি অনীমক লৈ। নুপাশিংগী মরু ওইবা ওর্গান অমা ওইরিবা, টেষ্টিস (তুরুম) অসি খোঙ অনীগী কারক্তা লৈ।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্টর ৭
# কিদনি লায়নাশিংবু থিংহৌবা

কিদনি লায়নাশিং অসি সাইলেন্ট কীলরনি। লায়নাশিং অসিনা কিদনিগী মথৌবু তপ্প-তপ্পা মাঙহল্লক্লি, মদুনা কিদনি ফেল ওইবা অমদি মমৈদা অফবা পুন্সি মরেল অমা ফংনবা কিদনি দাইএলাইসিস নত্রগা ত্রান্সপ্লান্টেসন মথৌ তারক্কনি। চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা মমল য়াম্না ৱাংবা অমদি ফংদবনা মরম্না ওইরগা কিদনি ফেল ওইরবা অনাবশিংনা দাইএলাইসিস অমদি কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগী খুদোংচাবা অদু চাদা ৫-১০ ফাওবদং ফংই, অদুগা লেমহৌবা অনাবশিং অদু মতিকচাবা লায়েং ফংদনা শিখি। ক্রোনিক কিদনি দিজিজ অসি য়াম্না তোইনা থেংনবা ফবা ঙমদবা লায়না অমনি, অদুনা হান্না থিংহৌবনা অমত্তা ঙাইরবা লম্বেলনি। ঙন্না খঙদোকহৌবা অমদি লায়েংথোকহৌবনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ অসি হেঞ্জিল্লক্তনবা নত্রগা দাইএলাইসিস অমদি ত্রান্সপ্লান্টেসনগী মথৌ তাবা অদু থিংবা নত্রগা থেংথহনবা ঙম্মী।

**করম্না কিদনি অনাবশিং থিংগনি?**

কিদনি মীরাইবিগনু। কিদনি লায়নাশিং করম্না লাপথোক্কদগে অমদি করম্না চেকশিনগদগে হায়বগী মরম কাঙলুপ অনি থোক্না মখাদা নৈনরি।

১. নাদবা মীওইশিংনা চেকশিনগদবা

২. কিদনি নারবশিংনা চেকশিনগদবা

**নাদবা মীওইশিংনা চেকশিনগদবা**

অফবা কিদনি অমা থম্নবা কান্নবা লম্বেল তরেৎ :

১. হকচাং ফবা অমসুং খীংবা

চাং নাইনা শাজেল তৌবা অমদি নুংতিগী থবক ইঙ্খাং শুবনা ব্লদ প্রেসর নোর্মেল ওইহনবতা নত্তনা ঈদা য়াওবা চিনিগী চাংসু কন্ট্রোল তৌই। অসিগুম্বা থবকশিং অসিনা দাইএবিতিস অমদি হায়পরটেন্সনগী অকিবা হন্থহল্লি অদুগা ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী অকিবসু হন্থহল্লি।

২. মচি ওইবা চিঞ্জাক

অফবা উহৈ-ৱাহৈ অমদি মনা মশিংনা নম্বা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাগদবনি। শুংদোল্লবা চিঞ্জাক, চিনি, থাও অমদি শা-ঙা য়াওবা চিঞ্জাক হন্থনা চাগদবনি।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

৩. হকচাংগী অরুম্বা চাং অমদা থম্বা

অফবা চিঞ্জাক অমদি নিয়ম চুম্বা শাজেল তৌদুনা হকচাংগী অরুম্বা চাং অমদা থমদুনা হেনগৎহল্লোইদবনি। মসিনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজগা লোয়নবা লায়না দাইএবিটিস, হার্থকী অনাবা অমসুং অতোপ্পশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

৪. চুরুট অমদি হিদাকমনাগী পোৎথোক থাদোক্কদবনি

চুরুট থকপনা এথেরোস্কেরোসিস ওইহল্লী, মসিনা কিদনিদা ঈ চেনশিনবগী চাং হন্থহন্দুনা মথৌ তৌবদা মপাঙ্গল শোন্থহল্লি।

৫. ওটিসিদগী চেকশিনসি

ওটিসি (ওভর দি কাউন্টর) পেন কিল্লরশিং য়াম্না তোয়না শিজিন্নরোইদবনি। ইবুপ্রোফেন হায়না খঙনবা ষ্টেরোইদ নৎতবা এন্টি-ইনফ্লামেটোরি দ্রগ অসি চাং নাইনা শিজিন্নরবদি কিদনিদা অকায়বা পী অমদি ফেল ওইবা ফাওবা য়াই। অদোমগী অনাবা অদু ফনবা ডাক্তর কন্সল্ট তৌদুনা কিদনি শোকহনগুমসি।

৬. ঈশিং য়াম্না থকউ

ঈশিং মতিক চানা থকপনা (নোংমদা লিটর ৩) য়ুং দাইলুট ওইহল্লি, অমোৎপা ফত্তবা পোৎলম কয়া হকচাংদগী লৌথোক্কুনা নুঙ লৈবদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী।

৭. চহীগী কিদনি চ্যেক অপ

কিদনি লায়নাশিং অয়াম্বদা সাইলেন্ট দিজিজ ওইগল্লি মরম অদুনা হেঞ্জিল্লক্ত্রি ফাওবা লাইওং অমতা উবা ফংদে। খ্বায়দগী কান্নবা অদুবু শিজিন্নবিদবা থবক অদুদি চাং নাইনা কিদনি চ্যেক তৌবসিনি। দাইএবিটিস, হায় ব্লদ প্রেসর, কা-হেন্না নোয়বা নত্রগা ইমুংদা কিদনি নাবগী হিস্ত্রি লৈবা মীওইনা চহীগী ওইনা কিদনি চ্যেকঅপ তৌথোক্কদবনি। করিগুম্বা নহাক্না নহাক্কী কিদনি নুংশিরবদি (মরুওইনা নশামকসু নুংশিরবদি) চহী ৪০ লাম্থোরক্লবদি চাং নাইনা কিদনি চেক অপ তৌবা কাওগনু। কিদনি লায়না ঙন্না খঙদোক্লবগী অচম্বা পাম্বৈদি চহী

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

খুদিংগী ব্লদ প্রেসর ওন্থোকপা, য়ুং টেষ্ট তৌথোকপা অমদি ঈদা ক্রিএটিনিন কয়াম লৈবগে য়েংথোকপা অসিনি।

## কিদনি অনাবশিংনা চেকশিনগদবা

### ১. কিদনি লায়নাশিং অমদি ঙন্না খঙদোক্লবগীদমক ভাপ তামিন্নবা

কিদনি লায়নাগী লাইওংগী মরমদা য়াম্না চেকশিন্না মিৎকুপ নাহুম শিংনা লৈগদবনি। মরুওইবা লাইওংশিংদি মায় অমসুং খোঙ পোমখৎপা, চানিং থকনিংবা ফাওদবা, ওন্নিংবা, ওবা, কুচু মকশিনবা, শোন্থবা, তোয়না য়ুং হানবা, য়ুংদা ঈ নত্রগা প্রোটিন য়াওবা অসিনি। অসিগুম্বা অসি লৈরক্লবদি ডাক্তর তান্নদুনা কিদনি চেক অপ টেষ্ট তৌগদবনি।

### ২. দাইএবিটিসতা শেকশিনগদবা

মালেম শিনবা থুংনা ক্রোনিক কিদনি জিজিজ অমসুং কিদনি ফেলরগী খ্বায়দগী মরুওইবা হৌরকফমদি দাইএবিটিসনি মরম অদুনা দাইএবিটিক পেসেন্ট খুদিংমক্লা কিদনি লায়না নারক্তনবা শেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি। কিদনি লায়নাশিংগী অরোইবা ষ্টেজদা পুখৎলকপা অনৌবা অনাবশিংগী চাদা ৪৫ দি দাইএবিটিক কিদনি দিজিজনি। দাইএবিটিক কিদনি লায়না নৌনা খঙদোক্লবগী অচম্বা অমদি য়াম্না কান্নবা লম্বেল অদুদি থা-অহুম-অহুম লৈরগা ব্লদ প্রেসর চেক তৌবা অদুগা য়ুংদা প্রোটিন য়াওবা য়েংনবা দিপষ্টিক (মেক্রোঅলবুমিনুরিয়া) শিন্নগদবনি। অদুগা খ্বায়দগী ফবা অমদি কান্নবা টেষ্ট অদুনা য়ুংদা মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া য়াওব্রা হায়না টেষ্ট তৌবনি, মসি চহী খুদিংগী তৌগদবনি। চহী খুদিংগী ঈদা ক্রিএটিনিন (অমসুং ইজিএফআর) য়াওব্রা হায়না কিদনি ফংসন টেষ্ট তৌগদবনি। ব্লদ প্রেসর ৱাংব, য়ুংদা প্রোটিন য়াওবা, ঈগী চিনিগী চাং তোয়না হন্থবা, ইন্সুলিন মথৌ তাবা হন্থরকপা অমদি দাইএবিটিক আয় দিজিজ (দাইবিটিক রেটিনোপেথি) নচিংবা লাইওংশিং অসিনা দাইএবিটিসদা কিদনি শোকচিল্লব্রা হায়বগী চিংনবা য়াবা খুদম ঙাক্তনি। অসিগুম্বা খুদমশিংদগী চেকশিনবিয়ু অদুগা অদোমগী ডাক্তর তান্নবিয়ু।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

দাইএবিটিক কিদনি লায়নাশিংদগী ঙাথোক্লবা য়াম্না কুপ্না চেকশিন্না দাইএবিটিস কন্ট্রোল তৌগদবনি, ব্লদ প্রেসর 130/80 mm of Hg (এসিই ইনহিবিটর নত্রগা এআরবি মীয়াম্না পাম্নবা এন্টিহায়পরটেন্সিপ দ্রগনি) গী মখা লৈহনগদবনি, চাবদা প্রোটিনগী চাং হন্থহনগনি অদুগা থাওসু কন্ট্রোল তৌগদবনি।

## ৩. হায়পরটেন্সিপ অনাবশিংনা চেকশিনগদবা

ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী অনীশুবা খ্বায়দগী তোইনা নাহল্লকপা য়াবা মরম অসি হায়পরটেন্সন্নি, মসি থিংবা ঙম্মী। ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী লাইওং অমত্তা লৈতবা মরম্না হায়পরটেন্সিপ ওইবা মীওই অয়াম্বা চাং নাইনা হিদাক চান্নদে নত্রগা হান্না চারম্লবসু তোকথোকই। অনাবা খরদি হিদাক চাবা লেপ্লবা মতুংদা নুঙাইবা হেল্লি হায়দুনা হিদাক চাবা লেপথোকই। মসি খুদোংথিনিঙাই ওই। মতম শাংনা হায়পরটেন্সন কন্ট্রোল তৌদনা লৈরবদি য়াম্না শাথিবা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ, হার্থ এটেক অমদি ষ্ট্রোকনচিংবা অনাবা লাকপা য়াই। কিদনি লায়না লাক্তনবা হায়পরটেন্সিপ অনাবশিংনা চাং নাইনা হিদাক চাবা তাই, চাং নাইনা ব্লদ প্রেসর চেক তৌবা তাই অমসুং নিয়ম চুম্বা-থুমগী শরুক হন্থবা চিঞ্জাক চাবা তাই। লায়েংবগী পান্দমদি ব্লদ প্রেসর অদু 130/80 mm of Hg গী মখাদা থম্বনি। ঙন্না কিদনি শোকপ্রা হায়বা খঙদোক্লবা হায়পরটেন্সিপ অনাবা মীওইশিংনা চহি খুদিংগী য়ুং অমসুং ঈদা য়াওবা ক্রিএটিনিন চেক তৌথোক্কদবনি।

## ৪. ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী চেকশিন থৌরাং

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (লায়না) অসি ফবা ঙমদবা লায়নানি। অদুবু ঙন্না খঙদোকহৌবা অমদি মরি লৈনবা চিঞ্জাক্তা অথীংবা থমহৌবা, চাং নাইনা ফোলো অপ তৌবা অমসুং নিয়ম চুম্বা লায়েংনা অনাবা অসিনা হেঞ্জিল্লকপদগী তপথহনবা ঙম্মী অমদি দাইএলাইসিস নত্রগা কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন (শিন্দোকপা) গী তঙাইফদবা অদু মতম শাংনা য়ৈথবা ঙম্মী।

নুমিৎ খুদিংগী ব্লদ প্রেসর ৱাংদনবা থবক পায়খৎপনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ ওইহল্লকপদগী কন্নবা খ্বায়দগী অফবা খোংথাংনি।

ব্লদ প্রেসর অসি 130/80 mm of Hg দা নত্রগা মসিদগী হন্থনা থম্বা য়াম্নামক তঙাইফদবা অমনি। খ্বায়দগী অফবা কাংলোনদি ব্লদ প্রেসর চাং নাইনা

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

য়ুমদা চেক তৌদুনা চার্ট অমা শেমদোক্তুনা ডাক্তরবু হিদাক শিন্দোক শিঞ্জিন্দা মতেং পাংগদৌরিবনি।

সি কে দি (ক্রোনিক কিদনি দিজিজ) না নারবা মীওইশিংদা হায়পোটেন্সন (ব্লদ প্রেসর হন্থরকপা), দিহায়দ্রেসন (ঈশিংগী চাং কা হেন্না হকচাংদগী থোকখিবা), য়ুরিনরি ত্রেক্তা অপনবা লৈবা, সেপসি (ঈদা মহু চেনবা ফত্তবা পোৎ য়াওরকপা), নেফ্রোটোক্সিক দ্রগনচিংবশিং অদু মশক খণ্ডোক্কদবনি। মথক্তা পল্লিবশিং অসি মতাং মতম চানা য়েংহৌরবদি কিদনিগী ফিভম অসি ফগৎহনবা য়াই।

## ৫. পোলিসিষ্টিক কিদনি দিজিজবু ঙন্না মশক খণ্ডোকপা অমসুং লায়েংবা

ওটোজোমেল দোমিনেন্ট পোলিসিষ্টিক কিদনি দিজিজ (এদিপিকেদি) অসি য়াম্না তোইনা থেংনবা য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা পোকপদগী য়াওরকপা কিদনিগী অনাবনি, দাইএলাইসিস তৌবা অনাবা চাদা ৬ তগী ৮ ফাওবা অনাবা অসি ওইগল্লি। ইমুং অমদা পোলিসিষ্টিক কিদনি অনাবগী হিস্ট্রি লৈরবদি মীওই অদু লায়না অসি নারকপা য়াবগী চাং ৱাংই অদুনা অলট্রা সাউন্দ লৌরগা য়েংথোক্তুনা লৈনা অসি লৈব্রা ঙন্না খণ্ডোক্কদবনি। পিকেদি (পোলিসিষ্টিক কিদনি দিজিজ) অসি ফনবা হিদাক লৈতে অদুবু ব্লদ প্রেসর ৱাংহন্দবা, য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন লায়েংথোকপা, চাবদা অথিংবা থমহৌবা অমদি মতেং পীগদবা লায়েংনা অনাবা অসিগী লাইওং লাক্তনবা হোৎনবা ঙম্মী, হেঞ্জিল্লক্তনবা হোৎনবা য়াই অমদি কিদনিগী মথৌ মাঙথরকপগী খোংজেল তপথহনবা য়াই।

## ৬. অঙাংদা য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন ঙন্না খণ্ডোকপা অমসুং লায়েংবা

করিগুম্বা অঙাংনা মরম লৈতনা মশা শাগৎপা য়ুং তোইনা হানবা, য়ুং হানবদা শাবা ফাওবা, চানিং থকনিংবা ফাওদবা নত্রগা মশাগী অরুম্বা নিংথিনা হেনগৎত্রবদি য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন লৈরে হায়না চিংনবা য়াই। মরুওইনা নিংশিংগদবদি য়ুটিআই (য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন) দা হকচাং শাগৎপা য়াওরক্লবদি কিদনি শোকঅম্বা য়াই, করিগুম্বা য়েংহৌদ্রবা, থেংনা লায়েংলবা নত্রগা লায়েংবা মপুং ফাহৌদ্রবদি মসিনা শোকহন্দুনা কিদনিদা দাক লৈহৌবা, কিদনি মপুং ফানা চাওখৎপা ঙমদবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা অমদি কোন্নথংদা কিদনি ফেল

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ওইবা ফাওবা য়াই। মরম অসিনা অঙাংদা য়ুটিআই ঙন্না খঙদোক্তুনা লায়েংহৌবতা নত্তনা কুপ্লা য়েংথোক্তুনা তুংদা থেংনবা য়াবা নুঙাইতবা অমদি অৱাশিংগীদমক শেম শাগদবনি। ভেসিকোয়ুরেটরেল রিফ্লক্স (ভি য়ু আর) অসিনা অঙাংদা থোকপা য়ুটিআইগী চাদা ৫০ গী ওইহল্লকপা য়াবা মরম ওইরি। য়ুটিআই লৈরবা অঙাং খুদিংমক ফোল্লো অপ তৌথোক্কদবনি।

৭. অহলদা য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন হঞ্জিন হঞ্জিন নাবা

য়ুটিআইনা নারবা মীওইশিংদা করগুিন্বা হিদাক্লা কা হেন্না কান্নবা ফংদ্রবা নত্রগা হঞ্জিন হঞ্জিন হৌদুনা লৈরবদি ইনফেক্সন অদু ওইহল্লকপা য়াবা মরমশিং অদু নিংথিনা মরম খঙদোক্কদবনি। অসিগুম্বা মরমশিং (খুদম ওইনা য়ুরিনরি ত্রেক ফুনবা, নুঙগী লায়নাশিং) অসি লায়েংথোকহৌদ্রবদি কিদনি শোকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ। মরম অদুনা ঙন্না লায়না মশক খঙদোকপা অমদি লায়েংহৌবা য়াম্না মরু ওই।

৮. নুঙগী লায়না অমদি বিপিঐচ নিংথিনা খঙদোকহৌবা

নুঙগী অনাবা লৈবা অয়াম্বা মীওইশিংদা লাইওং অমত্তা উৎতবা মরম্না ঙন্না য়েংথোকহৌবা নত্রগা লায়েংবগী খুদোংচাবা হেক হেক ফংবা ঙমহৌদে। চহী য়াল্লবা নুপাশিংনা বেনিঙ প্রোষ্টেটিক হায়পরট্রোফি (বিপিঐচ) গী লাইওংশিং অসি কুইনা নমশিন্দুনা থমনৈ। লায়েংহৌদবা নুঙগী অনাবা অমদি বিপিঐচ না কিদনি শোকহনবগী মরম অমা ওইরি। মতম চানা লায়েংবা অমদি চেক অপ তৌবনা কিদনিবু লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

৯. চহী নৌরিবৈঁদা হায়পরটেন্সন তরাইনা লৌরোইদবনি

চহী নৌরিবৈঁদা হায়পরটেন্সন য়াম্না তাঙনা থেংনবা অনাবনি মরম অদুনা মসিগী হৌরকফম মুন্না থিদোকপা মথৌ তাই। কিদনিগী লায়নাশিংনা চহী নৌরিবৈঁদা হায়পরটেন্সগী য়াম্না মরু ওইবা হৌরকফম ওইরি। হায়পরটেন্সন লৈবা নহা খুদিংমক ঙন্না কিদনি নাব্রা নাদ্রবা হায়বদু য়েংথোকপা মথৌ তাই, মসিনা কিদনি কন্নবা ঙন্না হিদাক চাহৌবা য়াই।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

## ১০. একুটে কিদনি ফেলর ঙন্না লায়েংহৌবা

একুট কিদনি ফেলর (খঙহৌদনা কিদনিগী মথৌ হন্থরকপা) গী অচৌবা হৌরকফমশিংদি দায়রিয়া, ওবা, ফালসিপারম মেলেরিয়া, হায়পরটেন্সন, সেপসিস, অখন্নবা দ্রগ (এসি ই ইনহিবিটর, এন এস এ আই দিজ) অসিনচিংবনি। ঙন্না অমদি নিয়ম চুন্না লায়েংহৌবনা কিদনি ফেলরদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

## ১১. হিদাক শিজিন্নবদা চেকশিনগদবা

য়াম্না চেকশিনগদবনি। ওবর দি কাউন্টর দ্রগ (মরু ওইনা চিকপা অমদি নাবা ফনবা) শিংনা চহী য়াম্বা মীওইশিংদা কিদনি শোকহল্লি। অসিগুম্বা দ্রগশিং অসি পাকশন্না এদভরটাইজ তৌই অদুবু মসিনা শোকহনবগী মতাংদি খঙহনবা য়াম্না য়াওদে। কোক চিকপা অমদি হকচাং চিক্লকপদা হিদাক য়োনফমদগী লৈরগা হেক্তা চাগনু। ইশানা ইথন্তা লায়েংজবা অমদি কান্নদবা হিদাক চারোইদবনি। ডাক্তর অমগী মীৎয়েং মখাদা হিদাক চাবনা কান্নবা হেল্লি। নেচরেল মেদিসিন (অয়ুর্বেদিক্কী হিদাক, চাইনাগী মনা মশিংনচিংবা) অমদি দাইটরি সপ্লিমেন্টশিং হকচাংদা শোকহন্দে হায়বা ৱাফম অসি লান্না থাজনবনি। অয়ুর্বেদকী হিদাকশিংদা য়াওবা হেভি মেটলশিংনা কিদনি শোকহনবা য়াই।

## ১২. কিদনি নাম্মতং য়াওবশিংনা চেকশিনগদবা

কিদনি নাম্মতং য়াওবা মীওইশিং অকায়বা য়াওদবা পুন্সি মরেল অমা হিংবা ঙম্মই। মখোয়দা কিদনি অমা য়াওদ্রবনিনা চেকশিনবদি মথৌ তারি। অনাবা অদুনা ব্লদ প্রেসর চাং অমদা থমগদবনি, মহি-মনায়গী চিঞ্জাক য়াম্না শিজিন্নগদবনি, মচি য়াম্না লৈবা চিঞ্জাক চাগদবনি, থুম চাবা হন্থগদবনি, প্রোটিন য়াম্না ৱাংবা চিঞ্জাক চারোইদবনি অমদি নাম্মতং ঙাইহৌরবা কিদনিদা অশোকপা লৈহল্লোইদবনি। খ্বায়দগী মরুওইবা চেকশিনগী থবক অদুদি চাং নায়না ডাক্তরদা চেক অপ তৌবনি। য়ামদ্রবদা চহী অমগী মনুংদা ডাক্তরগা তান্নদুনা কিদনি ফংসন টেষ্ট তৌদুনা ব্লদ প্রেসর, য়ুং টেষ্ট তৌবা অমদি ঈ টেষ্ট তৌবা অমসুং মথৌ তারবদি অলট্রা সোনোগ্রাম টেষ্ট তৌগদবনি।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

## অনিশুবা তাঙ্কক

মরুওইবা কিদনি লায়নাশিং অমদি মখোয়গী লায়েং

- কিদনি ফেলর থিংহৌবা, মশক ঙন্না খঙদোকহৌবা অমদি লায়েংবা
- দাইএলাইসিসকী য়ুম্ফম ওইবা পাউ
- কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগী য়ুম্ফম ওইবা পাউ
- কিদনি লায়নাশিংগী মরুওইবা পাউ
- ক্রোনিক কিদনি লায়না নারবা অনাবশিংনা চাবদা শেকশিনগদবা অমদি চিঞ্জাক খঙদোকপা

## চেপ্টর ৮
## কিদনি ফেলর হায়বসি করিনো?

কিদনিগী মরুওইবা মথৌদি ফত্তবা চুমথোকঅগা মপান্দা থাদোকপা, হকচাংদগী অহেনবা মহি লৌথোকপা অমদি ইলেকট্রোলায়ট চাং অমদা থম্বা অদুগা এসীদ বেজসু মান্নহনবনি। অসিগুম্বা মথৌ অসি পাঙথোকপা ঙম্লকতবা মতমদা কিদনি নত্রগা রিনেল ফেলর হায়না খঙনৈ।

**কিদনি ফেলর করম্না খঙদোক্কনি?**

ঈদা য়াওবা ক্রিএটিনিন অমসুং য়ুরিয়াগী চাংনা কিদনিগী মথৌ খঙদোকপা ঙম্মী। মথক্তা পল্লিবশিং অসিগী চাং হেনগৎলক্লবদি কিদনি অনীমক্কী মথৌ হন্থরে হায়বা খঙবা ঙম্মী। ঐখোয়না নিংশিংগদবদি সেরম ক্রিএটিনিনগী চাং খজিক্তং খক হেনগৎপদা কিদনিগী মথৌ হন্থরে খঙগদবনি। সেরম ক্রিএটিনিনগী চাং অসি 1.6 mg/dl ওইরবদি কিদনিগী মথৌ অসি চাদা ৫০ হন্থরবনি।

**কিদনি নাম্মা ফেল ওইবনা কিদনি ফেল ওইবা য়াব্রা?**

য়াদে, কিদনি অনীগী মনুংদা অমা ফেল ওইবা নত্রগা লৌথোকপনা কিদনিগী অপুনবা মথৌদা শোকহনদে; শোক্তবা কিদনি অদুনা কিদনি অনীগী মথৌ তৌবগী ৱানি।

**কিদনি ফেল ওইবগী মরুওইবা মখল অনী**

একুট কিদনি ফেলর অমসুং ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (ক্রোনিক কিদনি ফেলর)।

**একুট কিদনি ফেলর**

একুট কিদনি ফেলর (মমাংদা একুট রিনেল ফেলর - এআরএফ অদুগা হৌজিক্তা একুট কিদনি ইঞ্জুরি - একেআই) দা কিদনিগী মথৌ অসি হন্থরকপা

*কিদনি ফেলর হায়বদি কিদনি অনীমক্কী মথৌ মাঙখিবনি*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

নত্রগা অতেনবা মতমদা হকচাংদা অকাইবা কয়া য়াওরকপদগী মাঙখিবনি। অসিগুম্বা মখলগী কিনি ফেলর অসি মতম শাংগনদে। নিয়ম চুম্না লায়েংলবদি কিদনিগী মথৌ হান্নগুম অয়াম্বা অনাবশিংদা হঞ্জিনবা ঙম্মী।

## ক্রোনিক কিদনি দিজিজ

তপ্না-তপ্না কিদনি ফঙসন মাঙশিল্লক্তুনা হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা থা কয়াগী মতুংদা মথৌ মাঙখিবা অদুবু ক্রোনিক কিদনি দিজিজ হায়রগা খঙনৈ। (মমাংদা ক্রোনিক কিদনি ফেলর অসি আর এফ হায়না খঙনরম্মী) লায়েংবদা ফবা ঙমদবা অনাবা মখল অসিদা, কিদনিগী মথৌ অসি তপ্না-তপ্না লেপ্তুনা হন্থরকপনি। মতম কুইশিল্লক্লবা মতুংদা কিদনিগী মথৌ অসি পুন্না লেপ্পকপনি। অসিগী হেঞ্জিল্লবা অমদি থৱায় মাঙনিংঙাই ওইরবা তাংকক অসিবু এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ - ইএসকেদি (নত্রগা এন্দ ষ্টেজ রিনেল দিজিজ - ইএসআরদি) হায়না খঙনৈ।

*কিদনি ফেলর মশক খঙল্লক্লবা মতমদা কিদনিগী মথৌ চাদা ৫০ মাঙলবনি*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ৯
# একু্যট কিদনি ফেলর

### একু্যট কিদনি ফেলর হায়বসি করিনো?

একু্যট কিদনি ফেলর (একু্যট কিদনি ইঞ্জুরি নত্রগা একু্যট রিনেল ফেলর - এ আর এফ) হায়বসি অতেনবা মতমদা (পুং খর, নুমিৎ খর নত্রগা চয়োল খর) কিদনিগী মথৌ হন্থরকপা নত্রগা মাঙথরকপা অদুবুনি। লোয়ননা অনাবা অসি মতম খরগিনি হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিনবা য়াই।

### একু্যট কিদনি ফেলর করিনা ওইহল্লকপগে?

একু্যট কিদনি ফেলর মরম কয়ামুক্তগী ওইরকপা য়াই। মরুওইবা মরম খরদি :

১) কিদনিদা ঈ চেনশিনবা ৱাৎপা, দায়রিয়া, ঈ কা হেন্না থোকখিবা, মৈনা চাকপা নত্রগা ব্লদ প্রেসর হন্থদুনা হকচাংগী মরু ওইবা মহী কা হেন্না হন্থরকপনা ওইবা য়াই।

২) ওপরেসন অচৌবা অমগী মতুংদা কা হেন্না লাইজৌবা নত্রগা নাবা।

৩) খঙহৌদনা য়ুং হানবদা অপনবা লাকপা : কিদনি নুঙনা ঈশিং মরীগী খ্বায়দগী তোইনা অপনবা পীবা ওইহল্লি।

৪) অতোপ্পা মরুওইবা মরমশিং : ফালসিপরম মেলেরিয়া, লেপ্তোস্পিরোসিস, লিন্না চিকপা, অতোপ্পা কিদনিগী অনাবা, মীরোনবা, অতোপ্পা হিদাক চাবদগী লাকপা সাইদ ইফেক্ট অমদি নুঙাইতবশিং (এনএসএআইদি, এমিনোগ্লাইকোসাইদ, রেদিও কন্ত্রাইষ্ট) নচিংবনি।

### একু্যট কিদনি ফেলরগী লাইওংশিং

একু্যট কিদনি ফেলরদা কিদনিগী থবক অসি অতেনবা মতমদা য়াম্না শোকচিন্দুনা ফত্তবা অরেমখাক ময়াম তুংশিল্লকই অমদি হকচাংদা য়াওবা মহী অমসুং ইলেকট্রোলায়টকী চাং হন্থরকই। মসিনা অনাবদা য়াম্না ঙন্না লাইওং উৎপা হৌরকই।

*একু্যট কিদনি ফেলর অসি য়াম্না থুবা অমদি মতম খরগী ওইনা কিদনিগী মথৌ মাঙবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

লাইওংশিং অসি অনাবা অমদি লায়না অদুনা হেঞ্জিল্লক্লিবা ফিভম্না খেন্নবা লৈ -

১) দায়রিয়া, ঈ মাঙবা, নিংথম চনবা, শাগৎপনচিংবা কিদনি শোকপগী মরম ওইহনবা।

২) য়ুং হানবা (ঈশিং চৎপা) হন্থরকপা (অনাবা খরদদি হান্নগী চাংদা লৈবা য়াওই)।

৩) চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, কোক ঙাওরিঙাওরি তৌবা, ওবা, থগোকপা, হকচাং পুমচোক চোকথবা, তনথবা অমদি ৱাখল চোইরকপা।

৪) য়াম্না কিনিঙাই ওইবা শ্বর হোনবা য়াদবা, থবাক নাবা, হকচাং কন্না নিকপা নত্রগা জ্ঞান মাঙবা, ঈ ওবা অমসুং পোটাসিয়ম ৱাংবদগী থম্মোইগী মীহুন চাং নায়রক্তবা।

৫) একুট কিদনি ফেলরগী ঙল্লিখৈদদি অনাবা অদু লাইওং লৈতবা য়াই অদুগা লায়না অসি অতোপ্পা মরম অমদগী ঈ চাংয়েং তৌরুবা মতমদা খঙহৌদনা থেংনরকপনি।

**একুট কিদনি ফেলর লাইওং লেপথোকপা**

একুট কিদনি ফেলর নারবা অনাবা অয়াম্বা লাইওং উৎথোক্তবা অমদি অতোপ্পা লাইওং উৎপা য়াওই। মরম অদুনা একুট কিদনি ফেলর ওইহল্লকপা য়াবা লায়না নারবা নত্রগা লাইওংদা চিংনবা খর লৈরবদি অথুবা মতমদা চাংয়েং তৌথোক্কদবনি।

কিদনি ফেলরগী মশক খঙদোকপদি ঈগী চাংয়েংননি (ক্রিএটিনিন অমসুং য়ুরিয়াগী চাং ৱাংখৎপা), য়ুংগী চাং ওন্থোকপা, য়ুং টেষ্ট তৌবা অমসুং অলট্রা সাউন্দ টেষ্ট তৌবনি। মমাংদা একুট কিদনি টেষ্টকী অনাবা লৈরুরবা মীওইশিংগীদি তোঙানবা চাংয়েং তৌদুনা লায়না অদুগী ফিভম অমদি কয়াম খুমাং চাউশিল্লবগে হায়বদু খঙদোক্কদবনি।

*একুট কিদনি ফেলরগী লাইওংশিং অসি অতোপ্পা অনাবগী অমদি কিদনি ফেলর অনিমক্কা মরম ওই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

## একু্যট কিদনি ফেলর লায়েংবা

নিয়ম চুম্না লায়েংলবদি অনাবা অয়াম্বদা একু্যট কিদনি ফেলর মপুং ফানা ফহনবা ঙম্মী। অদুবু থেংথরবা অমদি নিয়ম লাল্লবদি কনবা ঙমদনা য়াই।

একু্যট কিদনি ফেলর লাকশিন্নবা মরুওইবা খোঙথাংশিং :

১) কিদনি ফেলরগী হৌরকফম চুমথোকপা নত্রগা লায়েংথোকপা।

২) হিদাক্লা লায়েংবা অমদি মতেং পীবা থবকশিং।

৩) অফবা চিঞ্জাক্কী পাউতাক।

৪) দাইএলাইসিস।

**১) কিদনি ফেলরগী হৌরকফম চুমথোকপা নত্রগা লায়েংবা :**

- অতোপ্পা মরী লৈনবা অনাবশিংগী হৌরকফম নত্রগা মরম খঙদোকপা অমদি লায়েংবনা একু্যট কিদনি ফেলর লাকশিনবগী খ্বায়দগী মরুওইবা থবকনি।
- হায়পোটেন্সন (ব্লদ প্রেসর নেম্বা), লাইজৌবা, য়ুংগী লম্বীদা অথীংবা লৈবনচিংবা মরী লৈনবা অনাবশিং মতিক চানা লায়েংবসি কিদনি ফেলরদগী ফগৎপা ঙম্বগী তঙাই ফদবা মচাকনি।
- অসিগুম্বা লায়েং অসিনা কিদনিবু মখাতানা শোকচিনবা থীংবা ঙম্মী, লোয়ননা মসিনা কিদনি ফগৎলকপগী লম্বেল ওইহল্লি।

**২) হিদাক্লা লায়েংবা অমদি মতেং পীবা থবকশিং :**

- পান্দমদি কিদনি অনীবু মতেং পীবা অদুগা অতোপ্পা নুঙাইরক্তবশিং থিংবা অমদি লায়েংবনি।
- লাইজৌবা (ইনফেক্সন) লায়েংথোকপা অমদি কিদনিদা শোকপা য়াবা চিঞ্জাক চারোইদবনি (খুদম - এন এস এ আই দিশিং)।
- দাইয়ুরেটিক্স শিজিন্নবা : ফ্রুসেমাইদকুম্বা দ্রগ শিজিন্নবনা য়ুং চাং হেনগৎহল্লি অমদি হকচাংদা পোম্বা হন্থহন্দুনা শ্বর হোনবদা ৰাবা ফহল্লি।
- মতেং পীবা লায়েং : ব্লদ প্রেসর ৰাংবা নত্রগা নেম্বা ফহনবা, কোক

*নিয়ম চুম্না লায়েংলবদি একু্যট কিদনি ফেলরদা কিদনি অদু মপুং ফানা ফহনবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ঙাওরি-ঙাওরি তৌবা অমদি ওবা ফহনবা, ঈদা য়াওবা পোটাসিয়ম চাংদা থন্বা, শ্বর হোনবা নুঙাইতবা ফহনবা অমদি হকচাং পুন্বা নিকপা ফহনবনি।

### ৩) অফবা চিঞ্জাক্কী পাউতাক

- নিয়ম চুন্না চাবা থকপনা একুট কিদনি ফেলরদগী লাকপা নুঙাইতবশিং হন্থহনবা, থিংবা অমদি লাইওং মাংহনবা ঙম্মী।
- মহী-মনাই ওল্লগা থকপা। নোংমদা মথৌ তাবা মহীগী চাং অসি নিংথিনা শেমদুনা য়ুংগী চাং অমদি হকচাংগী মহীগা লৈনবা মরী খঙদোক্কদবনি। শ্বর হোনবদা ৱাবা অমদি পোমখৎপা (ইদিমা) থিংনবা মহী-মনাই থকচিনবদা অথিংবা থন্বা ফৈ।
- পোটাসিয়ম চাবদা অথিংবা। ঈদা পোটাসিয়মগী চাং-ৱাংলবদি (হায়পরকালিমিয়া) একুট কিদনি ফেলর ওইরকপা য়াই মরম অদুনা পোটাসিয়ম য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক খুদম ওইনা হৈরা, হৈ মহী, হৈ অকংবা চাবা থিংগদবনি।
- থুম চাবা থিংবা। ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা অমদি শ্বর হোনবদা ৱাবনচিংবা নুঙাইতবশিং অসি থুম চাবা হন্থবনা ফহনবা ঙম্মী অমদি খৌরাংবা অমসুং পোমখৎপসু হন্থহল্লি।
- চিঞ্জাক্তা কেলোরি ৱাংনা য়াওবা চাবা অমদি নিয়ম চুন্বা মওংদা চাবা।

### ৪) দাইএলাইসিস

কিদনিগী মথৌ অতেনবা মতমগী ওইনা দাইএলাইসিস (খুৎশেমগী কিদনি) কনাগুন্বা অনাবা খরদা মহাক্কী কিদনি অদু মপুং ফানা ফগৎত্রিফাওবা শিজিন্নবা মথৌ তারকপা য়াই।

**দাইএলাইসিস হায়বসি করিনো?**

শোক্লবা কিদনি অমবু খুৎশেমগী মতেংনা থবক তৌহনবা অদুবু দাইএলাইসিস কৌই। মসিনা কিদনি ফিভম থিনা ফেল ওইহল্লবশিংদা পুন্সি শাংদোকহনবা ঙম্মী। দাইএলাইসিসকী খ্বাইদগী মরুওইবা মথৌদি অমোৎপা

> *নিয়ম চুন্না অমদি ঙন্না লায়েংলবদি একুট কিদনি ফেলরদা কিদনি দাইএলাইসিস তৌদনা মপুং ফানা ফহনবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ফত্তবা লৌথোকপা, অহেনবা মহী লৌথোকপা, এসীদ বেজ চাংদা থন্বা অমদি ইলেক্ট্রোলায়টকী অকাইবা লাকপা চুমথোকপনি। দাইএলাইসিসকী মরুওইবা মখল অনী লৈ - হিমোদাইএলাইসিস অমদি পেরিতোনিএল দাইএলাইসিসনি।

**একুযট কিদনি ফেলরদা দাইএলাইসিস করম্বা মতমদা মথৌ তারকই?**

একুযট কিদনি ফেলরগী হিদাক চানা-চানা নুঙাইতবা অমদি লাইওং হেনগৎলক্লবা অনাবদা দাইএলাইসিস মথৌ তারকই। দাইএলাইসিসনা একুযট কিদনি ফেলর নারবা মীওইশিং মশা নুঙাইনা থন্বা ঙম্মী। একুযট কিদনি ফেলরদা হকচাংদা মহী কা হেন্না তুংশিল্লক্লবা হায়পরকালেমিয়া কন্ট্রোল তৌবা ঙারবা অমদি এসিদোসিস লৈরক্লবদি দাইএলাইসিস মথৌ তারক্লবনি।

**একুযট কিদনি ফেলরদা দাইএলাইসিস কয়াম কুইনা মথৌ তাবগে?**

একুযট কিদনি ফেলরগী অনাবা খরদা মতম খরগী ওইনা দাইএলাইসিস (হিমোদাইএলাইসিস নত্রগা পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস) কিদনি অদু ফগৎলকত্রিফাওবা মথৌ তাই।

- একুযট কিদনি ফেলরগী অনাবশিং চয়োল অমদগীনা মরী ফাওবগী মনুংদা ফগৎপা ঙম্মী, মদুগী মনুংদা মখোয় দাইএলাইসিস মথৌ তাই।
- কিদনি ফেলরগী অনাবা অমদা দাইএলইসিস অমুক শিজিন্নখিবনা পুন্সি চুপ্পা শিজিন্নগনি হায়না থাজবা অদু অরানবনি। মসিনা অকীবা লৈহন্দুনা দাইএলাইসিস তৌহৌদ্রবদি একুযট কিদনি ফেলরদা অনাবা অদু কনবা ঙমদবা য়াই।

**একুযট কিদনি ফেলর থিংহৌবা**

- চাং নাইনা চ্যেক অপ তৌবা অমদি মরম খরদগী কিদনি নারক্ললবসু ঙন্না লায়েংথোকহৌগদবনি।
- হায়পোটেন্সন (ব্লদ প্রেসর লো ওইবা) থিংহৌবা অমদি অথুবা মতমদা চুমথোকহৌবা।
- কিদনিদা শোকহনবা দ্রগশিং চাদবা অমদি লাইজৌবা য়েংথোকহৌবা অমসুং য়ুংগী চাং হন্থরকপা থুনা য়েংথোক্কদবনি।

*দাইএলাইসিস নুমিৎ খরগী মথৌ তাবনি, অদুবু থেংথরবদি অনাবা অদু কনবা ঙমদবা য়াই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

## চেপ্তর ১০
# ক্রোনিক কিদনি দিজিজ ঃ হৌরকফম

কিদনি তোঙান-তোঙনবা লায়নাশিংগী মনুংদা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সি কে দি) হায়বসি খ্বাইদগী শাথিবা কিন্নরবা অমসুং মেডিকেল সাইন্সনা ঙসি ফাওবা লায়েংবা ঙমদ্রিবা লায়নাশিংগী মনুংদা অমনি। ঙসি মালেমগী মফম পুন্নমক্তা সি কে দি এ সিগা লোয়ননা কিদনি ফেল ওইবগী চাং অসি নোংমা নোংমগী য়াম্না শাথিবা মওংদা হেনগৎলক্লি। মীওই ১০ গী মনুংদা মীওই অমমমদি ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী মওং অমনা নায়। দাইএবিটিস, হাপরটেন্সন, ওবেসিটি, চুরুট থকপগী চাং অমসুং কোলেষ্টেরোল ৱাংখৎলকপগী চাং অসি য়াম্না হেনগৎলকপা অসিনা সি দি কেগী লায়নাশিং হেনগৎলকপগী খ্বাইদগী চাওবা মরম্নি।

### ক্রোনিক কিদনি দিজিজ হায়বসি করনিনো?

থা কয়া চুপ্পদগী হৌরগা চহী কয়া চংনা য়াম্না তপ্না কিদনিগী মথৌ তৌবা ৱাৎলকপা অমসুং মথৌ শুংতৌ তৌখিদবা হায়বসি ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সি কে দি) হায়না খঙনৈ। ঈ টেষ্ট তৌবদা সেরম ক্রেটিনিনগী চাং ৱাংখৎলকপা অমসুং সোনোগ্রাফিদা কিদনি অনিমক পীকশিনবা অমদি চিংশিনবদৌনা লৈবা থেংনবা হায়বসি ক্রোনিক কিদনি দিজিজশিংদা থেংনৈ।

সি কে দিগা য়াম্না মান্নবা অসি হান্নদি ক্রোনিক রিনেল ফেল্লর (সি আর এফ) হায়না খঙনরম্মী। কিদনি ফেল্লর হায়রগা মীয়ামদা পোকহল্লিবা ৱাখল্লোনসি কিদনিশিং অদু মথৌ তৌবা পুল্লেপ লেপখ্রে হায়বগী মওংদা লৌনবনা সি কে দি হায়বসিনা নাকল অমরোমদা হেন্না ফবা ৱাহৈ অমা ওইহল্লে। সি কে দিগী অয়াম্বা কেসশিংদা কিদনি মথৌ শুংতৌ তৌদবা হায়বসি লৈতে। সি কে দি নারবা অয়াম্বা মীওইশিংদা কিদনিগী মথৌ অসি খরা হন্থনা তৌবা নৎত্রগা য়াইমরপ ওইনা মথৌ তৌবগী চাং হন্থরকপগী মওং লৈগনি অদুবু কিদনিশিং অদু চপ চানা ফেল ওইবদি নত্তে।

### অরোইবা ষ্টেজদা লৈবা কিদনিগী লায়না করিনো?

য়াম্না হেঞ্জিল্লবা সি কে দিগী তাঙ্কক (ষ্টেজ-৫ সি কে দি) হায়বসি কিদনি ফেল ওইরবা, অরোইবা তাঙ্কক্কী কিদনি দিজিজ (ই এস কে দি) নৎত্রগা এন-ষ্টেজ রিনেল দিজিজ (ই এস আর দি) হায়না খঙনৈ। এন-ষ্টেজ কিদনি দিজিজদা

*ক্রোনিক কিদনি দিজিজ অসি তপ্ন-তপ্না খুমাং চাওশিল্লক্লুনা মমৈদা কিদনিগী মথৌ মতম পুম্বগী মাঙখিবা অদুনি।*

কিদনিগী মথৌ অসি শুংতৌ তৌদবা নৎত্রগা মথৌ তৌদবগী মওং ফাওবদা লৈরকই। মসিগী তাঙ্কক অসি য়ৌরকপগী মওং অসি সি কে দিগী হেন্না ফৎচিল্লক্তবা তাঙ্কক হায়বদি কিদনিগী মথৌ অসি নোর্মেলদগী চাদা ১০ গী চাংদগী হেন্না মথৌ তৌরক্তবা মতমদনি। মসিগী তাঙ্কক অসি য়ৌবদদি অমুক লায়েংবা ঙমদ্রে। হিদাক-লাংথক্লা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রবনিনা দাইএলাইসিস তৌবা নৎত্রগা হিংবগীদমক কিদনি শিন্দোকপগী মথৌ তারকই।

**করিদগী ক্রোনিক দিজিজ লাকপনো?**

কিদনিশিংগী মথৌ মতম চুপ্পগী তৌরক্তবা হায়বসি তোঙান-তোঙানবা মওং কয়াদগী ওইহল্লকপা য়াই। অদুবু য়াম্না মরুওইবা সি কে দি লাক্লবগী মরম অনিদি দাইএবিটিস অমসুং হায় ব্লদ প্রেসর হায়বসিদগী ওই। সি কে দিনা নারবশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অনিদি লায়না অনিসিদগী লাকপা ওই। য়াম্না মরুওইবা কিদনি দিজিজ নারক্লবগী মরমশিংদি ঃ

১) দাইএবিটিস-কিদনি ফেল ওইনবগী অয়াম্বা মরমদি দাইএবিটিস্তগী লাকই অমসুং সি কে দি গী লায়োং থেংনরবশিংগী চাদা ৩৫ দগী ৪০ রোমদি হায়রিবা লায়নাসিদগী লাকহল্লি। দাইএবিটিস নারবশিংগী মীওই অহুমগী মনুংদা অমদি সি কে দি নারকপা য়াবগী খুদোংথিবা লৈ।

২) হায় ব্লদ প্রেসর - হায় ব্লদ প্রেসর নারবা ফাওবা লায়েংদবা নৎত্রগা মতিক চানা লায়েংদবদগী সি কে দি নারকপগী মরুওইবা মরম অমা ওই অমসুং লায়নাসিনা নারবা মীওইশিংদি চাদা ৩০ দি ব্লদ প্রেসর ৱাংবদগী থোকহল্লি। সি কে দি নারক্লবগী মরম কয়া লৈরবসু ব্লদ প্রেসর ৱাংলবদি শোয়দনা কিদনিগী মথৌ তৌবগী চাং অসিদা শোকহল্লি।

৩) গ্লোমেরুলোনেফ্রাইটিস - মখলসিগী অশোয়বা লাকপসিনা সি কে দি নারকপা য়াবগী লায়ওংশিংগী মনুংদা ৩ শুবা থাক্তা লৈ।

৪) পোলিসিস্তিক কিদনি দিজিজ - কিদনি অনিমক্তা মফম কয়ামুক্তা পোম্বা-তংবা লৈবা মওংগী লাইওং অসি মপা-মপুদগী লৌনদুনা লাকপা সি কে দি নারকপা য়াবগী লায়না ওই।

৫) অতোপ্পা মরমশিংদি - কিদনিনা অহল ওইশিল্লকপা, রিরেন আর্টরি ষ্টেনোসিস (শীংলি খুজিল্লকপা), নুঙ লৈবদগী মপাল থোকপা য়ারক্তবা নৎত্রগা প্রোষ্টেট চাউথোরকপা, হিদাক চাবদগী অমসুং তোক্সিন্না মরম ওইরগা কিদনি শোক্লকপা, অঙাংশিংদা কিদনি ইনফেক্সন তোয়না তৌবা অমসুং রিফ্লক্স নেফ্রোপেথিনা নাখিবা অসিনি।

*ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নারক্লবগী মরওইবা মরম অনিদি দাইএবিটিস অমসুং হায় ব্লদ প্রেসরনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ১১

# ক্রোনিক কিদনি দিজিজেজ : লাইওং অমসুং লাইওং লেপ্পা

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সি কে দি) কিদনি অদুনা মথৌ পাংথোকপা ঙম্লকওইদবা মতম অসি থা খরদগীনদা চহী কয়া চংবা মরম্না মীওই অদুগী হকচাংনা নুঙাইতবা কয়া অদু চুশিন্নখি। মসিদসু নত্তনা কিদনি মশামক্না নুঙাইতবা লাকপা মতমদা মথন্থনা ঙাকচবা ঙম্মী। মরমশিং অসিনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নারবা মীওই কয়াদা লাইওং উৎথোক্তনা লৈ। য়াম্না হেন্না শোক্লবা কান্দতা উবা ফংই।

কিদনিশিংনা মখল কয়াগী থবক (অরেম্বা লৌথোকপা অমসুং মহী থাদোকখিবা, ব্লদ প্রেসর কন্ত্রোল তৌবা, কেমিকেল চাং মান্ননা থম্বা, আর বি সি পুথোকপা অসিনচিংবা) কয়া হকচাংগীদমক পাংথোকই। মরম অদুনা কিদনিগী তোঙান তোঙানবা মথৌশিং অদুনা লাকপা অশোয়বা অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা অমগা অমগা নুঙাইতবা অমদি লাইওং অসি সিকেদিদা য়াম্না খেৎনৈ।

**ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী লাইওংশিং করি করিনো ?**

ক্রোনিক দিকনি দিজিজগী লাইওং অসি লায়না অসিনা কদায় ফাওবা শোকচিল্লবগে হায়বদুদা য়ুম্ফম ওইরগা লাইওং খেৎনবা য়াই। হেন্না লৌশিং ওইননবা অমদি লায়েংবদা কান্নবা পীননবা সিকেদি অসি গ্লোমেরুলর ফিলত্রেসন রেট (জিএফআর) তা য়েংলগা থাক মঙা থোক্না খায়দোকই। জি এফ আরনা কিদনিশিংনা ঈদগী অরেম্বা কয়া য়াম্না চুমথোকলি হায়বদু খঙবা ঙম্মী অমসুং মসি ঈ চাংয়েং তৌবদা ক্রিএটিনিনগী চাংদগী খঙদোকপা য়াই। জিএফআর না কিদনিগী মথৌ অসি য়াম্না শেংনা ওনবা য়াই অদুগা মসি নোর্মেল ভেল্যুদি মিনিট অমদা এমল ৯০ দগী হেনবনি।

| থাক | অহানবা থাক | অনিশুবা থাক | অহুমশুবা থাক | মরিশুবা থাক | মঙাশুবা থাক |
|---|---|---|---|---|---|
| | নোর্মেল | অচম্বা | য়াইমরপ ওইবা | হেঞ্জিল্লবা | অরোইবা থাক |
| | জিএফআর | সিকেদি | সিকেদি | সিকেদি | সিকেদি |
| জিএফআর | ৯০ দগী হেনবা | ৬০-৮৯ | ৩০-৫৯ | ১৫-২৯ | ১৫ দগী হন্থবা |
| | এমএল/মিনিট | এমএল/মিনিট | এমএল/মিনিট | এমএল/মিনিট | এমএল/মিনিট |

*অয়ান্বা মীওইদা সিকেদিগী অঙনবা থাক অসি লাইওং অমত্তা লৈতে*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**সিকেদি ষ্টেজ ১ (কিদনি মথৌ ৯০-১০০%)**

সিকেদিগী খ্বায়দগী অহানবা লাইওং উৎতবা ষ্টেজ অসিদা কিদনিগী অশোনবা লৈতে (সেরম ক্রিএটিনিন নোর্মেল ওই)। সিকেদিগী অহানবা ষ্টেজ অসি চাং নাইনা লেবেরেটোরিদা চাংয়েং তৌবা নত্রগা অতোপ্পা লায়নাগী চাংয়েংদা থেংনরকপা য়াওই। সিকেদি ষ্টেজ ৱান অসিগী খঙনবা লম্বেলদি য়ুংদা প্রোটিন য়াওরকপা, এক্স-রেদা অশোয়বা উরকপা, অলট্রা সাউন্দ, এম আর আই নৎত্রগা সিটি নত্রগা পোলিসিষ্টিক কিদনি লায়না নাখিবা ইমুং-মনুংগী ৱারি লৈবা অসিনি।

**সিকেদি ষ্টেজ ২ (কিদনি মথৌ ৬০-৮৯%)**

অচম্বা/অশোনবা সিকেদিনি। অনাবশিংদা লাইওং উৎতবা য়াই অদুবু ষ্টেজ অসি খঙদোকপা য়াবদি নুমিদাংদা য়ুং তোয়না হাল্লবা, ব্লদ প্রেসর হেনগৎলবা, য়ুংদা য়াওগদবা মচল অহোংবা লাক্লবা অমদি সেরম ক্রিএটিনিন হান্নদগী খজিক্তং হেনবা অসিনি।

**সিকেদি ষ্টেজ ৩ (কিদনি মথৌ ৩০-৫৯%)**

ময়াইওইরপ তৌবা সিকেদিনি। অনাবশিংদা লাইওং উৎতবা য়াই নত্রগা অশোনবা লাইওং খক্তগা লোয়ননা য়ুংগী মচলদা অশোয়বা য়াওরকপা অমদি সেরম ক্রিএটিনিনগী চাং খরা হেনগৎপা।

**সিকেদি ষ্টেজ ৪ (কিদনি মথৌ ১৫-২৯%)**

হেঞ্জিল্লবা সিকেদিনি। ষ্টেজ অসিদা লাইওং মখল কয়া উৎপা হৌরগনি, লাইওংশিং অসি অচম্বদগীনা অরুবা ফাওবা য়াওরক্কনি। পুন্নমক অসি কিদনি ফেলরগী হৌরকফম অমদি মরী লৈননবা লায়নাশিংদা য়ুম্ফম ওইগনি।

**সিকেদি ষ্টেজ ৫ (চাদা ১৫ দগী কিদনি মথৌ হন্থবা)**

য়াম্না শোকচিল্লবা নৎত্রগা কিদনি ফেলরগী অরোইবা ষ্টেজনি। ষ্টেজ অসিদা শিবা য়ানা হেঞ্জিল্লবা লাইওং কয়া উৎপা হৌরগনি। হিদাক কয়া চাদুনসু ষ্টেজ অসিদা কিদনি ফেলরগী লাইওং হেঞ্জিল্লক্কনি। অয়াম্বা অনাবশিংনা দাইএলাইসিস নত্রগা ট্রান্সপ্লান্টেসন মথৌ তারক্কনি।

| |
|---|
| *চহী নৌরিঙৈদা ফাজিনবদা ৱাবা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা সিকেদিগী তোয়না থেংনবা খুদমনি।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**কিদনি লায়নাগী তোয়না থেংনবা লাইওংশিং অদুদি :**

- চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, কোক ঙাওবা, ওনিংবা অমসুং ওবা।
- শোন্থবা, চোকথবা অমদি হকচাংগী অরুন্বা হন্থবা।
- খোঙদা, খুত্তা অমদি মীৎপান্দা পোমখৎপা।
- চহী নৌরিঙৈদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা নত্রগা ফাথবা ঙমদবা ব্লদ প্রেসর।
- এনিমিয়না মরম ওইদুনা কিদনিনা ইরিথ্রোপোআইটিন পুথোকপা হন্থবদগী ঈ ৱাৎতুনা কুচু তাইফেৎ তাইবা।
- তুন্বা য়াদবা, পুক্লিং চঙদবা অমদি কোক ঙাওরি-ঙাওরি তৌবা।
- হাক্কচবা, মশল ফাশিনবা নত্রগা পোৎথাফম খঙদবা অমদি পুক্লিং ফাজিন্দবা।
- থবাক্কী মখা থংবা শরুক্তা অনাবা লৈরকপা।
- হান্নদগী হেনগৎতুনা য়ুং তোইনা হান্নিংবা, মরু ওইনা নুমিদাংদা।
- কিদনিনা বিতামিন দিগী এক্টিব ফোর্ম পুথোকপা ৱাৎপদগী অঙাংশিংদা চাওগন থিবা অমদি অহলশিংদা শরুদা নাবা ফাওরকপা অমসুং শরু চেৎখাইবা হৌরকপা।
- নুপা-নুপী শম্লনিংবা পোক্লক্তবা, অমদি নুপাগী টি য়ুংখৎপা ঙম্লক্তবা অদুগা নুপীগীনা থাগী খোঙকাপ্তা অকায়বা লাকপা।
- কিদনিগী লায়নাশিং অসি হার্ট অমদি শিংলি (কার্দিও ভাস্কুলর) গী লায়না মরম ওইরগা শিরিবশিংগা মরী য়াম্না লৈনৈ।

**ব্লদ প্রেসর ৱাংবা মীওইনা করম্বা মতমদা সিকেদি লৈরে হায়না চিংনবা য়াই?**

ব্লদ প্রেসর ৱাংবা মীওইশিংনা সিকেদিনি চিংনগদৌরিবসি করিগুম্বা -

- ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী নুঙাইতবা অদু হৌরকপা মতমদা চহী ৩০ দগী তাবা নত্রগা চহী ৫০ দগী হেনবা।

*হিমোগ্লোবিন ৱাৎপগী লায়েংদা নুঙাইতবা অদু সিকেদিনা অচৌবা মরম ওই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- ব্লদ প্রেসর ৱাংবগী লাইওং খঙবা মতমদা প্রেসর কা হেন্না ৱাংবা (ঐচ জি গী এম এম ২০০/১২০ দগী হেনবা)
- চাং নাইনা হিদাক চারবসু ব্লদ প্রেসর অদুম্মক ৱাংদুনা লৈবা।
- হায়পর টেন্সন্না মরম ওইদুনা উবগী চাং হন্থরকপা।
- যুংদা প্রোটিন য়াওরকপা।
- হায়পরটেন্সনগা লোয়ননা সিকেদিনি হায়বা লাইওংশিং হায়বদি পোমখৎপা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, শোন্থবা অসিনচিংবা।

**ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী হেঞ্জিল্লবা থাক্কী ওইরকপা য়াবা অরুবা নুঙাইতবশিং অদু করিনো?**

- সিকেদিদা তপ্পা-তপ্পা কিদনি শোকচিল্লকপনা থৱায় মাঙবা ফাওবা য়াবা অরুবা নুঙাইতবশিং অদুদি :
- শ্বর হোনবদা য়াম্না ৱাবা অমসুং থবাক্তা মহী তুংশিনবনা অনাবা ফাওবা, মরু ওইনা লংস (থবোন্বী), পলমোনরি ইদিমা হায়না খঙনবা অসিগা লোয়ননা ব্লদ প্রেসর য়াম্না ৱাংবা।
- কোক কন্না ঙাওরবা ওনিংবা অমসুং ওথোকপা।
- য়াম্না শোন্থবা।
- সেন্ত্রেল নবর্স সিস্টেমগী নুঙাইতবশিং : ৱাখল চয়েৎনবা, কা-হেন্না তুম্নিংবা ফাওবা, য়াং চীংবা অমসুং কোমাদা লৈবা।
- ঈদা পোটাসিয়মগী চাং ৱাংবা (হায়পরকালিমিয়া) মতমদা হাটগী মথৌ হন্থদুনা থৱায় মাঙবা ফাওবা য়াই।
- হার্টকী কুয়োম (পেরিকাদিয়ম) দা চাথৎপা পোমখৎপা লাকপা পেরিকার্দিটিস হৌরকপা।

**ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী লাইওং লেপ্পা (দাইগনোসিস)**

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ অসিগী অঙনবা থাক্তা লাইওং অমত্তা উৎতে।

*শোন্থবা, চানিং থকনিংদবা, ওনিংবা অমসুং পোমখৎপনা সিকেদিগী ঙল্লিবৈদা য়াম্না তোয়না থেংনবা লাইওংনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

লেবেরেটেরি টেষ্ট নত্তনা লাইওং উবা ফংদে। ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নারম্বা য়াই হায়না চিংনদুনা চাং নায়না টেষ্ট তৌবদা থেংনরকপা নত্রগা ক্লিনিকেল টেষ্টততা য়ুম্ফম ওইরগা লোবোরেটরি টেষ্ট অমা তৌথোকপা য়াই। সিকেদিগী অচম্বা টেষ্ট অহুম অদুদি প্রেসর মিজরমেন্ট, অলবুমিনগী য়ুং টেষ্ট অমসুং সেরম ক্রিএটিন্নিগী ব্লদ টেষ্ট।

১) হিমেগ্লোবিন

সিকেদিগী ব্লদ টেষ্ট হেক তৌবা মতমদা হিমোগ্লোবিন অসি চাংচৎতা নেম্মী। হিমোগ্লোবিন নেম্বা (এনিমিয়া) অসি কিদনিনা ইরিথ্রোপোথাইতিন পুথোকপা হন্থবদগীনি।

২) য়ুং টেষ্ট

য়ুংদা অলবুমিন নত্রগা প্রোটিন য়াওবা অলবুমিনুরিন/প্রোটিনুরিয়া অসি ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী অহানবা খুদমনি। দাইএবিটিস নাবা মীওইশিংদা অলবুমিনগী শরুক য়ামদবা (মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া) য়াওবা অসিসু সিকেদিগী খুদমনি। য়ুংদা অসিগুম্বা প্রোটিন য়াওরক্লবদি মদু হকচাং শাগৎপা (ফিবর) অমদি শাজেল কন্না তৌবনসু ওইবা য়াই। মরম অদুনা য়ুংদা প্রোটিন হেক য়াওরকপগা সিকেদি হায়না পাখক্কুনা চিংনবা মথৌ তাদে।

৩) সেরুম ক্রিএটিনিন, ব্লদ য়ুরিয়া নাইট্রোজেন অমসুং ইজিএফআর

মখোয়শিং অসি কিদনি ফেলরগী লাইওং অমদি হান্নগী ফিভমগী চাংয়েং তৌবা ঈগী টেষ্টনি। কিদনিগী মথৌ শোকচিল্লক্লবা, ক্রিএটিনিন অমসুং য়ুরিয়াগী চাং হেনগৎলকই। ক্রিএটিনিন গী চাং কুপ্পা চাং নাইনা য়েংশিল্লবদি সিকেদি লায়েংবা অমদি হিদাকশিংগী থবক খঙদোকপা ঙম্মী।

ঈদা ক্রিএটিনিনগী চাং অসিনা কিদনিগী মথৌ মশক খঙবদা য়াম্না মরু ওইবা লম্বেল অমা উৎপা ঙম্মী, অদুবু ইষ্টিমেটেদ জিএফআর না হেন্না কুপথবা লৌশিং পীবা ঙম্মী। ইজিএফআরনা কিদনিগী লায়না কয়া ঙল্লিঊৈদা মশক খঙদোকপা ঙম্মী লোয়ননা ক্রিএটিনিন টেষ্ট খক তৌবগী মসিনা হেন্না থাজবা পী। ইজিএফআর অসি চহী, নুপা/নুপী অমদি ঈদা য়াওবা ক্রিএটিননগী চাংদা

*অচম্বা টেষ্ট অহুম্না অদোমগী কিদনি কনবা ঙমগনি। ব্লদ প্রেসর চেক তৌবিয়ু, য়ুংদা প্রোটিন য়াওবা য়েংসি অদুগা ইজিএফআর*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

কুপ্না হোৎলগা পুথোকই। ইজিএফআরনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী শোকচিল্লকপা অমদি লাইওং খঙদোকপদা মতেং পাংই। ইভিএফআরদা য়ুম্ফম ওইরগা সিকেদি অসি থাক মঙা থোক্না খায়দোকই। থাক খায়দোকপনা লায়না অদুবু কুপ্না য়েংবা অমদি মখা তাবা টেষ্ট তৌনবগীদমক কান্নবা য়াম্না পী।

৪) কিদনিগী অলট্রাসাউন্দ

ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী লাইওং খঙদোক্নবা য়াম্না চন্বা অমদি য়াম্না চুম্না ফল ফংবা টেষ্ট মখল অমনি অলট্রাসাউন্দ হায়বসি। পীকশল্লবা কিদনিনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী লাইওংনি। তৌইগুন্বসুং কিদনি নোর্মেল ওইবা অমদি অচৌবা ওইবা অমদি অচৌবা কিদনিশিংদা পোলিসিষ্টিক কিদনি দিজিজ, দাইএবিটিক নিফ্রোপেথি অমসুং এমিলোইদোসিস নাবা অদুম্নক য়াওই। অলট্রাসাউন্দনা কিদনিদা নুঙ লৈবা অমদি য়ুরিনরিগী অথিংবা লৈবা অদুনা সিকেদি নারব্রা হায়বদু খঙদোক্নবদা চাওনা মতেং পাংই।

৫) অতোপ্পা টেষ্টশিং

সিকেদিনা কিদনিগী তোঙান-তোঙানবা মথৌশিংদা অয়েৎপা পী। হায়রিবা অয়েৎপশিং অসি খঙদোক্নবগীদমক তোঙান-তোঙানবা টেষ্ট কয়া পাঙথোকই। অনাবশিংদা তোয়না পাওথোকপা ব্লদ টেষ্টশিং অদুদি ইলেক্ট্রোলায়ট অমসুং এসীদ-বেজ বেলেন্স (সোদিয়ম, পোটাসিয়ম, বাইকার্বোনেট) কী টেষ্ট, এনিমিয়া (হিমাটোক্রিট, ফেরিটিন, ত্রান্সফরিন সেচুরেসন, পেরিফেরেল স্মিয়র) গী টেষ্ট, শরুগী লায়না (কেলসিয়ম, ফোস্ফোরস, অলকালাইন ফোসফেটজ, পেরাথাইরোইদ হোর্মোন) গী টেষ্ট অমদি অতোপ্পা জেনরেল টেষ্ট (সেরম অলবুমিন, কোলেষ্টেরোল, ত্রাইগ্লিসেরাইদ, ব্লদ গ্লুকোজ অমসুং হিমোগ্লোবিন এএলসি) অমদি ইসিজি অমসুং ইকোকারদিওগ্রাফিনি।

**সিকেদিগী অনাবা অমনা করম্বা মতমদা ডাক্তর উন্নগনি?**

সিকেদিগী অনাবা অমনা মখাদা পীরিবশিং অসি থেংনরবদি ডাক্তর খুদক্তা উন্নগদবনি :

| |
|---|
| *পীকথরবা অমদি শুমজিল্লবা কিদনিগী ফিভম অলট্রাসাউন্দদা উবা অদুনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী খুদমনি।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- মরম চাদনা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎপা, য়ুংগী চাং হন্থবা, পোমখৎপা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, নুঙাইতবা মরু ওইনা ফমুংদা হিপ্পা মতমদা।
- থবাক নাবা, হার্টকী মিহুন চোংবা তপথবা নত্রগা হেনগৎপা।
- লাইহৌ তৌবা, দাইরিয়া য়াম্না হেনজিনবা, চানিং-থকনিংবা পোক্তবা, কা হেন্না ওবা, ওবদুদা ঈ য়াওরকপা নত্রগা মরম চাদনা হকচাংগী অরুম্বা হন্থবা।
- ইনৌ নৌনা মশলশিং শোন্থরকপা।
- হান্না কন্ট্রোল তৌরম্বা ব্লদ প্রেসর হেনগৎলকপা।
- য়ুং মচু ঙাংবা নত্রগা ঈ থোকপা হেঞ্জিনবা।

*লাইহৌ, অনৌবা লাইওং য়াওরকপা নত্রগা কিদনি নাবগী লাইওংশিং খঙহেন হেঞ্জিল্লবদি খুদক্তা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎকদবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ১২
# ক্রোনিক কিদনি দিজিজ : লায়েংবা

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ লায়েংবগী লম্বেল অহুম অদুদি হিদাক্কা লায়েংবা, দাইএলাইসিস নত্রগা ত্রান্সপ্লান্ট তৌবনি।

- ক্রোনিক কিদনি দিজিজনা নারবা মীওই খুদিংমক হৌরকপদা হিদাক লাংথক্কী মেনেজমেন্ট চত্তথগনি (হিদাক, দাইটকী পাউতাক অমসুং কুপ্না য়েংশিনবা)।
- ক্রোনিক কিদনি দিজিজদা য়াম্না হেঞ্জিল্লবা (কিদনি দিজিজসগী অরোইবা থাক) মতমদা দাইএলাইসিস তৌরগা কিদনি শিন্দোকপা নত্রগা ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌবা।

**সিকেদিদা মেদিকেল মেনেজমেন্ট অসি য়াম্না মরু ওইরিবসি করিগীনো?**

ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী নুঙাইতবা পুংফ-ফহনবা ঙমদে। সিকেসি অসি হেঞ্জিল্লক্লবা মতমদা দাইএলাইসিস নত্রগা ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌদুনা পুন্সি কনবা তাই। মমল য়াম্না ৱাংবা অমদি কিদনি ফংবদসু অৱাবা অমা ওইরি। ইন্দিয়াদা কিদনি নাবা চাদা ৫-১০ ফাওবদং দাইএলাইসিস নত্রগা কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌবা ঙম্মী; লেমহৌবা অনাবশিং মতিক চাবা লায়েং ফংদনা শিখি। মরম অদুনা ঙন্না লায়না খঙদোকহৌবা অদুগা লেপ্তুনা হিদাক চাবনা খ্বায়দগী শেল চংদবা অমদি ওইবা য়াবা লায়েংনি। মসিনা দাইএলইাসিস অমদি ত্রান্সপ্লান্ট তৌবগী মতমসু শাংদোক্কনি।

**করিগীদমক সিকেদি অনাবা মীওই কয়া মেদিকেল মেনেজমেন্টকী কান্নবা ফংদ্রিবনো?**

সিকেদিগী হৌরকপা মতমদা মপুং ফাবা লায়েং চৎথবনা খ্বায়দগী ফবনি। অরুবা অয়াম্বা লাইওং লৈতবা নত্রগা হৌরকপদা হিদাক চাদুনা মশা নুঙাইনা লৈবা ঙম্মী। লাইওং নিংথিনা লৈতবা মরম অমদি অনাবা অদুগী ইমুং মনুংনা লায়না অদুগী অরুবা ফিভম খঙবা ঙমদবদগী হিদাক চাবা অমদি চিঞ্জাক ককপা তোল্লকনি। হিদাক চাবা লেপ্পনা কিদনি ফেলর থুজিল্লহল্লি। অসিগুম্বা অনাবশিংনা

*ঙন্না মেদিকেল মেনেজমেন্ট চৎথহৌবনা সিকেদিগী অনাবশিং মতম শাংনা পুন্সি লেনবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

অতেনবা মতমদা মখল য়াম্না ৱাংবা দাইএলাইসিস নত্রগা কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসনগী তঙাই ফদবা লাকই।

**সিকেদিদা মেদিকেল মেনেজমেন্টকী পান্দম করিনো?**

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ অসি তপ্না-তপ্না শোকচিল্লকপা পুংফ-ফবা ঙমদবা অনাবা অমনি। মেদিকেল মেনেজমেন্টগী পান্দমশিং অদুদি :

১) লায়না অদু হেঞ্জিল্লকপা খোংজেল অদু তপথহনবা।

২) লায়না অসিগী হৌরকফম অমদি মদুবু মতেং পাংবা অশোয়বশিং য়েংথোকপা।

৩) লাইওং হন্থহনবা অমদি লুশিল্লকপা নুঙাইতবশিং লায়েংবা।

৪) কারদিও ভাস্কুলর লায়নাশিং লাকপা য়াবা লম্বেলশিং থিংবা।

৫) দাইএলাইসিস নত্রগা ট্রান্সপ্লান্টেসনগী মথৌ তারকপা মতম অদু শাংদোকহনবা।

**সিকেদিগী তোঙান-তোঙানবা থাকশিং অদু লায়েংবগী লাল্লোংশিং অদু করিনো?**

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ তোঙান-তোঙানবা থাকশিং লায়েংবগী লাল্লোংশিং অসি মখাগী টেবলদা শুপচিল্লগা পীরি।

| **থাক** | পায়খৎকদবা থবকশিং |
|---|---|
| **থাক পুম্নমক্তা** | চাং নাইনা ফোলো অপ অমদি চুম্না য়েংশিনবা।<br>পুন্সি মরেল হোংদোকপা অমদি অচম্বা খোংথাংশিং। |
| ১ | লাইওং খঙদোক্লগা হেঞ্জিল্লক্তনবা লায়েংবা<br>লায়নাগী মরমদা অনাবশিংবু কুপ্না খঙনবা<br>নারি-শারিবা ফিভম য়েংথোকপা, কাদিওভাস্কুলর লায়না লাক্তনবা হোৎনবা |
| ২ | লায়না হেঞ্জিল্লকপগী চাং খঙদোক্কদবনি; নুঙাইতবা জগাশিং য়েংথোক্কদবনি |
| ৩ | নুঙাইরক্তবশিং খঙদোক্লগা লায়েংথোক্কদবনি; নেফ্রোলোজিষ্ট তান্নগনি। |
| ৪ | অনাবদা কিদনি শিন্দোকপগী লম্বেলগী মতাংদা তাকপিগদবনি।<br>কিদনি শিন্দোকপগী লায়েংগীদমক শেম-শাগদবনি। |
| ৫ | দাইএলাইসিস নত্রগা ট্রান্সপ্লান্টেসননা কিদনি শিন্দোক্কনি। |

*ঙন্না মেদিকেল মেনেজমেন্ট চৎথহৌবনা সিকেদিগী অনাবশিং মতম শাংনা পুন্সি লেনবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

## সিকেদিগী মেদিকেল মেনেজমেন্টকী এক্সন প্লানগী খোংথাং ৯

### ১) লায়নাগী মরুওইনা হৌরকফম মেনেজ তৌবা

মখাদা পীরিবা লায়না অসিগী হৌরকফম মশক খঙদোক্তুনা লায়েংথোক্কদবনি। মসিনা সিকেদি থেংথহনবা, থিংহৌবা নত্রগা হেঞ্জিল্লকপা ওন্থোকহনবা য়াই।

- দাইএবিটিস মেলিটস অমসুং হায়পর্টেন্সন।
- য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন নত্রগা অথিংবা লৈবা।
- গ্লোমেরুলোনেফ্রিটিস, রিনোভাস্কুলার দিজিজ, এনালজেসিক নিফ্রোপেথিনচিংবা।

### ২। সিকেদি খুমাং চাওশিনবা তপথনবা লাল্লোংশিং

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ খুমাং চাওশিল্লকপা থিংবা অমদি তপথনা খ্বায়দগী কান্নবা থবকশিং অদুদি ঃ

- য়াম্না চেকশিন্না ব্লদ প্রেসর কন্ত্রোল তৌবা অমদি এসিই ইনহিবিটর নত্রগা এঞ্জিওটেন্সিন টু রিসেপ্তর ব্লোক্কর থিংনবা লায়েং।
- প্রোটিন চাশিনবদা অথিংবা থম্বা।
- লিপিদ হন্থনবা লায়েং অমসুং এনিমীয়া চুমথোকপা।

### ৩) মতেং পাঙবা অমদি লাইওংগা মরি লৈনবা লায়েং

- ৱাটর পিল (দাইয়ুরেটিক্স) শিজিন্নদুনা য়ুংগী চাং হেনগৎহনবা অমসুং পোমখৎপা হন্থহনবা।
- ওনিংবা, ওবা অমদি চাকখাও মরী নুঙাইতবা থিংনবা হিদাক।
- সিকেদিগা মরী লৈনবা শরুগী লায়নাশিং থিংহৌবা অমদি চুমথোক্লুবা কেলসিয়ম হেন্না চাশিনবা, ফোসফেট বাইন্দর, বিটামিন দি অমসুং অতোপ্পা দ্রগসু চাশিনগদবনি।
- হিমোগ্লোবিন ৱাৎপা (এনিমিয়া), আইরন, বিটামিন ৱাৎপা অমসুং ইরিথ্রোপোআইটিন ইনজেক্সন চুমথোক্কনি।
- কাদিও ভাস্কুলারগী নুঙাইতবা থিংহৌবা। পাউতাক্কী মতুং ইন্না চান্নরবদি নুংতিগী এস্পিরিন চাবা হৌগনি।

*সিকেদিগী লায়েংদা হৌরকফম ওইবশিং লায়েংথোকপনা হেঞ্জিল্লকপা থেংথহল্লি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**৪)  রিভর্সিবল ফেক্টরশিং মেনেজ তৌবা**

কিদনি ফেলরগী চাং অদু হেঞ্জিনহনবা রিভর্সিবল ফেক্টরশিং থিদোক্তুনা লায়েংথোকপা। মসিনা কিদনি ফেলর ফগৎহনবা ঙম্বতা নৎতনা কিদনিগী মথৌ অদু হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিনহনবা ঙম্মী। তোয়না থেংনবা রিভর্সিবলগী মরমশিং অদুদি :

- ভোল্যুম হন্থহনবা (য়ুংগী)
- দ্রগস (নন ষ্টেরোইলদেল এন্টি ইনফ্লামেতোরি দ্রগস - এনএসএআইদি, কন্ত্রষ্ট এজেন্টস, এমিনোগ্লাইকোসাইদস এন্টিবাওটিক্স) না মরম ওইরগা কিদনি ফেল ওইবা।
- লাইজৌবা অমদি কনজেষ্টিপ হাট ফেলর

**৫)  সিকেদিনা লুশিলহল্লকপা মশক খঙদোক্তুনা লায়েংবা**

সিকেদিনা লুশিলহল্লকপশিং ঙন্না লাইওং খঙদোক্তুনা খুদক্তা লায়েংথোক্কদবনি। তোয়না থেংনবা মরমশিং অদুদি মহী কা হেন্না তুংশিল্লকপা, ঈদা পোটাসিয়মগী চাং ৱাংখৎলকপা (এমইক্যু/এল ৬ তগী হেনবা) অমদি হার্ট, ব্রেন অমসুং লংসতা কিদনি ফেলরনা মরম ওইরগা শোকহল্লকপশিং।

**৬)  পুন্সি মরেল শেমদোকপা অমদি ময়ামগী ওইবা খোংথাং ঃ**

মখাগী খোংথাংশিং অসিনা নাহল্লকপা য়াবগী অকিবা হন্থহনবদা চাওনা মতেং পাংই ঃ

- চুরুট থকপা লেপ্পা
- অচুম্বা হকচাংগী অরুম্বা থম্বা, চাং নাইনা শাজেল তৌবা অমদি হকচাং খিং-খিং লাওনা লৈবা।
- অলকোহোল (য়ু) থকপা হন্থবা।
- চাবগী অফবা কাংলোন থম্বা অমসুং থুম চাবা হন্থবা।
- ডাক্তরনা পীরকপগী মতুং ইন্না হিদাক চাবা। কিদনি ফেলর হেঞ্জিল্লকপগী মতুং ইন্না হিদাক্কী চাং হোংদোক হোংজিন তৌবা।
- নিফ্রোলোজিষ্টনা পীরকপা পাউতাক্কী মতুং ইন্না লায়েংবা অমদি চাং নাইনা ফোলো অপ তৌবা।

***ইনফেক্সন অমসুং ভোল্যুম হন্থহনবা লায়েং ক্রোনিক কিদনি দিজিজ লায়েংবগী খ্বায়দগী কান্নবনি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

## ৭) চিঞ্জাক্তা অথিংবা লৈগদবশিং

কিদনি দিজিজ অদুগী মখল অমদি শোকচিনবগী ফিভম অদুগী মতুং ইন্না চিঞ্জাক্কী অথিংবা লৈগনি (চেপ্তর ২৫ দা কুপ্পা লৈনরি)।

- থুম (সোদিয়ম) : ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা অমদি পোমখৎপা লাকশিন্নবা থুম চাবা থিংবা তঙাইফদে। থুম থিংবদা : টেবলদা চান্নবা পোৎতা অহেনবা থুম হাপচিন্দবা, ফাষ্ট ফুদ, পাপর, অচারগুম্বা থুম য়াম্না য়াওবা চাদবা অমদি কৌতাদা হাল্লগা লাকপা চান্নবা পোৎ অয়াম্বা চাদবা।
- মহী থকচিনবা : সিকেদিদা য়ুংগী শরুক হন্থরকপনা পোমখৎপা থোকহল্লি অমদি শোকপা হেঞ্জিনবা কান্দা শ্বর হোনবদা অৱাবা লাকই। মরম অদুনা মহী থকচিনবা হন্থবগী পাউতাক অসি পোমখৎপা হৌরবা সিকেদিগী অনাবশিংদা পী।
- পোটাসিয়ম : সিকেদি অনাবশিংদা পোটাসিয়মগী চাং ৱাংবা হায়বসি তোয়না থেংনৈ। মসিনা হার্টকী মথৌদা অহেনবা শাফু পীরকপা য়াই। মসি থিংননবা পোটাসিয়ম য়াম্না য়াওবা (হৈ অকংবা, য়ুবী মহী, আলু, কমলা, লফোই, খামেন অশিনবনচিংবা) চিঞ্জাক ডাক্তরগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না কক্কদবনি।
- প্রোটিন : সিকেদি নারবা মীওইশিংনা প্রোটিন য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক চারোইদবনি, মরমদি প্রোটিন হেনবনা কিদনি শোকচিনবা থুগৎহল্লি।

## ৮) কিদনি শিন্দোকপগী লায়েংগী শেমশাবা

- সিকেদিগী হেক লাইওং খঙবা লোয়রবা মতুং ওইগী পাম্বোমগী শিংলি চেকশিন্না থমগনি।
- ঈ লৌবা, আইভি কাপশিনবা নত্রগা লাইন থিংজিনবদা ওই থংবা পাম্বোম শুকশিন শিজিন্নহল্লোইদবনি।

অনাবা অমসুং ইমুংগী মীওইশিং মরিক চুম্না খঙহনগদবনি অমদি মখোয়বু থা ৬ তগী ১২ গী মাংওইননা এভি ফিষ্টুলগীদমক শেম শাহন্দুনা হিমোদাইএলাইসিসকী তঙাইফদবা অদু খঙহনগদবনি।

| |
|---|
| *ক্রোনিক কিদনি দিজিজদা চিঞ্জাক ককথবা/থিংহৌবনা লায়না অসি হেঞ্জিল্লকপদগী অমদি লুশিল্লকপদগী থিংবা ঙম্মী।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- হেপাটাইটিস বি ভেক্সিন নৌরিঙৈদা কাপহৌবনা কিদনি দাইএলাইসিস নত্রগা ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌরকপা মতমদা হেপাটাইটিস বি ইনফেক্সনগী অকীবদগী হন্থহনবা ঙম্মী। পান্থোম মরুদা রিকম্বিনেন্ট হেপাটাইটিস বি ভেক্সিন দোজ ৪ (০, ১, ২ অমসুং ৬ সুবা থা) দা দোজ অনী অনী কাপকদবনি।

- দাইএলাইসিস অমসুং কিনি ত্রান্সপ্লানটেসনগী মরমদা খঙহনবগা লোয়ননা পোরম য়াৎথোক্কদবনি। দাইএলাইসিস হৌদ্রিঙৈদা অহীংবা ডোনর অমদগী কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট ফংবগী (প্রিএমটিব কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন) গী মরমদা কানাবা অদু খঙহনগদবনি।

## ৯) নিফ্রোলোজিষ্টতা রিফর তৌবা

সিকেদিগী অনাবা অমা ঙন্না নিফ্রোলোজিষ্টতা রিফর তৌবা তঙাই ফদে। ঙন্না রিফর তৌহৌবনা অমদি দাইএলাইসিসকী মাংওইননা খঙহৌবনা অনাবা অদু হেঞ্জিল্লক্তবা অমদি শিবদগী হন্থবা ঙম্মী। ঙন্না নিফ্রোলোজিষ্টকা তান্নহৌবনা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ য়ৌশিল্লকপা অদু তপথহনবা ঙম্মী, মরম অদুনা কিদনি শিন্দোকপগী তঙাইফদবা অদু মতম শাংদোকহনবা ঙম্মী।

### করম্বা লায়েংনা সিকেদি হেঞ্জিল্লকপদগী থিংবা নত্রগা তপথহনবা ঙম্বগে?

লায়না ওইহল্লকপা য়াবা মরম অমা হেক্তা ওইরবসু ব্লদ প্রেসর চেকশিন্না ফাজিনবনা সিকেদি হেঞ্জিল্লকপা নত্রগা তপথহনবগী খ্বায়দগী মরু ওইবা খোংথাংনি। ব্লদ প্রেসর লাকশিনবা ঙমদ্রবদি সিকেদি থুজিল্লক্কনি অমদি হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোকনচিংবা লুশিল্লকপা ফিভম লাকপা য়াই।

### ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌনবা করম্বা দ্রগ শিজিন্নবগে?

নিফ্রোলোজিষ্ট নত্রগা ডাক্টর অদুনা চপ চাবা মচাক অদু খন্দুনা ব্লদ প্রেসর লাকশিনগনি। খ্বায়দগী তোইনা শিজিন্নবা দ্রগশিং অদুদি এঞ্জিওটেন্সিন কনভর্টিং এঞ্জাইম (এসিই) ইনহিবিটর্স, এঞ্জিওটেন্সিন রিসেপ্তর ব্লোকর্স (এআরবি), কেলসিয়ম চেনল ব্লোকর্স, বিটা ব্লোকর্স অমসুং দাইয়ুরেটিক্স শিজিন্নৈ।

> *সিকেদিদা তোয়না শিজিন্নবা পান্থোমদা ঈ লৌবা নত্রগা আইভি কাপচিনবদগীদমক শিজিন্নহল্লোইদবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com




এসিই ইনহিবিটর্স অমসুং এআরবিশিং অসি ব্লদ প্রেসর হন্থনবা অহানবা লায়েংগী হিদাকশিংনি। মখোয়না ক্রোনিক কিদনি দিজিজ হেঞ্জিল্লকপগী থবক অদু তপথহনবা ঙম্বা অদুনা কিদনি অনীবু ঙাকথোকপা ঙম্মী।

**সিকেদিদা ব্লদ প্রেসর লাকশিনবগী পান্দম করিনো?**

সিকেদিনা ব্লদ প্রেসর ৱাংহনবতা নৎতনা হেঞ্জিনহনবসু ঙম্মী, মসিনা লায়না অসিগী থাক হেঞ্জিল্লকই। মরম অদুনা মতম পুন্নমক্তা ব্লদ প্রেসর অদু এমএমঐচজি ১৩০/৮০ গী মখাদা থমগদবনি।

**সিকেদিদা ব্লদ প্রেসর লাকশিনবা য়েংশিনবা অমদি খঙবগী খ্বায়দগী অফবা থৌওং অদু করম্বনো?**

ডাক্তরদা চাং নাইনা চৎতুনা ব্লদ প্রেসরগী চাং খঙদোকপদা মতেং পাংই। অদুবু ব্লদ প্রেসর ওনবগী খুৎলাই অমা য়ুমদা থমদুনা চাং নাইনা য়েংথোকপনা সিকেদিদা ব্লদ প্রেসর খঙদোকপা অমদি য়েংশিনবগী খ্বায়দগী অফবা থৌওংনি। ব্লদ প্রেসরগী চার্ট অমা থম্বনা ডাক্তর অদুনা হিদাক্কী দোজ হোংদোক হোংজিন তৌবদা অমদি হিদাক চাবগী মতমদা য়াম্না কান্নবা পী।

**দাইয়ুরেটিক্স দ্রগনা সিকেদি অনাবশিংদা করম্না মতেং পাংবগে?**

সিকেদি অনাবশিংদা য়ুংগী শরুক হন্থরকপা পোমখৎলকপা/হাগৎপা ওইহল্লকই অমদি শ্বর হোনবা ৱারকপা ফাওবা য়াই। দাইয়ুরেটিক্সনা য়ুংগী শরুক হেনগৎহনবা ঙম্মী অমদি পোমখৎপা অমসুং স্বর হোনবা ৱাবা অদু হন্থহল্লি। নিংশিংগদবদি হিদাকশিং অসিনা য়ুংগী শরুক হেনগৎহনবদা মতেং পাংই অদুবু কিদনিগী মথৌ ফগৎহনবদি ঙমদে।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

## সিকেদি এনিমিয়া করম্না লাকপগে অদুগা করম্না লায়েংবগে?

কিদনিশিংনা মথৌ নিংথিনা তৌরিঙৈ মতমদা ইরিথ্রোপোআইটিন কৌবা হোর্মোন অমা পুথোকই। মসিনা বোন মেরোবু আরবিসি পুথোকপা মতেং পাংই। সিকেদিদা কিদনিগী মথৌ হন্থরকপনা ইরিথ্রোপোআইটিন পুথোকপসু হন্থদুনা এনিমিয়া ওইহল্লকই।

আইরন টেব্লেট; বিটামিন অমদি করিগুম্বা কান্দা আইরন ইনজেক্সন কাপ্পনা সিকেদিদগী এনিমিয়া ওইহল্লকপা অদু লায়েংবগী অহানবা খোংথাংনি। এনিমিয়াগী থাক হেঞ্জিল্লক্লপা নত্রগা হিদাক চাবনা এনিমিয়া ফবা ঙমদ্রবদা সিনথেতিক ইরিথ্রোপোআইটিন ইনজেক্সন কাপ্তুনা ওক্সিজেন পুবা আরবিসি পুথোক্লবা বোন মেরোদা মতেং পাংই। ইরিথ্রোপোআইটিন ইনজেক্সন অসি য়াম্না কান্নবা কিনিঙাই ওইদবা সিকেদিনা মরম ওইরগা এনিমিয়া লায়েংগী খ্বায়দগী পাম্নবা থৌওংনি। ঈ কাপ্পনা খ্বায়দগী থুবা অমদি কান্নবা থৌওং অমা ইমরজেন্সিগী মতমদা ওইরবসু ইনফেক্সন লাকপা য়াবা অমদি এলর্জিক রিএক্সনগী অকিবা লৈবনা শিজিন্নদে।

## সিকেদিগী এনিমিয়া লায়েংবা মথৌ তারিবসি করিগীনো?

রেদ ব্লদ সেলশিংনা লংসতগী ওক্সিজেন পুদুনা হকচাংগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা নুংতিগী ওইবা থবকশিং পাংথোকপা অমদি হার্টপু মপাঙ্গল ফনা থম্বদা ইনর্জি পী। এনিমিয়া (হিমোগ্লোবিন হন্থবা) না সিকেদিদা হকচাং শোন্থহনবা, চোকথবা, শাজেল তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল ৱাৎহনবা, শ্বর হোনবা মপুং ফাহন্দবা, হার্ট বিট থুগৎহনবা, পুক্লিং চঙবা ঙমদবা, ইংবা অমদি থবাক নাবা খাঙবা ঙমহন্দবা অসিনা মরম ওইরগা ঙন্না মওং মরিন চুম্না লায়েংবা মথৌ তাই।

**_সিকেদিদা হেঞ্জিল্লকপা থিংনবা খ্বায়দগী ফবা লায়েংদি ব্লদ প্রেসর কন্ত্রোল তৌবা (১৩০/৮০ দগী তাবা)_**

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ১৩
# দাইএলাইসিস

কিদনিশিংনা মথৌ তৌরকত্রবা মতমদা, খুৎশেমগী থৌদৌ অমা ওইরিবা দাইএলাইসিসনা হকচাংদগী অরেমখাক অমদি পামদবা ঈশিং শরুক লৌথোকপা ঙম্মী। মসি পুন্সিবু কনবা ঙম্বা কিদনি মহুৎ শিনবগী লায়েংনি, মরু ওইনা য়াম্না শোকচিল্লবা কিদনি ফেলর অনাবশিংগীনি।

**করম্না দাইএলাইসিসনা য়াম্না শোকচিল্লবা কিদনি ফেলর নারবা মীওইদা মতেং পাঙবগে?**

কিদনি ফেল ওইরবশিংদা দাইএলাইসিসনা মখাগী অসিগুম্না মতেং পাংই: ক্রিএটিনিন, য়ুরিয়ানচিংবা অরেমখাক লৌথোক্তুনা ঈবু শেংদোকহল্লি।

- অহেনবা মহীগী শরুক লৌথোক্তুনা হকচাংদা চপ চাবা ঈশিংগী শরুক থম্মী।
- সোদিয়ম, পোটাসিয়ম অমদি বাইকার্বোনেটকুম্বা কেমিকেলগী খেৎনবা চাং অদু চুমথোকই।

তৌগুম্বসুং অশেংবা কিদনিগী মথৌ ওইরিবা ইরিথ্রোপোআইটিন পুথোক্তুনা হিমোগ্লোবিনগী চাং চুম্না থম্বা অমদি শরু মশা কলহনবগী থবক্তী তৌবা দাইএলাইসিসনা ঙমদে।

**করম্বা মতমদা দাইএলাইসিস মথৌ তারকপগে?**

কিদনিগী মথৌ অসি চাদা ৮০-৯০ ফাওবা হন্থরক্লবা (এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ ইএসকেদি), কিদনিনা মপুং ফানা অরেম্বা অমদি মহীশিং হকচাংদগী লৌথোকপা ঙমদে, মসিনা ওনিংবা, ওবা, চোকথবা, পোমখৎপা অমদি শ্বর হোনবা ৱাবগী লাইওং উৎপা হৌরকই। অসিগুম্বা তাঙ্কক অসিদা সিকেদিদা হিদাক লাংথক্লা কান্নবা পীবা ঙম্লকতে অমদি অনাবা অদুনা দাইএলাইসিস তৌবগী মথৌ তারকই। সিকেদি নারবা মীওই অমা মহাক্কী ঈ টেষ্ট তৌবদা সেরম ক্রিএটিনিন অসি ৮.০/মিলিগ্রাম/দিএল উৎলক্লবদি দাইএলাইসিস মথৌ তারকএ।

*থাক হেনজিন্না কিদনি ফেলর ওইরবশিংদা দাইএলাইসিসনা য়াম্না থুবা অমদি কান্নবা লায়েংগী শরুকনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**দাইএলাইসিসনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ ফহনবা ঙম্বা?**

ঙমদে। ক্রোনিক কিদনি দিজিজ অসি ফহনবা ঙমদবা লায়নানি। অনাবা অমনা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ নারবদি পুন্সি চুপ্পা দাইএলাইসিস তৌগদবনি নত্রগা মহাক্না কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌগদবনি। তৌইগুন্নসুং অনাবা অমনা একুয়ট কিদনি দিজিজ নারবদি দাইএলাইসিসকী মতেং কিদনি অদু ফগৎত্রিবা ফাওবা লৌগনি।

**দাইএলাইসিসকী মখলশিং অদু করি করিনো?**

দাইএলাইসিসকী মখল অনী লৈ - হিমোদাইএলাইসিস অমসুং পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস।

**হিমোদাইএলাইসিস :** হিমোদাইএলাইসিস (ঐচদি) অসি খ্বায়দগী তোইনা শিজিন্নবা এন্দ কিদনি দিজিজ লায়েংবগী থৌওংনি। মসিদা ঈদগী অরেমখাক অমদি অহেনবা মহী অদু খুৎশেমগী কিদনি অমগা দাইএলাইসিস মেছিন অমগনা লৌথোকপনি।

**পেরিটেনিএল দাইএলাইসিস :** পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (পিদি) অসি এন্দ কিদনি দিজিজ লায়েংবদা য়াম্না কান্নবা থৌওংনি। পিদিগী লায়েংদা য়াম্না থোৎপা ট্যুব (উতোং) অমা, কেথেটর, হায়না খঙনবা পুক্তা ইন্সিল্লি। কেথেটর অসি ফাওরগা দাইএলাইসিস মহি অসি পুক্কী মনুংদা কাপশিন্দুনা অরেমখাক অমদি হকচাংগী অহেনবা মহি লৌথোকই। পিদি অসি য়ুমদা মেছিন য়াওদনা পাংথোকপা য়াই।

**ইএসকেদি (এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ) নারবশিংদা করম্বা মখলগী দাইএলাইসিস পাংথোক্কদগে হায়বদু করম্বা মরম্না লেপথোকপগে?**

হিমোদাইএলাইসিস অমসুং পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস অসি ইএসকেদি লায়েংবদা কান্নবা থৌওং ঙাক্তনি। থৌওং অমখক্না অনাবা খুদিংমক্তা কান্নবা পীবা ঙমদে। থৌওং অনিসিগী কান্নবা অমসুং মাঙজবা কুপ্না য়েংথোক্লবা মতুংদা অনাবা মশামক, ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমদি নিফ্রোলোজিষ্টকা পুন্না ঐচ দি নত্রগা পিদি চৎথবগী ৱারেপ অদু লৌমিন্নগনি। দাইএলাইসিস মখল অমা খনবগী মরু ওইবা মরমশিং অদুদি লায়েংবগী শেল, অনাবগী চহী,

| |
|---|
| *দাইএলাইসিসনা কিদনি ফেলর ফহনবা ঙমদে অদুবু অনাবা অদু নুঙাইনা লৈহনবা ঙম্মী* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

কোমোর্বিদ কন্দিসন, হিমোদাইএলাইসিস সেন্টরগী অথাপ্পা, লাইরিক্কী থাক, ডাক্তরগী অপান্বা অমসুং পেসেন্ট অদুনা পামজবা অমদি হিংবগী মরেলনি। শেল য়াম্না চংদবা অমদি কোম্না ফংবা মরম্না হিমোদাইএলাইসিস অসি ইন্দিয়াদা মশিং য়াম্লবা অনাবশিংনা পামনৈ।

**দাইএলাইসিস চৎথরিবা অনাবা অদুনা মখোয়গী চিঞ্জাক্তা অথীংবা লৈগদ্রা?**

লৈগনি। দাইএলাইসিস অনাবশিংদা য়াম্না তোয়না অথীংবা থম্লীবা চিঞ্জাকশিং অদুদি সোদিয়ম, পোটাসিয়ম, ফোসফোরস অমসুং মহী লৌশিনবা হন্থবা অসিনি। দাইএলাইসিসকী অনাবশিংনা অথীংবা অসি চেকশিন্না ঙাক্তুনা চৎকদবনি, অদুবু অথীংবা অসি সিকেদি হৌরক্লবদি খরমখৈদি হন্থনৈ। দাইএলাইসিস চৎথরিবা অয়াম্বা মীওইশিংদা প্রোটিন ৱাংনা য়াওবা চিঞ্জাক, কেলোরি মরাং কাইনা য়াওবা, ৱাটর সোলুবল বিটামিন অমদি মিনরেল য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক চাহল্লি।

**'দ্রাই ৱেথ' হায়বসি করনো?**

'দ্রাই ৱেথ' হায়বা ৱাহৈ অসি দাইএলাইসিস নারবা মীওইশিংদা শিজিন্নৈ। মসি দাইএলাইসিস তৌরবা মতুং অহেনবা মহীশিং লৌথোকখ্রগা লৈহৌবা অনাবা অদুগী হকচাংগী অরুম্বা অদুনি। অনাবা অদুগী অরুম্বা হোংদোক হোংজিন তৌবা মরম্না দ্রাই ৱেথ অদুসু হোংদোক হোংজিন তৌহনবা মথৌ তারি।

## হিমোদাইএলাইসিস

হিমোদাএলাইসিস (ঐচদি) অসিনা খ্বায়দগী পাম্নবা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ লায়েংবা থৌওংনি। হিমোদাইএলাইসিসতা ঈ অদু দাইএলাইসিস মেছিন অমদি দাইএলাইজর শিজিন্নরগা শেংদোকই।

**হিমোদাইএলাইসিস করম্না পাঙথোকপগে?**

হিমোদাইএলাইসিস অয়াম্বা দাইএলাইসিস সেন্টরদা পাঙথোকনৈ, মসি ডাক্তর, নর্স অমদি দাইএলাইসিস টেকনিসিয়ানশিংগী মতেং চঙই।

- দাইএলাইসিস মেছিননা হকচাংদগী মিনিট অমদা ঈ এমএল ৩০০ চিংথোক্লগা য়াম্না থোৎপা টিয়ুব অমগী মতেংনা দাইএলাইজরদা থাজিল্লি। ঈ অদু ফমজিন্দনবা হেপারিন অদুম্মক কাপশিন্দুনা থন্মী।
- দাইএলাইসিস (খুৎশেমগী কিদনি) অসি হকচাংদগী অহেনবা মহী অমদি

*দাইএলাইসিস হৌরবসু চিঞ্জাক্কী অথিংবা অদুম্মক চৎথগদবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

অরেমখাক লৌথোকপা অখন্নবা ফিলটর অমনি। অখন্নবা সোলুসন, দাইলিসেট হায়না খঙনবা অসিগী মতেংনা দাইএলাইজরনা ঈ অসি শেংদোকই।

- ঈদু অমুক্তং শেংদোকখ্রবা মতুংদা মেছিন অদুনা হকচাং মনুংদা অমুক থাজিল্লি।
- হিমোদাইএলাইসিস অসি চয়োল অমদা অহুল্লক পাঙথোকনৈ অদুগা অমুক তৌবদা পুং ৪ রোম চংই।

**ঈ করম্না শেংদোক্লবগীদমক চিংথোকই অদুগা করম্না হিমোদাইএলাইসিসকী মতেংনা অমুক থাজিল্লকপগে?**

হিমোদাইএলাইসিসকীদমক খ্বায়দগী তোয়না থেংনবা ভাস্কুলর এসেস মখল অহুম অদুদি - সেন্ত্রেল ভেনস কেথেটরস, নেটিব অরটেরিওভেনস (এভি) ফিস্টুল অমসুং সিনথেটিক গ্রাফটনি।




১)

- খুদক্তা হিমোদাইএলাইসিস হৌনবগীদমক সেন্ত্রেল ভেনস কেথেটর থিংজিনবা অসিনা খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা অমসুং চান্নবা থৌওংনি।
- ফিস্টুলা নত্রগা গ্রাফট অমা শেন্বা লোইদ্রিঙৈদা অতেনবা মতমগী ওইনা থৌওং অসিনা খ্বায়দগী কান্নবা থৌওংনি।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- হিমোদাইএলাইসিসকীদমক, কেথেটর অমা শিংলি অচৌবা (ভেন) অমা ঙকশম, থবাক নত্রগা কাময়া মনাক (ইন্টরনেল জুগুলর, সবক্লেভিয়ন অমসুং ফিমোরেল ভেনশিং) তা থিংজিনগনি। কেথেটর অসিনা দাইএলাইসিসকীদমক মিনিট অমদা ঈ মিলিলিটর তরা চিংথোকপা ঙম্মী।
- কেথেটরশিং অসি কোন্থোক কোনশিন য়াবা, অহোবা ট্যুবনি মসিদা লুমেন অনী য়াওই। ঈ অদু লুমেন অমদা চিংথোক্লগা দাইএলাইসিস সার্ক্যুট্টা চংলগা হকচাংদা অতোপ্পা লুমেন অদুদা অমুক চংলক্কনি।
- ভেনস কেথেটরশিং অসি মতম শাংদবগী ওইনা শিজিন্নে। মরমদি মসিদা লাইজৌরকপা (ইনফেক্সন) ঈ ফমজিনবা য়াবগী তাঞ্জা লৈ।
- ভেনস কেথেটর মখল অনী লৈ, টনেল্ড (থা কয়া শিজিন্নবা য়াবা) অদুগা নন-টনেল্ড (চয়োল খরগী শিজিন্নবা)।

## ২) এভি ফিস্টুলা




- আরটেরিওভেনস নত্রগা এভি ফিস্টুলা অসিনা খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা অমদি খ্বায়দগী ফবা থৌওংনি, মসিনা ভাস্কুলর এসেস মতম কুইনা শিজিন্নবা য়াই মরমদি য়াম্না কুইনা চৎপা থৌওংনি অমদি লাইজৌবা নত্রগা ঈ ফমজিন্নবগী চাং য়াম্না নেম্মী।
- এভি ফিস্টুলাদা আরটরি অমসুং ভেন অমা সর্জরি তৌরগা শমজিন্নে। এভি ফিস্টুলা অসি অয়াম্বা মতমদা পাম্বোমদা খুৎজেং ময়াদা (রেদিএল আরটরিগা সেফালিক ভেনগ) শেম্মী।
- আরটরিদগী ভেনদা প্রেসর অকনবগা লোয়ননা ঈ চংশিল্লী। চয়োল খর নত্রগা থা খরা লৈরগা ভেন অদু লাওথোরক্নুনা ঈ হেন্না পুবা ঙম্লকই - মসিগী মওং অসিবু মেচুরেসন কৌই। এভি ফিস্টুলানা মেচিয়ুর ওইবদা মতম কুইনা চংবনা হেক শেম্বা লোয়বগা খুদক্তা হিমোদাইএলাইসিস তৌবা য়াদে।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- হিমোদাইএলাইসিসকীদমক মখুল অচৌবা য়েৎতুম অমনী ফিস্টুলাদা থিনজিল্লি, অমনা দাইএলাইজরদা ঈ পুগদবনি অদুগা অমনা অশেংবা শেংদোক্লবা ঈ হকচাং মনুংদা পুশিল্লক্লবনি।
- নিংথিনা শিজিন্নরবদি এভি ফিস্টুলা অসি চহি য়াম্না চৎলি। খুৎতা এভি ফিস্টুলা হাপ্পা হাপ্পা নোংমগী ওইবা থবক ইঙ্খাং তৌবা য়াই।

**এভি ফিস্টুলা অসি য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারিবসি করিগীনো?**

- সিকেদিগী এন্দ স্টেজ কিদনি দিজিজ নারবা মীওই অমগী পুন্সি অদু চাং নাইবা অমদি মপুং ফানা হিমোদাইএলাইসিসতা য়ুমফম ওইগদৌরিবনি। এভি ফিস্টুলা অমদগী মপুং ফাবা ঈগী চাং ফংবা হায়বদি হিমোদাইএলাইসিস মপুং ফানা পাঙথোকপগী চংদবা য়াদ্রবনি। মরম অদুনা এভি ফিস্টুলা অসি হিমোদাইএলাইসিস চৎথরিবা অনাবা অমগীদি 'লাইফ লাইননি'। এভি ফিস্টুলা য়াম্না চেকশিন্না শিজিন্নবনা মতম শাংনা ঈ চীংবা ঙমগদৌরিবনি।
- এভি ফিস্টুলাগী ভেনদা য়াম্লবা ঈগী শরুক প্রেসর ৱাংনা চেনশিল্লি। শোয়বদগী লাওথোক্লবা ভেনশিংদা অশোকপা লৈরবদি ঈ লেপ্তুনা থোরক্কনি অমসুং অথুবা মতমদা ঈ য়াম্না মাঙলবদি থৱায় মাঙনিঙাই ওই। মরম অদুনা এভি ফিস্টুলাগী ভেনশিং অসি অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি।

**এভি ফিস্টুলাগী চেকশিন থৌরাং**

চাং নাইনা চেকশিনথৌরাং লৌখৎতুনা এভি ফিস্টুলাবু থম্বনা চহী কয়া মপুং ফাবা ঈ পীবা ঙমগদৌরিবনি। এভি ফিস্টুলাবু মপাঙ্গল কন্না অমদি মতম কুইনা মথৌ তৌনবা লৌখৎকদবা চেকশিন তৌরাংশিং অদুদি মখাদা পীরি :

**লাইজৌবা (ইনফেক্সন) থিংহৌবা**

ফিস্টুলাগী জগা ওইরিবা পাম্বোম অদু নুংতিগী নিংথিনা চামথোক্কনি অমদি দাইএলাইসিস তৌদ্রিঙৈদসু শেংদোক্কদবনি।

**এভি ফিস্টুলা কনবা**

| |
|---|
| *সিকেদি নারবশিংগীদি এভি ফিস্টুলানা 'লাইফ লাইন' নি, মসি য়াওদ্রবদি হিমোদাইএলাইসিস মতম শাংনা চৎথবা য়াদে।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- শিজিন্নবা য়াবা পাম্বোম অদুত্তমক দাইএলাইসিস তৌগদবনি। এভি ফিস্টুলা লৈরিবা পাম্বোম অদুদগী কনা অমত্তনা ঈ চিংথোকহল্লোইদবনি, মদুদা ইনজেক্সনসু কাপহল্লোইদবনি নত্রগা ব্লদ প্রেসর ওলহল্লোইদবনি।
- এভি ফিস্টুলা শোকহল্লোইদবনি। সনালুপা শিরোইদবনি, অচিনবা ফিরোল নত্রগা খুদাং ঘড়ী শিজিন্নরিবা পাম্বোমদা শিরোইদবনি। খঙহৌদনা শোকপনা এভি ফিস্টুলা অদুদগী লেপ্তুনা ঈ থোরকপা য়াই মসিনা পুন্সি মাঙনিঙাই ওই।
- ঈ থোকপা থিংনবা খুদক্তা খুৎ অমনা পায়শিন্দুনা নত্রগা বেন্দেজ কন্না কিশিনগদবনি। ঈ থোকপা ফরবা মতমদা ডাক্তর উন্নগদবনি। ঈ থোকপা থিংনবা হোৎনবগী মহুত্তা হোস্পিটালদা চৎপা অফবা থবক নত্তে, খুদোংথিনিঙাইনি।

**এভি ফিস্টুলা মথৌ নিংথিনা তৌহনবা**

- ঈ চেনবগী শক্তম চাং নাইনা খঙগদবনি, ফিস্টুলাদা ভাইব্রেসন (থ্রিল হায়নসু খঙনবা) অসি নোংমদা অহুম্লক (ব্রেকফাষ্ট মমাং, লন্স অমসুং দিনর) লৈব্রা য়েংগদবনি। করিগুম্বা ভাইব্রেসন অদু থেংনদ্রবদি খুদক্তা ডাক্তর নত্রগা দাইএলাইসিস ষ্টাফ অদুগা উন্নগদবনি। এভি ফিস্টুলাগী অশোয়বা ঙন্না খঙদোকহৌবা অমদি মতাং মতম চানা চেকশিলহৌবনা নত্রগা ঈ ফমজিনবা লৌথোকহৌবনা এভি ফিস্টুলা কনবা ঙমগনি।
- ব্লদ প্রেসর নেম্বনা এভি ফিস্টুলা ফেল ওইবগী লম্বেল ওইহল্লি মরম অদুনা ঙন্না থিংহৌগদবনি।

**চাং নাইবা শাজেল**

এভি ফিস্টুলা চাং নাইনা শাজেল তৌবনা মদুগী মপুংফাবা শক্তম ওইরকই। হিমোদাইএলাইসিস হৌর ফাওবদা শিজিন্নরিবা পাম্বোম অদু চাং নাইনা শাজেল তৌগদবনি, মসিনা এভি ফিস্টুলা মপাঙ্গল কলহল্লি।

**৩) গ্রাফট**

- আরটেরিও ভেনস গ্রাফট অসিসু মতম শাংনা দাইএলাইসিস তৌনবা

*ঈ মপুং ফানা পীবা অমদি শোয়দবা তুং কোইবা*
*হিমোদাইএলাইসিসকীদমক এভি ফিস্টুলা চেকশিনবা তঙাই ফদে।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

অতোপ্পা উপায় অমনি। মসি মীওই অদুনা এভি ফিস্টুলাগী ভেন নিংথিনা ফংদবা নত্রগা এভি ফিষ্টুলা ফেল ওইরবা মতমদা শিজিন্নবা য়াই।

- গ্রাফট থৌওং অসিদদি, আরটরি অমা সর্জরি তৌদুনা ভেন অমদা য়াম্না থোৎপা সিনথেটিক ট্যুব অমদা শমজিন্নে, মসি উনষাগী মখাদা হাপচিনগদবনি। দাইএলাইসিস তৌবা মতমদা য়েৎতুমশিং অদু গ্রাফট অদুনা থিংজিনগনি।
- এভি ফিষ্টুলাগা চাংদমনরুবদা এভি গ্রাফট অসি শোয়নিঙাই য়াম্না লৈ, মসিদা ঈ ফমজিনবা তোইগল্লি, লাইজৌগল্লি অমদি ফিষ্টুলাগুম্না কুইনা চৎতে।

## হিমোদাইএলাইসিস মেছিনগী মথৌ করি করিনো?

- মেছিন অসিনা ঈ শেংদোক্লবা দাইএলাইজরদা অখন্নবা শেম্বা দাইএলাইসিস সোলুসন (দাইলিসেট) অদু থাজিল্লি। মেছিন অসিনা কুপ্না য়েংশিনবতা নৎতনা ইলেকট্রোলায়ট, টেম্পরেচর, ভোল্যুম অমদি প্রেসরশিং কুপ্না য়েংলগা দাইলিসেট অদু থাজিনগদৌরিবনি। মসি অনাবা অমগা অমগা মান্নদবনিনা মেছিন মশামক্লা শেমদোক শেমজিন তৌই। দাইএলাইসিস সোলুসন অদুনা পামদবা অরেমখাক অমদি হকচাংদগী অহেনবা মহিগী শরুক দাইএলাইজরগী মতেংনা লৌথোকই।
- অনাবগী শাফনবগীদমক মেছিন অসিদা কান্নবা মচাক য়াম্না য়াওরি, খুদম ওইনা ঈ যুবা খঙননবা নত্রগা ঈগী খোংজেল অদুদা নুংশিৎ চংখিবনচিংবা খঙদোকপা ঙম্মী।
- কম্প্যুটরাইজ তৌরবা হিমোদাইএলাইসিস মেছিনশিংনা মখোয়গী স্ক্রিনদা তোঙান তোঙানবা অলার্ম হাপ্পুনা দাইএলাইসিসকী লায়েং অসি শোয়দনা উৎপা পেরামিটর কয়া য়াওরি।

## দাইএলাইজরগী শক্তম করম তৌবগে অমদি মসিনা ঈ করম্না শেংদোকপগে?

দাইএলাইজরগী শক্তম

- হিমোদাইএলাইসিসতা, দাইএলাইজরনা (খুৎশেমগী কিদনি) ফিলটরগী শক্তম লৌদুনা ঈ শেংদোকই।

*দাইলাইজরগী মতেংনা হিমোদাইএলাইসিস মেছিন ঈ শেংদোকই অমসুং মহিগী চাং লেপথোকপা অমদি ইলেকট্রোলায়ট অমসুং এসীদ বেজ চাংদা থম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- দাইলাইজর অসি সেন্টিমিটর ২০ শাংবা, অদুগা ৫ পকপা প্লাষ্টিক সিলিন্দরনি, মসিদা সিনথেটিক পর্মিএবল মেমব্রেন্না শেম্বা অহোবা ফাইবর ট্যুব লিশিং কয়া য়াওই।




- অহোবা ফাইবরশিং অসি সিলিন্দরগী মথক হোংবা অমদি মখা থংবা শরুক্তা শমদুনা "ব্লদ কম্পার্টমেন্ট" শেম্মী। ঈনা "ব্লদ কমপার্টমেন্ট" তা চংশিল্লকই অদুগা অতোপ্পা মখুল অমদুনা শেংদোকপা লোয়রবা মতুংদা থোকখি।

- দাইএলাইসিস সোলুসন অদু দাইএলাইজরগী মখুল অমদগী চংলকই, ফাইবরগী মপান থংবা জগা (দাইলিসেট কম্পার্টমেন্ট) দা চেল্লি অদুগা অতোপ্পা মখুন্দা চেন্থোকখি।

**দাইএলাইজরদা ঈ শেংদোকপা**

- হিমোদাইএলাইসিসতা মেছিন্না চিংশিল্লকপা ঈ অদু মখুল অমদগী দাইএলাইজরদা চংলকই অদুগা ফাইবরগী ট্যুব লিশিং কয়া অদুদা চংশিল্লই। দাইএলাইসিস সোলুসন অদুনা দাইএলাইজরগী অতোপ্পা মখুল অমদগী চংলক্লগা ফাইবরগী মপান্দা লৈবা দাইলিসেট কম্পার্টমেন্টতা চেল্লি।

- হিমোদাইএলাইসিস মনুংদা মিনিট খুদিংগী ঈ এম এল ৩০০ অমদি দাইএলাইসিস সোলুসন এমএল ৬০০ লেপ্তুনা মায়কৈ ওন্ননা দাইএলাইজর মনুংদা চেল্লি। হোলো ফাইবরগী সেমিপর্মিএবল মেমব্রেন অদুনা ঈ অমসুং দাইএলাইসিস কম্পার্টমেন্ট অদুগী মরক্তা লৈদুনা ঈদগী অরেমখাক অমদি অহেনবা মহিশিং লৌথোক্তুনা দাইলিসেট কম্পার্টমেন্টতা চংহল্লি।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com




- শেংদোকপা লোয়রবা মতুংদা ঈনা দাইএলাইজরগী অতোপ্পা মখুলদা থোকখিগনি। ফত্তবা পোৎয়ান অমদি অহেনবা মহিশিং ঈদগী লৌথোকহৌবা অদুনা দাইএলাইজরগী ঈ চংঙকফম মখুলদা থোকখিগনি।
- হিমোদাইএলাইসিসতা হকচাংগী ঈ পুম্বা ১২রক শেংদোকই। হিমোদাইএলাইসিসকী লায়েং পুং ৪গী মতুংদা ঈদা য়াওরম্বা য়ুরিয়া অমদি সেরম ক্রিএটিনিনগী শরুক য়াম্না হন্থে লোয়ননা হকচাংদগী অহেনবা মহি লৌথোকখি অমদি ইলেকট্রোলায়টকী খেৎনবা অদুসু চুমথোকই।

**হিমোদাইএলাইসিসতা দাইলিসেট হায়বসি করীনো মসিগী মথৌনা করিনো?**

- দাইলিসেট হায়বসি (দাইএলাইসিস সোলুসন) হায়বসি হিমোদাইএলাইসিসতা শিজিন্নবা অরেমখাক অমদি ঈদগী অহেনবা লৌথোক্লবা শিজিন্নবা অখন্নবা মহি অমনি।
- ষ্টেন্দর্দ দাইলিসেটকী মচল অসি হকচাংগী নোর্মেল এক্সত্রা সেলুলর ফ্লুইদকা মান্নে, অদুবু অনাবা অদুগী চংগদবা মওংদা মচল শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াই।
- দাইলিসেট অসি দাইএলাইসিস মেছিন অমদা য়াম্না ফজনা শেংদোক্লবা ঈশিংগী শরুক ৩০দা দাইলিসেট কন্সেনত্রেট শরুক অমা হাপ্পগা শেম্বনি।
- দাইলিসেট কন্সেনত্রেট অসি কৈথেলদা জার অমদা ফংবা ইলেকত্রোলায়ট, মিনরেলস অমদি বাইকার্বোনেট কন্সেনত্রেট ৱাংনা ফংবা অখন্নবা মহি অমনি।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- দাইলিসেট শেম্নবগীদমক ঈশিং অদু তোঙান-তোঙানবা খুৎথাংদা শেংদোকই খুদম ওইনা সেন্দ ফিল্টর, চারকোল ফিল্টর, ৱাটর সোফটনর, রিভর্স ওসমোসিস, দিআওনাজেসন অমসুং অলত্রা ভাওলেট ফিলত্রেসন।
- মথক্কী ফিল্টর মওং অসিনা উফুল য়াওদবা, অমোৎপা, কেমিকেলগী অমোৎপা, মিনরেল, বেক্টেরিয়া অমসুং এন্দোটোক্সিন য়াওদবা ঙমহল্লি।
- ঈশিং থাক ৱাংবা মওংদা শেংদোকপা অসি তঙাইফদে, মসিনা অফবা শোক্তবা দাইএলাইসিস ওইহল্লগা অনাবা অদুনা সেসন অমদা ঈশিং লিটর ১৫০ শিজিন্নগদৌরিবা অসিদা শোক্তবা ওইহল্লি।
- অনাবা অদুনা ঈশিংদা য়াওরকপা পোৎয়ানদগী অকিবা লৈতনবা চেকশিন্না ঈশিং শেংদোকপা খোংথাং অমদি কুপ্পা য়েংশিনবা য়াম্নমক মথৌ তাই।

**হিমোদাইএলাইসিস কদায়দা পাঙথোকপগে?**

হিমোদাইএলাইসিস অসি হোস্পিতাল নত্রগা দাইএলাইসিস সেন্টর অমদা ত্রেন তৌরবা ষ্টাফ অমা নত্রগা ডাক্তর অমগী মীৎয়েং মখাদা পাংথোকই। অনাবা খরদি ময়ুমদা তৌবসু য়াওই। য়ুমদা হিমোদাইএলাইসিস তৌবা অসি খরা ফগৎলবা অনাবদা তৌনৈ অমদি মরিকচুন্বা ত্রেনিং, য়ুমগী মীওইশিংগী মতেং লোয়ননা মফম মরাং কাইবা অমসুং শেল চংই।

**হিমোদাইএলাইসিস অসি নাৱা? দাইএলাইসিস মনুংদা অনাবা অদু করি তৌই?**

নাদে। য়েৎতুম থিনবা মতম খক্তনি অনাবা ফাওবা। হিমোদাইএলাইসিস চৎথরিবা অদু দাইএলাইসিসকীদমক হোস্পিটাল চৎকনি অদুগা লোয়রগা য়ুমদা হল্লকনি। অনাবা অদুনা দাইএলাইসিসকী পুং ৪ অদুদা পোত্থাবা নত্রগা তুম্বা, লাইরিক পাবা, ঈশৈ-নোংমাই তাবা নত্রগা টি ভি য়েংদুনা লৈ। দাইএলাইসিস মনুংদা অনাবা অদুনা অচাপোৎ খরা চাবা অমদি চা নত্রগা কোল্ড ড্রিঙ্ক থকপা য়াই।

*দাইলিসেটনা ইলেকট্রোলায়টকী শোয়বা চুমথোকই অমসুং অরেমখাক অদু হিমোদাইএলাইসিস চৎথরিঙৈদা লৌথোকই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**হিমোদাইএলাইসিস মনুংদা থেংনা নুঙাইতবশিং অদু করিনো?**

তোয়না থেংনবা দাইএলাইসিস মনুংগী নুঙাইতবশিং অদুদি ব্লদ প্রেসর হন্থবা (হায়পোটেন্সন), ওনিংবা / ওবা, মশল ক্রেম্প, শোন্থবা অমসুং কোক চিকপনি।

**হিমোদাইএলাইসিসকী কান্নবা অমসুং কান্নদবশিং অদু করিনো?**

**হিমোদাইএলাইসিসকী কান্নবশিং :**

- হিমোদাইএলাইসিস অসি ত্রেন তৌরবা নর্স নত্রগা টেকনিসিয়ান্না তৌবনা কিনিঙাই ওইদে, ৱাদে অমসুং অনাবশিংদা নুঙাইবা ফাওহল্লি।
- দাইএলাইসিস মখলশিংগী মনুংদা হিমোদাইএলাইসিস অসি য়াম্না থুবা অমদি কান্নবা য়ান্বা পীবা মখলনি। মরম অদুনা পেরিটোনিএল দাইএলাইসিসতগী মতম চংবা হন্থে।
- হিমোদাইএলাইসিস সেন্টরদা চপ মান্নবা অনাবশিংগী মরক্তা পাউ ফাওনবগী খুদোংচাবা অমা পী। ৱারী ৱাতাই শান্নবা অসিনা পাখৎপা হন্থদুনা মখোয় মশেলগী মরক্তা হরাও তয়ান্বা ফাওহল্লি।
- চয়োল অমদা হিমোদাইএলাইসিস অহুম্লক খক্তা তৌবা মরম্না, অনাবা অদুদা মতম অহাংবা য়াম্না ফংই।
- লাইজৌবগী তাঞ্জা য়াম্না নেম্মী।
- সেন্টর অয়াম্বদা শেল হন্থনা চঙবা মরম্না হিমোদাইএলাইসিসকী খুদোংচাবা লৈ।

**হিমোদাইএলাইসিসকী কান্নদবশিং :**

- দাইএলাইসিস সেন্টর অদুনা মফম খরা থাপ্লা লৈরবদি চৎপদা নুঙাইতবা অমদি মতম কুইনা চংহল্লি।
- অকক্লবা মতম অমা ইনবা মথৌ তাই। দাইএলাইসিস সেসন অদু মাঙদা থল্লগা অনাবা অদুনা অতোপ্পা থবকশিং পাংথোক্কনি।
- হিমোদাইএলাইসিসকী য়েৎতুম থিনবা নাই।

> ***হিমোদাইএলাইসিসকী মরুওইবা কান্নবশিং অদুদি কিনিঙাই ওইদবা, কান্নবা হেন্না পীবা অমসুং নুঙাইহনবা অসিনি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- চাবা থকপদা অথীংবা লৈ। মহী, থুম অমদি পোটাসিয়ম অমসুং ফোসফরস য়াওবা চিঞ্জাক্তা অথিংবা লৈ। অনাবা অদু চাবদা নিংখা তন্বা ঙমদে।
- হেপাটাইটিস ইনফেক্সন লাকপগী অচৌবা তাঞ্জা লৈ।

**হিমোদাইএলাইসিস নারবশিংনা তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবা**

- এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ নারবশিংনা চাং নাইনা চয়োল অমদা অহুল্লক দাইএলাইসিস মথৌ তাই। চাং নাইনা দাইএলাইসিস তৌবনা হকচাং ফহল্লি। চাং নাইদবা অমসুং মপুং ফাদবা হিমোদাইএলাইসিসনা শোকহনবতা নত্তনা থৰায় মাঙনিঙাই ওই।
- মহী অমসুং থুমদা অথিংবা থন্বা অসিনা দাইএলাইসিস সেসন অনীগী মরক্তা হকচাংগী অরুন্বা চাং অমদা থমই। পোটাসিয়ম অমসুং ফোসফরস য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক থিংগদবনি। প্রোটিন য়াওবা হেনগৎকদবনি।
- দাইএলাইসিস অনাবশিংদা মচল শুদবা চিঞ্জাক চাবসি তোয়না থেংনৈ, মসিনা ফল অফবা পুরক্তে। প্রোটিন মপুং ফানা য়াওদবা অমদি দাইএলাইসিস মতমদা প্রোটিন মাঙখিবনা মালন্যুত্রিসন ওইহল্লকই। মরম অদুনা প্রোটিন ৱাংনা য়াওবা চিঞ্জাক অমদি কেলোরি ৱাংনা লৌশিনবা দাইএলাইসিস অনাবশিংগী তঙাই ফদে।
- দাইএলাইসিস চৎথরিবা অনাবশিংনা ৱাটর সোলুবল বিটামিন, বিটামিন বি অমসুং সি হেন্না চাশিনগদবনি। দুকান্দগী মল্টি বিটামিন য়াওবা হেক্তা চাশিল্লোইদবনি মরমদি মদুদা বিটামিন শুনা য়াওগন্দে অদুগা হকচাংনা লৌশিল্লোইদবা বিটামিন এ, ই, কে অমসুং মিনরেল য়াওদুনা হকচাংদা শোকহল্লি।
- কেলসিয়ম অমসুং বিটামিন দি হেন্না পীশিনবা য়াই, মসি কেলসিয়ম, ফোসফরস অমদি পেরাথাইরোইদ হোর্মোনগী চাং য়েংলগা লৌশিনগদবনি।

| |
|---|
| *হোস্পিটালদা চয়োল অমদা অহুল্লক চৎপা মথৌ তাবা অসিনা হিমোদাইএলাইসিসকী মরুওইবা কান্নদবনি।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- অনাবা অদুনা পুন্সি মরেল হোংদোকপা তাই অদুগা চুরুট থক্তবা, অরুম্বা হোংহন্দবা, চাং নাইনা শাজেল তৌবা অদুগা য়ু থকপা হন্থবনচিংবনি।

**হিমোদাইএলাইসিস চৎথরিবা অনাবা অমনা নর্স নত্রগা ডাক্তর করম্বা মতমদা উন্নগনি?**

হিমোদাইএলাইসিস চৎথরিবা অনাবা অমনা মখাগীশিং অসি হেক থেংনরকপগা দাইএলাইসিস নর্স নত্রগা ডাক্তর উন্নগনি -

- এভি ফিষ্টুলা নত্রগা কেথেটর সাইটতা ঈ থোরকপা।
- ভাইব্রেসন, ব্রুইট নত্রগা থ্রিল এভি ফিষ্টুলাদা থেংনরক্তবা।
- খঙহৌদনা অরুম্বা হেনগৎলপা, চাওনা পোমখৎপা নত্রগা শ্বর হোনবা ৱাবা।
- থবাক নাবা, হার্টকী রেট তপথকরপা নত্রগা থুগৎলকপা।
- কা হেন্না ব্লদ প্রেসর হেনগৎলকপা নত্রগা হন্থরকপা।
- অনাবা অদু ৱাখল চরাংনবা, উইরুম তৌবা, জ্ঞান মাঙবা নত্রগা য়াং চীংবা।
- লাইহৌ, কা হেন্না ওবা, ওবদা ঈ য়াওরকপা নত্রগা য়াম্না শোন্থবা।

## পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস

পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (পিদি) অসি এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ নারবা মীওইশিংদা শিজিন্নবা দাইএলাইসিস মখল অমনি।

**পেরিটোনিএল দাইএলাই হায়বসি করিনো?**

- চাকখাও, মরিন অমসুং অতোপ্পা পুক্কী ওর্গানশিং য়োমখৎপা পুক্কী জগাবু খুমজিনবা অপাবা কুয়োম অমনি পেরিটোনিয়ম হায়বসি।
- পেরিটোনিএল মেমব্রেন অসি সেমি পর্মিএবল ওইবা অরেমখাক অমদি হু চেনবা পোৎশক ঈদগী ফাওদোক ফাওজিন তৌহনবা ঙম্বা কুয়োমনি।

> *দাইএলাইসিস সেসন অনীগী মরক্তা অরুম্বা হেনগৎতনবা মহী অমদি থুম লৌশিনবা হন্থগদবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস অসি পেরিটোনিএল মেমব্রেন ফাওদুনা ঈ শেংদোকপগী থৌশিল অমনি।

**পেরিটোনিএল দাইএলাইসিসকী মখলশিং অদু করি করিনো?**

পেরিটোনিএল দাইএলাইসিসকী মখলশিং অদুদি :

১) ইন্টরমিটেন্ট পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (আইপিদি)

২) কন্টিনুৱস এম্বুলেটরি পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (সিএপিদি)

৩) কন্টিনুৱস সাইক্লিং পেরিটোনিল দাইএলাইসিস (সিসিপিদি)

**১) ইন্টরমিটেন্ট পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (আইপিদি)**

ইন্টরমিটেন্ট পেরিটোএল দাইএলাইসিস (আইপিদি) অসি হোস্পিটালদা লৈরিবা অনাবশিংদা অতেনবা মতমগী য়াম্না মরুওইবা অমদি কান্নবা দাইএলাইসিস মখলনি। আইপিদি অসি একুটে কিদনি ফেলর, অঙাংশিংদা অমদি এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজগী ইমরজেন্সিদা শিজিন্নে। আইপিদিদা অখন্নবা মখুল য়াওবা প্লাষ্টিক কেথেটর অমা অনাবগী পুক্তা হাপচিল্লি অদুগা অখন্নবা সোলুসন - দাইলিসেট শিজিন্নদুনা দাইএলাইসিস পাঙথোকই।

- আইপিদি অসি পুং ২৪ দগীনা ৩৬ ফাওবা চংই অদুগা দাইলিসেট লিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা শিজিন্নে।
- আইপিদি অসি নোংমদগীনা নুমিৎ হুমনি ফাওবা আনবগী ফিভম য়েংলগা শিজিন্নে।

**২) কন্টিনুৱস এম্বুলেটরি পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (সিএপিদি)**

**সিএপিদি হায়বসি করিনো?**

সিএপিদি হায়বদি -

সি - কন্টিনুৱস হায়বদি মরকথৎতবা পরেংনি (নোংমদা পুং ২৪ লেপ্তুনা লায়েংবা, চয়োল অমদা নুমিৎ ৭ নি)

| |
|---|
| *সিএপিদি অসিগী দাইএলাইসিস মখল অসি অনাবা অদুনা য়ুমদা অখন্নবা মহী অমগা লোয়ননা পাংথোকপা য়াবনি।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

এ - এম্বুলেটরি হায়বদি অনাবা অদুনা চৎথোক চৎশিন অমসুং নোংমগী থবক ইংখাং তৌবা।

পি - পেরিটোনিএল মেম্ব্রেন অসিনা পুক্তা লৈবা ফিলটরগী থবক তৌগদৌরিবনি।

দি - দাইএলাইসিস অসি ঈ শেংদোকপা থৌওং অমনি।

সিএপিদি অসি মীওই অমনা যুমদা মেছিন য়াওদনা শিজিন্নবা য়াবা দাইএলাইসিস মখল অমনি। সিএপিদিনা নুঙাইবা অমদি অতোপ্পগী মতেং য়াওদবা মরম্না চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা মমিং য়াম্না লৈবা দাইএলাইসিস মখলনি।

**সিএপিদিগী থবক পরেং**

সিএপিদি কেথেটর : সিএপিদিগীদমক য়াম্না পারগা থোৎপা সিলিকোন রবর ট্যুব, মখুল য়াম্না য়াওবা কেথেটর অসি শিজিন্নৈ। কেথেটর অসি লেপ্লগা পুক্তা পেরিটোনিএল দাইএলাইসিসকীদমক লেংদনা হাপচিল্লি। খোইদৌগী নাকন্দা ইঞ্চি অমা লুথনা অনাবা অদুগী পুক্তা কেথেটর অসি হাপকনি। সিএপিদি হৌদ্রিঙৈ নুমিৎ ১০ দগী ১৪ নিগী মমাংদা কেথেটর অসি হাপকনি। এভি ফিষ্টুলাগুম্না পিদি কেথেটর অসি সিএপিদি অনাবশিংগী “লাইফ লাইন” নি।

**কন্টিনুৱস এম্বুলেটরি পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (সিএপিদি) গী টেকনিক**

সিএপিদিগী থৌওংদা খোংথাং অহুম লৈ - হাঞ্জিনবা, লৈহনবা অমসুং চিথোকপা

হাঞ্জিনবা (ফিল) : কেথেটর ফাওরগা পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (পিদি) ফ্লুইদ লিটর অনী ষ্টিরাইল প্লাষ্টিক বেগ অমসুং পুক্তা থম্বা বেগ অমদগী পেরিটেনিয়মদা থেংনহনগনি। মহী অদুনা হকচাং মনুংদা চংখ্রবা মতুংদা পিদি ফ্লুইদকী অহাংবা বেগ অদু মথংগীদমক অনাবগী মনুংগী খোংগ্রাওদা তাশিল্লগা থমগনি।

লৈহনবা (দুৱেল) : পিদি ফ্লুইদ (দাইলিসেট) অদু পেরিটোনিএল কেবিতিদা য়ামদ্রবদা পুং ৪ দগী ৬ ফাওবা অয়ুক নুংথিলগী মতমদা থমগনি অদুগা নুমিদাংদনা পুং ৬ তগী ৮ ফাওবা লৈহনগনি। পিদি ফ্লুইদ অসিনা পুক্তা লৈবা

*সিএপিদি অসি নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা চেকশিন্না পাঙথোক্কদবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

মতম অদুবু দুৱেল টাইম হায়রগা খঙনৈ। দুৱেল টাইম অসিদা ঈ শেংদোকপগী থবক তৌই। পেরিটোনিয়ম্না ফিলটরগী থবক অদু পাঙথোকই, মসিনা অরেমখাক অমদি অহেনবা মহিশিং অদু ঈদগী পিদি ফ্লুইদতা চংহল্লি। মতম অসিদা অনাবা অদু চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াই (মরম অসিনা লাইয়েং অসিগী মমিং এম্বুলেটরি হায়বদি লেংওৎপা হায়রিবনি)

## সিএপিদগী থবক পরেং




চিথোকপা (দ্রেন) : দুৱেল টাইম লোয়রবা মতুংদা অরেমখাক য়াওরবা পিদি ফ্লুইদ অদু অনাবগী মনুংগী খোংগ্রাওদা তাশিল্লগা থমখিবা অহাংবা কলেক্সন বেগ অদুদা চিথোক্কনি। কলেক্সন বেগ অদু অরুম্বা ওন্থোক্লগা মাঙহনখিগনি। চিথোরকপা ফ্লুইদ অদু মদু য়াম্না শেংগদবনি। পুক্তগী পিদি ফ্লুইদ চিথোকপা অমসুং অনৌবা সোলুসন হাপচিনবদা মিটি ৩০ দগী ৪০ ফাওবা চংই। হাঞ্জিনবা অমসুং হাঙহনবগী থবক পরেং অসিবু এক্সচেঞ্জ কৌই। এক্সচেঞ্জ অসি নোংমদা অহুম্লক্তগী ৫ রক ফাওবা তৌবা য়াই। অদুগা নুমিদাংদনা অমুরক তৌগনি। তুম্মমদাইদা এক্সচেঞ্জ তৌদুনা পিদি ফ্লুইদ অদু পুক্তা অহিং লেলহনগনি। সিএপিদি অসি য়াম্না চেকশিন্না মহিক মতাই চংলোইদবা মওংদা তৌগদবনি।

৩) এপিদি নত্রগা কন্টিনুৱস সাইক্লিং পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (সিসিপিদি) : ওটোমেটেদ পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (এপিদি) নত্রগা

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

কন্টিনুৱস সাইক্লিং পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (সিসিপিদি) অসি য়ুমদা ওটোমেটেদ মেছিন অমগী মতেংনা নুংতিগী পাঙথোকপা লেপ্তুবা দাইএলাইসিস লায়েংনি। এপিদিদা মেছিন অমনা মশা মথন্তা পিদি ফ্লুইদ অদু হাঞ্জিনবা অমদি চিথোকপগী থবক তৌই। সাইকল অমনা পুং ১ দগী ২ ফাওবা চংই অদুগা এক্সচেঞ্জনা নোংদা ৪ দগী ৫ রক ফাওবা তৌই। এপিদি অসি নুমিদাংদা পুং ৮ দগী ১০ ফাওবা চৎলি। মসি অনাবা অদুনা তুমলিঙৈদা তৌবনি। অয়ুক্তা মেছিন অদু লৌথোকপা মতমদা য়ামদ্রবদা পিদি ফ্লুইদ লিটর ২ দগী ৩ ফাওবা পুক্তা লেমদুনা লৈহৌই। অয়ুক্তা লেমহৌবা ফ্লুইদ অদু নুংথিল নত্রগা নুমিদাংদা মেছিন শন্বা মতমদা চিথোক্কনি। এপিদিগী কান্নবা অদু অয়ুক নুংথিলদা থবক ইংখাং তৌবা য়াবা অসিনি। অদুগা মেছিন অদু পুং ২৪ গী মনুংদা অমুক্তং শন্বা অমসুং লৌথোকপা অসিনি। মসিনা পেরিটোনাইটিসকী অকিবা হন্থহল্লি অমদি হকচাং নুঙাইবা কোমহনবা ঙম্মী। মরুওইবা কান্নদবা অদুনা এপিদি অসি মমল ৱাংই অমসুং য়াম্না লুবা থবকনি।

## সিএপিদিদা শিজিন্নরিবা পিদি ফ্লুইদ অদু করিনো?

পিদি ফ্লুইদ (দাইলিসেট) অসি ষ্টিরাইল সোলুসন অমনি, মসি মিনরেল অমসুং গ্লুকোজ য়াম্না য়াওবা পেরিটোনিএল দাইএলাইসিসতা শিজিন্নবা মহীনি। দেক্সট্রোজ য়াওবগী চাং অদু য়েংলগা ইন্দিয়াদা পিদি ফ্লুইদ মখল অহুম লৈ (১.৫%, ২.৫০% অমসুং ৪.৫%) পিদি ফ্লুইদতা য়াওবা গ্লুকোজনা হকচাংদগী মহী চিংথোকপদা মতেং পাংই। লৌথোক্কদবা মহীগী চাং য়েংলগা মী অমদা পিদি ফ্লুইদ করম্বা শিজিন্নগদগে হায়বদু খনদোকই। মহী হেন্না লৌথোক্লবগীদমক দেক্সট্রোজ কন্সেনট্রেসন ৱাংবা পিপি ফ্লুইদ অদু শিজিন্নে। হৌজিক্তি দেক্সট্রোজকী মহুত্তা আইকোদোক্সট্রিন য়াওবা পিদি ফ্লুইদ ফংলে। অনৌবা মহী অসিগী কান্নবদি হকচাংদগী মহি তপ্না লৌথোকপা ঙম্মী। সোলুসন অসি দাইএবিটিক নত্রগা মশাগী অরুম্বা হেনবা অনাবশিংদা শিজিন্নে অদুগা মসি নোংমদা সাইকল অমখক্তমক শিজিন্নবা য়াই। পিদি ফ্লুইদকী বেগ অসি এমল ১০০০ দগীনা ২৫০০ ফাওবগী তোঙান তোঙানবা মওংদা ফংই।

*কন্টিনুৱস সাইক্লিং পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস অসি য়ুমদা ওটোমেটেদ সাইক্লর মেছিন অমগী মতেংনা পাঙথোকপা য়াই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**সিএপিদিদা তোয়না থেংনবা নুঙাইতবশিং করিনো?**

কন্টিনুৱস এম্বুলেটরি পেরিটোনিএল দাইএলাইসিসতা থেংনবা য়াবা নুঙাইতবশিং অদুদি :

ইনফেক্সন (লাইজৌবা) : সিএপিদি চৎথরিবা অনাবশিংনা তোয়না থেংনবা অদুদি পেরিটোনিটিসনি, পেরিটোনিয়মগী ইনফেক্সননি। পুক্তা নাবা, লাইহৌ হৌবা, নিংথম চনবা অমদি মচু শেংদবা পিদি ফ্লুইদ (ইফ্লুয়েন্ট) না পেরিটোনিটিসকী শক্তমনি। পেরিটোনিটিসকী নুঙাইতবা অসি কোক্লবা সি এ পিদি অসি লাইজৌদনবা অফবা মওংদা তৌগদবনি অমদি কন্সটিপেসন (খোংহাম্বা য়াদবা) লৈরোইদবনি। পেরিটোনিটিস লায়েংনবা ব্রোদ স্পেট্রম এন্টিবাওটিক্স পীজবা অমদি থোরকপা পিদি ফ্লুইদ কলচর টেষ্ট তৌগদবনি। (মসিনা করম্বা এন্টিবাওটিক্স শিজিন্নগদগে খঙদোকপা ঙম্মী) অদুগা অনাবা খরদা পিদি কেথেটর লৌথোকপা মতাং লাক্কনি। কেথেটর থিঞ্জিনফমদা ইনফেক্সন লৈরকপা য়াই।

অতোপ্পা নুঙাইতবশিং : পুক চাওথোকপা, পুক্কী মশলশিং শোন্থরকপা মসিনা হরনিয়া ওইহল্লকপা, মহী কা হেনগৎলকপা, স্ক্রোটেল ইদিমা, কন্দটিপেসন, খ্বাং নাবা, মহী চুমথোকপা হন্থরকপা, মহী য়ুরকপা অমসুং হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎলকপা অসিনা সিএপিদিগী অতোপ্পা নুঙাইতবশিংনি।

**সিএপিদগী অহেনবা কান্নবশিং**

- চিঞ্জাক্কী অমদি মহী থকচিনবগী অথীংবা য়ামদবা।
- নিংখা তম্বা হেনবা। দাইএলাইসিস অসি য়ুমদা তৌবা য়াই, থবক মফমদা তৌবসু য়াই নত্রগা চৎথোকপা মতমদসু য়াই। হান্নগী থবকশিং দাইএলাইসিস তৌরিঙৈ মনুংদা অদুম্মক পাঙথোকপা য়াই। সিএপিদি অসি অনাবা, মশামক্না অদুম্মক তৌবা য়াই। মেছিনগী মথৌ তাদে, হোস্পিটালগী মীওই নত্রগা য়ুমগী মীওইশিংগী মতেং মথৌ তাদে।
- হোস্পিটালদা চয়োল অমগী মনুংদা অহুল্লক চৎপা মথৌ তাদ্রে, চৎথোক চৎশিন অমদি য়েৎতুম নানা থিনবা য়াওদ্রে।

*সিএপিদি অনাবশিংনা ইনফেক্সন লৈহন্দনবা কন্না হোৎনগদবনি।*
*মসি য়াম্না মরু ওইবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- হায়পরটেন্সন অমদি এনিমিয়া নিংথিনা ফাজিনবা ঙম্মী।
- দাইএলাইসিস তপ্না তৌবগা লোয়ননা ঈ শেংদোকপা, মসিনা নুঙাইতবগী অনেম-অৱাং লৈতে।

**সিএপিদিগী কান্নদবশিং**

- পেরিটোনিয়ম অমদি কেথেটর থোকফম জগাগিসু ইনফেক্সনগী অকীবা।
- নোংমদা অনাবা অমনা এক্সচেঞ্জ ৩ দগী ৫ রক ফাওবা চহি চুপ্পা তৌগনি, নোংমতা কানবা য়াদে। অমোৎপা য়াওহন্দবা লৌখৎকদবা থবক পরিং ময়াম অমা লৌখৎলবসু চাং নাইনা কুপ্না পাঙথোকপা অসি অৱাবা অমনি।
- কেথেটর মপান্দা অদুম্মক লেংদনা লৈবা অমদি পুক্তা মহী থম্বা অসি নুঙাইতে, অনাবা খরদদি শক্তম হোংলকপা কয়া পামদবা য়াওই।
- অরুম্বা পিদি বেগশিং য়ুমদা য়াম্না থম্বা অসিসু নুঙাইবা থবক নত্তে।

**সিএপিদি অনাবশিংদা করম্বা চিঞ্জাক্কী অহোংবগী পাউতাক লৈবগে?**

সিএপিদি অনাবশিংদা চিঞ্জাক্কী পাউতাক পীবা য়াম্না মরু ওই অমদি হিমোদাইএলাইসিস চৎথরিবা অনাবগী চিঞ্জাক্কা খরা খেৎনৈ।

- পেরিটোনিএল দাইএলাইসিসতা প্রোটিন মাঙখিবা অদু মেনশিন্নবা প্রোটিন য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক চাবা মথৌ তাই।
- হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎতনবা কেলোরি লৌশিনবা থিংগদবনি। পিদি সোলুসন্দা গ্লুকোজ চাং ৱাংনা য়াওবনিনা সিএপিদিগী অনাবদা অহেনবা কার্বোহায়দ্রেট লেপ্পুনা হাপচিল্লি।
- হিমোদাইএলাইসিস চৎথরিবা অনাবদা থুম অমসুং মহী হেন্না থিংবা লৈতে।
- পোটাসিয়ম অমসুং ফোসফেট ৱাংবা চিঞ্জাক থিংগদবনি।
- কন্সটিপেসন থিংনবা ফাইবর য়াওবা চিঞ্জাক হেন্না চাশিনগদবনি।

*সিএপিদি গী মরুওইবা কান্নবদি মফম মতমগী অথিংবা নঙাইতবা লৈতবা অমদি চাবগী অথিংবা য়ামদবা অসিনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**সিএপিদি অনাবা অমনা করম্বা মতমদা দাইএলাইসিসকী নর্স নত্রগা ডাক্তর উন্নগদগে?**

সিএপিদি দা লৈরিবা অনাবা অমনা খুদক্তা দাইএলাইসিস নর্স নত্রগা ডাক্তর উন্নগদবা অসি মখাগীশিং অসি লৈরকান্দনি -

- পুকতা নারকপা, লাইহৌ হৌবা নত্রগা নিংথম চনবা।
- পিদি ফ্লুইদ (ইফ্লুয়েন্ট) থোরকপা অদু ঈ য়াওরকপা নত্রগা মদু মমশিনবা নত্রগা নৈবা।
- অনাবা লাকপা, নাই চারকপা, ঙাংশিল্লকপা, সিএপিদি কেথেটরগী থোকফমদা পোমখৎপা নত্রগা শারি শারি লাওবা।
- পুক্তগী পিদি ফ্লুইদ চংবা নত্রগা থোরকপদা অথিংবা নত্রগা কোন্সটিপেসন লৈরকপা।
- খঙহৌদনা হকচাং লুম্বা হেনগৎপা, মশক খঙনা পোমখৎপা, শ্বর হোনবদা নুঙাইতবা অমদি হায়পরটেন্সন হেনগৎলকপা (মহী কা হেন্না তুংশিনবা)।

  ব্লদ প্রেসর হন্থবা, অরুম্বা হন্থরকপা; মশল ক্রেম্প অমদি কোক ঙাওরি ঙাওরি তৌবা (মহী হন্থবগী খুদম)।

*মালন্যুত্রিসন লৈতনবা অমদি ইনফেক্সন হন্থনবা সিএপিদি পেসেন্টশিংনা প্রোটিন য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক চাগদবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ১৪
# কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন

মেডিকেল সাইন্সকী অফবা খুমাং চাওশিল্লকপগী ফল অমা ওইরিবদি কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসননি।

এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ (ইএসকেদি) লায়েংবগী খ্বায়দগী অফবা লায়েং মখল অদু মায়পাক্লা পাঙথোকপা কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসননি। কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন মায়পাক্লা পাঙথোকখ্রবা মতুং পুন্সি মরেল অশোয় অঙাম লৈতনা হিংবা ঙম্মী।

কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন অসি শরুক মরি থোক্লা নৈনরি :

১) প্রি-ত্রান্সপ্লান্ট ইনর্ফোমেসন

২) ত্রান্সপ্লান্ট সর্জরি

৩) পোষ্ট ত্রান্সপ্লান্ট কেয়র

৪) দিজিজ দোনর (কেদাভেরিক) কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট

**প্রি-ত্রান্সপ্লান্ট ইনফোর্মেসন (ত্রান্সপ্লান্ট তৌদ্রিঙৈগী অকুপ্পা মরোলশিং)**

**কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন হায়বসি করিনো?**

অফবা কিদনি (অহিংবা দোনর নত্রগা লৈখিদ্রবা - কেদাবর দোনর) অমা এন্দ ষ্টেজ কিদনি নারবা মীওই অমগী হকচাংদা সর্জরিগী মতেংনা হাপচিনবা অদুবু কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন কৌই।

**কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট করম্বা মতমদা মথৌ তারকপগে?**

এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ নারক্লবা মতমদা অনাবা অদু কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন মথৌ তারকই।

**কিদনি ফেলরদা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট মথৌ তাদবসি করম্বা মতমদনো?**

কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট অসি এক্যুট কিদনি ফেলর (টেম্পরেরি) অমদি কিদনি অনিগী মনুংদা অমা মথৌ তৌরক্তবা মতমদা মথৌ তাদে।

*কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন পুথোরকপা অসি ক্রোনিক কিদনি ফেলরগী অনাবশিংগীদি লাইনা পীবা খুদোলনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজদা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট মথৌ তারিবা করিগীনো?**

হিদাক চাবগা লোয়ননা দাইএলাইসিস চৎথরিবা অনাবা অদুবু এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ অনাবশিংদা মতেং পীবনি, অদুবু মসিনা ফহনবদি ঙমদে। কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন মায়পাক্লা পাঙথোকপা অসিনা খ্বায়দগী ফবা অমদি লায়েংবদা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ ফহনবা ঙম্বা থৌওংনি। কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন্না মীওইবগী পুন্সি কনবা ঙম্বনা অমদি হান্নগা মান্নবা পুন্সি মরেল অমা ফংবা ঙম্বনিনা মসি লাইগী খুদোলনি হায়নরিবনি।

**কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগী খুদোংচাবশিং অদু করি করিনো?**

কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগী মরুওইবা কান্নবশিং অদুদি :

- মপুং ওইনা ফবা ঙম্বা অমদি পুন্সিগী মগুন হেনগৎহল্লি। অনাবা অদুনা হান্নগী পুন্সি মরেল অদু পাঙ্গল হেন্না লৈবগা লোয়না চাথোক পুথোকপা ঙম্মী।
- দাইএলাইসিসতগী নিংখা তম্মী। অনাবা মতম চংবা অমদি দাইএলাইসিসকী নুঙাইতবশিংদগী কোমথোকপা ঙম্মী।
- পুন্সি হেন্না শাংদোকই। দাইএলাইসিস তৌদুনা লৈবা অনাবা অমদগী ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌরবা মীওই অমনা হেন্না পুন্সি শাংদোকই।
- চিঞ্জাক অমসুং মহী লৌশিনবগী অথিংবা হন্থে।
- ত্রান্সপ্লান্ট তৌবদদি কোন্না লুশিল্লকপা অমদি নুঙাইতবা য়ামদে। অদুবু দাইএলাইসিসকী লায়েংদদি নুঙাইতবা অমদি লুশিল্লকপা হেল্লি।
- মমলগা চান্নে। অহৌবদা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট অসি মমল য়াম্লবসু অনিসুবা নত্রগা অহুমশুবা চহীদদি শেল চংবা হন্থে অদুগা দাইএলাইসিস লায়েংদা শেল চঙবা হেল্লি।
- নুপাদা হকতিন্নবগী পাঙ্গল হেনগৎলি অমসুং নুপীদা মীরোনবগী তাঞ্জা হেনগৎলি।

*মায়পাক্লা কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌবা অসিনা সিকেদি -এস কেদি লায়েংবগী খ্বায়দগী ফবা লায়েংনি, মসিনা হান্নগী পুন্সি মরেলগা মান্নদ্রবসু খরা মান্ননা লৈবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগী খুদোংচাদবশিং অদু করিনো?**

কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনননা কান্নবা কয়া পীরি, অদুবু খুদোংচাদবা খরসু অদুম্মক লৈ। মখোয়শিং অদুদি :

- সর্জরি অচৌবা অদুগুম্না নুঙাইতবা। মপুং ফানা পঙথহল্লগা অচৌবা সর্জরি অমা কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনদা মথৌ তাই মসিনা সর্জরি মনুং অমসুং লোয়রবা মতুংদা নুঙাইতবা খরদি লৈরি।
- রিজেক্সন (চান্নদবগী) অকিবা লৈ। কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন অদু চাদা ১০০ য়াগনি হায়বগী থাজবা পীবা ঙমদে। অদুবু অনৌবা অমদি অফবা, ইম্যুন্নোসপ্রেসেন্ট দ্রগ পুথোরকপদগী রিজেক্সনগী চাং অদু মমাংঙৈদগীদি য়াম্না হন্থরে।
- হিদাক লেপ্তুনা চাবা। কিদনি থবক চৎথরিবা মখে হিদাক চাং নাইনা কুপ্না নুংতিগী চাগনি। হিদাক লেপথোকপা নত্রগা চাবা কাওহৌবা নত্রগা দোজ শুনা চাহৌদ্রবদি ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌখ্রবা কিদনি অদু রিজেক্সন লাকপা য়াই।
- ইনফেক্সনগী চাং ৱাংই, দ্রগকী সাইদ ইফেক অমসুং নুঙাইতবা হেল্লি।
- ৱাখল নুঙাইতবা; ত্রান্সপ্লান্ট তৌদ্রিঙৈদা কিদনি দোনর ঙাইবা, ত্রান্সপ্লান্ট তৌবদা মায়পাক্কনি পাকওই হায়বগী অকিবা অমদি অনৌবা ত্রান্সপ্লান্ট কিদনি অদুগী মথৌ তৌরক্তবা য়াবগী অকিবা অদুনা ৱাখল নুঙাইতবা ফাওই।
- হৌবদা শেল য়াম্না চংই।

**কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগী কন্ত্রাইন্দিকেসন করি করিনো?**

অনাবা অমনা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবা কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন খুদোংথিনিঙাই ওই অমসুং পাঙথোকউ হায়নদে, করিগুম্বা অনাবা অদু সেরিএস ইনফেক্সন, একটিব নত্রগা য়েংথোক্ত্রিবা মেলিগনেন্সি; য়াম্না শোকচিল্লবা সাইকোসোসিএল প্রোব্লেম নত্রগা মেন্টেল রিটার্দেসন অমসুং কোরোনরি আর্টরি দিজিজ নত্রগা রিফ্রাক্টোরি কনজেষ্টিব হার্ট ফেলর, পেরিফেরেল

*এদস, কেন্সর অমসুং অতোপ্পা হেঞ্জিল্লবা লায়না নারবা সিকেদি অনাবশিংদা কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌনদে।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ভাস্কুলার দিজিজ হেঞ্জিনবা অমসুং অতোপ্পা হেঞ্জিল্লবা মেদিকেল প্রোব্লেমশিং লৈরদি।

**কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট রিসিপিএন্টকী মতাংচাবা চহী অদু কয়ানো?**

কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট রিসিপিএন্টকী অকক্লবা চহী লৈতে, অদুবু মসি চহী ৫ দগী ৬৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংগীনি।

**ত্রান্সপ্লান্টেসনদা কিদনিশিংগী মরুওইবা হৌরকফম অদু করি করিনো?**

ত্রান্সপ্লন্টেসনদা চংগদবা কিদনিশিংগী হৌরকফম মফম অহুম লৈ : হিংলিবা মরি মতা থোকপা দোনর, হিংলিবা মরি-মতা থোক্তবা দোনর অমসুং লৈখিদ্রবা (কেদাবর) দোনর। হিংলিবা মরি মতা থোকপা দোনরশিং অদুদি রিসিপিএন্ট অদুগী ঈ মরী - মমা-মপা, মনাও/ময়াম্বা নত্রগা মচল/মচে, মদোমচা, মখুরা নত্রগা মখুরাগী মচাশিং। হিংলিবা মরি-মতা থোক্তবা লোয়নবী নত্রগা মরুপ/ লৈখিদ্রবা (কেদাবর) কিদনিশিং ব্রেন শিরবা মীওইদগী লৌথোকহৌবা কিদনি।

**খ্বায়দগী ফবা কিদনি দোনর অসি কনানো?**

ফাইবোক্কী কিদনিনা খ্বায়দগী ফবা কিদনিনি, ত্রান্সপ্লান্টেসন লোয়রবা মতুংদা হিংবগী চাং য়াম্না ৱাংই।

**কনানা কিদনি দোনেট তৌবা য়াই?**

অনা অয়েক য়াওদবা হকচাং ফবা কিদনি অনী য়াওবা মীওইনা করিগুম্বা ব্লদ গ্রুপ অমদি টিসু মখল কম্পেটিবল ওইরবদি কিদনি দোনেট তৌবা য়াই। দোনরশিং অদু চাওরাক্লা মশাগী চহী ১০ দগী ৬৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওইগদবনি।

**কিদনি দোনরগী ব্লদ গ্রুপ করম্না খঙদোক্কনি?**

ব্লদ গ্রুপ চান্নবা অসি কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগী খ্বায়দগী মরুওইবা থবকনি। ফংগদৌরিবা নত্রগা পীগদৌরিবা অনিনা চপ মান্নবা ব্লদ গ্রুপ নত্রগা চান্নবা ব্লদ গ্রুপশিং অদু মখাদা পীরি :

*য়ুমগী মীওইশিং দোনর ওইবনা খ্বায়দগী মায়পাকপা কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগী ফল লৈগনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

| ফংগদবগী ব্লদ গ্রুপ | পীগদবগী ব্লদ গ্রুপ |
|---|---|
| ও | ও |
| এ | এ নত্রগা ও |
| বি | বি নত্রগা ও |
| এবি | এবি, এ, বি নত্রগা ও |

**কনানা কিদনি দোনেট তৌবা য়াই?**

অহিংবা দোনর অমবু মপুং ফানা মেদিকেল অমসুং সাইকোলোজিকেল হিরম খুদিংমক্তা অমাঙবা নত্রগা অৱাবা অমত্তা দোনেট তৌবদা লৈতে। হিংলিবা দোনর অমনা করিগুম্বা দাইএবিটিস মেলিটস, কেন্সর, ঐচআইভি, কিদনি দিজিজ, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা নত্রগা অতোপ্পা অচৌবা অনাবা নত্রগা সাইকিয়াত্রিক্কী অনাবা লৈরবদি দোনেট তৌবা য়াদে।

**কিদনি দোনর অহিংবা অমদা লৈবা য়াবা অকীবশিং অদু করি করিনো?**

দোনর ওইগদৌরিবা মীওই অদুদা হান্না কিদনি দোনেট তৌবদা অশোকপা-অমাংবা অমত্তা লৈরোই হায়না হান্না মশাদা থাজহনগদবনি। কিদনি নাম্মা খক্তা য়াওরবা দোনর অমনা মশা মউ ফনা অদুম্মক লৈবা ঙম্মী। কিদনি দোনেট তৌখ্রবা মতুংদা হকতিন্নবদা অকায়বা লৈতে। নুপীনা অঙাং পোকপা ঙম্মী অদুগা নুপানা মপা ওইবা ঙম্মী করিগুম্বা মখোয়গী কিদনি দোনেট তৌখ্রবা মতমদা।

কিদনি দোনেসনগী সর্জরি অদুদা লৈগদবা নুঙাইতবশিং অদু অতোপ্পা অচৌবা সর্জরি তৌখিবগা চপ মান্নে। কিদনি দোনর অমনা কিদনি দোনেট তৌবগী মতুংদা কিদনিগী অনাবশিং লাকপা অদু করিসু খেৎনদে।

**পিয়ার্দ কিদনি দোনেসন হায়বসি করিনো?**

অহিংবা দোনর কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন্না দিসিজ দোনর কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনদগী কান্নবা য়াম্না হেল্লি। এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ নারবা মীওইগী অফবা কিদনি দোনর ময়াম অমা লৈ অদুবু ব্লদ গ্রুপ নত্রগা ক্রোস মেটচ চান্নদবনা অৱাবা ওইহল্লী।

*কিদনি দোনেসন অসি অমাঙবা লৈতে অমদি সিকেদি অনাবশিংগী থৱায় কল্লি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com




পেয়র্দ কিদনি দোনেসন ('লাইব দোনর কিদনি এক্সচেঞ্জ', 'লিবিং দোনর স্বাপ' নত্রগা 'কিদনি স্বাপ') অসিনা অহিংবা দোনর কিদনি অনিনা চান্নগদবা দোনর। রিসিপিএন্ট পেয়র অনীগী মরক্তা কম্পেটিপল পেয়র অসি শেন্নগী থৌওংনি। মসিনা অনিশুবা দোনরনা অহানবা রিসিপিয়েন্টকা অদুগা অহানবা দোনরগা অনিশুবা রিসিপিয়েন্টকা চান্নবগী তাঞ্জা অমা লাকই। (মথক্তা উৎলিবা অসিগুম্বা) দোনেটেদ তৌরবা কিদনিশিং অদু চান্নদবা জুরা অনিগা চান্নবা ত্রান্সপ্লান্ট পাঙথোকপা য়াই।

## প্রি-এমটিপ কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট হায়বসি করিনো?

কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন অসি দাইএলাইসিস মতম খরা পাঙথোক্লবা মতুংদা পাঙথোকনৈ। দাইএলাইসিস পাঙথোকত্রিঙৈদা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট পাঙথোকপা অদুবু প্রি-এমটিপ কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট কৌই।

প্রি-এমটিপ কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন অসি এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ (ইএসকেদি) নারবা মীওইশিংগী ওইনা খ্বায়দগী ফবা কিদনি শিন্দোকপগী লায়েংনি। মসিনা শোয়বা য়াবা তাঞ্জা হন্থহল্লি, শেল চঙবা হন্থহল্লি অমসুং দাইএলাইসিসকী নুঙাইতবা অদু হন্থহন্দুনা দাইএলাইসিস তৌরবা মতুংদা পাঙথোকপা ত্রান্সপ্লান্টেসনদগী কিদনি অনৌবা অদু হিংবগী তাঞ্জা য়াম্না হেনগৎহল্লি। চান্নবা দোনর লৈরবদি প্রি-এমটিপ ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌহৌবনা খ্বায়দগী কান্নবা ওইগনি।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# ত্রান্সপ্লান্ট সর্জরি

## কিদনি করম্না ত্রান্সপ্লান্ট তৌবগে?

সর্জরি তৌদ্রিঙৈদা মরিকচুন্বা মেডিকেল, সাইকোলোজিকেল অমদি সোসিএল ইভালুএসন কয়া পাঙথোক্লবা মতুং কিদনি ফংগদৌরিবা অমদি পীগদৌরিবা অনীমক্কী শোয়রোইদৌবা য়েংলগা পাঙথোকই। টেষ্টিং তৌবনা মরিকচুন্বা ব্লদ গ্রুপ অমদি ঐচএলএ (রিসিপিএন্ট অমসুং দোনর) মেটচিং অদুসু




খঙদোকপা ঙম্মী।

- কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন অসি নেফ্রোলোজিষ্ট, ত্রান্সপ্লান্ট সর্জন, পেথোলোজিষ্ট, এনেসথেটিষ্ট অমদি মতেং পাঙবা নর্সিং ষ্টাফ অমদি ত্রান্সপ্লান্ট কোওদিনেটরশিংগী অপুনবা টিম ৱার্কনি।
- কুপ্পা চৎথগদবা থবক থৌরমশিং অদুগী ৱাহন্থোক পীরবা মতুং কন্সেন্ট ফোর্ম অদুসু রিসিপিয়েন্ট অমদি দোনর (অহিংবা কিদনি দোনর ত্রান্সপ্লান্ট) অনিমক্তগী লৌগনি।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- অহিংবা কিদনি দোনর ত্রান্সপ্লান্ট সর্জরিদা রিসিপিয়েন্ট অমদি দোনর অনিমক চপ মান্নবা মতমদা ওপরেসন তৌগনি।
- মেজর সর্জরি অদু পুং ৩ দগী ৫ ফাওবা চঙই অদুগা জেনরেল এনেসথেসিয়াগী মখাদা পাঙথোক্কনি।
- লিবিং কিদনি দোনর ত্রান্সপ্লান্ট সর্জরিদা ওইথংবা কিদনি অদু দোনরদগী ওপন সর্জরি নত্রগা লেপরাস্কোপিগী মতেংনা লৌথোক্কনি। লৌথোক্লবা মতুং কিদনি অদু অখন্নবা অইংবা সোলুসন অমদা চামদুনা রিসিপিয়েন্ট অদুগী পুক্কী য়েৎথংবা মনিংগী শরুক্তা থমগনি।
- অয়াম্বা মতমদা, অরিবা অনাবা কিদনি অদু রিসিপিয়েন্টতগী লৌথোক্লদে।
- কিদনি লৌফম অদু অহিংবা মীওই (দোনর) ওইরবদি ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌরবা কিদনি অদু অথুবা মতমদা মথৌ তৌবা হৌই। অদুবু কিদনি অদু অশিবা (কেদাবর) কিদনি দোনর ওইরবদি, ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌরবা কিদনি অদু নুমিৎ খরদগী চয়োল খরা ফাওবগী মনুংদা থবক তৌবা হৌই। থেংথনা থবক তৌবা হৌখিবা ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌরবা কিদনি অদু মপুং ফানা থবক তৌবা ঙম্নবগীদমক দাইএলাইসিস হান্না তৌবা মথৌ তাই।
- ত্রান্সপ্লান্টেসন লোয়রবা মতুং অনাবা অদু নেফ্রোলোজিষ্টশিংনা য়েংশিল্লি।

## ত্রান্সপ্লান্ট লোয়রবা মতুংদা চেকশিনবা

### ত্রান্সপ্লান্ট লোয়রবা মতুং লাকপা য়াবা নুঙাইতবশিং অদু করিনো?

ত্রান্সপ্লান্ট লোয়রবা মতুং লাকপা য়াবা নুঙাইতবশিং অদুদি রিজেক্সন, ইনফেক্সন, সাইদ ইফেক অমসুং সর্জিকেল প্রোসিজুরগী নুঙাইতবশিং অদুনি। মরুওইনা ত্রান্সপ্লন্টেসন লোয়রবা মতুংদা খন্নগদবশিং অদুদি :

- ত্রান্সপ্লান্ট লোয়রবা মতুং হিদাক চাবা অমসুং কিদনি রিজেক্সন

> *কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন্দা অনৌবা কিদনি অদু রিসিপিয়েন্টকী মখা থংবা পুক্কী জাগাদা হান্নগী কিদনি অরিবা অদু শোকহন্দনা হাপচিল্লি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবা কিদনি অদু ফনা লৈনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি অমসুং ইনফেক্সন থিঙনবা হোৎনগদবনি।

**পোষ্ট ত্রান্সপ্লান্ট মেডিকেসন অমসুং কিদনি রিজেক্সন**

**কিদনি ত্রান্সপ্লান্টকী ওপরেসন মতুংদা লৌখৎপা থবকশিংগা অতোপ্পা সর্জরিগী পায়খৎপা থবক্কা করি খেৎনবগে?**

অয়াম্বা সর্জরি পাঙথোকখিবা মতুং লৌখৎপা চেকশিন থৌরাং অমদি হিদাক চাবগী মতম অদু নুমিৎ ৭ নিদগী ১০ ফাওবা ওইগল্লি। অদুবু, কিদনি ত্রান্সপ্লান্টকী মতুংদদি পুন্সি চুপ্পা চাং নাইনা হিদাক চাবা অমসুং কুপ্না য়েংশিনবা তঙাইফদে।

**কিদনি রিজেক্সন হায়বসি করিনো?**

হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেম অসি মপান্দগী চংলকপা পোৎশক খুদম ওইনা বেক্টেরিয়া অমদি ভাইরসকুম্বা হকচাংদা অমাঙবা থোকহনবা য়াবশিং অদু মশক খঙদোক্তুনা মাঙহনবগী থবক তৌবনি। লৌশিনগদৌরিবা হকচাং অদুনা ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌরবা কিদনি অদু "মশাগী নত্তে" হায়না খঙলবদি, ইম্যুন সিষ্টেম অদুনা ত্রান্সপ্লান্টেদ কিদনি অদু লান্দাদুনা মাঙহন্নবা হোৎনৈ। অসিগুম্বা হকচাংগী মশাগী ঙাকথোকচবগী পাঙ্গল অসিবু রিজেক্সন কৌই। কিদনি রিজেক্সন অসি ত্রান্সপ্লান্টেদ তৌরবা কিদনি অদু রিসিপিয়েন্টকী হকচাং অদুনা রিজেক তৌবা অদুনি।

**কিদনি রিজেক্সন করম্বা মতমদা ওইরকই অদুগী ইফেক্ট করিনো?**

কিদনি রিজেক্সন অদু ত্রান্সপ্লান্ট লোয়রবা মতুং মতম অমা য়েক্তুদা ওইরকপা য়াই অদুবু অহানবা থা ৬ কী মনুংদা অয়াম্বা ওইগল্লি। রিজেক্সনগী থাক নেম্বা ৱাংবা অদু অনাবা মী অদুগী মখা পোল্লি। অয়াম্বা রিজেক্সন অসি তপ্পী অমসুং মতিক চাবা ইম্যুনোসপ্রেসেন্টনা লাইনা লায়েংবা ঙম্মী। অদুবু অনাবা খরদদি রিজেক্সন অসি থাক ৱাংবা য়াই অদুগা হিদাক লাংথক্লা কান্নবা ীদবা য়াওই অমসুং হেঞ্জিল্লক্তুনা কিদনি অদু শোকহল্লকপা য়াই।

***মরুওইবা ত্রান্সপ্লান্টকী ওইরকপা য়াবশিং অদু কিদনি রিজেক্সন, ইনেফেক্সন অমসুং দ্রগশিংগী সাইদ ইফেক্টশিংনি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**রিজেক্সন থিংনবা ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবা অনাবশিং অদুনা লৌখৎকদবা চেশিন থৌরাংশিং অদু করিনো?**

- হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেমনা মরম ওইদুনা মতম পুন্নমক্তা ত্রান্সপ্লান্টেদ কিদনি অদু রিজেক তৌবা য়াবগী অকীবা লৈ।
- হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেম অদু মপুং ওইনা নমথবা ঙম্লবদি রিজেক্সনগী অকীবা অদু লৈতে। অদুবু অনাবা অদু থৱায় মাঙনিঙাই ওইবা য়াবা ইনফেক্সন লাকপা য়াই।
- কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন লোয়রবা মতুংদা অখন্নবা দ্রগশিং অনাবা অদুদা অখন্নবা হিদাক কাপ্পী, মসিনা ইম্যুন সিষ্টেম অদু হোংদোকহন্দুনা রিজেক্সন থিংহল্লি, থিংহল্লীবা অসি চাং হন্থহন্দুনা অনাবা অদুনা অতোপ্পা ইনফেক্সন ঙাকথোকপা ঙম্মী। অসিগুম্বা অখন্নবা দ্রগ অদুবু ইম্যুনোসপ্রেসেন্ট দ্রগ কৌই।
- য়াম্না তোয়না শিজিন্নবা ইম্যুনোসপ্রেসেন্ট দ্রগশিং অদুদি - প্রেদনিসোলোন, সাইক্লোস্পোরিন, এজাথিওপ্রিন, মায়কোফেনোলেট মোফিটিল (এমএমএফ), টেক্রোলিমস অমসুং সিরোলিমসনি।

**ত্রান্সপ্লান্ট লোয়রবা মতুং অনাবা অদুনা ইম্যুনোসপ্রেসেন্ট দ্রগ কয়াম কুইনা চাথগদগে?**

কিদনি রিজেক্সন থিংনবীদমক ইম্যুনোসপ্রেসেন্ট দ্রগ অসি পুন্সি চুপ্পা শিজিন্নে। হৌরকপদা ইম্যুনোসপ্রেসেন্ট দ্রগ কয়া শিজিন্নে। অদুবু মশিং অমদি দ্রগগী চাং অদু মতমগী মতুং ইন্না হন্থরকই।

**কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট মতুংদা অনাবা অদুনা অতোপ্পা হিদাক শিজিন্নব্রা?**

শিজিন্নে। কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট লোয়রবা মতুংদা ইম্যুনোসপ্রেসেন্ট দ্রগকী মথক্তা এন্টিহায়পরটেন্সিপ দ্রগ, দাইয়ুরেটিক্স, কেলসিয়ম, ভিটামিন, ইনফেক্সন থিংনবা অমদি লায়েংনবা হিদাক অমসুং এর্ন্টি অলসর হিদাকশিং তোয়না শিজিন্নে।

*কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন লোয়রবা মতুং কিদনি রিজেক্সন থিংনবা পুন্সি চুপ্পা দ্রগ শিজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**ইম্যুনোসপ্রেসেন্ট দ্রগশিংগী তোয়না থেংনবা সাইদ ইফেক্টশিং অদু করিনো?**

তোয়না থেংনবা ইম্যুনোসপ্রেসেন্ট দ্রগকী সাইদ ইফেক্টশিং অদু মখাদা শন্না পীরি -

| দ্রগ | তোয়না থেংনবা সাইদ ইফেক্ট |
|---|---|
| প্রেদনিসোলোন | হকচাং অরুন্বা হেনগৎপা, ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা, গেষ্ট্রিক ইরিটেসন, চানিং থকনিংবা হেনগৎপা, দাইএবিটিস লাকপগী অকীবা, ওষ্টিওপোরোসিস, কেটেরেক। |
| সাইক্লোস্পোরিন | ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা, হকচাং তপ্না নিকপা শম হেন্না হৌগৎলকপা, য়ারী পোন্বা, দাইএবিটিস লাকপগী অকীবা অমসুং কিদনি শোকপনি। |
| এজাথিওপ্রিন | বোন মেরো নমথবা, ইনফেক্সন হেনগৎলকপগী অকীবা। |
| এমএমএফ | পুক নাবা, ওনিংবা, ওবা অমসুং দাইরিয়া। |
| টেক্রোলিমস | ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা, দাইএবিটিস, হকচাং নিকপা, কোক চিকপা, কিদনি শোকপা। |
| সিরোলিমস | ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা, ঈগী সেল মশিং হন্থবা, দাইরিয়া, উরিং, তাং চিকপা, কোলেস্টেরোল হেনগৎপা, ত্রাইগ্লিসরাইদ। |

**ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবা কিদনি ফেল ওইরবদি করি তৌগনি?**

ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবা কিদনি ফেল ওইরবা, পায়খৎপা য়াবা লম্বেল অনী অদুদি - অনীরকশুবা ত্রান্সপ্লান্ট নত্রগা দাইএলাইসিস।

**কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট মতুংদা চেকশিনগদবা**

মায়পাক্লা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবা অনৌবা, শোয়দবা, অফবা অমদি নিংতম্বা পুন্সি অমা পীবা ঙম্মী। অদুবু অখন্ননা চেকশিনবা, থকসি খাসি লৈবা পুন্সি মরেল অমনা কিদনি অনৌবা অদু ঙাকশেনবা অমদি ইনফেক্সন থিংবা তঙাইফদে।

*করিগুম্বা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট অদু ফেল ওইরবদি, দাইএলাইসিস হৌবা অমদি ত্রান্সপ্লান্ট অমুক হন্না তৌবনা লায়েংবগী লম্বেল অনিনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবা কিদনি ফহন্নবা পায়খৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিং অদুদি :

- হিদাক চাবা লেপ্তুবা নত্রগা দোজ শেমদোক্তবা। নিংশিংগদবদি চাং নাইদবা, শেমদোক শেমজিন তৌবা নত্রগা হিদাক চাবা লেপ্পগা ত্রান্সপ্লান্ট ফেল ওইবগী খ্বায়দগী মরু ওইবা মরমনি।
- হিদাক্কী লিষ্ট অমা থম্বা অমদি হিদাক মরাং কায়না থম্বা। কৈথেলদা কোম্না ফংবা নত্রগা মনা মশিংগী লায়েং তৌরোইদবনি।
- নুংতিগী ব্লদ প্রেসর ওনবা, য়ুংগী চাং য়েংথোকপা, অরুম্বা ওন্থোকপা অমদি ব্লদ সুগর (ডাক্তরনা হায়রবা কান্দা) ওন্থোক্লগা রেকোর্দ তৌগদবনি।
- চাং নাইনা ডাক্তরগা উন্নবা, পাউতাক্কী মতুং ইন্না লেবোরেটোরি টেষ্ট তৌবা তঙাই ফদে।
- মমিং লৈবা লেবোরেটোরিদা টেষ্ট তৌগদবনি। রিজল্ট অদু পক্লিং লুমদ্রবদি লেবোরেটোরি হোংবগী মহুত্তা ঙন্না ডাক্তর তান্নবনা চুমগনি।
- ইমর্জেন্সিদা, অনাবা অদুগী মরমদা হান্না খঙদবা ডাক্তর অমা উন্নবা তারবদি, মঙোন্দা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবা অনাবনি নিংথিনা খঙহনগদবনি লোয়ননা হিদাকশিং অদুসু মঙোন্দা উৎকদবনি।
- চিঞ্জাক্কী অথিংবা ত্রান্সপ্লান্ট মতুংদা হন্থে। মচলশুবা চিঞ্জাক অমদি কেলোরি ৱাংবা অমসুং প্রোটিন ৱাংবা চিঞ্জাক চাবা তঙাইফদে লোয়ননা চাবা মতম নাইগদবনি। থুম, চিনি অমসুং ফেট নেম্বা চিঞ্জাক চাগদবনি অদুগা হকচাংগী অরুম্বা হন্থনবা ফাইবর য়াওবা চিঞ্জাকসু চাগদবনি।
- নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং লিটর ৩ দগী হেন্না থক্কদবনি।
- শাজেল চাং নাইনা তৌগদবনি অমসুং হকচাংগী অরুম্বা চাং অমদা থমগদবনি। অরুম্বা থবক তৌরোইদবনি অমসুং বোক্সিং, ফুটবোলগুম্বা কন্টেক্ট স্পোর্টস শান্নরোইদবনি।

*চং নাইবা, চোকশিনবা অমসুং কুপ্না য়েংশিনবনা ত্রান্সপ্লান্ট লোয়রবা মতুং মায়পাকপগী মরুওইবা লম্বেলনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- ডাক্তর তান্নরবা মতুং নুপা নুপী হকতিন্নবা থা অনীরোমগী মতুংদা চৎথবা য়াই।
- মৈখু শিজিন্নরোইদবনি অমদি য়ু থকলোইদবনি।
- মী চিনবা মফম, সিনিমা হোল, দুকান অচৌবা, মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌবা মফম অমসুং ইনফেক্সন লৈবা মীওইশিংদগী লাপথোক্কদবনি।
- ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবা মতুং অহানবা থা অহুম অদুদা মীয়াম তিনবা মফমদা মহিক মতাই চঙদনবা মাক্স উপকদবনি।
- চাদ্রিবঁ অমদি হিদাক লাংথক শেমদ্রিবঁদা খুৎ সাপোন্না শেংনা হামদোক্কনি লোয়ননা বাথরুম চঙবা লোয়রবা মতুংসু খুৎ শেংনা সাপোন্না হামদোক্কদবনি।
- অরুম্বা, ফিল্টর তৌরবা ঈশিং থক্কদবনি।
- অনানবা কোন-লিক্তা থোংবা অনৌবা অফবা পোৎ থোংলগা চাগদবনি। থোংদবা অমদি মপানগী পোৎ চারোইদবনি। ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবা মতুং অহানবা থা অহুমগী মনুংদা অনৌবা হৈ অমদি এঞ্চাং নাপী চারোইদবনি।
- য়ুমলৈ-কৈরৈ লান্না থমগদবনি।
- নোংমদা অনিরক ব্রস তৌদুনা য়া ফনবা হোৎনগদবনি।
- তৎপা, খোৎপা অমদি য়ৈশিনবা কোমথোকলোইদবনি। থুনমক সাপোন অমসুং ঈশিংগনা চামথোক্তুনা দ্রেসিং তৌগবনি।

ডাক্তর তান্নবা নত্রগা উন্নবা নত্রগা ত্রান্সপ্লান্ট ক্লিনিক করিগুম্বা মখাগী থবকশিং অসি লৈরবদি পাঙথোক্কদবনি :

- ফরেনহৈট ১০০ হেন্বা হকচাং শাগৎলক্লবা, হকচাং নিকপা, হকচাং চিকপা অমদি লেপ্তুনা কোকচিকপগুম্বা ফ্লুগী লাইওং, লাকপা।
- ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবা কিদনি অদুগী অকোইবদা নাবা নত্রগা ঙাঙশিল্লকপা।
- য়ুং হানবা য়াম্না হন্থরকপা, মহী তুংশিন্দুনা পোমখৎপা নত্রগা খঙহৌদনা অরুম্বা থুনা হেনগৎপা (নোংমদা কেজি অমদগী হেনবা)।

***কিদনিদা হান্নগা মান্নদবা অনৌবা লাইওং উৎলক্লবদি অথুবা মতমদা ডাক্তর তান্নদুনা লায়েং চৎথগদবনি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- য়ুং হানবদা শাবা ফাওবা নত্রগা ঈ য়াওরকপা।
- লোক খুবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, ওবা নত্রগা দাইহরিয়া।
- লাইওং অনৌবা নত্রগা হান্নগা মান্নদবা লাইওংশিং লাকপা।

**কিদনি ফেলর নারবা অনাবা খরতমক কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট ফংবা ঙল্লীবসি করীগীনো?**

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ ওইরিবা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ নারবা মীওইশিংগী খ্বায়দগী ফবা লায়েংদি কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌবনি। অনাবা মশিং য়াম্না কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌবা পাম্মী। য়াম্না মরুওইবা তোয়না ত্রান্সপ্লান্ট তৌবা ঙমদবগী মরমদি –

১) কিদনি ফংদবা : মশিং য়াম্লবা অনাবশিংগী মনুংদা অনাবা খরতমক মরাইবক ফবদগী অহিংবা (ঈ মরী নত্তবা) নত্রগা অশিবা (কেদাবেরিক) কিদনি দোনরদগী কিদনি ফংবা ঙম্মী। অহিংবা কিদনি দোনর ফংবা অসি য়াম্না ৱাবা অমদি দিসিস কিদনি দোনর ঙাইবদসু ৱেটিং লিষ্ট য়াম্না শাংই।

২) মমল : ত্রান্সপ্লান্ট সর্জরিগী মমল অমদি ত্রান্সপ্লান্ট লোয়রবা মতুং পুন্সি চুপ্পা হিদাক চাবসি মমল য়াম্না ৱাংই। মসি চাউখৎলকলিবা লৈবাকশিংদা লৈবা অনাবশিংদি শম্বল অসি লাম্হোকপা ৱাই।

৩) ফেসিলিটিগী অৱাৎপা : চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌবগী খুদোংচাবা লায়না ফংদে।

**দিসিজ (কেদাবেরিক) কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন**

**দিসিজ কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন অসি করিনো?**

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নারবা অনাবা অমদা ব্রেন শিরবা নত্রগা হার্ট শিরবা মী অমনা দোনেট তৌরকপা কিদনি অমা ত্রান্সপ্লান্ট তৌবা ওপরেসন অদুবু দিসিজ নত্রগা কেদাবর ত্রান্সপ্লান্টেসন কৌই। দিসিজ (কেদাবেরিক) কিদনি অসি মতম কুইদ্রিঙৈগী মমাংদা শিখিবা অমদি মীওই অদুগী ইমুং মনুংনা মহাক্কী ওর্গান অদু দোনেট তৌনিংবদগী লাকপনি।

| |
|---|
| *কিদনি দোনর মশিং য়ামদবা মরম্না ত্রান্সপ্লান্টেসনগী খুদোংচাবা অদু ফংবদগী ৱাহনবনি।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

## দিসিজ কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন তঙাইফদ্রিবা অসি করিগীনো?

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নারবা মশিং য়াম্লবা অনাবশিং কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন ফংনবা দাইএলাইসিস তৌদুনা মশিং য়ামদবা লিবিং কিদনি দোনর লৈতবদগী ঙাইদুনা লৈরিবনি। মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা আশাদি দিসিজ নত্রগা কেদেবর দোনর নি । করিগুম্বা মীওই অমনা অতোপ্পা মীওই অমগী পুন্সিবু মহাক শিরবা মতুংদা কিদনি দোনেট তৌবনা য়াম্না লেম্বা মীওইবগী মতেংনি। দিসিজ কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট অসিনা আইনগী ঋাংমদা হকচাংগতী ওর্গান লল্লোনবা থিংবা ঙম্মী।

## ব্রেন দেথ অসি করিনো?

শিবা (দেথ) হায়বগী অচম্বা ঋাহস্থোক্তিদি হার্ট নত্রগা শ্বর হোনবা মতম পুন্নমক্কী হনগৎপা ঙম্মোইদবা মওংদা লেপখিবা অদুবু খঙনৈ। "ব্রেন দেথ" অসি মপুং ফারবা অমদি হনগৎপা য়ারোইদবা সিসেসসন (লেপ্রা) গী ফিভমদা ব্রেনগী থবক লেপখিবা অদুনা অশিবা ওইহল্লি। "ব্রেন দেথ" কী লাইওং লেপ্পা অসি হোস্পিটালদা জ্ঞান মাঙদুনা ভেন্টিলেটর সপোর্টতা লৈরিবা অনাবা অদুদা লেপথোকপা ঙম্মী।

ব্রেন দেথকী লাইওং লেপগী মচাকশিং অদুদি :

১) অনাবা অদু কোমাদা লৈগদবনি অদুগা কোমাগী মরম (খুদম ওইনা কোক শোকপা, ব্রেন ঈ থোকপা) অসি মমাংগী ঋারিনা খঙলবা, ডাক্তরনা য়েংলবা, লেবোরেটোরি টেষ্ট অমসুং ন্যুরোইমেজিংগী মতেংনা তশেংনা ওইগদবনি। অখন্নবা হিদাক খরা (খুদম ওইনা সিদেটিবম, এন্টিকনভলসেন্টস, মশল রিলেক্সেন্টস, এন্টি দিপ্রেসেন্ট, হিপনোটিক্স অমসুং নারকোটিক্স), মেটাবোলিক অমসুং এন্দ্রোক্রাইনগী মরমশিংনা জ্ঞান মাঙদুনা ব্রেন দেথকুম্না মতৌ মাহল্লী। অসিগুম্বা মরমশিং অসি ব্রেন দেথকী লাইওং লেপ্পদা য়াওহন্দে। ডাক্তরনা ব্লদ প্রেসর অনেম্বা, হকচাংগী টেম্পরেচর অমদি হকচাংগী ওক্সিজেন অনেম্বা অদু কুমথরক্লগা ব্রেন দেথনি হায়গদৌরিবনি।

২) এক্সপার্টশিংনা কুপ্না নিংথিনা লায়েংদুনা মতম শাংনা লাক্লবসু হঞ্জিন হঞ্জিন কোমাদা লৈদুনা ফগৎলকপগী মমী উদ্রবা।

***ব্রেন দেথতা শোকখিবশিং হনগৎপা ঙমদে লোয়ননা হান্নগী ফিভমদা ফগৎপা অদু হিদাক নত্রগা সর্জরিগী লায়েংবনা ওইহনবা ঙমদে।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

৩) মশা মথন্তা শ্বর হোঞ্জদবা, অনাবা অদু ভেন্টিলেটরগী মতেংদা লৈবা।

৪) রেস্পিরেসন, ব্লদ প্রেসর অমসুং ঈ খোংজেল অদু ভেন্টিলেটর অমসুং অতোপ্পা পুন্সি কনবা খুৎলাইশিংনা পাঙথোকপা।

**ব্রেন দেথ অমসুং জ্ঞান মাঙবা করি খেৎনবগে?**

জ্ঞান মাঙবা মীদি ভেন্টিলেটরগী মতেং য়াওরবসু য়াওদ্রবসু য়াই অমদি নিংথিনা লায়েংলবা মতুংদা ফগৎলকপা ঙম্মী। অদুবু "ব্রেন দেথ" কী অনাবদদি অশোকপা অদু য়াম্না হেঞ্জিদুনা হান্নগী ফিভমদা লাকপা অদু হিদাক লাংথক নত্রগা সর্জরিগী লায়েংনসু ওইহনবা ঙমদে। "ব্রেন দেথ"গী অনাবদদি ভেন্টিলেটর হেক লৌথোকখিবগা শ্বর হোনবা লেপখিগনি অমদি হার্টসু চোংবা লেপখিগনি। নিংশিংগদবদি অনাবা অদু হান্ননা আইনগী মতুং ইন্না শিরবনি, ভেন্টিলেটর লৌথোকপনা শিবগী মরম নত্তে। "ব্রেন দেথ" কী অনাবশিং মতম পুন্বা ভেন্টিলেটরদা লৈবা য়ারোই, মখোয়গী হার্ট অদুসু থবক তৌবা তপ্পা তপ্পা লেপ্পক্কনি।

**কনাগুম্বা শিরবা মতুংদা কিদনি দোনেট তৌবা য়াব্রা?**

য়াদে। মীৎ দোনেসন তৌবগুম, কিদনি দোনেসনদি শিরবা মতুং ওইথোক্তে। শিরবদি হার্ট লেপখিগনি অদুগা চপ মান্ননা কিদনিদা ঈগী সপ্লাইসু লেপখিগনি। মসিনা কিদনিদা হনগৎপা য়াররোইদবা ফিভমদা লৈহল্লি, মসিনা কিদনি অদু ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌবা য়াহন্দে।

**"ব্রেন দেথ" কী তোয়না থেংনবা মরমশিং অদু করিনো?**

তোয়না থেংনবা মরমশিং অদুদি কোক শোকপা (এক্সিদেন্ট), ব্রেন মনুংদা ঈ থোকপা, ব্রেনগী শিংলি ফুনবদগী শোকপা অমসুং ব্রেন ট্যুমরনি।

**করম্বা মতমদা অমদি করম্বা "ব্রেন দেথ" অসি লাইওং লেপ্পগে? কনানা ব্রেন দেথকী লাইওং লেপ্রগে?**

ভেন্টিলেটরদা কুইনা কোমাদা লৈরক্লবা অমদি অতোপ্পা পুন্সি কনবা খুৎলাইনা মতম শাংনা হোৎনদুনসু ন্যুরোলোজিকেল এগজামিনেসন অমদি ক্লিনেকেলগী মায়কৈদসু ফগৎপা উদ্রবা মতমদা "ব্রেন দেথ" অসি খন্নে।

> *ব্রেন দেথতা হকচাংগী রেস্পিরেসন অমদি ব্লদ সার্কুলেসন খৎশেম্না পাঙথোকহল্লি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ব্রেন দেথকি লাইওং লেপ্পা অসি কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন য়াওদবা ডাক্তর কাংবুনা তৌগনি। কাংবু অসিগী মনুংদা অনাবা অদুবু হান্নদগী য়েংদুনা লাকপা ডাক্তর, ন্যুরোফিজিসিয়ন, ন্যুরোসর্জন নচিংবা য়াওরি। মখোয়না মশা-মশাগী তোঙানবা এগজামিনেসনগী মতুংদা অনাবা অদু "ব্রেন দেথ" নি হায়না লাওথোক্কনি। য়াম্না কুপ্না ক্লিনিকেল এগজামিনেসন, তোঙান তোঙানবা লেবোরেটরি টেষ্ট, অখন্নবা ইইজি টেষ্ট (ব্রেনগী) অমদি অতোপ্পা থিজিনবগী থবক কয়া পায়খৎলবা মতুং ব্রেন শোকপা অদু ফগৎলকপা য়াবা লম্বেল পুম্নমক থিবা য়াবা থিগনি। অসিগুম্বা ময়াম অসিদগী ফগৎলকপগী খুদোংচাবা নত্রগা মসি উরকত্রবা মতমদা "ব্রেন দেথ" নি হায়না লাওথোক্কনি।

**"ব্রেন দেথ" কী অনাবা অমদগী কিদনি দোনেসন তৌবদা থেংনবা নঙাইতবশিং অদু করিনো?**

মমাংদা পীরিবা মরমশিং অসিদগী ব্রেন দেথ ওইরবা অনাবা অমগী কিদনি লৌবা য়াদে :

১) ইনফেক্সন য়াম্না লৈবা অনাবা।

২) ঐচ আই ভি নত্রগা হেপাটাইটিস নারিবা অনাবা।

৩) মতম শাংনা হায়পরটেন্সন, দাইবিটিস মেলিটিস, কিদনি দিজিজ নত্রগা কিদনি ফেলর লৈবা অনাবা।

৪) কেন্সর নাবা (ব্রেন ট্যুমর নত্তনা)

৫) চহী ১০ গী মখাগী নত্রগা চহী ৭০ হেল্লবা অনাবা।

**কেদাবর দোনরশিংনা অতোপ্পা করম্বা ওর্গান দোনেট তৌবা য়াই?**

কেদাবর দোনরশিংনা কিদনি অনিমক দোনেট তৌদুনা অনাবা অনীগী পুন্সি কনবা য়াই। কিদনিদা নত্তনা মীৎ, হার্ট, লিভর, স্কিন, পেনক্রিজ নচিংবসু দোনোট তৌবা য়াই।

*শিরবা দোনর অমনা সিকেদি নারবা মীওই অনিগী পুন্সি মহাক্কী কিদনি অনীনা কানবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**দিসিজ কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগী টিম মেম্বরশিং অদু কনা কনানো?**

দিসিজ (কেদাবর) কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনদা মতিক চাবা টিম ৱার্ক তঙাইফদে। মসিগী মনুংদা য়াওরিবশিং অদুদি :

- আইনগী অয়াবা লৌননবা দিসিজ কিদনি দোনরগী মরি-মতা।
- দোনর অদু য়েংবা ডাক্তর।
- কেদাবর ত্রান্সপ্লান্ট কো-ওদিনেটর, মহাক্না অনাবা অদুগী মরি-মতাশিংদা কিদনি দোনেসনগী মরমদা মতেং পাঙগদৌরিবনি।
- ব্রেন দেথনি হায়না লাইওং লেপথোকখিবা ন্যুরোলোজিষ্ট।
- নেফ্রোলোজিষ্ট, য়ুরোলোজিষ্ট অমসুং কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌগদৌবা টিম অদুনি।

**দিসিজ কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন করম্না পাঙথোকপগে?**

দিসিজ কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগী মরুওইবা খোংথাংশিং অদুদি :

- ব্রেন দেথকী লাইওং নিংথিনা লেপথোকপা তঙাইফদে।
- দোনর অদুগী কিদনি অনীমক ফরি হায়বদু ইনভেষ্টিগেসনগী মতুংদা লেপথোক্কনি অদুগা দোনর অদু অতোপ্পা লায়না অমতা লৈতে হায়বদুসু খঙদোক্কদবনি।
- দোনরগী মরি মতাদগী অয়াবা য়াওগনি।
- কিদনি অনীমক লৌথোকত্রিঙৈদা দোনর অদু ভেন্টিলেটরদা থমদুনা মহাক্কী হার্ট বিট, রেস্পিরেসন অমদি ব্লদ প্রেসর অদু নিংথিনা থমগনি।
- লৌথোক্লবা কিদনি অনীদু অখন্নবা অইংবা মহি অমদা চামথোক্লগা উনদা চেকশিন্না থমগনি।
- দিসিজ দোনর অমনা কিদনি অনীমক দোনেট তৌবা য়াই, মসি ত্রান্সপ্লান্ট ফংগদৌরিবা অসি মীওই অনিনি।

*কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট লোয়রবা মতুংদা অনাবা অদুনা হান্নগুম্না পুন্সি লেনবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- ব্লদ গ্রুপ, ঐচ এল এ মেটচিং অমসুং টিসু ক্রোস মেটচিং তৌরবা মতুংদা মতিকচাবা রিসিপিয়েন্টশিং অদু ৱেটিং লিষ্টতগী দিসিজ কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন অদুগীদমক খনগৎক্নি।
- ত্রান্সপ্লান্টেসন ওন্না পাঙথোকপনা কান্নবা হেনবনিনা শেমশাবা হেক লোয়বগা কিদনি ত্রান্সপ্লানন্টেসনগী ওপরেসন অনিমক অথুবা মতমদা রিসিপিয়েন্ট অনীমক্তা পাঙথোকই।
- ত্রান্সপ্লান্টেসন তৌদ্রিঁদা কিদনি অদু য়োকশিন্দুনা উনবা থম্বা মরম্না ওক্সিজেন ফংদবা অমদি ঈগী সপ্লাই ফংদবনা ত্রান্সপ্লান্ট হেক লোয়বগা কিদনি অদু মথৌ তৌরোইদবনিনা অতেনবা মতমগী ওইনা দাইএলাইসিসগী তঙাইফদবা অদু অনাবা অয়াম্বদা লৈগনি।

**দোনরগী ইমুং মনুংদা শেল পীবগী থবক তৌব্রা?**

তৌদে। দোনরগী ইমুং মনুংনা শেল অমত্তা ফংদে অদুগা কিদনি ফংলিবা অদুনসু কনাগুম্বা অমত্তদা শেল পীবা মথৌ তাদে। শিরবা মতুং কিদনি দোনেসন্না কনাগুম্বা অমগী পুন্সি পীবা ঙম্বসি মমল নাইদ্রবা খুদোলনি। অসিগুম্বা পুকচেল চাওবা অমদি মীওইবগী মীনুংশি লৈবা অসি য়াম্না নুঙাইবা অমদি থম্মোয় পেন্থোকনিঙাই ওইবা খোংথাংনি। নারবা মীওই অমগী পুন্সি পীবদা ফংবা অপেনবা অদু শেলগী কান্নবা ফংবদগী য়াম্না হেনবা থবকনি।

**ইন্দিয়াদা দিসিজ কিদনি ত্রান্সপ্লান্টকী খুদোংচাবা ফংবা সেন্টর করম করম্বা লৈবগে?**

দিসিজ কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসনগীদমক রাজ্য অমদি কেন্দ্র লৈঙাক্না শক খঙলবা হোস্পিটালশিংদা অসিগুম্বা ওর্গান ত্রান্সপ্লান্টেসন অসি পাঙথোকপা য়াই। ইন্দিয়াদা লৈবা মরুওইবা সেন্টরশিং অদুদি - অহমেদবাদ, বেঙ্গালুরু, চেন্নাই, দেল্লী, মুম্বাই, কোলকতা, হায়দরবাদ অমসুং অতোপ্পা মফমশিংনি।

*ওর্গান দোনেসন অসি লাইগী গুন চেনবা থবকনি। পুন্সি কনবগী থবক অসিদগী হেন্না শেংবা থবক অমা লৈতে।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ১৫
# দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ

দাইএবিটিস মেলিটিসনা নাবা মীশিং অসি ইন্দিয়া অমদি মালেমগী মফম অয়াম্বদা হেনগৎলক্লি। মসিনা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ ওইরকপা য়াবগী তাঞ্জা হেনগৎহল্লি। দাইবিটিক কিদনি দিজিজ অসি দাইএবিটিসতগী ওইহল্লকপা য়াবা য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা নুঙাইতবনি অমদি শিবগী চাংসু ৱাংই।

## দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ হায়বসি করিনো?

দাইএবিটিস কুইনা নারক্লবা কিদনিদা লৈরিবা শিংলি মচাশিং অদু ঈদা চিনিগী চাং লেপ্তুনা য়াওরকপনা শোকহল্লি। হৌরকপদা মসিনা প্রোটিন য়ুংদা য়াওবা হৌরকই। মখা তারকপদা হায়পরটেন্সন লৈহল্লকই, পোমখৎপা অমদি কিদনি শোকপগী লাইওং উৎপা হৌরকই। মমৈদা শোকপা সুম হেঞ্জিল্লকপনা সেবিয়র কিদনি ফেলর (এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ) ওইরকই। অসিগুম্বা দাইএবিটিসনা মরম ওইরগা কিদনি শোকহল্লকপা অসিবু দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ কৌই। মেদিকেলগী লোলদা দাইএবিটিক নেফ্রোপেথি হায়না খঙনৈ।

## দাইএবিটিক কিদনি দিজিজগী মরমদা খঙবা মরুওইরিবসি করিগীনো?

- দাইএবিটিস অসি ইন্দিয়াদা য়াম্না থুনা মশিং হেনগৎলক্লি। মালেমগী ওইনসু ৱাংলিবনি। ইন্দিয়ানা মালেমগী দাইএবিটিস কোনুং ওইগদৌরি।
- দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ (দাইএবিটিক নেফ্রোপেথি) অসিনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী খ্বায়দগী মরু ওইবা মরমনি।
- নৌনা লাইওং লেপ্পা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ (ইএসকেদি) শিংগী মনুংদা চাদা ৪০-৪৫ দি দাইএবিটিস মেলিটসনা ওইহল্লি।
- ইএসকেদি লায়েংবগী মমল অসি য়াম্না তাঙবা মরম্না ইন্দিয়াগুম্বা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক্কী অনাবশিংনা পুথোকপা ঙমদে।

*ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী মরম দাইএবিটিসনা খ্বায়দগী মরু ওইবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- ঙন্না লাইওং লেপথোকহৌবা অমদি লায়েংহৌবনা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। দাইএবিটিসসু নারবা ক্রোনিক কিদনি দিজিজসু লৈরবদি য়াম্না কুপ্না লায়েংবগা দাইলাইসিস অমদি ট্রান্সপ্লান্টেসন্দগী মতম য়ৈথবা ঙম্মী।
- দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ নারবশিংগী মনুংদা কারদিওভাস্কুলারগী মরম্না শিবগী মরম হেনগৎহল্লি।
- মরম অদুনা ঙন্না দাইবিটিক কিদনি দিজিজ লাইওং লেপথোকপনা খ্বায়দগী মরু ওইবা খোংথাংনি।

**দাইএবিটিক্স কয়াম দাইবিটিক কিদনি দিজিজ ওইহল্লকপগে?**

দাইএবিটিস মেলিটিস মখল অনি থোক্লা লৈ, লোয়ননা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ ওইরকপা তাঞ্জাসু তোঙাল্লি।

টাইপ ১ দাইএবিটিস (আইদিদিএস - ইন্সুলিন দিপেন্দেন্ট দাইএবিটিস : টাইপ ১ দাইএবিটিস অসি নহা ওইরিবা মতমদা থেংনৈ। মসিদা ইন্সুলিন মথৌ তারকই। চাদা ৩০-৩৫ টাইপ ১ দাইএবিটিক কিদনি কিদনি দিজিজ ওইরকই।

টাইপ ২ দাইএবিটিস (এনআইদিদিএম - নন ইন্সুলিন দিপেন্দেন্ট দাইএবিটিস): টাইপ ২ দাইএবিটিস অসি মপুং মরেপ ফারবশিং ওইগল্লি অদুগা মসি ইন্সুলিন য়াওদনা লাকশিনবা ঙম্মী। টাইপ ২ দাইএবিটিসকী চাদা ১০-৪০ ফাওবদি দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ ওইহল্লি। টাইপ ২ দাইএবিটিসনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ ওইহল্লকপগী খ্বায়দগী মকোক্তা লৈবা মরমনি। মসিনা অনৌবা কেস অহুমগী মনুংদা অমদি সিকেদি ওইহল্লি।

**করম্বা দাইএবিটিক অনাবনা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ ওইহল্লকপগে?**

করম্বা দাইএবিটিক অনাবনা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ ওইহল্লকপগে হায়বদু য়াম্না লুই। অদুবু লায়না অসি ওইরকপা য়াবগী অচৌবা মরমশিং অদুদি -

- চহী ২০ চংশিল্লকপা টাইপ ১ দাইএবিটিস নাবা।

*দাইএলাইসিস তৌরিবা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ নারবা মীওই অহুমগী মনুংদা অমদি দাইএবিটিসনা মরম ওই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- নিংথিনা দাইএবিটিস লাকশিন্দবা (ঐচবিএ১সিগী থাক ৱাংবা)
- নিংথিনা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা লাকশিন্দবা।
- ইমুং মনুংগী মীওইদা দাইএবিটিস অমসুং ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নাবা।
- দাইএবিটিসনা মরুওইরগা উবগী চাং হন্থরকপা (দাইবিটিক রেটিনোপেথি) নত্রগা নর্ব শোকপা দাইএবিটিক ন্যুরোপেথি)
- য়ুংদা প্রোটিন য়াওরকপা, নোয়বা, চুরুট থকপা অমদি সেরম লিপিদকী চাং ৱাংখৎলকপা।

**করম্বা মতমদা দাইএবিটিক অনাবা অমনা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ নারকপগে?**

দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ অসি ওইরকপদা চহী কয়া চংই, মরম অদুনা চহী ১০ দাইএবিটিস নারবা ফাওবদা অনাবা অসি তাঙনা ওইগল্লি। টাইপ ১ দাইএবিটিস নারকপা চহী ১৫-২০ মতুংদা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজগী লাইওং উৎপা হৌরকই। করিগুম্বা দাইএবিটিস নারবা মীওই অমনা চহী ২৫ ফাওবা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ নারক্ত্রবদি, নারকপা য়াবগী তাঞ্জা অদু অসুম নেমথরক্কনি।

***দাইএবিটিক অনাবা অমদা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ নারে হায়না চিংনবা য়াবগে?***

দাইএবিটিক অনাবা অমনা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ নারে হায়না চিংনবা য়াবগী মরমশিং অদুদি :

- য়ুং হানবদা কোঙ্গোল য়াম্না কাবা নত্রগা প্রোটিন/অলবুমিন য়াওরকপা (অহৌবা ষ্টেজদা থেংনবা)
- ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা নত্রগা হান্নদগী ৱাংদুনা লৈবা ব্লদ প্রেসর অদু হেঞ্জিল্লকপা।
- খোংনিং, খোং অমদি মায়দা পোমখৎলকপা; য়ুংগী শরুক হন্থরকপা নত্রগা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎপা (মহী তুংশিনবদগী)।

| |
|---|
| *দাইএবিটিসকী কিনিঙাই ওইবা শক্তমশিং অদুদি য়ুংদা অহেনবা প্রোটিন য়াওরকপা, ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা অমদি পোমখৎলকপনি।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- ইন্সুলিন নত্রগা এন্টিদাইএবিটিক হিদাক্কী মথৌ তাবা হন্থরকপা। হায়পোগ্লাইসিমিয়া তোয়খৎলকপা (চিনিগী চাং হন্থবা)। এন্টি দাইএবিটিক হিদাক্লা মমাংদা দাইএবিটিস ৱানা লাকশিল্লম্বা অদু নিংথিনা লাকশিনবা ওল্লক্তপা।
- হিদাক য়াওদনা দাইএবিটিস লাকশিনবা ওল্লকপা। অয়াম্বা অনাবশিংনা দাইএবিটিস ফরে হায়না হরাওনবা, অদুবু লাইবক থিবদি অমদি অচুম্বদি মীওই অদু কিদনি ফেলর হেঞ্জিল্লবনি।
- ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী লাইওং উৎলকপা (শোন্থবা, চোকথবা, চানিং থকনিংদবা, ওনিংবা, ওবা, হাক্কচবা, কুচু তাইফেৎ তাইবা অমদি শ্বর হোনবা ৱারকপা) অসিনি।
- ঈ টেষ্ট তৌবদা ক্রিএটিনিন অমসুং য়ুরিয়াগী চাং ৱাংখৎলকপা।

**দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ করম্না লাইওং লেপথোক্কনি অমদি করম্বা টেষ্টনা খ্বায়দগী ঙন্না খঙদোকপা য়াবগে?**

দাইএবিটিক কিদনি দিজিজগী লাইওং লেপথোক্লবা খ্বায়দগী মরু ওইবা টেষ্ট অনী অদুদি প্রোটিন য়াওব্রা হায়না য়ুং টেষ্ট তৌবা অমদি ঈদা ক্রিএটিনিন (অমসুং ইজিএফআর) য়াওব্রা টেষ্ট তৌথোকপনি। খ্বায়দগী ঙন্না দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ খঙদোক্লবা খ্বায়দগী ফবা টেষ্ট অদুদি য়ুরিনগী মাইক্রো অলবুমিনুরিয়া টেষ্টনি। মসিগী মথংদা খ্বায়দগী ফবা টেষ্ট অদু ষ্টেন্দর্দ য়ুরিন দিপষ্টিক টেষ্ট তৌদুনা মেক্রোঅলবুমিনুরিয়া য়াওব্রা হায়না খঙদোকপা য়াই। ক্রিএটিনিন (অমসুং ইজিএফআর) য়াওব্রা হায়না ঈ টেষ্ট তৌবনা কিদনিগী মথৌ খঙদোকপা ঙম্মী অমসুং সেরম ক্রিএটিনিনগী চাং অসি দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ ষ্টেজ অরোইবদা হেনগৎলকই।

**মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া অমদি মেক্রোঅলবুমিনুরিয়া হায়বসি করিনো?**

অলবুমিনুরিয়া হায়বসি য়ুংদা অলবুমি (প্রোটিন মখল অমা) য়াওবা অদুবুনি। মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া হায়বনা য়ুংদা প্রোটিনগী চাং অদু য়াম্না পীক্লা য়াওবা (নোংমদা মিলিগ্রাম ৩০ দগী ৩০০ ফাওবা) অদুনি, মসিগী চাং অসি

*চেকশিনগদবা : তোয়না ঈদা চিনিগী চাং হন্থরক্লবা নত্রগা হিদাক য়াওদনা দাইএবিটিস লাকশিল্লক্লবা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ চিংনবা য়ারে।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

চন্না তৌবা য়ুংগী চাংয়েংদা খঙদোকপা ঙমদে। অখন্নবা টেষ্ট নত্রবদি। অদুগা মেক্রোঅলবুমিনুরিয়া হায়রগনা য়ুংদা প্রোটিন (নোংমদা মিলিগ্রাম ৩০০ দগী হেল্লবদি) গী চাং য়াম্না য়াওবা অদুবুনি। মসি চন্না য়ুংগী দিপষ্টিকতা খঙদোকপা ঙম্মী।

**মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া গী য়ুং টেষ্ট তৌবনা খ্বায়দগী ফবা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজগী টেষ্টনি হায়রিবা করিগীনো?**

মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়াগী য়ুং টেষ্ট তৌবনা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ য়াম্না ঙন্না খঙদোকপা ঙম্মী, মরম অসিনা লাইওং লেপথোকপগী খ্বায়দগী অফবা টেষ্টনি হায়রিবনি। অসিগুম্বা ষ্টেজদা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজগী লাইওং লেপথোকপগী কান্নবা অসি লায়না অসিবু থিংহৌবা অমদি মায়োন হোংদোকপসু কুপ্পা লায়েংলবদি ঙম্বা অদুনি।

মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া টেষ্টনা দাইএবিটিক নেফ্রোপেথি অসি চুম্নগী ষ্টেন্দর্দ দিপষ্টিকতগী চহী মঙা ঙনখৎনা খঙদোকপা ঙম্মী। অমসুং লাইওং লাক্তুনা নত্রগা সেরম ক্রিএটিনিনগী চাং ৱাংখৎতুনা শোকনিঙাই ওইদ্রিঙৈদা খঙদোকপসু ঙম্মী। কিদনিগী লম খক নৎতনা মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়ানা দাইএবিটিক অনাবশিংদা কারদিওভাস্কুলরগী নুঙাইতবশিং অদুসু মাংজৌননা খঙদোকপা য়াই।

ঙন্না অনাবশিংগী লাইওং লেপথোকপা ঙম্বা অসিনা মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়ানা অনাবশিংদা চেকশিনৱা ফোংদোক্তুনা ডাক্টরশিংদা অসিগুম্বা অনাবশিংবু কুপ্পা লায়েংবগী খুদোংচাবা অমা পীরি।

**দাইএবিটিক্সতা য়ুংগী মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া টেষ্ট অসি করম্বা মতমদা অমদি কয়াম তোইনা টেষ্ট পাঙথোক্কনি?**

টাইপ ১ দাইএবিটিসতা, মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া টেষ্ট অসি দাইএবিটিস হেক হৌরকপা চহী মঙাগী মতুংদা পাঙথোক্কদবনি মদুগী মতুং চহী খুদিংগী টেষ্ট তৌগদবনি। অদুগা টাইপ ২ দাইএবিটিসতদি মাক্রোঅলবুমিনুরিয়া টেষ্ট অসি লাইওং লেপ্পা মতমদগী হৌরগা চহী খুদিংগী টেষ্ট তৌগদবনি।

*দাইএবিটিক কিদনি দিজিজগী খ্বায়দগী মরু ওইবা লাইওং লেপথোকপগী টেষ্ট অনী অদুদি প্রোটিন য়াওব্রা হায়না য়ুং টেষ্ট তৌবা অমসুং সেরম ক্রিএটিনিননি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

## দাইএবিটিক্সতা য়ুংসি মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়াগীদমক করম্না টেষ্ট তৌবগে?

অচন্বা য়ুং টেষ্ট তৌবদা প্রোটিন য়াওই য়াওদে খঙদোকপা ঙমদ্রবা মতমদা প্রোটিনগী চাং য়াম্না কুপ্পবসু য়াওবগী চাংয়েং পাঙথোকপা ঙম্বা অদুগুম্বা টেষ্ট মখল অমনি মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া হায়বসি। দাইএবিটিক কিদনি দিজিজগী খঙদোক্নবা অহানবা য়ুরিন দিপষ্টিক টেষ্ট হান্না পাঙথোকই। মদুদা প্রোটিন য়াওরমদ্রবদি মখাতানা মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া য়াওব্রা য়েংথোক্নবা অতোপ্পা য়ুরিন টেষ্ট অমুক তৌই। করিগুম্বা অলবুমিন অদু রুটিন টেষ্ট (অচন্বা টেষ্ট) তৌবদা য়াওবা থেংনরবদি মখাতানা মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়াগী টেষ্ট পাঙথোক্লরোই। দাইএবিটিক নিফ্রোপেথি চুম্না লাইওং লেপথোক্নবা মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়াগী টেষ্ট থা ৩ দগী ৬ ফাওবগী মনুং তৌবা টেষ্ট অহুমগী মনুংদা অনীদি পোজিটিব ওইগদবনি, অদুবু মতম অদুদা য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সনদি লৈরোইদবনি।

মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া খঙদোক্নবা খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা টেষ্ট অহুম অদুদি :

স্পোট য়ুরিন টেষ্ট : টেষ্ট অসি রিএজোন্ট ষ্ট্রিপ নত্রগা টেবলেট অমনা পাঙথোক্কনি। টেষ্ট অসি য়াম্না চম্মী অমসুং মমলসু য়াম্না হোঙই। অদুবু চুম্বগী চাংদি ৱাৎলি। মরম অদুদা মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া টেষ্ট অসি রিএজেন্ট ষ্ট্রিপ নত্রগা টেবলেটনা পোজিটিব ওইরবদি কনফার্ম তৌনবা য়ুরিন অলবুনি টু ক্রিএটিনিন রেসিওদা টেষ্ট তৌগনি।

অলবুমিন টু ক্রিএটিনিন রেসিও : য়ুরিনরি অলবুমিন টু ক্রিএটিনিন রেসিও (এসিআর) অসিনা খ্বায়দগী অকক্নবা, থাজবা য়াবা অমদি য়াম্না চুম্না মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়াগী টেষ্টনি। এসিআরনা য়ুংদা এলবুমিন লৌথোকপগী মতম অসি পুং ২৪ নি হায়না লৌই। অয়ুক অঙনবগী য়ুং সেম্পলদা অলবুমিন টু ক্রিএটিনিন রেসিও (এসিআর) অসি মিলিগ্রাম/গ্রাম ৩০ দগী ৩০০ ফাওবা য়াওরবদি মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া (নোর্মেল ভেল্যুদা মিলিগ্রাম/গ্রাম ৩০ দগী তাগদবনি) য়াওরে তাকপনি। টেষ্ট অসি য়াম্না তোয়না ফংদবা অমদি মমল ৱাংবা মরম্না টেষ্ট অসিনা চাওখৎলকলিবা লৈবাকশিংদা দাইএবিটিক অনাবা টেষ্ট তৌবা মশিং য়াম্না হন্থরি।

> ***য়ুংদা মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া টেষ্ট তৌবা অসিনা অহানবা অমদি খ্বায়দগী ফবা টেষ্ট অমা ওইদুনা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ খঙদোক্লরি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়াগীদমক পুং ২৪ গী য়ুং খোমজিনবা :**

পুং ২৪ গী মনুংদা অপুনবা অলবুমিন মিলিগ্রাম ৩০ দগীনা ৩০০ ফাওবা য়াওরবদি মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া চিংনবা য়ারে। মসিগী টেষ্ট অসি মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া লাইওং লেপথোকপগী ষ্টেন্দর্দ মেথদনি, তশেংনা লায়না অসি নারে হায়বদি য়াদ্রি।

**করম্না ষ্টেন্দর্দ য়ুরিন দিপষ্টিক্না দাইবিটিক কিদনি দিজিজগী লাইওং লেপথোকপদা মতেং পাঙবগে?**

ষ্টেন্দর্দ য়ুরিন দিপষ্টিক টেষ্ট (করিগুম্বা "ত্রেস" তগী "৪+" ফাওবা রিপোর্ট তৌই) অসি পাক শন্না অমদি চাং অমদা য়ুংদা প্রোটিন য়াওব্রা য়েংথোকপগী টেষ্ট অমনি। দাইএবিটিস নারবা মীওইশিংগীদি টেষ্ট অসিনা য়াম্না লায়বা অমদি থুনা মেক্রোঅলবুমিনুরিয়া (য়ুরিন অলবুমিন নোংমদা মিলিগ্রাম ৩০০ দগী হেনবা) য়াওব্রা য়েংবা ঙম্মী। মেক্রোঅলবুমিনুরিয়া য়াওরকপা অসিনা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজগী ষ্টেজ ৪ - রিফ্লেক তৌই।

দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ ওইরকপদা মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া (ষ্টেজ-৩ ইনসিপিয়েন্ট দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ) গী মতুংদা মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া লাক্কনি। অদুবু অতোপ্পা কিদনি দিজিজ খুদম ওইনা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমগুম্বগীদি মমাংদা লাকই লোয়ননা ক্রোনিক কিদনি দিজিজনা মরম ওইদুনা সেরম ক্রিএটিনিন য়াওরকপদগীসু হাল্লি।

দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ খঙদোক্লবগীদি মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়ানা খ্বায়দগী ঙনবা অমদি অফবা টেষ্টনি। য়ুরিন দিপষ্টিক টেষ্টতা মেক্রোঅলবুমিনুরিয়া য়াওরকপনা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজগী থংনবা ষ্টেজ অদু মশক তাকই।

চাওখৎলকলিবা লৈবাকশিংদদি মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া টেষ্ট অসি কোম্না ফংদবা অমদি মমল ৱাংবা মরম্না ষ্টেন্দর্দ য়ুরিন দিপষ্টিক টেষ্ট অসি থংননা লৈবা খ্বায়দগী ফবা মেক্রোঅলবুমিনুরিয়া লাইওং লেপথোক্কুনা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজগী লাইওং লেপ্পবগী থবক ওইরে।

য়ুরিন দিপষ্টিক টেষ্ট অসি অচন্বা অমদি মমল হোঙবা থৌওংনি; মসি অপীকপা

*চহীগী ওইনা মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া য়াওব্রা হায়না য়ুরিন টেষ্ট তৌবনা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ ঙন্না মশক খঙদোকপগী খ্বায়দগী ফবা খোংথাং ওইরি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

সেটরশিংদসু ফংবা মরম্না দাইএবিটিক দিকনি দিজিজ অসি লৈব্রা হায়বা জাগা অমগী মীয়াম পুন্নমক টেষ্ট তৌথোকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ। তাঙ্কক অসিদা কন্না হোৎনহৌবনা অফবা ওইগনি অমদি দাইএলাইসিস নত্রগা কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন তৌবগী মতম অদুসু শাংনা য়েথোকপা য়াই।

**দাইবিটিক কিদনি দিজিজ করম্না লাইওং লেপথোক্কনি?**

খ্বায়দগী ফবা থৌওং : মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া টেষ্ট অমসুং ক্রিএটিনিন (অমদি ইজিএফআর) ব্লদ টেষ্ট চহী অমদা তৌদুনা য়েংথোকপা।

চৎনবা য়াবা থৌওং : থা অহুম/অহুমগী ব্লদ প্রেসর ওন্থোকপা অমদি য়ুরিন দিপষ্টিক টেষ্ট; লোয়ননা দাইএবিটিক নারবা মীপুম খুদিংমক চহীগী ক্রিএটিনিন (অমদি ইজিএফআর) ব্লদ টেষ্ট তৌথোকপা। মসিগী থৌওং অসি য়াম্না লায়না পাঙথোকপা ঙম্বনা চাওখৎলকলিবা লৈবাকশিংগী অপীকপা সহরশিংদসু পাংথোকপা য়াই।

**দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ অসি করম্না থিংগনি?**

দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ থিংনবা কান্নরবা পাউতাকশিং :

- ডাক্তরগা তোয়না উন্নদুনা তান্নবা।
- দাইএবিটিস নিংথিনা লাকশিনবা। ঐচবিএ ১ সিগী থাক অসি ৭ তগী নেমথনা থম্বা।
- ব্লদ প্রেসর ১৩০/৮০ এমএম ঐচজিগী মখাদা থম্বা। এন্টিহায়পরটেন্সিব দ্রগ ওইরিবা এঞ্জিওটেন্সিন কনভর্টিং এনজাইম (এসিই) ইনহিবিটর্স অমসুং এঞ্জিটেন্সিন রিসেপ্তর ব্লোকর্স (এআরবি) মখলশিং অসি ঙন্না শিজিন্নবা।
- থুম অমসুং চিনি চাবা হন্থবা অমদি প্রোটিন, কোলেষ্টেরোল অমসুং ফেট য়াওবা চিঞ্জাক ককথবা।
- য়ামদ্রবদা চহী অমদা অলবুমিন অমসুং ক্রিএটিনিন ব্লদ টেষ্ট (অমদি ইজিএফআর) টেষ্ট তৌথোক্কুনা কিদনি ফরিব্রা য়েংথোকপা।

*চাওখৎলকলিবা লৈবাকশিংগীদি মেক্রোঅলবুমিনুরিয়াগী লাইওং লেপথোক্লবা য়ুরিন দিপষ্টিক টেষ্ট তৌবনা খ্বায়দগী কান্নবা লম্বেল ওইগনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- অতোপ্পা খোংথাং : চাং নাইনা শাজেল অমসুং হকচাং অরুম্বা অফবা চাংদা থম্বা। য়ু, চুরুট অমদি হিদাক মনাগী পোৎথোক শিজিন্নদবা অমদি মরম চাদনা পেনকিলর শিজিন্নদবা।

**দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ লায়েংবা**

- দাইএবিটিস নিংথিনা লাকশিনবা।
- কিদনি ঙাকশেনগে কনগে হায়রবদি ব্লদ প্রেসর য়াম্না কুপ্না লাকশিনবা। চাং নাইনা প্রেসর ওন্দুনা ১৩০/৮০ এমএমঐচ জিগী মখাদা থম্নবা হোৎনবা। হায়পরটেন্সন লায়েংথোকপনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ ওইরকপা অদু তপথহল্লি।
- এঞ্জিওটেন্সিন কনভর্টিং এঞ্জাইম (এসিই) ইনহিবিটর্স অমসুং এঞ্জিওটেন্সিন রিসেপ্তর ব্লোকর্স (এআরবি) অসি দাইবিটিক অনাবশিংদা য়াম্না কান্নবা পীবা এন্টি হায়পরটেন্সিব দ্রগনি। মখোয়না কিদনি দিজিজ নারক্কদবা অদু তপথহনবগী অহেনবা কান্নবা পী। খ্বায়দগী হেন্না কান্নহনগে হায়রবদি মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া হেক থেংনরকপগা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজদা ঙন্না দ্রগশিং অসি পীজহৌগদবনি।
- পোমখৎপা হন্থহনবা য়ুংগী চাং হেনহনবা দ্রগ (দাইয়ুরেটিক্স) পীবগা লোয়ননা থুম অমসুং মহী মনাই থকচিনবা হন্থহনগনি।
- দাইএবিটিক কিদনি দিজিজনা মরম ওইদুনা কিদনি ফেলর নারবশিং হায়পোগ্লাইসিমিয়া নাগল্লি, মরম অদুনা দাইএবিটিসগী হিদাকশিং হোংদোক হোংজিন তৌগদবনি। দাইএবিটিস লাকশিন্নবা অতেনবা থবক তৌবা ঙম্বা ইন্সুলিন শিজিন্নগনি।

মতম শাংনা থবক তৌবা চাশিনগদবা হায়পোগ্লাইসিমিক এজেন্ট শিজিন্নরোইদবনি। লেক্তিক এসীদোসিসস লাক্তনবা সেরম ক্রিএটিনিন ১.৫ এমজি/দিএলদগী হেনবা অনাবশিংনা মেট ফোরমিন শিজিন্নরোইদবনি।

- ক্রিএটিনিন ৱাংবা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজদদি ক্রোনিক কিদনি দিজিজ লায়েংবগী পথাপ (চেপ্তর ১২ দা নৈনখিবা) পুম্নমক ইনগদবনি।

***ব্লদ প্রেসর ১৩০/৮০ দগী মখাদা থমগদবনি অমসুং এসিইআই অমদি এআরবিজ এন্টিহায়পটেন্সিপ দ্রগ ঙন্না শিজিন্নগদবনি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- কারদিওভাস্কুলার নারকপা য়াবা লম্বেল (চুরুট থকপা, লিপিদ ৱাংখৎলম্বা, ব্লদ গ্লুকোজ হেনগৎলকপা, ব্লদ প্রেসর হেনগৎলকপনচিংবা) নিংথিনা য়েংশিন্দুনা লাক্তনবা হোৎনগদবনি।
- কিদনি ফেলর খুমাং চাওশিল্লবা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজতদি দাইএলাইসিস অমসুং কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌবা য়ারে।

**দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ নারবা অমনা করম্বা মতমদা ডাক্তর উন্নগনি?**

দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ নারবা মীওইনা মখাগীশিং অসি থেংনরবদি খুদক্তা ডাক্তর উন্নগদবনি -

- মরম চাদনা অরুম্বা খঙহেন হেনগৎলকপা, য়ুং হানবগী চাং হন্থরকপা, পোমখৎপা হেনগৎলকপা অমসুং স্বর হোনবদা ৱারকপা।
- থবাক নারকপা, হান্নদগী ব্লদ প্রেসর হেনগৎলকপা নত্রগা হার্টবিট অদু চাং নেমথবা নত্রগা থুগৎলকপা।
- য়াম্না শোঞ্জিল্লকপা, চানিং থকনিংবা পোক্তবা নত্রগা ওবা নত্রগা কুচু তাইফেৎ তাইবা।
- লাইহৌ তোইনা হৌবা, অরুম হৌবা, য়ুং হানবদা নাবা নত্রগা শারি শারি লাওবা, য়ুং মনম নমথিবা ঈ য়াওরকপা।
- ব্লদ সুগর তোইনা হন্থরকপা (হায়পোগ্লাইসিমিয়া) নত্রগা ইন্সুলিন মথৌ তাবা হন্থরকপা নত্রগা এন্টিদাইএবিটিক হিদাক হন্থরকপা।
- ৱাখল ভ্রম চৎলকপা, উইরুম-উইরুম তৌবা নত্রগা য়াং চিংলকপা।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ১৬
# পোলিসিস্টিক কিদনি দিজিজ

ওটোজোমেল দোমিনেন্ট পোলিমিষ্টিক কিদনি দিজিজ (এদিপিকেদি) অসি খ্বায়দগী তোয়না থেংনবা জেনেটিক নত্রগা পোকপদগী য়াওরকপা কিদনিগী লায়নানি, লায়না অসিগী মওংদি কিদনিদা অপোম্বা মচা-মচা (সিষ্ট) কয়া চোংখৎলকপনি। পোলিসিষ্টিক কিদনি দিজিজ (পিকেদি) অসিনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজশিংগী মনুংদা মরিশুবা খ্বায়দগী মরু ওইবা মরমনি। পিকেদিদা, সিষ্ট লৈরকপা য়াবা অতোপ্পা হকচাংগী শরুক (ওর্গান) শিং অদুদি - লিভর, ব্রেন, ইন্টেষ্টিন, পেনক্রিজ, ওভরিজ অমসুং স্পলিননি।

**পিকেদিগী ইন্সিদেন্স (মশিং চাওরকপা) অসি কয়ানো?**




ওটোজোমেল দোমিনেন্ট পিকেদিগী চাওরকপা ওইবা য়াবা মশিং অসি জাৎ খুদিংমক মান্নে, মসি নুপা অমসুং নুপী অনীমক্তা চপ মান্ননা থেংনৈ অমদি মালেমশিনবা থুংনা মীওই ১০০০ দা অমা ফাওবা নাহনবা য়াই। দাইএলাইসিস নত্রগা কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন মথৌ তারবা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নারবা অনাবশিংগী মনুং চাদা ৫ দি পিকেদি নাই।

**পিকেদিদা কিদনি করম্না শোকহনবগে?**

- ওটোজোমেল দোমিনেন্ট পিকেদিদা অপোম্বা/অতাংবা (সিষ্ট) চরোং কয়া কিদনি অনীমক্তা উবা ফংই।
- সিষ্টকী চাও-শাংবা অসি পিকেদিদা মখল য়ামখ্রে। (দায়েমিটর অসি পিন মকোকতগী সেন্টিমিটর ১০ হেনবা ফাওবা)

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- মতমগী মতুং ইন্না সিষ্টকী চাওবা হেনগৎলকই, মসিনা তপ্না তপ্না কিদনিগী টিসুশিং নমশিন্দুনা শোকহনবা হৌরকই।
- অসিগুম্বা শোকহনবা অসিনা হায়পরটেন্সন, য়ুংদা প্রোটিন মাঙখিবা অমদি কিদনিগী মথৌ হন্থরকপনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ ওইহল্লকই।
- মতম কুইরক্লগা (চহী কয়াগী মতুং) ক্রোনিক কিদনি দিজিজ শোকপা হেঞ্জিল্লকই অমসুং সেবিয়র কিদনি দিজিজ (এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ) ওইহল্লক্লি মসিদা দাইএলাইসিস নত্রগা কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন মথৌ তারকই।

## পিকেদিগী লাইওংশিং

ওটোজোমেল দোমিনেন্ট পিকেদি লৈরবা মীওই কয়া চহী দিকেদ (১০) কয়া লাইওং উৎতনা লৈবা য়াওই। পিকেদিগী অনাবশিংগী মনুংদা লাইওংশিং মশাগী চহী ৩০ দগী ৪০ ফাওবগী মনুং উৎপা হৌরকই। তোইনা থেংনবা পিকেদিগী লাইওংশিং অদুদি :

- ব্লদ প্রেসর ৱাংবা।
- খ্বাং নাবা, নিংজোল অমা নত্রগা অনীমক পোমখৎলগা নাবা।
- পুক্কী শরুক্তা অতংবা অমা লৈবগী মনিল ফংবা।
- ঈ নত্রগা প্রোটিন য়ুংদা য়াওরকপা।
- য়ুরিনরি ট্রেক ইনফেক্সন অমদি কিদনিদা নুঙ লৈবা হঞ্জিন-হঞ্জিনবা।
- কিদনিগী মথৌ শোকপা শুম হেঞ্জিল্লক্তুনা ক্রোনিক কিদনি দিজিজগী লাইওং উৎলকপা।
- ব্রেন, লিভর, ইন্টেষ্টিন্নচিংবা জগাশিংদা সিষ্ট লৈরকপগী লাইওং উৎলকপা।
- পিকেদিগী অনাবশিংদা ফিভম লুশিল্লক্তুনা ওইরকপা য়াবশিং অদুদি ব্রেন এন্যুরিজম, এবদোমিনেল ৱাল হরনিয়াজ, লিভর সিষ্টকী ইনফেক্সন, কোলোন্দা দাইভর্টিকুলি (খাওগুম্বশিং) অমদি হার্টকী ভাল্বতা শোইরকপশিং অদুনি।

*পিকেদিনা পোকপদগী য়াওরকপা কিদনি লায়নশিংগী খ্বায়দগী তোয়না থেংনবা অনাবনি অদুগা সিকেদিশিংগী ওইরকপা য়াবা মরমশিংগী মনুংদা মরীশুবা থাক্তা লৈ।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

পিকেদি অনাবা চাদা ১০ দি ব্রেন এন্যুরিজম নাই। ব্রেন এন্যুরিজমদা শিংলিগী ৱাল শোন্থরক্তুনা পোমখৎপা য়াওরকই। মসিনা কোকচিকপা অমদি শিংলিগী জগা মচা খরা পোখাইবা য়াবগী অকীবা লৈ, মসিনা ষ্ট্রোক নত্রগা শিবা ফাওবা য়াই।

## পিকেদি নারবা মীওই খুদিংমক কিদনি ফেলর ওইগদ্রা?

ওইরোই। কিদনি ফেলর অসি পিকেদি অনাবা খুদিংমক্তা থোক্তে। পিকেদি নারবা চাদা ৫০ দি মশাগী চহী ৬০ শুরকপা মতমদা কিদনি ফেলর ওইরকই অদুগা চাদা ৬০ না মশাগী চহী ৭০ শুরকপা মতমদা কিদনি ফেলর ওইগনি। পিকেদি অনাবশিংগী মনুংদা চহী নৌরিঙৈদা ব্লদ প্রেসর ৱাংলকপা, য়ুংদা প্রোটিন নত্রগা ঈ য়াওরকপা অমদি কিদনিগী সাইজ চাওরকপা নুপাশিংদা ক্রোনিক কিনি দিজিজ ওইরকপা য়াবগী চিংনবা অসি হেনগল্লি।

## পিকেদিগী লাইওং লেপথোকপা

ওটোজোমেল দোমিনেন্ট পিকেদিগী লাইওং লেপথোক্লবা টেষ্টশিং অদুদি –

- **কিদনি অনীগী অলট্রাসাউন্দ :** মসিনা পিকেদিগী লাইওং লেপথোকপগী খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা টেষ্টনি মরমদি মসি চন্মী, থাজবা য়াই, অনাবা পীদে অমসুং মমল হোঙই।
- **সিটি নত্রগা এমআরআই স্কান :** টেষ্টশিং অসিনা কুপথবা হেল্লি অদুবু মমল ৱাংই। টেষ্টশিং অসিনা অলট্রাসাউন্দা উবা ফংদবা অপীকপা সিষ্টশিং খঙদোকপা ঙম্মী।
- **ইমুংগী মীওইশিং খন্দোকপা :** পিকেদি অসি পোকপগী য়াওরকপা অনাবা ওইবনা অঙাংশিংদা ৫০:৫০ লায়না অসি ওইরকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ। মরম অদুনা ইমুংগী মীওইশিং খন্দোকপনা লায়না অসি ঙন্না লাইওং থিদোকপদা মতেং পাংই।
- **কিদনিদা পিকেদিনা শোকনবশিং খনদোক্লবা টেষ্ট :**

  য়ুংদা ঈ নত্রগা প্রোটিন য়াওব্রা য়াওদব্রা খঙদোক্লবা য়ুরিন টেষ্ট তৌগনি। কিদনিগী মথৌ অদু মপুং ফারিব্রা খঙদোক্লবা সেরম ক্রিএটিনিন টেষ্ট তৌগনি।

| |
|---|
| *নিংজোল অনী অমসুং পুক নাবা অমদি য়ুংদা ঈ য়াওরকপা চহী ৪০ য়ৌরবশিংগী ওইনা পিকেদিগী তোয়না থেংনবা খুদমনি।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- **শোয়বদগী লাইওং লেপথোকপা :** চুম্নগী হকচাংগী অতোপ্পা জগাশিং নাব্রা নাদব্রা য়েংথোকপগী অলট্রাসাউন্দ লৌবদা পিকেদি থেংনরকপা য়াই।
- **জিন লিঙ্কেজ এনালাইসিস :** মসি য়াম্না অখন্নবা ঈগী টেষ্টনি, মসি ইমুংগী মীওইশিংদা পিকেদিগী জিন অসি য়াওব্রা য়েংথোক্নবা টেষ্টনি। টেষ্ট অসি ইমেজিং টেষ্টতা করিগুম্বা ফল অমত্তা ফংলক্ত্রবা মতমদা তৌগদবনি। টেষ্ট অসি অখন্নবা সেন্টর খর খক্তদা লৈবা অমদি মমল য়াম্না তাঙবা মরম্না লাইওং লেপথোকপগী ওইনা তোয়না পাঙথোক্লদে।

**করম্বা পিকেদি অনাবদি ইমুংগী মীওইবু পিকেদিগী স্ক্রিন তৌগদগে?**

পিকেদি অনাবশিংগী মচাশিং, মচল-মচে, ময়াম্বা-মনাও পুম্নমক স্ক্রিন তৌগদবনি। মসিদসু নত্তনা লায়না অসিগী হৌরকফম ওইবা মীওই অদুগী মচিন-মনাওসু পিকেদিগী স্ক্রিন তৌথোক্কদবনি।

**পিকেদি অনাবশিংগী মচা-মশু পুম্নমক্না লায়না অসি নারকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈব্রা?**

লৈতে। পিকেদি অসি পোকপদা য়াওরকপা অনাবনি, মসিদা মপা নত্রগা মমা অদু ওটোজোমেল দোমিনেন্ট পিকেদি ওইগদবনি, মচা-মশুশিংনা লায়না অসি নারকপা য়াবা চাদা ৫০ গী তাঞ্জা লৈ।

**পিকেদি থিংহৌবা**

হৌজিক হৌজক্কী ওইনদি পিকেদিনা মরম ওইরগা সিষ্ট শৌগৎলকপা তপথহন্নবা অমদি থিংনবা লায়েং অমত্তা লৈত্রি।

ইমুং মনুংগী মীওইশিং স্ক্রিন তৌথোকপা অমদি হেঞ্জিল্লত্রিঙৈদা ওন্না লাইওং লেপথোক্তুনা লায়েংনবগী খুদোংচাবা অমা ফংহনগদবনি। ওন্না লাইওং খঙদোকপা অমদি ব্লদ প্রেসর ৰাংবা অদু লায়েংদুনা পিকেদিদা কিদনি ফেল ওইবদগী থিংহৌবা য়াই। পুন্সি মরেল হোংদোকপা অমদি চিঞ্জাক শেমদোকপনা পিকেদি অনাবশিংগী কিদনি ঙাকথোকপা ওন্মী অমসুং হার্টসু কনবা ওন্মী।

> *পিকেদি অসি পোকপদগী য়াওরকপা কিদনি লায়নানি মরম অদুনা ইমুংগী অহলশিংবু স্ক্রিনিং তৌগদবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

স্ক্রিনিং তৌবগী মাঙজবা অদুদি করিগুম্বা মীওই অদুনা মশাদা অনাবা অসি লৈরে খঙলবদি হেন্না ইখৌ লাংবা পোকহল্লি, লাইওং উৎত্রবসু, হিদাক চাবগী মথৌ তাদ্রবসু পাখৎহল্লি।

**পিকেদিগী মশিং হন্থহনবা ঙমদ্রিবা অসি করিগীনো?**

পিকেদি অসি চাওরাক্লা মীওই অদুনা মশাগী চহী ৪০ শুরকপা মতমদা লাইওং লেপ্পী। অয়াম্বা মীওইশিং চহী অসিগী মমাংদা য়ুম পান্দুনা অঙাং পোক্লবনিনা মথংগী চারোন-শুরোনদা লায়না অসি থংথখিবা অদু থিংবা ঙমদবনি।

**পিকেদি লায়েংবা**

**পিকেদি অসি ফবা ঙমদবা অনাবনি হায়রগা লায়েংবা মথৌ তারিবসি করিগীনো?**

পিকেদি অসি ফবা ঙমদবা অনাবনি অদুবু লায়েংবা মথৌ তারিবসিগী মরমদি -

- কিদনি কনবা অমসুং ক্রোনিক কিদনি দিজিজ খুমাং চাওশিল্লক্তুনা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ থেংথহন্দুনা হিংবগী মতম শাংদোকহনবা ঙম্মী।
- লাইওং লাকশিনবা অমদি লুবা হেঞ্জিল্লকপা থিংহৌবা ঙম্মী।

**পিকেদি লায়েংবগী মরুওইবা খোংথাংশিং**

- লাইওং উৎতবা অনাবশিং চহী শাংনা লাইওং য়াওদনা লৈবনা হিদাক চাবগী মথৌ তাদে। অসিগুম্বা অনাবশিং অসি চাং নাইনা মতম মতমগী চেক অপ অমসুং মোনিটরিং তৌগদবনি।
- ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা য়াম্না চেকশিন্না লাকশিনবনা সিকেদিগী থাকশিং অদু তপথহনবা ঙম্মী।
- অনাবা ফাওরকপা অদু কিদনি শোকলোইদবা দ্রগ (এস্পরিন অমদি এসিতামিনোফেন) শিজিন্নগনি। সিষ্ট চাওথোক-পাকথোরকপনা হঞ্জিন-হঞ্জিন অনাবা ফাওরক্কনি।
- য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন মতিক চানা মতম চানা লায়েংগদবনি।

*লায়েংবগী পান্দমদি সিকেদি হেঞ্জিলহন্দবনি অদুগা কিদনি ইনফেক্সন, নুঙ অমদি চনিং নাবা থিংবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- ঙন্না কিদনি নুঙ লৈবা লায়েংহৌবা
- হাগৎপা/পোমখৎপা লৈত্রগদি মীওই অদুনা মহী থকচিনবা হেনগৎকদবনি। মসিনা য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন অমদি কিদনি নুঙ লৈবদগী থিংই।
- চেপ্তুর ১০ দগী ১৪ ফাওবা নৈনখিবা ক্রোনিক কিদনি দিজিজবু য়াম্না কুপ্না লায়েংবা অদুগুম্না মখা তাগদবনি।
- নারকপা, ঈ থোকপা, লাইজৌবা নত্রগা অথিংবা লাকপদগী মশিং য়ামদবা অনাবা খরদা সিষ্টশিং অদু সরজিকেল নত্রগা রেদিওলোজিকেলগী মতেংনা শেংদোকপা য়াওই।

**পিকেদি অনাবা অমনা করম্বা মতমদা ডাক্টর উন্নগনি?**

পিকেদি নরাবা মীওইশিংনা মখাগীশিং অসি থেংনরবদি খুদক্তা ডাক্তর উন্নগদবনি –

- লাইহৌ হৌবা, খঙহৌদনা পুক নারকপা অমদি য়ুং মচু ঙাংলকপা।
- কোক য়াম্না কন্না হঞ্জিন হঞ্জিন চিকপা।
- কিদনি চাওথোরকপদগী শোল্লকপা।
- থবাক নাবা, চানিং থকনিংবা শুকপোক পোক্তবা, য়াম্না কন্না ওবা, মশল কা-হেন্না শোন্থরকপা, ৰাখল ভ্রম চুবা, উইরুম উইরুম তৌবা, জ্ঞান মাঙবা নত্রগা য়াঙ চীংবনি।

*লাইওং উৎতবা পিকেদি নারবা মীওইশিংগী চহী য়াম্না লায়েংবগী মথৌ তারোই।*

# চেপ্তর ১৭
# কিদনি নাম্মনা হিংবা

কিদনি নাম্ম খক য়াওবা অসি ৱাখল ৱানিঙাইনি। অদুবু চেকশিন থৌরাং খরা লৌখৎপা অমদি হকচাং ফবা পুন্সি মরেল অমা লৈরগদি কিদনি নাম্মতনা হান্নগুম্না হিংবা ঙম্মী।

**কিদনি নাম্মতং য়াওবা মীওইশিংনা থেংনবা য়াবা নুঙাইতবশিং অদু করি করিনো? করিগীনো?**

মীপুম খুদিংমক কিদনি অনীগা লোয়ননা পোক্লকই। কিদনি নাম্মখক য়াওবা মীওইসু নুপা-নুপীগী মরীদা অমদি থবক অকনবা শুবদা নুঙাইতবা করিসু লৈতে। কিদনি নাম্মদুনা কিদনি অনীগী থবক অদু কেপাসিটি খর হেনগৎবতা নত্তনা অদুম্মক পাঙথোকপা ঙম্মী।

পুন্সি মরেল অমগী ওইনা কিদনি অমখক্না মথৌ অদুম্মক পাংথোকপা ঙম্মী। পোক্লকপদা কিদনি নাম্মা খক য়াওই হায়না খঙলকপসি মীওই অদুনা অতোপ্পা অনাবা অমগী তোঙান তোঙান রেদিওলোজিকেল টেষ্ট তৌবদা খঙলকপনি। কিদনি নাম্ম খক য়াওবা মীওই অদু নুঙাইতবা য়াওরকই, ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা অমসুং যুংদা প্রোটিন মাঙখিবনি। কিদনিগী মথৌ হন্থরকপদি য়াম্না তাঙনা থেংনৈ।

**কিদনি নাম্মখক য়াওরকপগী মরম করি করিনো?**

মীওই অমদা কিদনি নাম্মখক য়াওরকপা য়াবগী তাঞ্জা অহুম অদুদি -

১) পোকপদগী নাম্মখক য়াওরকপা।

২) সর্জরি তৌরগা কিদনি অমা লৌথোকখিবা। লৌথোকপগী মরমদি নুঙ লৈরকপা, কেন্সর, অথিংবা লৈরকপা, নাই তুংশিল্লকপা নত্রগা ত্রোমাটিক ইঞ্জুরিদগীনি।

৩) কিদনি ত্রান্সপ্লান্টকীদমক কিদনি নাম্ম দান তৌথোকখিবা।

*কিদনি নাম্মখক য়াওবা মীওই অশোয় অঙাম য়াওদনা পুন্সি মরেল অমা হিংবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**পোকপদা কিদনি অমখক য়াওরকপগী ওইবা য়াবা মরম করিনো?**

মীওই কয়া কিদনি নাম্মখক য়াওরগা পোক্লকই। ওইথোকপা য়াবা চাং অসি মীওই ৭৫০ গী মনুংদা অমনি। নুপাদনা নুপীদগী হেন্না থেংনৈ। অদুগা অয়াম্বা মতমদা ওইগী কিদনি অসি য়াওগন্দে।

**কিদনি নাম্মখক য়াওবা মীওইশিংনা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিং অদু করি করি?**

কিদনি নাম্মখক য়াওবা মীওইদা নুঙাইতবা করিসু লৈতে। মসি চকা অনি পানবা গারীদা স্পের চকা য়াওদবগুম্বনি। কিদনি নাম্মখক ওইবনা খঙহৌদনা শাথিনা শোকপা তারবদি এক্যুট কিদনি ফেলর ওইরকপগী নুঙাইতবা অদুনি লোয়ননা কিদনিগী মথৌ পুম্নমক খংশোক শোকচিল্লক্কনি।

এক্যুট কিদনি ফেলরনা নুঙাইতবা অমদি অরুবা ফিভম কয়া লাকহনবা য়াই অদুনা খুদক্তা চেকশিন থৌরাং পায়খৎকদবনি। অতেনবা মতমদা নুঙাইতবা অদু খঙহেন হেঞ্জিল্লক্কনি অমদি থৱায় মাঙবা য়াবা খুদোংথিবা থোরকপা য়াই। অসিগুম্বা অনাবশিং খুদক্তা দাইএলাইসিস তৌগদবনি। কিদনি শোক্তনবা অমদি শোল্লগা লাক্কদবা অমাঙবশিং অদু থেংনদনবা কিদনি নাম্মখক য়াওবা মীওইশিং চেকশিন থৌরাং পুম্নমক লৌখৎকদবনি।

**কিদনি নাম্মখক য়াওবশিংদা খঙহৌদনা শোকপা য়াবগী তাঞ্জাশিং অদু করম করম্বনো?**

কিদনি নাম্মখক য়াওবশিংদা খঙহৌদনা ফিভম লুনা শোকপা য়াবা তাঞ্জাশিং অদুদি –

১) যুরেটরদা ফমজিল্লবা ঈ লৈরকপা নত্রগা নুঙ লৈবনা য়ুংগী ঈচেলদা অথিংবা পীরকপা। অথিংবা অদুনা মরম ওইরগা কিদনিদগী য়ুং হান্দোকখিদবা।

২) পুক্কী সর্জরি তৌবদা শোয়বদগী কিদনি অমখক অদুগী যুরেটর অদু কিশনখিবা হায়বদি যুরেটর ফাওরগা য়ুং অদু কিদনিদগী ব্লাদরদা য়ৌরক্কদবনি।

*মী মশিং য়াম্না কিদনি নাম্মখক য়াওরগা পোক্লকই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

৩) কিদনি অমখক অদুদা শোকপা। বোক্সিং, হোকি, ফুটবোল, মার্সিএল আর্টস অমদি রেষ্টলিংদা কাওনা-থিন্নবা মরম্না শোকপা য়াই। হকচাংগী মথৌ তাবা থবকশিং পাঙথোক্লনবা কিদনি নাম্ম অদু চাওখৎলক্কনি অমদি লুম্বা হেনগনি। অসিগুম্বা কিদনি অসি শোক্কনি।

**কিদনি নাম্ম অদুবু কন্নবা করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি?**

কিদনি নাম্মখক য়াওবা মীওই লায়েংবগী মথৌ তাদে। অদুবু শোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনা অফবা ওইগনি। চেকশিন থৌরাংশিং অদুদি -

- ঈশিং য়াম্না থকপা (নোংমদা লিটর ৩ লোম থকপা)
- কাওনা-থিন্নবা য়াওবা মশান্না - বোক্সিং হোকি, ফুটবোল, মার্সিএল আর্টস অমসুং রেষ্টলিংনচিংবদগী থাপতোকপা।
- নুঙ লৈরকপা অমদি য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন লৈরবদি ঙন্না লায়েংথোকপা।
- অনৌবা লায়েং নত্রগা পুক্কী সর্জরি তৌদ্রিঙৈদা ডাক্তরদা কিদনি নাম্মখক্তা য়াওই হায়বা নিংথিনা মাংজৌননা খঙহনগদবনি।
- ব্লদ প্রেসর লাকশিনবা, শাজেল চাং নাইবা, অফবা চিঞ্জাক চাবা, পেন কিল্লর চাদবা। প্রোটিন ৱাংবা চিঞ্জাক চাদবা অমদি থুম চাবা হন্থবনি অদুবু চাবা তারবসু ডাক্তরগী পাউতাক হান্না লৌগদবনি।
- চাং নাইনা মেডিকেল চেক অপ তৌগদবনি। মসিনা কিদনি নাম্মখক য়াওবা মীওইশিংগী খ্বায়দগী মরু ওইবা খোংথাংনি। কিদনিগী মথৌ চুম্না তৌরিব্রা খঙদোক্লবা চহী অমদা য়ুরিন টেষ্ট তৌবা অমদি ব্লদ প্রেসর ওনগদবনি। চাং নাইনা চেক অপ তৌহৌবনা অতোপ্পা অনাবা লাক্তুনা কিদনি শোকহনবা য়াবা তাঞ্জাদগী চেকশিনহৌবা ঙম্মী। মসিনা ঙন্না লায়েংবা য়াবগী তাঞ্জা অমা পী।

*কিদনি নাম্মখক য়াওবা মীওইশিংনা পাখৎনিঙাই করিসু লৈতে অদুবু নিয়ম চুম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা অমদি চাং নাইনা মেদিকেল চেকঅপ তৌগদবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**কিদনি অমখক য়াওবা অনাবশিংনা করম্বা মতমদা ডাক্তর উন্নগনি?**

কিদনি অমখক য়াওবা অনাবশিংনা মখাশিং অসি থেংনরবদি ডাক্তর খুদক্তা উন্নগদবনি -

- খঙহৌদনা য়ুং হাল্লক্তবা।
- চাওথোক্লবা কিদনি অদুদা খঙহৌদনা শোকখিবা।
- অনাবগী হিদাক চাবা অমদি লাইওং খঙদোক্লবা এক্স-রেগী দাই শিজিন্নরমদাই।
- লাইহৌ, য়ুং হানবদা শারি-শারি লাওবা নত্রগা য়ুং মচু ঙাংবা।

*খঙহৌদনা য়ুং হানবা লেপখিবা অদু নুঙনা অথিংবা পীবদগী ওইগল্লি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্টর ১৮
# য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন

কিদনি, য়ুরেটর, ব্লাদর অদি য়ুরিথ্রানা য়ুরিনরি সিষ্টেম শেমই। য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন (য়ুটিআই) অসি য়ুরিনরি ত্রেক্টকী জগা অমা হেক্তা বোক্টেরিয়ানা চংশিল্লগা লাইজৌহনবা (ইনফেক্সন) অদুবুনি। য়ুটি আইনা হকচাংদা খ্বায়দগী তোয়না থোক্কনবা ইনফেক্সনশিংগী মনুংদা অনীশুবনি।

## য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সনগী লাইওংশিং অদু অরিনো?

য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সনগী লাইওং অসি ইনফেক্সন অদুগী চাং, মহী অমসুং ত্রেক্টকী করম্বা জগাদা থেংনবনো হায়বগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙাল্লি।

## খ্বায়গী তোয়না থেংনবা য়ুরিনরি ত্রেক্টকী ইনফোক্সনগী লাইওংশিং

- য়ুং হানবদা শাবা নত্রগা নাবা।
- য়ুং তোয়না হানবা অমসুং তোয়না হান্নীংবা হেনগৎপা।
- লাইহৌ হৌবা অমসুং মফম মরাং খঙদনা হকচাং নুঙাইতবা।
- য়ুং মচু ৱাওথাংনবা অমদি মনম নমথিবা।

## ব্লাদর ইনফেক্সন তৌবগী লাইওং (সিষ্টিসিস)

- চনিং নুঙাইতবা।
- য়ুং তোয়না হানবদা নাবা অমদি লিকপা।
- হকচাং খিরুম-খিরুম তৌবা অমদি থবাক্কা পুক্কী মরক্তা নাবা ফাওবা।
- য়ুংদা ঈ য়াওরকপা।

## য়ুরিনরি ত্রেক্টকী মথক থোংবা শরুক্তা থোকপা ইনফেক্সন (পাইলোনেফ্রিটিস)

- খ্বাং মথক থোংবা শরুক অমদি পুক অমসুং থবাক্কী কারক নাবা
- লাইহৌ কন্না হৌবগা লোয়ননা হকচাং নিকপা।

> *য়ুং তোয়না হানবা অমসুং শাবা ফাওবা য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সনগী য়াম্না তোয়না থেংনবা লাইওংনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- কোক ঙাওবা, ওবা, শোন্থবা, ৱাবা অমদি হকচাং পুন্বা নুঙাইতবা।
- চহী য়ামশিল্লবশিংদা ৱাখল খনবদা জ্ঞান মেন তাদবা।

মসিনা য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সনগী খ্বায়গী শাথীবা মওংনি। মতিক চাদবা অমদি থেংথনা লায়েংবনা পুন্সি মাঙনিঙাই ওইবা য়াই।

**রিকরেন্ট (তোয়না হঞ্জিন-হঞ্জিন) য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন মরম করিনো?**

রিকরেন্ট য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সনগী মরু ওইবা মরমশিং অদুদি -

১) য়ুরিনরি ত্রেক্ট ফুনজিনবা: তোঙান-তোঙানবা মরমশিংনা য়ুরিনরি ত্রেক্ট ফুনশিন্দুনা রিকরেন্ট য়ুটিআই ওইহনবা য়াই।

২) নুপী ওইবী : নুপীদা য়ুরিথ্রা তেনবা মরম্না য়ুটিআই নাবগী চাং অসি নুপীনা নুপাদগী হেল্লি।

৩) পাংদোংনবা : পাংদোংনবগী চাং হেনবা মশা খিঙবা নুপীদনা পাংদোংবগী চাং নেম্বা নুপীশিংদগী য়ুটিআই লাকপা য়াবগী চাং হেল্লি।

৪) য়ুরিনরি ষ্টোন : কিদনি, য়ুরেটর অমদি ব্লাদরদা নুঙ লৈবনা য়ুংগী ইচেল থিংজিন্দুনা য়ুটিআইগী খুদোংচাবা ৱাংহল্লি।

৫) য়ুরিনরি কেথেটরাইজেসন : কেথেটর শিজিন্নদুনা লৈবা মীওইশিংদা য়ুটিআই নারকপগী চাং ৱাংই।

৬) কোনজেনিটেল/পোকপদগী লোয়নরকপা য়ুরিনরি ত্রেক্ট শোয়রকপা : অঙাংশিংদা পোকপদগী লোয়নরকপা অশোয়বা খুদম ওইনা ভেসিকেয়ুটেরেল রিফ্লক্স (ব্লাদরদগী য়ুরেটরদা ওন্ননা য়ুংগী খোংজেল হায়গৎপা) অমদি পোষ্টেরিয়র য়ুরিথ্রেল ভাল্ব নাবশিংদা য়ুটিআই নাবা চাং হেনগৎলি।

৭) বেনিঙ প্রোষ্ট্রেটিক হাপরপ্লাসিয়া : চহী ৬০ হেল্লবা নুপাশিংদা প্রোষ্ট্রেট চাওথোকপগী (বেনিঙ প্রোষ্টেটিক হায়পরপ্লাসিয়া বিপিঐচ) নুঙাইতবা লৈরবদি য়ুটিআই নাগল্লি।

৮) ইম্যুন সিষ্টেম নেম্বা : দাইএবিটিস, ঐচআইভি নত্রগা কেন্সর নাবা মীওইশিংদা য়ুটিআই চাং ৱাংই।

*য়ুরিনরি ত্রেক্ট ফুনজিনবনা য়ুটিআই নাহনবগী অচৌবা মরম ওই।*

৯) অতোপ্পা মরম : য়ুরিথ্রা নত্রগা য়ুরেটের খুজিনবা, জেনিটো য়ুরিনরি ত্রেক্টতা ট্যুবরক্যুলোসিস নাবা, ন্যুরোজেনিক ব্লাদর নত্রগা ব্লাদর দাইভরটিক্যুলম।

**রিকরেন্ট য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন্না কিদনি শোকহনবা ঙম্বা?**

মপুং মরৈ ফারবা মীওইশিংদা রিকরেন্ট য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন্না কিদনি শোকহন্দে। অদুবু মীওই অদুদা হান্ননা নুঙ লৈবা, ব্লোক তৌবা নত্রগা য়ুংগী খোংজেল খুশিল্লকপা অমদি জেনিটো য়ুরিনরি ত্রেক্টতা ট্যুবরকুলোসিস নাবা অদু য়েংথোক্ত্রবদি রিকেরেন্ট য়ুটিআইনা কিদনি শোকহনবা য়াই।

অদুবু চহী নৌরিবশিংদা রিকরেন্ট য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন মতম চানা য়েংথোকপীহৌদ্রবদি শোকক্লিবা কিদনি অদু লায়েংবা ঙমদবা মওংদা শোকখিবা য়াই। মসিনা কিদনি ফঙ্কসন হন্থহন্দুনা তুংগী পুন্সিদা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহল্লকপা য়াই। মরম অদুনা অহলদগী অঙাংনা য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন অসি নারকপদা শোকচিনবা হেল্লি।

**য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন লায়না মশক লেপথোকপা**

য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সনগী লায়না মশক লেপথোক্লবা থিজিন-হুমজিনবা অমদি ফিভম শোকচিল্লব্রা হায়বদু য়েংথোকই। রিকরেন্ট য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন অমদি য়ুটিআইদা ফিভম হেঞ্জিনবশিংগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা টেষ্ট তৌদুনা হান্নদগী লৈরকপা নুঙাইতবা মরম লৈব্রা য়েংথোক্লগা লায়না মশক লেপকদৌরিবনি।

**য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সনগী মরু ওইবা ইনভেষ্টিগেসন :**

**১) য়ুরিন টেষ্ট**

খ্বায়দগী মরুওইবা য়ুটিআই ইনফেক্সন খঙদোক্লবা টেষ্ট অদুদি রুটিন য়ুরিন এনালাইসিস। অয়ুক অঙনবগী য়ুংনা টেষ্ট অসিগী ওইনা খ্বায়দগী ফৈ।

য়ুরিনগী মাইক্রোস্কোপিক টেষ্টতা ঈগী সেল য়াওরক্লবদি য়ুটিআইনি হায়না চিংনবা য়ারে। হ্বাইট ব্লদ সেল য়াওরক্লবদি য়ুরিনরি ত্রেক্ট চাফৎপা নত্রগা লাইজৌবা লৈরে তাকপনি। অদুবু সেল অদু য়াওদ্রফাওবদা য়ুটিআই নত্তে হায়বা য়ারোই।

*য়ুংগী খোংজেলদা অপনবা লৈতনবা মপুং মরেপ ফারবা মীওইশিংদা য়ুটিআইনা কিদনি শোকহন্দে।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

অখন্নবা য়ুং দিপষ্টিক (লিয়ুকোসাইট ইষ্টরেজ অমসুং নাইট্রাইট) টেষ্ট অসি য়ুমদা নত্রগা ওফিস্ত য়ুটিআই মশক খঙদোক্লবা য়াম্না কান্নবা অমনি। দিপষ্টিকতা পোজিটিব ওইরক্লবদি অনাবা অদু মখা তাবা ইভেষ্টিগেসন মথৌ তারগনি। মচু হোংলকপগী মতুং ইন্না বেক্টেরিয়া য়াওবগী চাং অদু লেপ্পি। য়ুং দিপষ্টিক অসি ইন্দিয়াদা পাক্তক্লনা শিজিন্নদে।

## ২) য়ুরিন কলচর অমদি সেন্সিটিভিটি টেষ্ট

য়ুটিআইগী লাইওং লেপথোকপগী খ্বায়দগী ফবদি য়ুরিন কলচর টেষ্টনি। অদুগা টেষ্ট অসি এন্টিবাওটিক লায়েং হৌদ্রিঁডেদা পাঙথোক্কদবনি। য়ুরিন কলচর অসি থাক লুশিল্লক্লবা অমদি রেজিষ্টেন্ট য়ুটিআইগীদমক পাঙথোকপনি অদুগা য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন অদুবু ডাক্তরশিংনা কনফার্ম তৌননবা শিজিন্নে।

য়ুরিন কলচর টেষ্ট অসি চাওরাক্লা পুং ৪৮ দগীনা ৭২ রোম চংই। সেম্পল লৌবা অমদি রিপোর্ট পীবদা মতম হেন্না লৌবগী মরম্না টেষ্ট অসিগী অশোনবা শরুক ওইহল্লি।

য়ুরিন কলচর অদুদা থৱাইপানবশিংনা মপুং মরৈ ফাবা অদুদা য়ুমফম ওইরগা নাহল্লিবা (লায়জৌহল্লিবা/ইনফেক্সন) অদুগী ফিভম খঙদোকপা য়াই অমদি নাহল্লক্লিবা ওর্গানিজম (থৱাই পানবা) অদুগী মখলসু খঙদোকপা য়াই।

য়ুরিন কলচরনা ইনফেক্সন থোকহল্লিবা অখন্নবা বেক্টেরিয়া অদু মশক খঙদোকপদা নত্তনা লায়েংবদা করম্বা এন্টিবাওটিক শিজিন্নগদগে হায়বদু লেপথোকপা ঙম্মী।

য়ুংগী সেম্পল অদু মোৎশিন্দনবা মীওই অদুগী জেনিটেল এরিয়া (অথিভম) অদু হান্না শেংদোকহনগনি অদুগা য়ুং অদু হানবা ময়াই চনশিল্লকপা অদুগী শরুক অদু ষ্টিরাইল (মহিক-মনাই চঙদবা) পাত্রা অমদা তাকপনি। অতোপ্পা সেম্পল লৌবগী মওং অদুদি সুপ্রা প্যুবিক এস্পিরেসন, কেথেটর স্পেসিমেন অমসুং বেগ স্পেসিমেনগী য়ুংনি।

## ৩) ঈ টেষ্ট তৌবা (ব্লদ টেষ্টশিং)

ব্লদ টেষ্ট অসি য়ুটিআইদা হিমোগ্লোবিন, টোটেল এন্দ দিফরেন্সিএল হ্বাইট সেল কাউন্ট, ব্লদ য়ুরিয়া, সেরম ক্রিএটিনিন, ব্লদ সুগর অমদি 'সি' রিএক্টিব সেল প্রোটিন য়াওব্রা য়েংথোক্লবনি।

| |
|---|
| ***য়ুটিআইগী লাইওং খঙদোকপা অমদি লায়েংবদা খ্বায়দগী ফবা অমদি মগুণ লৈবা টেষ্ট মখল অদুদি য়ুরিন কলচর অমসুং সেন্সিটিবিটি টেষ্টনি।*** |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**রিস্ক ফেক্টর নত্রগা হান্নগী নুঙাইতবা লৈব্রা হায়বদু খঙদোক্নবা ইনভেষ্টিগেসন।**

১) পুক্কি অলট্রাসাউন্দ অমদি এক্স-রে।

২) পুক্কি সিটি স্কেন নত্রগা এমআর তাই।

৩) বোইদিং সিষ্টোয়ুরিথ্রোগ্রাম - ভিসিয়ুজি (মিকট্যুরেটিং সিষ্টোয়ুরিথ্রোগ্রাম - এমসিয়ু)।

৪) ইন্ট্রা ভিনস য়ুরোগ্রাফি (আইভিয়ু)।

৫) মাইক্রোস্কোকিপ এগজামমিনেসন তৌদুনা ট্যুবরক্যুলোসিস লৈব্রা য়েংথোকপা।

৬) সাইষ্টোস্কোপি : সাইষ্টোস্কোপ হায়না খঙনবা খুৎলাই অমা শিজিন্নদুনা য়ুরোলোজিষ্ট অমনা অনাবদুগী ব্লাদরদা করি লৈবগে হায়না য়েংবা।

৭) গাইনিকোলোজিষ্ট অমনা য়েংথোকপা।

৮) য়ুরোদ্রাইনামিক্স

৯) ব্লদ কলচর

**প্রিভেন্সন ওব য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন**

১) নুমিৎ খুদিংগী মহি য়াম্না (লিটর ৩ দগী ৪ ফাওবা) থক্কদবনি। মসিনা য়ুং পাথহন্দুনা ব্লাদর অমদি য়ুরিনরি ত্রেক্টতগী বেক্টেরিয়া তান্থোকখিবদা মতেং পাংই।

২) পুং ২/৩ খুদিংগী য়ুং হান্দোক্কদবনি। য়ুং হান্নিংবা খাঙজিল্লোইদবনি। ব্লাদরদা য়ুং কুইনা থমজিনবনা মফম অদুদা বেক্টেরিয়া লৈরকপা য়াই।

৩) য়ুং এসীদিক ওইননবা বিটামিন সি, এস্কোরিক এসীদ নত্রগা ত্রেনবেরি জ্যুস য়াওবা চিঞ্জাক চাদুনা য়ুং এসীদিক ওইহনগনি।

৪) খোং হাম্বা য়াদবা (কন্সটিপেসন) লৈহল্লোইদবনি নত্রগা লায়েংথোক্কদবনি।

*য়ুটিআই মায়পাক্লা লায়েংনবা হান্নগী নুঙাইতবা লৈবশিং খঙদোকপা য়াম্নমক মরু ওই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

৫) য়ুং হানবা লোয়রবা মতুংদা নুপী অমদি নপীমচাশিংনা তৈথোকপা মনিংদগী মমাংদা তৈথোকপগী মহুৎ মমাংদগী মনিংলোমদা তৈথোক্কদবনি। হৈনবী অসিনা অমাংথোংগী জগাদগী বেক্টেরিয়ানা থু (ভেজাইনা) অমদি য়ুরিথ্রাদা চঙশিল্লকপা থিঙবা ঙম্মী।

৬) নুপা-নুপী হকতিন্নবা হৌরমদাই অমদি লোয়রবা মতুংদা য়ুং হান্দোকপগা লোয়ননা অথিভম অমদি অমাংথোংগী জাগা চামথোক্কদবনি। লোয়ননা লোয়বগা ঈশিং গ্লাস অচৌবা অমা থক্কদবনি।

৭) নুপীনা মনুংগী খোংগ্রাউ মচা অদু কটনগী ওইনা শেৎকদবনি, মসিনা নুংশিৎ চংহনবা ঙম্মী। অচিনবা খোংগ্রাউ অমসুং নাইলোনগী খোংগ্রাউ শোৎলোয়দবনি।

৮) হকতিন্নবা লোয়রবা মতুং নুপীদা য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন তোইনা হৌগনবশিংদা লায়না থিংবা য়াবসি হকতিন্নবা লোয়রগা এন্টিবাওটিক্কি সিঙ্গল দোজ অমা চাথোক্কদবনি।

## য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন লায়েংবা

খ্বায়গী ওইবা থৌরাং

ঈশিং য়াম্না থক্কদবনি। মীওই অমা কন্না নারবা, হকচাংগী মহি কাহেন্না মাঙবা নত্রগা ওবদগী থকচিন চাশিনবা ঙমদ্রবদি হোস্পিটালদা পুখক্তুনা আই ভি ফ্লুইদ কাপ্পকদবনি। হকচাং শাগৎপা অমদি নাবা হন্থনবা হিদাক চাগদবনি। অনাবা মফমদা ফিবুন তাদুনা শাহল্লগা থন্বদা য়াংগনি। কোফি, য়ু, মৈখু শিজিন্নবা অমদি মরু মরাং হেনবা পোৎ চা-থকলোইদবনি, পুন্নমক অসিনা ব্লাদর নুঙাইহন্দে। য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন থিঙবগী থৌরাং পুন্নমক পায়খৎকদবনি।

## লোৱর য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সনগী লায়েং (সিষ্টৈসিস, য়াইমরপ ওইবা ইনফেক্সন)

লায়না তিন্না চেন্দবা নহা ওইরীবী নুপীশিংদা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা অতেনবা এন্টিবাওটিক কোর্সনা অদুম্মক য়াগনি। ডাক্তর খরদি নুমিৎ ৭ নি কোর্স পীবা য়াওই। করিগুম্বা কান্দা দোজ অমগী এন্টিবাওটিক পীবা য়াওই। মপুং মরেপ ফারবা নুপাশিংদদি য়ুটিআই লৈরবদি নুমিৎ ৭ নি দগী ১৪ ফাওবা

*য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন লায়েংবা অমদি থিংনবা হোৎনবদা ঈশিং থকপা য়াম্না তঙাই ফদে।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

এন্টিবাওটিক মথৌ তাগনি। য়াম্না তোয়না শিজিন্নবা চান্নবা এন্টিবাওটিক খর অদুদি ট্রাইমেথোপ্রিম, সেফালোস্পোরিন, নাইট্রোফুরান্টোয়ন নত্রগা ফ্লোরোক্বিনেলোন্সনি।

**থাক হেঞ্জিল্লবা কিদনি ইনফেক্সন (পায়লোনিফ্রেটিস) লায়েংবা**

য়াইমরপ ওইবদগীনা থাক হেঞ্জিল্লবা কিনি ইনফেক্সন, লাইওং হেঞ্জিল্লবা নত্রগা কন্না নারবশিংদি হোস্পিটালদা চৎপা তঙাইফদে। লায়েংবা হৌদ্রিঙৈদা য়ুং অমসুং ঈগী কলচর তৌথোক্তুনা বেক্টেরিয়া মশক খঙদোক্লগা চপ চাবা এন্টিবাওটিক থাগনি। পেসেন্টশিং আই ভি ফ্লুইদ অমদি শিংলিদা এন্টিবাওটিক নুমিৎ খরনি কাপকনি, মদুগী মতুং নুমিৎ ১০ দগী ১৪ ফাওবা এন্টিবাওটিক অমুক চাগনি। শিংলিদা (আই ভি) এন্টিবাওটিক কাপ্পা অদুনা ইফ-ফবা ঙমদ্রবা (লাইওংশিং হন্দ্রবা, শাগৎপা অমদি কিদনি শোকচিল্লবা) মতমদা ইমেজিং তৌগনি। মদুগী মতুং য়ুং টেষ্ট তৌদুনা হিদাক্লা কদায় ফাওবা কান্নবা ফবগে হায়বদু য়েংগনি।

**য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন হঞ্জিন হঞ্জিন নারকপা লায়েংবা**

রিকরেন্ট (হঞ্জিন-হঞ্জিন) য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন লায়েংবা হৌদ্রিঙৈদা মরম মশক খঙদোকপনা মরু ওইবা খোংথাং ওই। মরম অদুগী মতুং ইন্না হিদাক পীজবা নত্রগা থাং থাগদ্রা (সর্জিকেল) গী থবক য়াৎথোক্কদৌবনি। অসিগুম্বা অনাবশিং অসি ফোলো অপ, হিদাক চাং নাইনা চাদুনা লায়না অসি থিংনবা হোৎনবা অমদি মতম শাংনা এন্টিবাওটিক চাবনি।

**য়ুটিআইগী অনাবা অমনা করম্বা মতমদা ডাক্তর উন্নগনি ?**

য়ুটিআইগী অনাবা অমনা করিগুম্বা মখাগীশিং অসি থেংনরবদি খুদক্তা ডাক্তর উন্নগদবনি।

- য়ুংগী চাং হন্থরকপা নত্রগা য়ুং হাল্লক্তবা।
- হকচাং তোয়না শাগৎপা, অরুম হৌবা, খ্বাং নাবা অমদি য়ুং মনম নমথিবা (মোৎপা) নত্রগা য়ুংদা ঈ য়াওরকপা।

*সেবিয়র কিদনি ইনফেক্সন (পাইলেনেফ্রিটিস) লায়েংবদা হোস্পিটালদা লৈদুনা শিংলিদা এন্টিবাওটিক কাপকনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- কা হেন্না ওবা, মশা শোন্থবা নত্রগা ব্লদ প্রেসর হন্থরকপা অনাবা খুদিংমক।
- য়ুটিআই নারবা অঙাং খুদিংমক।
- কিদনি নাম্মতং য়াওবা নত্রগা নুঙ লৈরম্বা অনাবশিং।
- নুমিৎ নিনি-হুমনি এন্টিবাওটিক্তা ফগৎপা ঙমদবা।

*হকচাং য়াম্না শাবা, থক-থক নিকপা, খ্বাং নাবা, য়ুং হানবদা শাবা ফাওবা অমদি য়ুং মচু নৈরক্লবদি খুদক্তা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা য়ারে।*

# চেপ্তর ১৯
# নুঙ লৈবগী লায়না

নুঙ লৈবগী লায়না অসি য়াম্না তোয়না থেংনবা য়ুরোলোজিকেল দিজিজ (লায়না) নি। কিদনিগী নুঙ অসি খাঙবা ঙমদবা অনাবা ওইহনবা য়াই। করিগুম্বা কান্দা কিদনিগী নুঙ অসি লাইওং উৎতনা অদুম্মক লৈবা য়াওই। নুঙ লৈবগী লায়না অসিনা য়ুরিনরী ত্রেক্ট ইনফেক্সন ওইহনবা য়াই অমদি অনাবা খরদা কিদনি শোকহনবা য়াই; করিগুম্বা মতম চানা য়েংথোকহৌদ্রবদি নুঙ অমুক লৈবা হৌখ্রবা মসি হঞ্জিল্লকপগী চাং ৱাংই। মরম অদুনা নুঙগী লায়না খঙদোকপা, থিংহৌবা অমদি চেকশিনবা তঙাই ফদে।

## কিদনিগী নুঙ হায়বসি করিনো?

কিদনি নত্রগা য়ুরিনরি ত্রেক্টতা অকনবা লীক্লাই (খৃষ্টেল) মতুম শেল্লকপা অদুবু কিদনি নুঙ হায়না খঙনৈ। লীক্লাই তাশিনবা হেল্লকপা, নত্রগা কেলসিয়ম, ওকজালেট, য়ুরেট, ফোসফেটনচিংবা য়ুংদা য়াওবা হেনগৎলকপনা কিদনি নুঙ শেল্লকপগী মরম ওই। লীক্লাই (খৃষ্টেল) মিলিয়ন কয়া পুশিন্দুনা চাওখৎলকই অদুগা মতম কুইরক্লা কান্দা নুঙ শেল্লকই।

মহৌশানা য়ুংদা লীক্লাই (খৃষ্টেল) শেল্লকপা নত্রগা তুংশিনবা থিংবা ঙম্বা মচাক য়াওই। নুঙ শেম্বা থিংবা ঙম্বা মচাককি চাং হন্থরবদি নুঙ শেম্বদা মতেং ওই। মেদিকেলগী লোলদা য়ুরিনরি ষ্টোনবু শন্দোক্লা তাকপা ৱাহৈ অদু য়ুরোলিথিয়াসিস কৌই। গোল ষ্টোন হায়বগা কিদনি ষ্টোন হায়বগা খেৎহৈ হায়বসি কাওরোইদবনি।

## য়ুরিনরি ষ্টোনগী চাওবা, মওং মরিল অমদি লৈফম করিনো?

কিদনি ষ্টোনশিং চাও-শাংবা, মওং মরিল য়াম্না খেৎনৈ। লৈঙোই মরুদগী হেন্না কুপ্পা য়াওই অদুগা টেন্নিস বোলগুম চাওবসু য়াই। মওং মরিলদি কোয়দনবা নত্রগা য়েরুম মওংগা লোয়ননা য়াম্না নানবা য়াই, অসিগুম্বা নুঙ অসিদি অনাবা কয়া পীদে অদুগা লৌথোকপা য়াবগী খুদোংচাবা হেল্লি।

***খ্বাংদা খাংবা ঙমদবা নাবগী মরম য়ুরিনরি ত্রেক্টতা নুঙ লৈবনা মরু ওইবা মরমনি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

কিদনিগী নুঙগী শক্তম অসি মচেৎ নায়না জৌ-জৌ লাওবসু য়াওই। অসিগুম্বা নুঙ অসিনা নাবা হেনহল্লি অমসুং মতোমতা থোরকপগী তাঞ্জা লৈতে। নুঙশিং য়ুরিনরি সিষ্টেমগী মফম অমা হেক্তদা লৈবা য়াই অদুবু কিদনিদনা হেন্না তোয়না লৈগল্লি অদুগা য়ুরেটরদা হায়থরক্কনি।

**কিদনিগী নুঙশিং করম করম্বা মখলনো?**

কিদনিগী নুঙ অসি মখল মরি লৈ :

১) কেলসিয়ম নুঙ : মসিনা খ্বায়দগী তোয়না থেংনবা মখলগী নুঙনি, চাওরাক্লা কিদনিদা নুঙ লৈবশিংগী মনুংদা চাদা ৭০-৮০ য়াওবা থেংনৈ। কেলসিয়ম ওকজালেটকী মওংদনা কেলসিয়ম ষ্টোন শেম্মী অদুগা কেলসিয়ম ফোসফেটতি য়াম্না তাঙনা ফংই। য়ুং এসীদিক ওইবা কান্দা কেলসিয়ম ওকজালেট ওইগল্লি।

২) ষ্ট্রুবাইট ষ্টোন্স (নুঙ) : ষ্ট্রুবাইট (মেগনিসিয়ম এমোনিয়ম ফোসফেট) ষ্টোন্সশিং অসি তোয়না থেংনদবা (চাদা ১০-১৫) মখলনি অমসুং মসি কিদনিদা ইনফেক্সন লৈরবা মতমদা শেম্মী। নুঙ মখল অসি নুপীদনা হেন্না তোয়না থেংনৈ অদুগা অলকালাইন ওইবা য়ুংদা শেম্মী।

৩) য়ুরিক এসীদ ষ্টোন্স : য়ুরিক এসীদ নুঙশিং অসি য়াম্না তোয়না থেংনদে (চাদা ৫-১০) অমদি মসি য়ুংদা য়রিক এসীদ য়াম্না ৱাংলবা কান্দা শেম্মী অদুগা য়ুং অদু অয়াম্বা মতমদা এসীদিক ওইবা কান্দনি। য়ুরিক এসীদ নুঙ অসি গাওট লৈবা মীওই, শাদা য়াওবা প্রোটিন য়াম্না চাবা, মহী মনাই কা হেন্না চৎখিবা মীওই নত্রগা কিমোথেরাগী চৎথরুবা মীওইশিংদা তোয়না শেমগল্লি। য়ুরিক এসীদ নুঙশিং অসি রেদিওলুসেন্টনি, মরম অদুনা পুক্কী এক্স-রে লৌবদা উবা ফংদে।

৪) সিষ্টিন ষ্টোন : সিষ্টিন নুঙ য়াম্না তাঙবা অমদি পোকপদা য়াওরকপা অনাবা সিষ্টিনুরিয়াদা থেংনৈ। অনাবা মখল অসি য়ুংদা সিষ্টিন কা-হেন্না য়াওরবা মতমদা ওইগল্লি।

*য়ুরিনরি ষ্টোন অসি কিদনি অমসুং য়ুরেটরদা তোয়না থেংনৈ।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**ষ্টেগহোর্ন নুঙ হায়বসি করিনো?**

ষ্টেগহোর্ন কালকুলস অসি য়াম্না চাউবা কিদনিগী অয়াম্বা শরুক কনবা ঙম্বা ষ্ট্রুবাইট নুঙনি লোয়ননা ষ্টেগ (শজি) কী মচী মাল্লি হায়দুনা ষ্টেগহোর্ন হায়নরিবনি। ষ্টেগহোর্ন নুঙ অসিনা অনাবা থোয়না পীদবনা মরম ওইদুনা লাইওং খঙদোকপা নংহৌদবগী অরোইবদা কিদনিদা শোকহল্লি।

**করম্বা মরম্না য়ুরিনরি ষ্টোন শেম্বদা মতেং পাংবগে?**

মীপুম খুদিংমক নুঙ লৈবা য়াই। কিদনিদা নুঙ লৈরক্নবগী তোঙান তোঙানবা মরমশিং অদুদি :

- মহী থকপা হন্থবা - মরু ওইনা ঈশিং থকপা ৱাৎপা অমসুং হকচাংদগী ঈশিং য়াম্না চৎখিবা (দিহায়দ্রেট)।
- কিদনি নুঙ লৈরকপা ইমুং ওইবা।
- চিঞ্জাক : শাদা য়াওবা প্রোটিন য়াম্বা চাবা, সোদিয়ম অমসুং ওকজালেট চাবা অদুগা ফাইবর য়ামদবা অমসুং পোটাসিয়ম য়াওবা হৈ চাদবা।
- কিদনি নুঙ চাদা ৭৫ অমদি ব্লাদরগী নুঙ চাদা ৯৫ নুপাদা ওইগল্লি। চহী ২০ দগীনা ৭০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নোয়গনবা নুপাশিং নুঙ য়াম্না লৈগল্লি।
- ফমুংদা নাদুনা হৌগৎপা ঙমদবা অমদি লেং-ওৎপা ঙমদনা মতম শাংনা লৈরক্লবা মীওই।
- য়াম্না শাবা মফমদা লৈবা মীওইশিং।
- য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন তোয়না হৌগনবা অমদি য়ুংগী খোংজেলদা অথিংবা লৈবা।
- মেটাবোলিক দিজিজেস : হায়পরপেরাথাইরোইদিজম, সিষ্টিনুরিয়া, গাউটনচিংবা।
- অতোপ্পা মখলগী হিদাক শিজিন্নবা : দাইয়ুরেটিক্স অমদি এন্টাসিদশিং

**য়ুরিনরি ষ্টোনগী লাইওংশিং করিনো?**

য়ুরিনরি ষ্টোনশিং লাইওংশিং অসি নুঙ অদুগী চাও শাংবা, মওং-মরিল অমদি লৈফমগী মতুং ইন্না মখল য়ামই। তোয়না থেংনবা য়ুরিনরি ষ্টোনগী লাইওংশিং অদুদি :

*ঈশিং হন্থনা থকপা অমদি ইমুংদা নুঙ লৈবগী ৱারি লৈবনা নুঙ ওইহল্লকপগী খ্বায়দগী মরু ওইবা মরম অনীনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- খ্বাং নাবা।
- লাইওং পীদবা। হকচাংগী অতোপ্পা জাগাগী অনাবা য়েংবদা খঙহৌদনা থেংনরকপা নত্রগা মরী লৈনদবা মরম অমদগী থেংনরকপা। লাইওং উৎতবা অমদি খঙহৌদনা রেদিওলোজিকেল (এক্স-রে) টেষ্ট তৌবদা থেংনবা নুঙ অদুবু "সাইলেন্ট ষ্টোন" হায়না খঙনৈ।
- য়ুং তোয়না হানবা অমদি তোয়না হান্নিংবা ফাওবা।
- কোক ঙাওবা নত্রগা ওবা।
- য়ুং হানবদা ঈ য়াওবা (হিমাটুরিয়া)।
- য়ুং হানবা মতমদা শাবা ফাওবা নত্রগা নাবা ফাওবা।
- য়ুরিথ্রা মচিন্দা ব্লাদরগী নুঙ অদুনা থিংজিন্দুনা লৈরবদি য়ুং হাল্লিঙৈদা খঙলেপ লেপখিগনি।
- য়ুং হানবদা নুঙ য়াওরকপা।
- করিগুম্বা কান্দা য়ুরিনরি ষ্টোন্না হেন্না লুশিল্লক্তুনা য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন হঞ্জিন হঞ্জিন তৌরকপা য়াই অমদি য়ুরিনরিে ত্রেক্ট পুনজিন্দুনা কিদনিদা মতম খরগী ওইবা নত্রগা মতম শাংনা শোকহনবসু য়াই।

**য়ুনিরি ষ্টোন্না মরম ওইদুনা খ্বাং নাবগী শক্তম**

- য়ুরিনরি ট্রেক্টতা লৈবা নুঙ অদুগী চাও-শাংবা অমদি লৈরিবা মফম অদুনা খ্বাং নাবগী চাং অমদি নাফম অদু মী অমগা অমগা মান্নদে।
- কাওরোইদবদি নুঙগী চাও-শাংবা অদুনা নাবগী চাংগা মরী লৈনদে। নুঙ অপীকপা ওইরবসু মচেক নাইবা, জৌ-জৌ লাওবনা নুঙ অচৌবা শিৎ-নানবদগী নাবা হেল্লি।
- নুঙনা নাহনবসি কাবক কাবক নারম্বদগীনা খাঙবা ঙমদবা অনাবা ওইবসু য়াই। অনাবা অদু হাকচাংগী ফিভম হোংদোক হোংজিন তৌবা অমদি গারীগুম্বা তোংবদা শুজিনবা মতমদা হেঞ্জিনবা য়াই। অনাবা অদু মিনিট খরদগীনা পুং হেনবা ফাওবা য়াওই অদুগা অমুক ফগনি। অনাবা অদু অমুক হেনগৎপা অমুক হন্থবনা কিদনিদা নুঙ লৈবগী শক্তমনি।

| |
|---|
| *খ্বাং নাবা অমদি য়ুংদা ঈ য়াওরকপনা য়ুরিনরি ষ্টোন লৈবগী অকনবা খুদমনি।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- নুঙ লৈবা নাকলদা খ্বাং অদু নাগনি। য়াংলেন্দগীনা কাময়া (পীরাই) ফাওবা নাবা অসি খ্বায়দগী তোয়না থেংনবা অনাবনি। মসিবু কোক ঙাওবা অমদি ওবনা শন্নরক্কনি।
- ব্লাদরদা নুঙ লৈবনা খ্বাং মখা থংবদা নাবা য়াওই অমদি য়ুং হানবদসু নাগনি, মসি নুপাগী টি মতোন্দা নাবা ফাওই।
- খঙহৌদনা খ্বাং খংনা-নরাল্লবদি খুদক্তা লায়েংথোকপা য়ওাই।

**কিদনিগী নুঙনা কিদনি শোকহনব্রা?**

চুম্মী কিদনি নত্রগা য়ুরেটরদা লৈবা নুঙনা য়ুংগী ইচেল অদু থিংজিনবা য়াওই। অসিগুম্বা অথিংবা অসিনা কিদনি চাওথোকহল্লি (লাওথোকহল্লি) অথিংবা অসিনা য়াম্না তোয়না চাওথোকহল্লবদি অনাবা খরদা মতম শাংনা দিকনি শোকহনবা য়াই।

**য়ুরিনরি ষ্টোনগী লাইওং**

য়ুরিনরি ষ্টোন লৈ-লৈতে খঙদোক্লবা চাংয়েংশিং অসিনা মখাতানা লাক্কদবা অনাবশিং অদুসু খঙদোক্লবা হোৎনৈ। অদুগা নুঙ শেন্বদা চংলিবা মরমশিং অদুসু থিদোকপা য়াই।

**রেদিওলোজিকেল ইনভেষ্টিগেসন**

অলট্রাসাউন্দ : মসি য়াম্না কোম্না ফংবা, শেল য়াম্না তিংদবা অচম্বা চাংয়েং অমনি, য়ুরিনরি ষ্টোন অমদি ত্রেক্টতা অথিংবা লৈব্রা খঙদোক্লবা চাংয়েংনি।

এক্সরে কেয়ুবি : য়ুরিনরি ষ্টোনগী মওং-মতৌ অমদি লৈফম অদু কিদনি, য়ুরেটর ব্লাদর (কেয়ুবি) এক্সরেদা উব ফংই। মরম অদুনা কেয়ুবিগী এক্সরেনা নুঙ লৈব্রা-লৈত্রবা, লৈরগনা মওং মতৌ, চাও-শাংবা খঙদোকপদা য়াম্না কান্নবা চাংয়েংনি।

> *"সাইলেন্ট ষ্টোন" দগী চেকশিনগদবনি, মসিনা নাহন্দবিদা কিদনি শোকহনবা য়াবা মরমনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

সিটিস্কেন : য়ুরিনরি সিষ্টেমদা সিটি স্কেন তৌবনা নুঙ লৈবা অমদি অথিংবা লৈবদা য়াম্না পিকপা নুঙগী মওং ফাওবা খঙদোকপা ঙমদুনা খ্বায়দগী পাম্না চৎথবা চাংয়েংনি।

ইন্ট্রাভেনস য়ুরোগ্রাফি (আইভিয়ু) : য়াম্না তোয়নদি শিজিন্নদবা অদুবু নুঙ লৈব্রা নত্রগা অথিং অপনবা লৈব্রা খঙদোকপগী য়াম্না থাজবা য়াবা চাংয়েংনি। আইভিয়ুগী হেন্না কান্নবা অদুদি চাংয়েং অসিনা কিদনিগী মথৌগী ঈ-পাউসু পীবা ঙম্মী। য়ুরেটর লাওথোকপা অমদি কিদনিগী শক্তমগী অকুপ্পা মরোলসু পীবা ঙম্মী।

## লেবোরেটরি ইনভেষ্টিগেসনশিং

য়ুরিন টেষ্ট : য়ুংগী পিঐচ ওনবা অমদি ইনফেক্সন লৈব্রা খঙদোক্লবা হোৎনৈ। পুং ২৪ গী য়ুং তাশিন্দুনা য়ুংগী চাং, কেলসিয়ম, ফোসফরস, য়ুরিক এসীদ, মেগনেসিয়ম, ওকজালেট, সাইট্রেট, সোদিয়ম অমদি ক্রিএটিনিনগী চাং ওন্থোকপা ঙম্মী।

ঈ টেষ্ট : কমপ্লিট ব্লদ কাউন্ট, ক্রিএটিনিন, ইলেকত্রোলায়ট অমসুং ঈদা চিনি য়াওব্রা য়েংথোকই অমসুং নুঙ ওইহল্লকপদা মতেং পাংবা কেমিকেলশিং খুদম ওইনা কেলসিয়ম, ফোসফরস, য়ুরিক এসীদ অমদি পেরাথাইরোদ হোমোর্ন গী চাং অদু ওল্লি।

ষ্টোন এনালাইসিস : মথন্তা থোকচরকপা নত্রগা অতোপ্পা লায়েংনা লৌথোরকপা নুঙ লৌশিল্লগা টেষ্ট তৌবদা করম করম্বা মচাক য়াওবগে অমদি তারক্তনবা থিংহৌনবগী থবক পায়খৎপা য়াই।

## য়ুরিনরি ষ্টোন থিংহৌবা

কিদনি নুঙগী মতাংদা হায়নৈ “কিদনিদা নুঙ অমুক শেমখ্রবা, অদুম্মক নুঙ শেম্মকনি”। য়ুরিনরি ষ্টোন অসি মীওই চাদা ৫০ দগী ৭০ ফাওবা হঞ্জিন্না শেম্বা য়াওই। অমরোমদা নিয়ম চুম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবা অমদি লায়েংলবদি হঞ্জিনবগী চাং অসি চাদা ১০ দগী তানা হন্থহনবা য়াই। মরম অদুনা কিদনি নুঙ লৈবা অনাবা খুদিংমক্না নারক্তনবা খোংথাং পায়খৎকদবনি।

*য়ুরিনরি ত্রেক্টতা নুঙ লৈবগী লাইওং খঙদোক্লবা সিটি স্কেন, সোনোগ্রাফি অমসুং এক্সরেনা খ্বায়গী মরু ওইবা ইনভেষ্টিগেসননি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**খ্বায়গী মরুওইবা থৌরাং**

যুরিনরি ষ্টোন শেম্বা মতেং পাংবা নত্রগা থিংনবা হোৎনবা চিঞ্জাক্না য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌই। খ্বায়গী ওইবা থৌরাং ওইনা যুরিনরি ষ্টোনগী অনাবা পুন্নমক্তা কান্নগদবশিং অদুদি :

**১) মহী য়াম্না থকপা**

- নুঙ শেল্লক্তনবা খ্বায়দগী লায়বা অমদি মরু ওইবা থৌরাং অদুদি ঈশিং য়াম্না থকপা, ঈশিং য়াম্না থকপা অমদি ঈশিং য়াম্না থকপনি। নোংমদা ঈশিং গ্লাস ১২ দগী ১৪ ফাওবা (লিটর ৩দগী) থক্কদবনি। নোংমদা ঈশিং মতিক চানা থকপা ঙম্নবা ঈশিং বোটল পুদুনা চৎকদবনি।
- অনাবশিংনা করম্বা ঈশিং থক্কদগে হায়বদা কোক শানৈ। অদুবু ঈশিংগী ক্লালিটিগী মহুত্তা ঈশিং ক্কান্টিটি ওইনা নিংশিংবনা ফৈ।
- নুঙ শেম্বা থিংনবা, নোংমদা য়ুংগী চাং কয়াম শেম্বগে হায়বসিনা, নোংমদা মহী-মনাই কয়াম লৌশিনবগে হায়বা অদুদগী মরু ওইবা হেল্লি। নোংমা ঈশিং মতিক চানা থকলিব্রা হায়বসু খঙদোক্লবা নোংমদা য়ুং লিটর ২দগীনা ১.৫ হেন্না হানব্রা য়েংথোক্কদবনি।
- ঈশিং চাং নায়না থকই থক্তে হায়বদু য়ংগী মচুনা লেপ্পা ঙমই। নোংমদা ঈশিং মরাং কায়না থকপা তারবদি, য়ুং অদু মচু লৈরোই, য়াম্না শেংগনি অমদি ঈশিং মচু ওইগনি। অপাবা য়ুংনা তাক্লিবদি য়ুংদা মিনরেলগী চাং নেম্মী হায়বসিনি, মসিনা নুঙ শেম্বদগী থিংবা ঙম্মী। নাপু মচু, মমশিনবা অমদি য়াম্না কুংবা য়ুংনা তক্লিবসি ঈশিং থকপা ৱাৎলে হায়বসিনি।
- নুঙ লৈরক্তনবা নোংমদা ঈশিং গ্লাস অনী চাকচা মতুংদা থকপগী হৈনবী থন্বীয়ু। তুম্মমদাইদা ঈশিং গ্লাস অনী থকপসিসু য়াম্না মরু ওই। লোয়ননা মীৎকপ থোক্লকপা মতমদা ঈশিং গ্লাস অমগা থকচিল্লবদি য়াম্না কান্নৈ।

| |
|---|
| *মহী মনাই য়াম্না থকচিনবনা খ্বায়গী চম্বা অমদি মরু ওইবা যুরিনরি ষ্টোন থিংবা অমদি লায়েংবগী পাম্বৈনি।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

অলার্ম থমদুনা তুমলিঙৈ মরক্তা হৌগৎতুনা ঈশিং থক্লবা হোৎনবা য়াম্না মহৈ য়ানগনি।

- মশা খিংবা মীওইশিংনা নুংশা শাবা নুমিৎতা ঈশিং য়াম্না থকচিনবা তঙাইফদে মরমদি ঈশিংগী শরুক কয়া অমসু হুমাংদা মাঙখিগদৌরিবনি।
- য়ুবী মহী, বার্লি অমসুং চেংদগী শুংবা ঈশিং, চমপ্রা মহি, খামেন অশিনবা মহী, কিহোমগী মহি থকপনা হকচাংদা নুঙ শেন্বদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

**করম্বা মহিনা য়ুরিনরি ষ্টোন শেম্বদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগে?**

- য়ুবী মহী, বার্লি অমসুং চেংদগী শুংবা ঈশিং, চমপ্রা মহি, খামেন অশিনবা মহী, কিহোমগী মহি থকপনা হকচাংদা নুঙ শেন্বদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। অদুবু নিংশিংগদবদি লৌশিল্লিবা মহিশিং অদুগী চাদা ৫০ দি ঈশিং ওইগদবনি।
- য়ুরিনরি ষ্টোন লৈবা মীওইশিংনা করম্বা মহি থকলোইদবগে?
- অঙ্গুর, ক্রেনবেরি অমসুং শেম মহি, চা য়াক্লা থকপা, কোফি, চোকোলেট অমদি থুমহল্লবা কোলাগুম্বা মহিশিং অমসুং অলকোহোল য়াওবা মহি, বিয়র য়াওনা থকলোইদবনি।

## ২) থুম (সোল্ট) গী অথিংবা

চিঞ্জাক্তা অহেনবা থুম চারোইদবনি। অদুনা অচার, পাপর, থুম য়াওবা বিস্কিটনচিংবা চারোইদবনি। চিঞ্জাক্তা থুম নত্রগা সোদিয়ম কা হেন্না য়াওরবদি য়ুংদা কেলসিয়ম হেন্না শেল্লক্তুনা কেলসিয়ম ষ্টোন শেম্বা হেনগৎহল্লি। মরম অদুনা নোংমদা থুম গ্রাম ৬ নত্রগা এমইক্যু ১০০দগী তানা চাদুনা নুঙ শেম্বা থিংগদবনি।

*ঈশিংদৌনা শেংবা, পাবা য়ুংনা হকচাংদা ঈশিং মরাং কায়না লৌশিল্লি তাকপনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**৩) শাদা য়াওবা প্রোটিন লৌশিনবা হন্থবা**

মনা-মশিংগী চিঞ্জাক নত্তবা মটন, য়েনষা, ঙা অমদি য়েরুম চারোইদবনি। শাগী অসিগুম্বা চিঞ্জাক্তা য়ুরিক এসীদ/প্যুরিন চাং ৱাংনা য়াওই অমদি মসিনা য়ুরিক এসীদ অমদি কেলসিয়মগী নুঙ শেম্বদা মতেং পাঙই।

**৪) বেলেন্স দাইট (মচলশুবা চিঞ্জাক)**

মনামশিং অমদি উহৈ হেন্না চাদুনা বেলেন্স দাইট পীরবদি এসীদকী চাং হন্থহন্দুনা য়ুংদা এসীদ হন্থহল্লি। লফোই, কিহোম, ব্লুবেরি, চেরী অমদি কোমলা চাগদবনি। গাজর, কারোট অখাবী, স্কৱাস অমসুং বেল পেপর চাগদবনি। ফাইবর য়াম্না য়াওবা বার্লি, বিন, ওটস অমসুং সাইলিসয়ম খরা চাগদবনি। রিফাইন তৌরবা হ্বাইট ব্রেদ, পাষ্টাস অমসুং চিনি চারোইদবনি। কিদনিগী নুঙ অসি চিনি য়াম্না চাবগসু মরি লৈনৈ।

**৫) অতোপ্পা পাউতাক**

বিটামিন - সি চাবগী চাং অসি নোংমদা মিলিগ্রাম ১০০০ দগী হন্থগদবনি। অথেংবদা চাকলেন য়াম্না চাশিল্লোইদবনি। নোয়বনা নুঙ লৈবগী তোঙানবা মরম অমা ওই। বেলেন্স দাইট চাদুনা নোয়বসু হন্থহনগদবনি।

অখন্নবা খোংথাং

**১) কেলসিয়ম নুঙ থিংননবা**

চিঞ্জাক : কিদনি নুঙ লৈবা মীওইনা কেলসিয়ম চারোইদবনি হায়বা ৱাফম অদু অরানবনি। কেলসিয়ম য়াওবা অফবা চিঞ্জাক চাগদবনি, মসিদা শঙ্গমগী পোৎথোকসু য়াওবা য়াই। কেলসিয়ম্না ওকজালেটকা পুনশিন্দুনা মপান্দা থাদোকখি, মরম অদুনা থিরিন্দগী ওকজালেট চুপশিন্দুনা নুঙ শেম্বা হন্থহল্লি। চিঞ্জাক্তা কেলসিয়ম ৱাৎলবদি থিরিন্দা ওকজালেট হেন্না চুপশিন্দুনা ওকজালেট নুঙ শেম্বদা মতেং পাঙই।

*থুম চাবা হন্থবনা কেলসিয়ম নুঙ শেম্বদগী চাওনা থিংবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- কেলসিয়ম তোঙান্না চারোইদবনি অদুগা চিঞ্জাক্তসু হন্থগদবনি মরমদি কেলসিয়ম্না নুঙ শেন্বদা য়াম্না মতেং পাংই। কেলসিয়ম তোঙান্না চাবা তঙাই ফদ্রবসু চাক চাবদা য়াওহন্দুনা শোক্তনবা হোৎনগদবনি।
- হিদাক চাবা : কেলসিয়ম ষ্টোন থিংনবা থিয়াজাইদ দাইয়ুরেটিক্স শিজিন্নে।

**২) ওকজালেট ষ্টোন থিংবা**

কেলসিয়ম ওকজালেট ষ্টোন লৈবা মীওইশিংনা ওকজালেট য়াওবা চিঞ্জাক হন্থগদবনি। ওকজালেট য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাকশিং অদুদি :

- মনা-মশিং : স্পিনাস, রুবার্ব, ওক্রা, ভেলন্দ্রি, বিটস অমদি মঙ্গ্রা।
- উহৈ অমসুং উহৈ অকংবা : ষ্ট্রোবেরি, রাস্পরেরি, চিকু, অমলা (হৈগ্রু), কষ্টাদ এপল, অঙ্গুর, কেসুনট, লৈবাক হৱাই, অলমোন্দ অমসুং থৈবোং অকংবনি।
- অতোপ্পা চিঞ্জাক : মোরোক অতেকপা, ফ্রুট কেক, মারমালেদ, চোকোলেট অমুবা, পিনট বটর, সোয়াবিন ফুদস অমসুং কোকুৱানি।
- মহী : অঙ্গুর মহী, কোলা অমুবা অমদি মনা কুংবা চা নত্রগা চা ঙাংনি।

**৩) য়ুরিক এসীদ ষ্টোন থিংবা**

- অলকোহোল য়াওবা মহী পুম্নমক শিজিন্নরোইদগবনি।
- শাগী প্রোটিন য়াম্না য়াওবা পাট (খুদম - ব্রেন, লিভর, কিদনিনচিংবা), ঙা (খুদম - এঙ্কোবিজ, সারদিন্স, হেরিং, ক্রোট, সালমোনচিংবা), ওকশা, য়েনশা, যনশা অমদি য়েরুম চাবা হন্থগদবনি
- হৱাই চেংৱাই, হৱাই অশাংবীনচিংবা, চেঙ্গুম, স্পিনাস, এস্পারেগস অমদি কোবি থমচেৎ চাবা হন্থগদবনি।
- থাও (মহাও) য়াম্না য়াওবা, আইস ক্রিম, থাওদা তাওবা চিঞ্জাক অমদি সলাদ য়াম্না চারোইদবনি।

| |
|---|
| *খঙজিল্লু। কেলসিয়ম য়াওবা চিঞ্জাক থিংবনা নুঙ শেন্বদা মতেং পাংই।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- হিদাক চাবা : য়ুরিক এসীদ শেন্বা অমদি য়ুরিক এসীদ লৌথোকখিবা হন্থনবা এলোপুরিনোল শিজিন্নগদবনি। য়ুরিক এসীদ অসি ফমজিনবা মরম্না এসীদি ওইবা য়ুরিনদা নুঙ শেন্বা থিংনবা য়ুরিন অলকালিন চাং মান্ননবা পোটাসিয়ম সাইত্রেদ শিজিন্নে।
- অতোপ্পা পান্থে : হকচাংগী অরুন্বা হন্থহনবা।

**য়ুরিনরি ষ্টোনগী লায়েং**

য়ুরিনরি ষ্টোন লায়েংগী থাক অসি লাইওংগী মতুংইন্না থবক পায়খৎলি; নুঙগী চাও-শাংবা, জগা অমসুং নুঙ লৈরকপগী মরম অমসুং য়ুরিনরি ইনফেক্সন অমদি অথিংবা লৈব্রা-লৈতব্রা হায়বদুগী মতুং ইল্লি। মরু ওইনা লায়েংগী লম্বেল অনী অদুদি :

ক) কঞ্জর্বেটিব ট্রিটমেন্ট

খ) সর্জিকেল ট্রিটমেন্ট

**ক) কঞ্জর্বেটিব ট্রিটমেন্ট**

কিদনিগী নুঙশিং অসি পীকপা (দাইমিটরদা এম এম ৫ দগী হন্থবা তাই) মরম্না মশা মথন্তা চয়োল ৩ দগীনা ৫ ফাওবগী মনুংদা লাইওং হেক উৎপগা মশা মথন্তা থোকচখিবা য়াওই। কঞ্জর্বেটিব ট্রিটমেন্টকী পান্দমদি লাইওং হন্থহনবা অদুগা সর্জিকেল ওপরেসন য়াওদনা নুঙ লৌথোকখিবনি।

**কিদনি নুঙ খুদক্কী ওইবা লাইয়েং**

খাঙবা ঙমদনা নারক্লবদি অনাবা অদুনা ইন্ট্রামস্কুলর নত্রগা ইন্ট্রাভিনসগী লম্বেলদা এনএসএআইদি নত্রগা ওপিয়োইদ কাপকদবনি। খাঙবা ঙম্বা অনাবগী ওইরগনা গুলি ওইনা চাগদবনি।

**মহী-মনাই য়াম্না থকচিনগদবনি**

য়াম্না কন্না নাবা মীওইশিংদদি মহী লৌশিনবগী চাং অদু ময়াই ওইরপ্পগীনা হেঞ্জিল্লবদি অনাবা হেঞ্জেনবা য়াই। অদুবু নারক্তবা মতমদা মহী য়াম্না

*ঈশিং য়াম্না থকপনা য়ুংদা নুঙ মচা ময়াম অমা তাহনখিবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

থকচিনগদবনি। নোংমদা ঈশিং লিটর ২ দগী ৩ ফাওবা থল্লবদি সর্জিকেল ওপরেসন য়াওদনা নুঙ লৌথোকপা ঙম্মী।

নিংশিংগদবদি বিয়রনা নুঙ লৈবা অনাবদা হিদাককুম্না কান্নবা ফংদে। মরীন্দা য়াম্না কন্না নাবা অমদি কোক ঙাওবা, ওবা অমসুং শাগৎপা য়াওরল্লবদি সেলাইন ইনফুজন কাপ্তুনা হকচাংদা মহীগী অৱাৎপা মেনশিনগনি। অনাবশিংদগী তারকপা নুঙ অদু টেষ্ট তৌনবা থমজিনগদবনি। খ্বায়দগী চন্বা সেম্পল কলেক্ট তৌবগী মওং অদুদি ষ্ট্রেনর (চালোনি) অমদা য়ুং হানবনি।

**অতোপ্পা পান্বে**

য়ুংগী পিঐচ নিংথিনা থন্বা মথৌ তাই। কেলসিয়ম চেনেল ব্লোকর অমসুং অলফা ব্লোকরশিংনা য়ুরেটরগী স্পাজম থিংদুনা অনাবা অদুবু মতেং পীদুনা নুঙ অদু মথন্তা তাহল্লকই। কোক ঙাওবা, ওবা অমদি য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন্না লায়েংথোক্কদবনি। মথক্তা পনখিবা ঙাকথোক্লবা পান্বে খুদিংমক (চিঞ্জাক্কী পাউতাক, হিদাক লাংথকনচিংবা) ইনগদবনি।

**খ) সর্জিকেলগী (থাং থাবা) লায়েং**

চুম্নগী লায়েংনা ফবা ঙমদ্রবা কিদনি নুঙ লৈবগী অনাবা অসি থাং থাদুনা (সর্জিকেল) লায়েংবা ঙম্মী। খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা থাং থাবগী থৌওংশিং অদুদি এক্সত্র-কোরপোরিএল, সোক ৱেব লিথোত্রিপসি (ঈএসদব্লিউএল), পরকুটেন্যুস নেফ্রোলিথোত্রিপসি (পিসিএনএল), য়ুটেরোস্কোপি অদুগা য়াম্না তাঙনা ওপন সর্জরিনি। হায়রিবা টেগনিক (খুৎশু-খুৎনোম) শিং অসি অমগা অমগা লমজেল তান্নবা টেগনিক নত্তে অদুবু মতেং পাংনবনি। য়ুরোলোজিষ্টশিংনা করম্বা অনাবদা করম্বা টেগনিক শিজিন্নগদগে হায়বদু ৱারেপ লৌগনি।

**য়ুরিনরি ষ্টোন লৈবা করম্বা অনাবদা সর্জিকেল লায়েংগী মথৌ তাবগে?**

নুঙ মচা লৈবা অয়াম্বা অনাবশিং কঞ্জার্বেটিবকী লায়েংনা ফহনবা ঙম্মী। অদুবু কিদনি নুঙ লৌথোকপদা থাং থাবা মথৌ তারক্লিবশিং অদুদি করিগুম্বা :

- মতম শাংনা লৈরল্লবসু তারক্তুবা অমদি হঞ্জিন হঞ্জিন খাঙবা ঙমদবা মওংদা নাবা।

*চাদা ৫০ দি নুঙ লৈবসি হঞ্জিন্নে। থিংহৌনবা মরুওইবা পাউতাকশিং ইনগদবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- চাউমন্দুনা মথন্তা তারকপা ঙমদবা।
- নুঙ অদুনা য়ুংগী লম্বেল থিংজিন্দুনা কিদনিদা শোকহল্লকপা।
- হঞ্জিন-হঞ্জিন য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন থোকহনবা অমদি ঈ থোকপা।

নুঙনা থিংগত্তুনা কিদনি ফেল ওইরক্তুনা নাম্মা নত্রগা কিদনি অনীমক থবক তৌহল্লত্রবদি অথুবা মতমদা থাং থাবা য়ারে।

১) ঈএসদব্লিউ এল - এক্সত্রা কোরপোরিএল সোকৱেব লিথোট্রিপসি।

ঈএসদব্লিউ এল নত্রগা কোরপোরিএল সোকৱেব লিথোট্রিপসি অসি খ্বায়দগী নৌবা, য়াম্না কান্নবা অমদি খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা কিদনি নুঙ লৌথোকপগী লায়েং মখলনি। সেন্টিমিটর ১.৫ দগী পিকথবা নুঙ নত্রগা খরা চৎখৎলগা লৈবা য়ুটেরিক ষ্টোন লৌথোকপগী খ্বায়দগী চান্নবা টেগনিকনি।

টেগনিক অসিদা কাহেন্না তাশিল্লবা সোকৱেব নত্রগা অলত্রা সোনিক ৱেব পুথোক্তুনা লিথোট্রিপ্তুর মেছিন্না নুঙ অদু মচেৎ তানা থুগায়বনি। নুঙ অদু মকুপ ওল্লবনিনা ইকোম কোম্না য়ুরিনরি ত্রেকতা য়ুং হানবদা য়াওখি। লিথোট্রিপসি লোয়রবা মতুংদা অনাবা অদু মহি ফজনা পীথক্তুনা নুঙ মচিৎশিং অদু মপান্দা থোকখিনবা হোৎনৈ। লিথোট্রিপসি লোয়রবা মতুংদা নুঙ খরা চাওবা অমনা য়ুরেটর থিংবগী মওং লাক্লবদি “ষ্টেন্ট” (অখন্নবা য়াম্না থোৎপা প্লাষ্টিক) অমা য়ুরেটরদা হাপ্তুনা অথিংবা লৌথোক্কনি।

লিথোট্রিপসি হকচাং শোকনিঙাই ওইদে। অদুবু ওইরকপা য়াবা নুঙাইতবা অৱাবা অদুদি - য়ুংদা ঈ য়াওরকপা, য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন, নুঙ মপুং ফানা লৌথোকপা ঙমদবা (অমুক হন্না তৌবগী তাঞ্জা লাকপগী, কিদনি শোকপা অমদি ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা।

লিথোট্রিপসিগী কান্নবশিং অদুদি - শোক্তবা থৌওংনি, হোস্পিটালদা লৈত্রবসু য়াই, পংথনবগী হিদাক থাদ্রবসু য়াই অমসুং লেনবা ককপা তৌদে। অনাবা ফাওবগী চাং নেম্বা, চহী কাংলুপ খুদিংদা পাঙথোকপা য়াবা লায়েংনি।

***লিথোট্রিপসি ওপরেসন তৌদনা কিদনিগী নুঙ লৌথোকপদা শিজিন্নবা য়াম্না কান্নবা অমদি খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা মখলনি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

লিথোট্রিপসি অসি মশা নোয়বা মী অমদি নুঙ অচৌবদদি কান্নদে। মসি মীরোল্লীগুঁদা শিজিন্নদে অমসুং হায়পরটেন্সন কন্ট্রোল তৌদবা এনফেক্সন য়াম্না লৈবা, য়ুরিনরি ত্রেক্টতা অথিংবা লৈবা অমসুং ঈ থোকপগী লায়না লৈবশিংদা শিজিন্নদে। লিথোট্রিপসি লোয়রবা মতুংদা চাং নাইনা চেকঅপ চৎকদবনি অমসুং হঞ্জিন্না নুঙ লৈরক্তনবা হিদাক চাবগী মথৌ তাই।

২) পরক্যুটেনস নিফ্রোলিথোটোমি (পিসিএনএল)

পরক্যুটেনস নিফ্রোলিথোটোমি নত্রগা পিসিএনএল অসি ময়াই ওইরপ চাওবা নুঙ (সেন্টিমিটর ১.৫ দগী হেনবা) লৌথোকপগী খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা মেথদনি। য়ুরেটেরোস্কোপি নত্রগা লিথোট্রিপসিনা ঙমদ্রবা মতমদা খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা নুঙ লৌথোকপগী মেথদনি।

থৌওং অসিদা অনাবা অদু মপুং ওইনা পাংথহল্লবা মতুং য়ুরোলোজিষ্ট অদুনা ইমেজ ইন্টেনসিফায়র নত্রগা সোনোগ্রাফিক কন্ট্রোলগী মতেংনা নঙ্গললোমদা য়াম্না পীকপা মখুল অমা কিদনি ফাওবা হুৎকনি। মখুন অদু খুৎলাই থিজিন্নবা লাওথোকহনগনি। নিফ্রোস্কোপ কৌবা খুৎলাই অমগী মতেংনা য়ুরোলোজিষ্ট অদনা নুঙ অদুগী মফম খঙদোক্লবা মতুংদা লৌথোক্কনি (নিফ্রোলিথোটোমি)। নুঙ অদুনা খর চাওরল্লবদি ফ্রিক্যুন্সি ৱাংবা সাউন্দ ৱেব শিজিন্নদুনা থুগায়রগা নুঙ মচেৎশিং অদু লৌথোক্কনি (নিফ্রোলিথোট্রিপসি)।

চাওরাক্লা য়েংবদা পিসিএনএল অসি শোকনিঙাই ওইদে, অদুবু সর্জিকেল ট্রিটমেন্ট অতোপ্পগুম্না মসিগীসু রিস্ক অমদি লুশিল্লকপা নুঙাইতবা লৈগনি। ওইরকপা য়াবশিং অদুদি ঈ থোকপা, লাইজৌবা, মনাক্তা লৈবা অতোপ্পা ওর্গান - কোলোন শোকপা, য়ুরিনরি লিক ওইবা অমদি হায়দ্রোথোরাক্সনি। পিসিএনএলগী খ্বায়গী কান্নবদি অনাবা অদুবু নুঙ লৈহন্দনবা অমুক্তংদা তৌবা য়াবা মেথদনি। হোস্পিটালদা লৈবসু কুইদে, ওইশিনবা অমদি ফগৎপগী চাং য়াম্না থুই।

***ময়াই ওইরপ নত্রগা অচৌবা কিদনি নুঙ লৌথোকপগী খ্বায়দগী ফবা মেথদ অদু পিসিএনএল নি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

৩) য়ুরেটেরোস্কোপি (য়ু আর এস)

য়ুরেটর গী ময়াই অমদি মখা থংবা শরুক্তা লৈবা নুঙ লৌথোকপগী খ্বায়দগী মায়পাকপা মেথদনি। পংথনবা হিদাক থারবা মতুং য়াম্না পাবা, কেমেরা য়াওবা, য়াংবা, থেকতোক-থেকচিন য়াবা ট্যুব অমা য়ুরেথ্রা ফাওদুনা ব্লাদর য়ৌরবা মতুং য়ুরেটর ফাওবা ইনশিনবা ঙম্বা খুৎলাই (য়ুরেটেরোস্কোপ) অসিনা য়ৌহল্লি। খুৎলাই অসিগী মতেংনা নুঙ অদুগী মশক উবা ফংগনি অদুগা নুঙ অদু পীক্লম্লগনা গ্রাপরনা চপ্লগা লৌথোকই। অদুবু নুঙ অদুনা চাওরল্লবদি নুৎমেটিক লিথোট্রিপসি শিজিন্নদুনা মচেৎ তানা থুগায়রগা য়ুং হানবদা মথন্তা থোকচখি। অনাবা অদু লোয়রবা ময়ুমদা নুমিৎ অদুমক্তদা হনবা য়াই অদুগা নুমিৎ নিনি হুমনি লৈরবা হান্নগুম্না থবক তৌবা ঙম্মী।

য়ুআরএস না অতোপ্পা টেগনিক্তুগী হেল্লিবা মায়কৈ অসি হকচাংদা থাং থাদনা নুঙ অচৌবা ওইরবসু মচা ওইরবসু লৌথোকপা য়াবা অসিনি। মীরোনবী নুপীশিং, অনোয়বা মীওই অমদি ঈ থোকপগী অনাবা লৈবা মীওইশিংদসু শোকহন্দনা পাঙথোকপা য়াই।

য়ুআরএস অসি য়াম্না শোকনিংঙাই ওইদে অদুবু অতোপ্পা পান্থেগুম্না মসিগীসু খুদোংথিবা থোরকপা য়াই। ওইবা য়াবা খুদোংথিবা অমদি লুশিল্লকপা নুঙাইতবা অদুদি য়ুংদা ঈ য়াওরকপা, য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন, য়ুরেটর তৎলগা হোবা অমসুং য়ুরেটরগী মখুল অদু স্কার টিসু শেল্লক্তুনা খুশিল্লকপা (য়ুরেটরেল ষ্ট্রিকচর) অসিনি।

৪) **ওপন সর্জরি**

ওপন সর্জরি অসি খ্বায়দগী নাবা অমদি শোকনিঙাই ওইবা নুমিৎ ৫ দগী ৭ নি ফাওবা হোস্পিটালদা লৈদুনা নুঙ লায়েংবগী মেথদনি।

*য়ুরেটরগী ময়ায় অমদি মখা থংবা শরুক্তা লৈবা নুঙ সর্জরি তৌদনা লৌথোকপা য়ুরেটেরোস্কোবনা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

অনৌ অনৌবা টেগনোলোজি কয়া লাকপদগী ওপন সর্জরি অসি শরুক য়াম্না হন্থনরে। হৌজিক হৌজিক ওপন সর্জরি অসি য়াম্না তাঙনা অরুবা অমদি নুঙ কা হেন্না চাওবা মতমদা শিজিন্নরে।

ওপন সর্জরিগী চাওনা কান্নবা হায়ববু অপীকপা, অচৌবা, মচী পানবা অমদি মশিং য়াম্বা নুঙ অমুক্তংদা লৌথোকপা য়াবা অসিনি। টেগনিক অসি শেল চঙদবা, কান্নবা চাওখৎলক্লিবা রিসোর্চ য়াম্না লৈতবা লৈবাকশিংদা তোয়না শিজিন্নে।

**কিদনি নুঙ লৈরবা অনাবা অমনা করম্বা মতমদা ডাক্তর উন্নগদগে?**

কিদনি নুঙ লৈরবা অনাবা অমনা মখাগী নুঙাইতবশিং অসি লৈরবদি খুদক্তা ডাক্তর উন্নদুনা তান্নগদবনি -

- পুক্কী শরুক হিদাক চারবসু খাঙবা ঙমদনা নারবা।
- কা-হেন্না ওনিংবা, ওবানা মরম ওইরগা হিদাক অমদি মহী য়োৎশিনবা য়াদবা।
- হকচাং শাগৎপা, নিংথম চনবা অমদি পুক নাদুনা য়ুং হানবদা শাবা।
- য়ুংদা ঈ য়াওরবা।
- য়ুং হানবা য়াদবা।

| |
|---|
| *অতোপ্পা মেথদনা য়ারক্রুবা অমদি কিদনিগী নুঙ অদু য়াম্না চাওরবা মতমদা শিজিন্ননবা ওপন সর্জরি খাক্তুনা থমগদবনি।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ২০

# বেনিঙ প্রোষ্টেটিক হায়পরপ্লাসিয়া (বিপিঐচ)

প্রোষ্টেট গ্লান অসি নুপা খক্তদা য়াওবনি। চহী ৬০ হেল্লবা নুপাশিংদা প্রোষ্টেট গ্লান চাওথোক্তুনা য়ুং হানবদা নুঙাইহন্দে। হিংবগী চহীগী মতম শাংদোরকপনা বেনিঙ প্রোষ্টেটিক হায়পরপ্লাসিয়া (বিপিঐচ) নাবগী চাংসু হেনগৎলক্লি।

**প্রোষ্টেট গ্লান হায়বসি করিনো? মসিগী মথৌ করিনো?**

নুপাগী রিপ্রদকটিব সিষ্টেমদা য়াওবা হৈজুগাংমুক চাওবা ওর্গান মচা অমনি প্রোষ্টেট গ্লান হায়বসি। রেক্টম (শৌজ) গী মমাং অদুগা ব্লাদরগী মখাদা প্রোষ্টেট গ্লান অসি লৈ। প্রোষ্টেটনা য়ুরিথ্রাগী (ব্লাদরদগী য়ুং পুবা উতোং) অহৌবা শরুক অদু য়োমশিল্লি। হায়বদি য়ুরিথ্রা (সেন্টিমিটর ৩ লোম) না প্রোষ্টেট ফাওদুনা লাকই। প্রোষ্টেট হায়বসি নুপাগী অঙাংপোকপগী ওর্গাননি। ফম্বী অসি কাপথোরকপা মতমদা মচিঞ্জাক পীবা অমদি নুপীগী মরুম য়ৌদ্রিফাওবা পুদুনা চৎপা ঙম্বা মহী অদু প্রোষ্টেটনা পুথোকই।

**বেনিঙ প্রোষ্টেট হায়পরপ্লাসিয়া (বিপিঐচ) করিনো?**

"বেনিঙ প্রোষ্টেটিক" হায়বদি প্রোষ্টেটকী নুঙাইতবা অদু কিনিঙাই (কেন্সর ওইহন্দবা) ওইদে হায়বনি অদুগা "হায়পরপ্লাসিয়া" হায়বনা চাওথোকপা হায়বনি। বেনিঙ প্রোষ্টেটিক হায়পরপ্লাসিয়া নত্রগা বেনিঙ প্রোষ্টেটিক হায়পরট্রোফি (বিপিঐচ) অসি কেন্সরনা ওইহন্দবা প্রোষ্টেট চাওথোকপগী নুঙাইতবা নুপানা চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদা থেংনবা ফিভমনি।

নুপানা চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদা প্রোষ্টেট গ্লান অসি তপ্না তপ্না চাওথোরকই। চাওথোরক্লগা প্রোষ্টেটনা য়ুরিথ্রাদা নমশিল্লি, অদুগা য়ুংগী চেনবগী

*চহী য়াম্লবা নুপা অহলশিংদা থেংনবা লায়না অমনি বেনিঙ প্রোষ্টেটিক হায়পরপ্লাসিয়া হায়বসি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

লম্বেল থৎচিন্দুনা য়ুং হানবা নুঙাইহন্দে। য়ুরিথ্রা খুজিল্লকপনা মরম ওইদুনা য়ুংগী শাফু অসি তপথরকই অমদি শোন্থরকই।

## বিপিঐচকী লাইওং

বিপিঐচকী লাইওং অসি চহী ৫০ শুবদগী হৌরকই। চহী ৬০ হেনবশিংগী চাদা ৫০ অদুগা চহি ৭০ দগী ৮০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা চাদা ৯০ দি বিপিঐচকী লাইওং উবা ফংগনি। বিপিঐচ কী লাইওং অসি তপ্না তপ্না হৌরক্লগা চহীগী মতুং ইন্না হেজিল্লকনি। য়াম্না তোয়না থেংনবা লাইওংশিং অদুদি :

- মরু ওইনা নুমিদাংদা য়ুং তোইনা হানবা। মসি য়াম্না ঙনবগী লাইওংনি।
- য়ুং মরী শোনবা নত্রগা তপ্না তারকপা।
- ব্লাদর থনবগী মওং ওইরবসু য়ুং হানবা হৌরকপা য়াম্না ৱাবা।
- য়ুং চিৎকে তৌবা অসিনা খ্বায়দগী নুঙাইতবা লাইওংনি।
- য়ুং হান্নবা হোৎনবদা কন্না শংবা।
- য়ুং মরী মরক মরক্তা তৎপা।
- য়ুং হানবা লোয়রে খল্লবসু য়ুং মরী মরীক তারকপা। মসিনা মনুং খোংগ্রাউ ফাওবা চোৎপা য়াওই।
- মপুং ফানা য়ুং শেংনা ব্লাদর হাংনবা হান্দোকপা ঙমদবা।

## বিপিঐচ হেঞ্জিল্লক্তুনা নুঙাইতবশিং

বিপিঐচ হেঞ্জিল্লকপনা অনাবা খরদদি মতমগা লোয়ননা য়াম্না নুঙাইতবা পীরক্কনি। তোয়না থেংনবা বিপিঐচ য়েংথোকহৌদ্রবদি লুশিল্লক্তুনা নুঙাইতবশিং অদুদি –

- একুটে য়ুরিনরি রিটেন্সন : মতম শাংনা বিপিঐচ লায়েংথোক্ত্রবদি খঙহৌদনা, মপুং ওইনা অমদি মতম খরগী ওইবা য়ুং হানবদা অথিংবা লৈদুনা নাবা। অসিগুম্বা মীওইদা কেথেটর কৌবা টিয়ুব (উতোং) হাপ্তুনা ব্লাদরদগী য়ুং চিংথোক্লে।

**বিপিঐচনা য়ুং মরী শোলহল্লি অমদি নুমিদাংদা তোয়না হানগল্লি।**

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- ক্রোনিক য়ুরিনরি রিটেন্সন : মতম শাংনা য়ুংগী মরী খর থিংঙৎতুনা ক্রোনিক য়ুরিনরি রিটেন্সন ওইহল্লকই। ক্রোনিক য়ুরিনরি রিটেন্সন অসি অনাবা ফাওদে অমদি য়ুং তুংশিনবগী চাং হেনগৎলকই। য়ুং হানবা লোয়রবা মতুংদা ব্লাদরদা লেমহৌবা য়ুং অদুবু রেসিদুএল য়ু কৌই। ব্লাদরদগী য়ুং শেংনা লৌথোক্তবা নত্রগা য়ুং য়ামদনা তোয়না হানবা।

- ব্লাদর অমদি কিদনি শোকপা : ক্রোনিক য়ুরিনরি রিটেন্সন্না ব্লাদরগী মস্কুলর ৱাল অদু থবক হেন্না শুহন্দুনা চিংথোকই। মতম কুইরক্লবা কান্দা মশা শোন্দুনা চপশিনবগী পাঙ্গল হন্থরকই।

  ব্লাদরদগী য়ুং য়াম্না লেমহৌবনা ব্লাদরদা অহেনবা প্রেসর পীরকই। মসিনা বেক প্রেসর ওইহল্লক্তুনা য়ুরেটর অমদি কিদনিরোমদা হায়গৎপা য়াওই। য়ুরেটর অমদি কিদনিদা য়ুং হঞ্জিল্লকপা অসিনা কিদনি ফেলর ওইহল্লকপা য়াই।

- য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন অমদি ব্লাদর স্টোন : ব্লাদর মপুং ফানা শেংদোকপা ঙমদবনা য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন অমদি ব্লাদর নুঙ শেল্লকপগী মতেং পাংই।

- নিংশিংগদবদি, বিপিঐচনা প্রোস্টেট কেন্সর নাবদা মতেং পাংদে।

## বিপিঐচকী লাইওং লেপথোকপা

মমাংগী ৱারি অমদি লাইওংনা বিপিঐচনি চিংনরবদি মখাগী চাংয়েংশিং অসি পাঙথোক্তুনা প্রোস্টেট চাউথোক্লব্রা হায়বসু তশেংনা খঙদোকপা য়াই।

- **দিজিটেল রেক্টেল এগজামিনেসন (দিআরই)**

মসিগী খঙদোকপগী মওং অসিদা নান-নান লাওহল্লবা গ্লোব উপ্তুনা খুৎশানা অনাবা অদুগী অমাংথোংদা ইনশিন্দুনা প্রোস্টেট গ্লান অদু শৌজাগী কুয়োমদগী মারগা খঙদোকপা য়াই। মসিনা ডাক্তর অদুদা প্রোস্টেট গ্লানগী পাকচাওবা অমদি ফিভম খঙদোকপা ঙম্মী।

> *বিপিঐচকী লাইওং খঙদোকপগী য়াম্না মরু ওইবা এগজামিনেসন অনি অদুদি দিজিটেল রেক্টেল এগজামিনেসন অমসুং সোনোগ্রাফিনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

বি পি ঐচতা দি আর ইনা প্রোষ্টেট অসি অনাবা লৈতবা মতমদা মোন-মোন লাওগনি অমদি চাওগনি। অদুগা কেন্সর নত্রগা কালসিফিকেসন তৌরবদি প্রোষ্টেট গ্লান অদু কন-কন লাওবা, মরুম মরুম শৌগৎপা অমদি জৌ জৌ লাওগনি।

- **অল্ট্রাসাউন্দ অমদি পোষ্ট-ভোইদ রেসিদ্যুল ভোল্যুম টেষ্ট**

অল্ট্রাসাউন্দনা প্রোষ্টেটকী পাক চাওবা খঙদোকপা ঙম্মী মসিনা অতোপ্পা নুঙাইতবা খুদম ওইনা যুরেটর লাওথোকপা, কিদনি চাওথোকাপা, মেলিগনেসি (শিবা য়ানা নাবা) অমদি পোমথোকপশিং য়েংথোকপা য়াই।

অল্ট্রাসাউন্দনা যুং হানবা লোয়খ্রবা মতুং ব্লাদরদা কয়াম লেমহৌরিবগে হায়বসু খঙদোকপা ঙম্মী। পোষ্ট ভোইদ রেসিদুএল ভোল্যুম (ব্লাদরদা যুং হানবা লোয়রগা লেমহৌবা যুং) অসি এম এল ৫০ দগী তারবদি ব্লাদর মতিক চানা শেংদোকই তাকপনি। অদুগা এম এল ১০০ দগীনা ২০০ ফাওবা নত্রগা হেল্লবদি মখাতানা য়েংশিনবা মথৌ তারে হায়বনি।

- **প্রোষ্টেট সিমতোম স্কোর নত্রগা ইন্দেক্স**

ইন্টরনেসনেল প্রোষ্টেট সিমতোম স্কোর (আইপিএসএম) নত্রগা এয়ুএ (অমেরিকান যুরোলোজিকেল এসোসিএসন) সিমতোম ইন্দেক্সনা বিপিঐচকী লাইওং খঙদোকপদা মতেং পাংই। মসিগী লাইওং খঙদোকপগী মওং অসিদা বেনিঙ প্রোষ্টেটিক হায়পরপ্লাসিয়াগী মরমদা মরী লৈনবা ৱাহং কয়া হংগনি। অমদি য়ুরিনরিগী নুঙাইতবা নুপাশিং লৈব্রা খঙদোক্কনি। য়ুরিনরিগী নুঙাইতবগী চাং অদু লেপথোকই।

- **লেবেরেটোরি টেষ্ট**

বিপিঐচ খঙদোক্লবা লেবোরেটোরি টেষ্টনা মতেং পাংদে। অদুবু মরি লৈনবা নুঙাইতবশিংগীদি মতেং পাংই। য়ুংদা ইনফেক্সনগী অদুগা ঈদনা কিদনি ফঙ্কসন টেষ্ট তৌগনি।

- প্রোষ্টেট স্পেসিফিক এন্টিজেন (ফিএসএ) অসি প্রোষ্টেট কেন্সর লৈব্রা য়েংথোক্লবা ঈগী টেষ্টনি।

*ব্লদ পিএসএ অসিনা প্রোষ্টেট কেন্সরগী লাইওং খঙদোক্লবা খ্বায়দগী মরু ওইবা টেষ্টনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- **অতোপ্পা ইনভেষ্টিগেসন**

বিপিঐচ লৈতে নত্রগা মসিগী লাইওং খঙদোক্লবা তোঙান তোঙানবা ইনভেষ্টিগেসনশিং অদুদি য়ুরোফ্লোমিত্রি, য়ুরোদাইনমিক ষ্টদিজ, সাইটোস্কোপি, প্রোষ্টেট বাওপসি, এন্ত্রা ভেনস পেলেগ্রোম নত্রগা সি টি য়ুরোগ্রোম অমসুং রিত্রোগ্রেদ পেলোগ্রাফিনি।

**বি পি ঐচ কী লাইওং লৈবা মীওই অমা প্রোষ্টেট কেন্সর লৈবা য়াব্রা? প্রোষ্টেট কেন্সর করম্না লাইওং খঙদোক্কদগে?**

য়াই। প্রোষ্টেট কেন্সরগী লাইওং ময়াম অমা বি পি ঐচ কা মান্নে, টেষ্ট তৌবদা ফংবা ফলদা য়ুস্ফম ওইরগা লায়না অনী অসিগী খেৎনবা খঙদোকপা ৱাই। অদুবু নিংশিংগদবদি বিপিঐচ অসি প্রোষ্টেট কেন্সরগা মরী লৈনদে। প্রোষ্টেট কেন্সরগী লাইওং অসি খঙদোক্লবা খ্বায়দগী মরু ওইবা টেষ্ট অহুম অদুদি দিজিটেল রেক্টেল এগজামিনেসন (দিআরই), প্রোষ্টেট স্পেসিফিক এন্টিজেন (পি এস এ) গী ব্লদ টেষ্ট অমদি প্রোষ্টেট বাওপসিনি।

**পি বি ঐচ লায়েংবা**

বি পি ঐচ লায়েংবগী পরমশিং অদু লাইওংগী ফিভমনা নোংমগী ওইবা পুন্সি মরেলদা পীবা নুঙাইতবশিং অদু য়েংলগা পায়খৎকদবনি। বি পি ঐচ লায়েংবগী পান্দমদি লাইওং হন্থহনবা, হিংবগী মহাও লৈহনবা, পোষ্ট ভোইদ রেসিদ্যুল য়ুরিন ভোল্যুম হন্থহনবা অমদি হেজিল্লকপশিং থিংহৌবনি।

বি পি ঐচ লায়েংবগী মরু ওইবা পরম অহুম অদুদি :

ক) কুপ্না য়েংশিনবা অমদি পুন্সি মরেল হোংদোকপা (লায়েংদবা)

খ) হিদাক চারগা লায়েংবা

গ) থাং থাদুনা (সর্জিকেল লায়েংবা)

*বি পি ঐচ অমসুং প্রোষ্টেট কেন্সরগী লাইওং কয়া মান্নে। কুপ্না ইনভেষ্টিগেসন তৌরগা লাইওং খঙদোক্কদবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**ক) কুপ্না চেকশিন্না য়েংলগা পুন্সি মরেল হোংদোকপা (লায়েংদবা)**

লাইওং ইচম চম্বা নত্রগা লাইওংদুনা নুঙাইতবা পীদবা মীওইশিংগীদি লায়েংদনা “ৰেট এন্দ ৰাটচ” কী খোংথাং অসি পায়খৎনৈ। কুপ্না চেকশিন্না য়েংবা হায়বসিনা বি পি ঐচকী লাইওং হন্থনবা করিগুম্বা অমত্তা তৌদনা লৈগদবা নত্তে। মসিগী মওং অসিদা মীওই অদুনা মহাক্কী পুন্সি মরেল অদু হোংদোকপা মথৌ তাই অদুগা লাইওংশিং অদু হন্থরিব্রা নত্রগা হেনগৎলক্লিব্রা হায়বদু চাং নাইনা চেকঅপ তৌগদবনি।

- য়ুং হানবগী হৈনবী অমদি মহী থকচিনবগী হৈনবী খরা হোংদোক্কদবনি।
- ব্লাদর চাং নাইনা শেংদোক্কদবনি। য়ুং কুইনা খাঙজিনবা তোক্কদবনি। হেক হান্নিংঙকপগা হান্দোক্কদবনি।
- দবল ভোইদ। মসিনা হায়বদি য়ুং থংন-থংনা হানবা হায়বনি। অহানবদা য়াম্না কোম্না, পোৎথাবা মওংদা য়ুং হান্দোক্কনি, ঙাইহাক লৈরগা অমুক হন্না হান্দোক্কদবনি। অদুবু শংঙগা হান্দোক্লবদি হোৎনরোইদবনি।
- নুমিদাংৱাইরমদা য়ুং অমদি কেফিন য়াওবা অতোপ্পা মহী অমত্তা থক্লোইদবনি। অনীমক্কা ব্লাদরগী মশল তোন শোকহল্লি, লোয়ননা অনিমক্কা কিদনিনা য়ুং হেন্না পুথোকহনবা ঙম্মী। মসিনা নুমিদাংদা য়ুং হান্নবগী মরম ওই।
- মহী কাহেন্না থকচিনবা (নোংমদা লিটর ৩ দগী হেন্দবা) তৌরোইদবনি। অমুত্তংদা মহী য়াম্না থকচিনবগী মহুৎ মতম (নোংমদা)কাল-কাল্লগা থক্কদবনি।
- তুম্মদাই নত্রগা পুং খরা ৱাৎলিঙৈ মহী থকপা হন্থগদবনি।
- দিকঞ্জেষ্টেন্টস নত্রগা এন্টি হিষ্টামিন য়াওবা দুকানদা হেক্তা ফংবা লোক থুংবা নত্রগা সাইনসকী হিদাক চারোইদবনি। হিদাকশিং অসিনা য়ুরিনরি রিটেন্সন (য়ুং হেন্না তুংশিনবা) নত্রগা লাইওং হেনগৎপা য়াই।

> *লাইওং অচম্বা লৈবা মীওইশিংনা বিপিঐচ লায়েংবগী মহুৎ তা চেকশিন্না ঙাইদুনা য়েংবা অমদি পুন্সি মরেল হোংদোকপা ফহনবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- য়ুং হানবা হেনগৎপগী হিদাক (দাইয়ুরেটিক্স) চাবা মতম হোংদোক্কদবনি।
- হকচাং লুমহনগদবনি অমদি চাং নাইনা শাজেল তৌগদবনি। য়াম্না ঈংবা মতম অমদি হকচাং লেং ওৎপা হন্তবনা লাইওং লুশিলহল্লি।
- কাময়া মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা য়ুং চিৎশিনবা ফনবা শাজেল তৌগদবনি। শাজেল অসিনা ব্লাদর য়োমখৎলিবা মশলশিং অদু কলহন্দুনা স্পিঙ্কটর (মশল) উমশিনবদা মতেং পাংই। শাজেল অসিদা কাময়াগী মশলশিং অমুক চিংশিনবা অমুক থাদোকপা তৌগদবনি।
- ব্লাদর ত্রেনিংনা মতম চানা অমসুং মপুং ফানা শেংদোকপা ঙম্মী। য়ুং চাং নাইনা হান্দোক্কদবনি।
- কান্সটিপেসন (খোং হান্বা য়াদবা) লায়েংথোক্কদবনি।
- চোকথহল্লোইদবনি। পাখৎপা অমদি ৱাখল চরাংনবা তোয়না য়ুং হালহল্লি।

## খ) হিদাক্না লায়েংবা

বি পি ঐচ কী লাইওং অতপ্পদগীনা ময়াই ওইরপ্পা ফাওবগী ওইনা হিদাক চাবনা খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা লায়না অসি কন্ট্রোল তৌবগী খোংথাংনি। হিদাক্না অনাবা নুপা অহুমগী মনুংদা ২দা লাইওং হন্থহন্দুনা কান্নবা চাওনা পী। প্রোষ্টেট চাওথোকপগী হিদাক (ড্রগ) মখল অনী লৈ অলফা ব্লোকর্স অমসুং এন্টি-এন্ড্রোজেন্স (৫-অলফা-রিদকটেজ ইনহিবিটর্স) নি।

- অলফা ব্লোকর্স (টমসুলোসিন, অলফুজোসিন, টেরাজোসিন অমসুং দোক্সজোসিন) অসি ডাক্তরনা পীবা প্রোষ্টেটগী অকোয়বদা লৈবা মশল পোথাহল্লি, য়ুরিনরিগী অপনবা ফহন্দুনা য়ুং চেনবা মতমদা লায়হল্লি। অলফা ব্লোকর্সকী য়াম্না তোয়না থেংনবা সাইদ ইফেকশিং অদুদি কোক ঙাওরি-ঙাওরি তৌবা, তুম্নিংবা অমসুং চোকথবনি।
- ৫-অলফা-রিদকটেজ ইনহিবিটর্স (ফিনাষ্টেরাইদ অমসুং ডুটাষ্টেরোইদ) শিং অসিনা প্রোষ্টেট গ্লান চাওবা হন্থহল্লি। ড্রগশিং অসিনা য়ুং হান্বগী

> ***অচম্বদগী ময়াই ওইরপ্পা বি পি ঐচ কী লাইওংদি হিদাক্কী লায়েংনা ফবা হেল্লি। থাং থাবা (সর্জরি) তৌরোইদবনি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

চাং হেনগৎহল্লি অদুগা বি পি ঐচ কী লাইওংসু হন্থহল্লি। হিদাক অসিনা অলফা ব্লোকর্স কুম্না য়াম্না থুনা থবক তৌদে (হিদাক চাবা মতুং থা ৬ কী মনুংদা ফগৎলকপা উগনি) লোয়ননা কা হেন্না প্রোষ্টেট চাওথোকপশিংদা শিজিন্নে। হিদাক অসিগী সাইদ ইফেকশিংগী মনুংদা ইন্দ্রি লিংখৎপা অমদি মহী কাপ্পদা নুঙাইতবা অমদি নুপা-নুপীগী মরীদা পান্বা ৱাৎপা অমসুং অঙাং ওইহনবা ঙম্লক্তবনি।

পুনশিনবা লায়েং : অলফা ব্লোকর অমগা অলফা রিদকটেজ ইনহিবিটর অমগা মথৌ তোঙান-তোঙানলি অমসুং পুন্না চারবদি অহেনবা কান্নবা ফংই। মরম অদুনা হিদাক অনী অসি পুনশিনবনা বি পি ঐচ কী লাইওংশিং কা হেন্না ফহনবা ঙম্মী। অলফা ব্লোকর্সনা ফহনবা ঙমদ্রবা, প্রোষ্টেট য়াম্না চাওথোকপা অমদি লাইওং কা হেন্না লৈরবা নুপাশিংদা অপুনবা হিদাক অসি পীন্নে।

**গ) সর্জিকেল (থাং থাবা) লায়েং**

সর্জিকেলগী লায়েং অসি মখাদা পীরিবশিং অসি লৈবশিংদা চৎথনবা হায়গদবনি :

- হিদাক্লা ফহনবদা ৱাবা লাইওং ময়াই ওইরপ্পদগীনা হেঞ্জিনবা ফাওবা উৎপা।
- য়ুরিনরি রিটেন্সন য়াম্না থাক ৱাংবা।
- য়ুরিনরি ত্রেক্ট ইনফেক্সন হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌবা।
- য়ুংদা ঈ তোইনা য়াওবা।
- বি পি ঐচ তগী কিদনি ফেল ওইবা।
- বি পি ঐচকা লোয়ননা ব্লাদরদা নুঙ লৈবা।
- ব্লাদরদা পোষ্ট ভোইদ য়ুং লৈবা হেনগৎলকপা।

সর্জিকেলগী লায়েং অসি কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোকই, সর্জিকেল থেরাপী অমসুং মিনিমেল্লী ইনভেন্সিব ত্রিটমেন্ট। খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা

*বি পি ঐচ কী লাইওং হেঞ্জিল্লবা, য়ুরিনরি রিটেন্সন লৈরবা রিকরেন্ট য়ুটিআই লৈরবা অমদি কিদনি ফেলরনা সর্জরি মথৌ তারে তাকপনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

অমদি চৎনবা য়ারবা সর্জিকেল মেথদ অদু ত্রান্সয়ুরেথ্রেল রিসেক্সন ওব দি প্রোষ্টেট (টি য়ু আর পি) নি। নাবা হন্থহনবা অমদি পৈশা চঙবা হন্থহনবগী পান্দমদা হৌজিক হৌজিক অনৌবা মেথদ কয়া হোংদোক্লরক্তুনা অপীকপদগীনা ময়াই ওইরপ চাওবা প্রোষ্টেট গ্লানশিং লায়েংনরি।

## সর্জিকেল থোরাপিশং

অখন্নবা টি য়ু আর পি (ত্রান্সয়ুরিথ্রেল রিসেক্সন ওব দি প্রোষ্টেট), ত্রান্সয়ুরিথ্রেল ইন্সিজন ওব দি প্রোষ্টেট (টি য়ু আই পি) অমসুং ওপন প্রোষ্টেকটোমিনি।

## ১) ত্রান্সয়ুরিথ্রেল রিসেক্সন ওব দি প্রোষ্টেট (টিয়ুআরপি)

টি য়ু আর পিনা প্রোষ্টেট সর্জরিগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা অফবা মখলগী লায়েংনি লোয়ননা হিদাক চাবদগী হেন্না মায়পাকপগী থাক ৱাংই। অনাবা চাদা ৮৫ দগী ৯০ ফাওবা য়ুরিনরি ওবষ্ট্রসন থিংবা ঙম্মী অমদি ফগৎলকপা অদুনা পুন্সি চুপ্পা লেংদনা লৈহল্লি। টি য়ু আর পি অসি মিনিমেল্লি ইনভেসিব ওপরেসননি, মসি য়ুরোলোজিষ্টশিংনা য়ুংগী খোংজেল অদু থৎচিল্লিবা প্রোষ্টেট গ্লান অদু লৌথোকপনি। টিয়ুআরপিদা উনষা ককপা নত্রগা ফোৎচিনবা য়াওদে। টি য়ু আর পি দি হোস্পিটালদা লৈবা মথৌ তাই।

## সর্জরি মমাংদা

- অনাবা মীওইগী হকচাং চুং ফিরেপ চানবা হান্না হোৎনগনি।
- অনাবা অদু চুরুট থকপা মীওইদদি হান্না লেপহনগনি, মরমদি চুরুট থকপনা থবাক অমদি অতোপ্পা অশোকপদা লাইজৌবা হেনগৎহন্দুনা ফগৎপদা কুইনা মতম চংই।
- অনাবা অদুদা ঈ পাথবা য়াবা হিদাক (ৱাফারিন, এস্পরিন অমসুং ক্লোপিদোগ্রেল) শিজিন্নবনা থিংই।

## প্রোসিজর মনুংদা

- টি য়ু আর পি অসি চাওরাক্লা মিনিট ৩০ দগী ৯০ ফাওবা চাংই।

> *বিপিএইচ কী সর্জিকেল ট্রিটমেন্টদা খ্বায়দগী ফবা অমদি পান্নবসি টিয়ুআরপি নি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- স্পাইনেল এনেজথিসিয়া মতমদা টিয়ুআরপিসি অসি হেক হেক তৌনৈ। লোয়ননা লায়জৌদনবা এন্টিবাওটিক পীগনি।
- টিয়ুআরপি মতমদা, রিসেক্টোস্কোপ কৌবা খুৎলাই অমা পেনিস (টি) মতোন্দগী ইনশিল্লগা ঈশিং মরীদগী প্রোষ্টেট লৌথোক্কনি। রিসেক্টোস্কোপ খুৎলাই অসিদা মৈ অমসুং কেমেরা হাপ্পুনা মপান্দা উবা ফংই, মনুংদা লৈবা টিসু কল্লগা অমদি ঈ তোং মেন্সিন্নবা মহী লৌথোক্লবা পাইপ অমসু য়াওই।
- থৌওং অসিদগী লৌথোরকপা প্রোষ্টেট টিসু অসি লেবোরেটোরিদা থাদুনা হিষ্টোপেথোলোজিকেল টেষ্ট তৌদুনা প্রোষ্টেট কেন্সর লৈ লৈতে খঙদোক্কনি।

## সরজরি (থাং থাবা) মতুং

- টিয়ুআরপি লোয়রবা মতুংদা হোস্পিটালদা নুমিৎ নিনি-হুম্নিদগী হেন্না লৈতে।
- সরজরি লোয়বা মতুংদা ব্লাদর য়ৌনবা পেনিস মতোন্দগী কেথেটর অমা হাপচিল্লি।
- কেথেটর অদুদা ব্লাদর শেংদোক্লবা মহী অমা হাপচিন্দুনা য়ামদ্রবদা পুং ১২-২৪ ফাওবা ব্লাদর অসি শেংদোক্তুনা চুমথোক্কনি।
- ব্লাদর শেংদোকপনা ঈ অমদি ফমজিল্লবা ঈ শেংদোকপা ঙম্মী।
- য়ুংদা ঈ থোকপদগী চুমথরকপা অসি ঈ অফম্বা য়াওদ্রে হায়বা কানদা কেথেটর লৌথোক্কনি।

## সরজরি মতুংগী চেকশিন ৱা

মখাদা পীরিবা খোঙথাংশিং অসি টিয়ুআরপিদগী থুনা ফগৎপদা মতেং পাংই।

- ঈশিং য়াম্না থক্তুনা ব্লাদর শেংদোক্কদবনি।
- খোং হাম্বা য়াদবা অমদি অমাংবা থোক্লবা শংলোইদবনি। শংবনা ঈ থোকপা হেল্লকপা য়াই। খোংহাম্বা য়াদ্রগনা নুমিৎ খর লেক্সেটিপ শিজিন্নগনি।

*টিয়ুআরপি অসি স্পাইনেল এনেজথিসিয়া (য়াংলেন্দা কাপ্পগা পংথহনবা) শিজিন্নদুনা অনাবা অদু জ্ঞান মাঙহনদে। অদুবু হোস্পিটালদা মতম খরদি লৈগনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- ডাক্তরগী পাউতাক য়াওদনা ঈ খক্লবা হিদাক চাবা য়াদে।
- চয়োল ৪দগী ৬ ফাওবা অরুম্বা থাঙ্গৎপা অমদি অৱাবা থবক তৌরোইদবনি।
- সরজরি লোয়রবা মতুং চয়োল ৪দগী ৬ ফাওবা হকতিন্নরোইদবনি।
- য়ু, কফিন য়াওবা অমদি মরু মরাং য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক চারোইদবনি।

**ওইরকপা য়াবা নুঙাইবতশিং**

- তোয়না থেংনবা নুঙাইতবশিং অদুদি ঈ থোকপা অমসুং ঈশিং মরীদা লায়জৌবা, অদুগা য়াম্না তোয়না থেংনদবা নুংঙাইতবশিংগী মনুংদা টিয়ুআরপিগী লাইওং অমদি সরজরিগী নুঙাইতবা অদুনি।
- মখা তারকপা নুঙাইতবশিং অদুদি ঈশিং মরীগী পাইপ খুজিল্লকপা, মহী কাপথোকপগী মায়কৈ ওন্নবা, ফম্বী য়াওশিল্লক্তবা অসিনি।
- ব্লাদরদা ফম্বী কাপশিনবা (রিত্রোগ্রেদ ইজাকুলেসন) অসি টিয়ুআরপিগী তোয়না থেংনবা থৌওংনি, চাদা ৭০ দি থেংনৈ। মসিনা নুপা-নুপীগী মরীদা নুঙাইবগী চাং হন্থহন্দে অদুবু মপা ওইবগী শক্তি (ইনফরটিলিটি) হন্থহল্লি।
- হকচাং নোয়হনবা, চুরুট থকপা, য়ু কা হেন্না থকপা, মচী ওইবা চিঞ্জাক চাদবা অমদি দাইএবিটিসনা অনাবগী ফিভম লুহনবা য়াই।

মখাগী অসি অনাবা অদুনা হোস্পিটালদগী হল্লক্লবা মতুং থেংনরবদি ডাক্তর তান্নগদবনি।

- য়ুং হানবা ৱাবা নত্রগা ঙমদবা।
- হিদাক চানা-চানা নাবগী চাং হেনগৎলকপা।
- অকংবা য়াওবনা কেথেটর থিংজিল্লকপা।
- নিংথম চনবা, নিকপনচিংবা লায়জৌবগী মমি তারকপা।

| |
|---|
| *ফম্বী ব্লাদরদা কাপশিনবা অসি টিয়ুআরপিদা তোইনা থোকপা থৌওংনি, মসিনা মপা ওইবগী শক্তি মাঙহল্লি(স্টিরিলিটি)* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

## ২.  ত্রান্সয়ুরিথ্রেল ইন্সিজন ওব দি প্রোষ্টিট (টিয়ুআইপি)

টিয়ুআইপি অসি নুপাদা টিয়ুআরপিগী মহুৎনি। প্রোষ্টেট পীকপা, মশা য়াম্না শোনবনা মরম ওইরগা টিয়ুআরপি য়াদবশিংদা শিজিন্নৈ। টিয়ুআইপি অসি টিয়ুআরপিগা মান্নরবসু প্রোষ্টেটকী ময়ুংলোমদা মফম অনি নত্রগা অনীদগী হেন্না কক্তুনা টিসু লৌথোকপা মহুত্তা তৌনৈ। ককপা অদুনা ঈশিং মরী লাওথোকহল্লি, প্রেসর হন্থহন্দুনা য়ুং হানবগী চাং হেনগৎহল্লি।

টিয়ুআইপিগী কান্নবশিং অদুদি ঈ থোকপা হন্থে, সরজরিগা মরী লৈনবা নুঙাইতবশিং হন্থে, হোস্পিটালদা লৈবগী নুমিৎ হন্থে অমদি ফগৎপগী মতমসু তেল্লি, রিত্রোগ্রেদ ইজাকুলেসনগী অকীবসু হন্থে অমদি টিয়ুআরপিদগী য়ুং হান্নিংবদা খাঙবা ঙমদবা অদু য়াম্না হন্থে। অমরোমদা টিয়ুআইপিগী নুঙাইতবশিংদি তুংকোইনা চৎকনদবা (মতম খর লৈরগা অনাবা অদুদা অমুক হল্লকপা) অদুগা য়ারক্তবা মতমদা টিয়ুআরপি অমুক হন্না পাঙথোকপগী মথৌ তারকই। টিয়ুআইপি অসি প্রোষ্টেট চাউবা মীওইগী য়াম্না কান্নবা পান্বে নত্তে।

## ৩.  ওপন প্রোষ্টেক্তোমি

ওপন প্রোষ্টেক্তোমি অসি পুক্কী মখা থংবা শরুক্তা লেন্দুনা প্রোষ্টেট লৌথোকপগী সরজরি মখল অমনি। য়াম্না কান্নরবা, লেনবা য়াম্না হন্থহনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরবানিনা বিপিঐচ লায়েংবদা ওপন প্রোষ্টেক্তোমি অসি শিজিন্নদ্রে।

ওপন প্রোষ্টেক্তোমি অসি কা হেন্না প্রোষ্টেট চাওথোকপা অমদি অতোপ্পা অনাবশিংদগা পুন্না সরজরি তৌবদা অমুক্তদা পাঙথোকপদি য়াওনৈ।

*প্রোষ্টেট পীকপা অমদি টিয়ুআরপি শিজিন্নবা য়াদবা মীওইশিংদা টিয়ুআইপি অসি মহুৎ ওইনা শিজিন্নৈ।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**মিনিমেল্লি ইনভেসিব ট্রিটমেন্টস (এমআইটিজ)**

মিনিমেল্লি ইনভেসিবকী মেথদ (নিয়ম) অসিনা খ্বায়দগী নাদবা মখলনি। অনৌবা টেক্নোলোজি অমদি রিছার্সকী মতেংনা মিনিমেল্লি ইনভেসিব ট্রিটমেন্টশিং অসিনা বিপিঐচপু লায়েংবদা লাইহনবা অমদি নাহন্দনবা মওংনি।

অসিগুম্বা লায়েংগী মওংশিং অসিদা হিট, লেজর নত্রগা ইলেক্ট্রোভেপোরাইজেসন শিজিন্নদুনা প্রোষ্টেতগী অহেনবা টিসু লৌথোকই। লায়েংশিং অসিদা ত্রান্সযুরিথ্রেল (পেনিসতগী য়ুরিথ্রা তান্না) মওং শিজিন্নৈ।

মিনিমেল্লি ইনভেসিব ট্রিটমেন্টশিংগী কান্নবা : হোস্পিটালদা কুইনা লৈতবা, অনেসথেসিয়া য়ামদনা শিজিন্নবা, ষ্টেন্দর্দ প্রোষ্টট সর্জেরিদগী কিনিঙাই ওইদবা অমদি অরুবা ফিভম য়াওদবা অমসুং অনাবনা মতম চঙদনা নাবা ফবা।

মেথদশিং অসিগী কান্নদবা : ষ্টেন্দর্দ টিয়ুআরপিদগী কান্নবা হন্থে, চহী ৫ দগী ১০ ফাওবগী মতুংদা অমুক হন্না সরজরি মথৌ তারকপা য়াই। হিষ্টোপেথোলোজিকেল এগজামিনেসন (প্রোষ্টেট কেন্সর লৈতে খঙদোক্নবা) গীদমক প্রোষ্টেট টিসু ফংদবা অমদি মসিগী কান্নবা অমসু ফবগী চাংদা য়ুম্ফম ওইরগা থিগৎপা ষ্টদিজ য়াম্না লৈতে। এমআইটিগী অতোপ্পা কান্নদবা অদুদি লায়েং অসি চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা ফংদে অমদি হৌজিক হৌজিক মমল য়াম্না ৱাংবা ওইরি।

বিপিঐচ তা শিজিন্নরিবা অতোপ্পা এমআইটিশিং অদুদি ত্রান্সয়ুরিথ্রেল মাইক্রোৱেব থর্মোথেরাপি (টিয়ুএমটি), ত্রান্সয়ুরিথ্রেল নিদল এব্লেসন (টিয়ুএনএ), ৱাটর ইন্দুজ থর্মোথেরাপি (দব্লিউআইটি) প্রোষ্টেট ষ্টেন্টস অমসুং ত্রান্স য়ুরিথ্রেল লেজর থেরাপিনি।

১) ত্রান্সয়ুরিথ্রেল মাইক্রোৱেব থর্মোথেরাপি (টিয়ুএমটি) : মসিগী মখাদা ঈশিং (য়ুং) গী ঈচেল থিংদুনা থমলিবা অহেনবা প্রোষ্টেট টিসু মাইক্রোৱেব শিজিন্নদুনা চাকথোকহনবা।

***বি পি ঐচ লায়েংবগী খ্বায়দগী ফবা অমদি পান্নবা সর্জিকেলগী লায়েংদি টি য়ু আর পি নি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

২) ত্রান্সয়ুরিথ্রেল নিদল এব্লেসন ওব দি প্রোষ্টেট (টিয়ুএনএ) : নিয়ম অসিদা রেদিও ফ্রিক্যুন্সি ইনর্জি শিজিন্নদুনা য়ুংগী ইচেল থিংজিন্দুনা থমলিবা অহেনবা প্রোষ্টেট টিসু অদু ফমজিলহল্লগা শিহনবনি।

৩) ৱাটর ইন্দুজ থর্মোথেরাপি (দব্লিউআইটি) : টেগনিক অসিদা ঈশিং অশাবা শিজিন্নদুনা অহেনবা প্রোষ্টেট টিসু অদু ফমজিহল্লগা শিহনবনি।

৪) প্রোষ্টেটিক ষ্টেন্টস : টেগনিক অসিদা খুজিল্লবা প্রোষ্টেটিক য়ুরিথ্রা অদুদা ষ্টেন্ট অমা থল্লগা চেনেল হাংহন্দুনা মপান থোকপা (য়ুং হানবা) নুঙাইহল্লি। ষ্টেন্টশিং অসি মতোমতা চাওথোকচবা ঙস্বা টাইটেনিয়ম ৱায়র শিজিন্নে, খুৎলাই অসি অপিকপা স্ত্রিং নত্রগা কোইলগুম্বনি।

৫) ত্রান্সয়ুরিথ্রেল লেজর থেরাপি : টেগনিক অসিদা লেজর ইনর্জি শিজিন্নদুনা প্রোষ্টেটকী অথিংবা শরুক অদু শাহল্লগা থুঙাইবনি।

**করম্বা মতমদা বি পি ঐচ নারবা মীওইনা ডাক্তর উন্নগনি?**

বি পি ঐচ কী অনাবা অমনা ডাক্তর উন্নবসি মখাশিং অসি থেংনরবা কান্দনি :

- ঈশিং চৎপা (য়ুং হানবা) ঙল্লকত্রবা কান্দা।
- ঈশিং চৎপদা শারি-শারি লাওবা নত্রগা নাবা, য়ুং মনম নমথিবা নত্রগা নিংথম চন্দুন হকচাং নিকপা।
- মপান থোকপদা (য়ুং হানবা) ঈ য়াওবা।
- য়ুং হান্নিংবা খাঙজিনবা ঙমদদুনা অন্দরৱায়রদা চিৎশিনবা।

> *প্রোষ্টেটিক ষ্টেন্ট হায়বসি কিনিঙাই ওইদে অমসুং য়াম্না কান্নবা লায়েংনি, মসি অতোপ্পা হিদাক লাংথক্লা কানরক্রুবা অমদি সরজরিনা নুঙাইহল্লক্রুবা মতমদা কান্নে।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ২১

# দ্রগশিং অমসুং কিদনিগী নুঙাইতবশিং

তোঙান তোঙানবা দ্রগ (হিদাক) না কিদনি শোকহনবা য়াবসি তোইনা থেংনৈ।

**হকচাংগী অতোপ্পা ওর্গানশিংদগী কিদনিনা দ্রগতা য়াওবা হূগী অশোকপা হেন্না চংহল্লিবা অসি করিগীনো?**

দ্রগনা কিদনিদা শোকহনবা খ্বায়দগী মরুওইবা মরম অনি অদুদি :

১) কিদনিনা দ্রগ লৌথোকপা : হকচাংদগী দ্রগ অমদি অতোপ্পা মেটাবোলাইটশিং লৌথোকপগী থবক তৌবসি কিদনিনা মরুওইনা থৌদাং লৌই। দ্রগ লৌথোকপগী থবক্তা দ্রগ নত্রগা মেটাবোলাইট খরনা কিদনি শোকহনবা য়াই।

২) কিদনিদা ঈ হেন্না চেনশিনবা : মিনিট খুদিংগী হার্টনা পম্প তৌবা ঈগী চাদা ২০ (এমএল ১২০০ ঈ) কিদনি অনীদা শেংদোক্লবা চঙই। হকচাংগী অতোপ্পা ওর্গানশিংদগী কিদনিনা ঈ খ্বায়দগী হেন্না ফংবা ওর্গাননি। মসি ওর্গানদুগী অরুম্বা কিলোগ্রামদা চাংদম্নবদনি। ঈ য়াম্না ফংবা মরম্না হকচাং শোকহনবা য়াবা দ্রগশিং অমদি অতোপ্পা মচলশিং কিদনিদা চাং ৱাংনা চংশিন্দুনা শোকহনবা য়াই।

**কিদনি শোকহনবা মরুওইবা দ্রগশিং**

**১) পেনকিল্লরশিং**

হকচাং চিকপা, কোক চিকপা, তাং নাবা অমদি লাইহৌগীদমক ওভর দি কাউন্টর (ওটিসি) গী হিদাক (দ্রগ) ময়াম অমা ডাক্তরগী পাউতাক য়াওদনা ইরাই লায়না ফংই। দ্রগশিং অসিনা কিদনি শোকহনবগী অচৌবা মরম ওইরি।

| |
|---|
| *পেনকিলর দ্রগশিংনা কিদনি শোকহনবা অচৌবা মরম ওই* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**এন এস এ আইদিশিং অসি করিনো? করম্না দ্রগশিং কাংলুপ অসিদা য়াওবগে?**

নন ষ্টিরোইদেল এন্টি এনফ্লামেটোরি দ্রগস (এনএসএআইদিজ) অসি নাবা হন্থনবা, লাইহৌ হন্থনবা অপোম্বনচিংবা হন্থনবা য়াম্না তোইনা শিজিন্নৈ। দ্রগশিংগী মনুংদা এস্পিরিন, দাইক্লোফেনেক, ইবুপ্রোফেন, ইন্দোমেথাসিন, কিটোপ্রোফেন, নিমুলস্লাইদ, নাপ্রোসেনচিংবা য়াওরি।

**এনএসএআইদিজনা কিদনি শোকহনবরা?**

এন এস এ আইদিজ অসি ডাক্তরগী অচুম্বা পাউতাক্কী মতুংইন্না নিয়ম চুম্না চারবদি য়াম্না শোক্তবা, কান্নবা ওই। নিংশিংগদবা অমনা এমিনেগ্লাইকোসাইদশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈবা এন এস এ আইদিজশিংনা দ্রগকী মরম্না কিদনি শোকহনবগী খ্বায়দগী অচৌবা মরমনি।

**করম্বা মতমদা এন এস এ আই দিজনা কিদনি শোকহনবগে?**

এন এস এ আই দিজনা কিদনি শোকহনবদা থাক ৱাংবগী মরমশিং

- এন এস এ আই দিজ চাং ৱাংনা মতম শাংনা ডাক্তরগী পাউতাক য়াওদনা শিজিন্নবা।
- গুলি অমদা দ্রগ ময়াম য়াওবা মতম শাংনা শিজিন্নবা (খুদম ওইনা এস্পিরিন, ফেনাসেটিন অমসুং কেফিন পুন্না য়াওবা এপিসি)।
- চহী য়াল্লবা, কিদনি ফেল ওইরবা, দাইএবিটিস নত্রগা দিহায়দ্রেসন লৈরবা মীওইশিংনা এন এস এ আই দিজ শিজিন্নবা মরম।

**কিদনি ফেলর অনাবশিংদা শোকলোইদবা পেনকিল্লরশিং করম্বনো?**

পেরাসিটামোল (এসিতামেনোফেন) না অতোপ্পা এন এস এ আই দিশিংদগী শোক্তবা হেল্লি।

**হার্ট পেসেন্টশিংদা মপুন্সি চুপ্পা এস্পিরিন চাও হায়বা লৈ। মসিনা কিদনি শোকহনব্রা?**

হার্ট অনাবশিংদা এস্পিরিন দোজ পীক্লা চানবা হায়বনিনা, শোকহন্দে।

*ইশানা পেনকিল্লর দ্রগ চাবনা খুদোংথিনিঙাই ওই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**এন এস এ আই দিজনা শোকহল্লবা কিদনি ফহনবা ঙম্বা?**

ঙম্মী অমসুং ঙমদে।

ঙম্মী - করগিুম্বা এন এস এ আই দি শিজিন্নবা অদু মতম খরগী ওইরগা একু্যট কিদনি দেমেজ ওইহল্লবদি, এন এস এ আই দি লেপথোক্লগা নিংথিনা লায়েংলবদি ফহনবা ঙম্মী।

ঙমদে - চহী য়াল্লবা মীওইশিংনা তাং চিকপগী ওইনা এন এস এ আই দি চাং ৱাংনা মতম কুইনা (চহী) লেপ্তুনা শিজিন্নরবদি তপ্ন-তপ্না কিদনি শোকহল্লি। অসিগুম্বা কিদনি শোকপা অসি ফহনবা ঙমদে। এন এস এ আই দি চাং ৱাংনা মতম কুইনা শিজিন্নগদবা চহী য়াল্লবশিংনা ডাক্তরগী অকুপ্পা পাউতাক লৌগদবনি।

**এন এস এ আই দিজ য়াম্না কুইনা শিজিন্নবদগী কিদনি তপ্ন-তপ্না শোকলিবা অসি করম্না ঙৱেল্লৈঙদা খঙদোক্কনি?**

এন এস এ আই দিনা কিদনি শোকহনবা অসি য়ুং টেষ্ট তৌবদা প্রোটিন য়াওরক্লবদি চিংনবা য়ারে। কিদনিগী মথৌ শোকপা হেঞ্জিল্লবদি ঈদা ক্রিএটিনিনগী চাং ৱাংখক্লক্কনি।

**পেনকিল্লরশিং শিজিন্নবনা কিদনি শোকহনবদগী করম্না ঙাকথোক্কনি?**

পেনকিল্লর শিজিন্নবদগী কিদনি শোকহনবা ঙাকথোক্লবা অচম্বা পাম্বৈশিং অদুদি :

- রিক্স ৱাংবা মীওইশিংনা এন এস এ আই দি শিজিন্নরোইদবনি।
- মরী-মখোং খঙদনা পেনকিল্লর নত্রগা ওটিসি পেন রিলিভর শিজিন্নরোইদবনি।
- এন এস এ আই দি মতম শাংনা মথৌ তারবদি ডাক্তরগী মীৎয়েং মখাদা শিজিন্নগদবনি।
- এন এস এ আইদি শিজিন্নবা চাং অমদি মতম তেলহনগদবনি।
- পেন কিল্লর য়ানশিন্নবশিং মতম শাংনা শিজিন্নরোইদবনি।
- নুমিৎ খুদিংগী মহী য়াম্না থক্কদবনি। মহীগী চাং হকচাংদা ৱাংনা লৈহনবনা কিদনিদা ঈগী শরুক নিংথিনা য়ৌহল্লি অমসুং কিদনি শোকহনবদগী থিংবা ঙম্মী।

***দাইএবিটিস, কিদনি ফেলর, হকচাংগী মহী য়াম্না চৎখিবা নত্রগা চহী য়াল্লবা মীওইশিংনা দ্রগনা কিদনি শোকহনবগী চাং ৱাংই***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

## ২) এমিনোগ্লাইকোসাইদস

এমিনোগ্লাইকোসাইদস য়াম্না তোইনা শিজিন্নবা এন্টিবাওটিক কাঙলুপ অমনি। মসিনা কিদনি শোকহনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। হিদাক চাবা হৌবদগী নুমিৎ ৭ নিদগীনা ১০ ফাওবগী মনুং কিদনি শোকপা হৌই। নুঙাইতবা অসি ঙন্না খঙদোকপদা অৱাবা ওই, মরমদি মতম অদুদা য়ুং হানবগী চাং অদুদা অহোংবা লৈতে।

এমিনোগ্লাইকোসাইদসনা মরম ওইরগা কিদনি শোকহনবগী চাং অসি চহী য়ামশিল্লবা, হকচাংগী মহী কা হেন্না চৎপা (দিহায়দ্রেসন), হান্না কিদনি লায়না লৈবা, পোটাসিয়ম অমসুং মেগনিসিয়ম ৱাৎপা, অতোপ্পা দ্রগকা য়ানশিন্নরগা লায়েংবনা কিদনি শোকহবা য়াই। সেপসিস, লিভরগী অনাবা অমদি কনজেষ্টিব হার্ট ফেলর ওইহল্লকপসু য়াই।

**এমিনোগ্লাইকোসাইদসনা কিদনি শোকহনবা করম্না থিংগনি?**

এমিনোগ্লাইকোসাইদসনা কিদনি শোকহনবদগী ঙাকথোক্নবা লম্বেলশিং অদুদি :

- রিক্স ৱাংবা মীওইশিংনা এমিনোগ্লাইকোসাইদ শিজিন্নবদা চেকশিনবা। শোকপা য়াবা জগাশিং লৌথোকপা নত্রগা চুমথোকপা।
- দোজ থুগাইরগা চাবগী মহুত্তা নোংমদা অমুক চাবা।
- এমিনোগ্লাইকোসাইদকী লায়েং চপ চাবা চাং অমদি মতম ওইহনবা।
- হান্না কিদনি নাবা মীওইশিংগী ওইনা দোজ হোংদোকপা।
- কিদনি শোকপ্রা য়েংথোক্নবা নোংমা কাল্লগা ঈদা ক্রিএটিনিনগী চাং টেষ্ট তৌথোকপা।

## ৩) রেদিও-কন্ত্রাষ্ট ইঞ্জেক্সন

এক্যুট কিদনি ফেলর নারবা হোস্পিটালদা লৈবশিংগী মরুওইবা কিদনি শোকহনবা রেদিওগ্রাফিক কন্ত্রাষ্ট মেদিয়া (এক্স-রে দাইস) ননি, মসি ফহনবা ঙম্মী।

*রিক্স ৱাংবা অনাবশিংদা এমিনোগ্লাইকোসাইদ চেকশিন্না অমদি সেরম ক্রিএটিনিন চাং নাইনা চেক তৌদুনা কিদনি শোকপা থিংবা য়াই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

কন্ত্রাষ্টনা মরম ওইরগা কিদনি শোকহনবগী চাং অসি দাইবিটিস লৈবা, হকচাংগী মহী হেন্না চৎপা, হার্ট ফেলর, হান্না কিদনি নাদুনা লৈবা, চহী হেঞ্জিল্লবা মীওই, অমদি দ্রগ কুইনা শিজিন্নরকপা মীওইদনা হেনগল্লি।

কন্ত্রাষ্টনা মরম ওইরগা কিদনি শোকহনবা অসি তোঙান তোঙানবা মতেংনা থিংবা ঙম্মী। মতেংশিং অদুদি - কন্ত্রাষ্টকী চাং য়াম্না হন্থনা শিজিন্নবা, নন-আয়োনিক কন্ত্রাষ্ট এজেন্ট শিজিন্নবা, আই ভি মহী কাপ্পুনা হকচাংদা মহীগী চাং ৱাংহন্দবা, সোদিয়ম বাইকার্বোনেট অমসুং এসিতাইলসিষ্টিন শিজিন্নবা।

**৪) অতোপ্পা দ্রগশিং**

কিদনি শোকহনবা য়াবা অতোপ্পা তোইনা শিজিন্নবা দ্রগশিং অদুদি অখন্নবা এন্টিবাওটিক খর, এন্টি কেন্সর থেরাপি, এন্টিট্যুবরক্যুলোসিসকী দ্রগনি।

**৫) অতোপ্পা হিদাকশিং**

- নেচরেল মেদিসিন (আয়ুরবেদ, চাইনিজ মনামশিংনচিংবা) অমদি চিঞ্জাক্তা মতেং পাঙবশিং হকচাং শোক্তে হায়না থাজনরিবা অসি লাল্লি।
- কাংলুপ অসিগী হিদাক খরদি হেভি মেটেল অমদি হু চেনবা পোৎ কয়া য়াওবা মরম্না কিদনি শোকনবা য়াই।
- কিদনি ফেলর ওইরিবা অনাবশিংনা অসিগুম্বা হিদাক শিজিন্নবা হেন্না খুদোং থিনিঙাই ওই।
- পোটাসিয়ম য়াম্না ৱাংনা য়াওবা হিদাকশিং কিদনি ফেলরদদি হেন্না শোকনিঙাই ওই।

*নেচরেল মেদিসিনশিং অসি কিদনিদা অকায়বা পীদে হায়না থাজনবসি অরানবনি*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্টর ২২

# নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম

নেফ্রোটিক সেন্দ্রোম হায়বসি য়ুংদা প্রোটিনগী শরুক য়াম্না মাঙবা, ঈদা প্রোটিনগী চাং য়াম্না হন্থবা, কোলেষ্টেরোলগী চাং ৱাংবা অমদি পোমখৎপগী লাইওং লৈবা তোয়না থেংনবা কিদনিগী অনাবনি। লায়না অসি চহী তাংকক অমা হেক্তুদা নাবা য়াই অদুবু অহলদগীদি অঙাংশিংদা হেন্না নাগল্লি। নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অসি লায়েংবদা ফংলকপা ফল অদু লৈরবা মতুং কুইনা হিদাক চাদনা লৈরবা অমদি হিদাক থাদনা লৈরকপগী অমুক নারকপদা পোমখৎপা য়াওবা অদুনা মশক তাকই। নাবা ফরবা মতুং অমুক হৌরকপগী মতম অসি য়াম্না (চহী) কাননবা মরম্না অঙাং অমদি ইমুং মনুংগী মীওই পুম্বদা চেকশিন্নিঙাই ওই।

## নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম হায়বসি করিনো?

ঐখোয়গী হকচাংদা কিদনিনা চালোনি (চাজুম) গুন্না ফত্তবা অমোৎপা অমদি ঈদগী অহেনবা ঈশিং অদু য়ুংদা পুথোকখি। চালোনিশিং অসিগী মখুল য়াম্না পীকই। শোয়দবা কান্দা চাও-শাংদবা প্রোটিনশিং চালোনিদগী লিৎপা ঙমদে। নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমদি চালোনি (ফিল্টর) শিংগী মখুল লাওথোরকই মরম অদুনা প্রোটিনশিং অসি য়ুংদা য়ুশিনখি। প্রোটিনগী চাং অদু য়ুংদা য়াওখিবনা ঈদসু মদুগী চাং হন্থরকই। ঈদা প্রোটিনগী চাং হন্থরকপা অসিনা পোমখৎলকপগী মরমনি। পোমখৎপগী চাং অসি য়ুংদা প্রোটিন কয়াম মাঙখিবগে হায়বদুগী মতুং ইল্লি। নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম নারবা মীওইদা কিদনিগী মথৌ অসি করিসু অকায়বা লৈতে।

## নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম করিনা ওইহল্লকই?

অঙাংদা চাদা ৯০ দি নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম (প্রাইমরি নত্রগা ইদিওপেথিক নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম হায়না খঙনবা) অসি লাকপগী মরম খঙদে।

*অঙাংশিংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন পোমখৎপগী লাইওং অসি নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমননি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

প্রাইমারি নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অসি লায়না মরোল মরীনা ওইহল্লকই - মিনিমেল চেঞ্জ দিজিজ (এম সি দি), ফোকেল সেগমেন্টেল গ্রোমেরুলোসক্লেরোসিস (এফএসজিএস), মেম্ব্রানস ন্যুরোপেথি অমসুং মেম্বানোপ্রোলিফেরেটিব গ্লোমেরুলোনেফ্রিটিস (এম পি জি এল) নি। প্রাইমারি নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অসি "দাইগনোসিসিস ওব এক্সক্লুসন" নি, হায়বদি মখোয়গী হৌরকফম থাক অনিশুবা ফাওবা লান্থোক্লবা মতুংদতা খঙবা ঙম্মী।

চাদা ১০ দগী হন্থবা শরুক্তী নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অসি অতৈ অতোপ্পা দ্রগ এক্সপোসর, লাইজৌবা, মেলিগনেন্সি, হেরিদিতরি দিসওর্দর নত্রগা সিস্টেমেতিক্কী লায়না (হকচাংগী পার্ট য়াদবদগী 'দাইএবিটিস, সিস্টেমিক লুপস ইরিথিমেটোসুস) অমসুং এমিলোইদোসিসনা নারবা ফাওবদা খঙবা ঙমদে।

## মিনিমেল চেঞ্জ দিজিজ

অঙাংদা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম নারকপগী খ্বায়দগী তোয়না থেংনবা মরমদি মিনিমেল চেঞ্জ দিজিজনি। মসিগী লায়না অসি চহি নৌরিবা (চহি ৬কী মখা) অঙাংদা ইদিওপেথিক নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমগী চাদা ৯০ ওইহল্লি অদুগা চহি খর য়াম্বা অঙাংশিংদনা চাদা ৬৫ নি।

নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমদা করিগুম্বা ব্লদ প্রেসর নোর্মেল ওইরবা, য়ুংদা আরবিসি য়াওদ্রবা, ক্রিএটিনিন অমসুং কমপ্লিমেন্ট থ্রি (সি থ্রি) নোর্মেল ওইরবা মিনিমেল চেঞ্জ দিজিজনা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম ওইহল্লকপগী চাওরবা মরম ওইগনি। নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম ওইরকপগী মরম কয়াগী মনুংদা মিনিমেল চেঞ্জ দিজিজ অসি লায়েংবা য়াম্না ৱাদবা মখল অমনি। অনাবা চাদা ৯০ দি ষ্টেরোইদকী লায়েংদা নিংথিনা ফল ফংই।

## নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমগী লাইওং

নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অসি চহী খায়দনা নাবা য়াই অদুবু চহী ২ দগী ৮ ফাওবগী মনুংদা খ্বায়দগী তোয়না থেংনৈ। নুপীমচাদগী নুপামচাদনা হেন্না নাগল্লী।

> *নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম তোয়না চহী ২ দগী ৮ ফাওবা অঙাংশিংদা নাগল্লী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

খ্বায়দগী অহানবা খুদমদি মীৎকী অকোয়বদা অমদি মায়দা পোমখৎপনি।

মীৎকী অকোয়বদা পোমখৎপনিনা অনাবনা মীৎকী ডাক্তর (ওপথালমোলেজিষ্ট) হান্না তান্নগনি।

- নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অসিদা মায় অমদি মীৎতা পোমখৎপা অদু অয়ুক্তনা নুংথিলদগী হেন্না ময়েক শেংই।
- মতমগী মতুং ইন্না পোমখৎপা অদু খুৎ, খোং, পুক অমদি হকচাংগী অতোপ্পা জগাশিংদা য়ৌরক্তুনা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎলকই।
- শ্বর হোনবগী মরীদা লাইজৌবদগী পোমখৎতুনা অনাবশিংদা মশা শাগৎপা য়াই।
- পোমখৎপা অদু নত্তনা অতোপ্পা ফিভমদি অকায়বা লৈতে। নাদবা মাল্লি।
- নাদবা মীওইদগী য়ুং হন্থনা হানবা অসি তোয়না থেংনৈ।
- য়ুংদা কোঙ্গোল য়াওবা অমদি অলবুমিন য়াওবদগী টাইলসতা য়ুংনা অঙৌবা মচু চুহনবা অসি মরুওইবা শক্তমনি।
- নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমদা য়ুং ঙাঙবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা অমদি ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, অসি তোয়না থেংনদে।

**নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমনা লুহল্লকপশিং অদু করিনো?**

নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমনা লুহল্লকপা য়াবশিং অদুদি লাইজৌবগী চাং হেনগৎহনবা, শিংলি-নাওরিদা ঈ ফমজিনবা, চাবদা মচি ওইদবা, ঈ ৱাৎপা, কোলেস্টেরোল অমদি ত্রাইগ্লিসেরাইদ হেনবদগী হার্ট নারকপা, কিদনি ফেল ওইবা অমদি অতোপ্পা নুঙাইতবশিংনি।

**অনা লাইওং খঙদোকপা:**

ক) অচম্বা লেবোরেটরি চাংয়েং

অনাবা অমদা পোমখৎপনা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমগী অহানবা ওইরকপা য়াবা খোঙথাংনি। লেবোরেটোরি চাংয়েংদা - ১) য়ুংদা প্রোটিনগী চাং ৱাংনা

*অঙাংদা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমগী অহানবা খুদমদি মীৎ অমসুং মায়গী অকোইবদা পোমখৎপনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

মাঙবা, ২) প্রোটিনগী চাং নেম্বা অমদি ৩) কোলেষ্টেরোলগী চাং ৱাংবনচিংবা খঙদোকপা য়াই।

### (১) য়ুং চাংয়েং তৌবা

- য়ুং চাংয়েং তৌথোকপনা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম খঙদোক্লবগী অহানবা চাংয়েংনি। য়ুংগী রুটিন এগজামিনেসন্দা প্রোটিন (অলবুমিন) য়াওদবা নত্রগা মমিং খক্কী ওইনা খিত্তং য়াওবদি করিসু কাইদে। রেন্দম টেষ্ট তৌবদা প্রোটিন ৩ নত্রগা ৪ গী মথক্তা য়াওবা অসি নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমগী অহানবা খুদমনি হায়না লৌবা য়াই।
- নিংশিংগদবদি য়ুংদা অলবুমিন য়াওবনা নেফ্রোটিক সিন্দ্রেমনি হায়না কনফর্ম তৌবদি য়াদে। মসিনা প্রোটিন মাঙবনি হায়বা উৎলি। মাঙলিবা প্রোটিন অদু করিননো হায়বদু মখা তানা খঙদোক্লবা থিজিনবা মথৌ তাই।
- লায়েংবা হৌরবা মতুংদা য়ুং চাং নাইনা টেষ্ট তৌদুনা হিদাক্কী কান্নবা ফংব্রা ফংদব্রা খঙদোক্কদবনি। য়ুংদা প্রোটিন য়াওরকত্রবদি হিদাক্লা কান্নবা পীরে হায়বনি। ইশানা দিপষ্টিক শিজিন্নদুনা য়ুমদা য়ুংদা প্রোটিন য়াওবা য়াওদবা য়েংথোকপা য়াই।
- য়ুংগী মাইক্রোস্কোপিক এগজামিনেসন্দদি রেদ ব্লদ সেল অমসুং হ্বাইট ব্লদ সেল য়াওদে।

নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমদদি প্রোটিন মাঙবসি নোংমদা গ্রাম ৩ দগী হেল্লি। পুং ২৪ দা প্রোটিন কয়াম মাঙখিবগে হায়বদু খঙদোক্লবা পুং ২৪ য়ুং কলেক্সন তৌবা নত্রগা প্রোটিন/ক্রিএটিনিন রেসিও খঙদোক্লবা স্পোটকী য়ুং টেষ্ট তৌবা য়াই। অসিগুম্বা চাংয়েং (টেষ্ট) অসিনা মাঙখিবা প্রোটিনগী চাং ওন্থোকপা ঙম্মী অমসুং প্রোটিন মাঙলিবা অদু য়ামদবরা, ময়াইওইব্রা নত্রগা য়ামব্রা খঙদোকপা ঙম্মী। পুং ২৪ দা প্রোটিন মাঙখিবগী চাং খঙদোকপা অসিনা থারিবা হিদাক অদু কান্নরিবরা খঙদোকপদা নৎতনা লাইওং খঙদোকপগী মগুণ অদুসু খঙবা ঙম্মী।

***য়ুং টেষ্ট তৌবা অসি নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমগী লাইওং খঙদোকপা অমদি লায়েংবগী চাং য়েংথোকপদা য়াম্না কান্নে।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**(২) ঈ টেষ্ট**

নেফ্রোটিক সিন্ড্রোমগী মশক ওইবা খঙদোকপা অদু ঈদা অলবুমিনগী চাং নেম্বা (৩ঞ্জ/এঞ্ড দগী তাবা) অমদি কোলেষ্টেরোল ৱাংবা (হায়পরকোষ্টেরোলেমিয়া) অসিনি।

- নেফ্রোটিক সিন্ড্রোমদা সেরম ক্রিএটিনিনগী চাং অসি অহোংবা লৈতে। সেরম ক্রিএটিনিন অসি কিদনিগী মপুং ওইবা মথৌ খঙদোকপদা শিজিন্নৈ।
- ব্লদ কাউন্ট মপুম তৌথোকপা অসি অনাবশিংদা তৌদবা য়াদবা টেষ্ট মখল অমনি।

**(খ) অহেনবা চাংয়েংশিং**

নেফ্রোটিক সিন্ড্রোমনি খঙলবদি অহেনবা টেষ্ট কয়া খল্ল-খল্লগা তৌগনি। অসিগুম্বা টেষ্টনা নেফ্রোটিক সিন্ড্রোম অদু হৌরকপদা (প্রাইমরি) ঙাইরিবরা নত্রগা সেকেন্দরিদগীনা সিষ্টেমিক দিসওর্দরা নত্রগা অতোপ্পা মরী লৈনবা নুঙাইতবা অমদি হেঞ্জিল্লকপ্রা খঙদোক্লবনি।

**(১) ব্লদ টেষ্ট**

- ব্লদ সুগর, সেরম ইলেকত্রোলায়ট, কেলসিয়ম অমদি ফোসফোরস।
- ঐচ আই ভি, হেপাটাইটিস বি অমদি সি অমদি ভি দি আর এল টেষ্ট।
- মরী লৈনবা থিজিনবা (সি ৩ সি ৪) অমসুং এএসও টিটরনি।
- এন্টি-নুক্লিয়র এন্টিবোদি (এএনএ), এন্টি-দবল ষ্ট্রেন্দ্রেদ দি এন এ এন্টিবোদি, রুমেটোইদ ফেক্টর অমসুং ক্রাইয়োগ্লোবুলিননি।

**(২) রেদিওলোজিকেল টেষ্ট**

কিদনিগী চাও-শাংবা খঙদোক্লবা, মতুম লৈব্রা, কিদনি ষ্টোন লৈব্রা নত্রগা অতোপ্পা অথিংবা লৈব্রা হায়না খঙদোক্লবা অল্ট্রা সাউন্দ টেষ্ট তৌনৈ।

লাইজৌবা খঙদোক্লবা থবাক্কী এক্স-রে লৌথোকপা।

| |
|---|
| *লাইওং খঙদোক্লবা য়ুংদা প্রোটিন চংখিবা, প্রোটিন য়ামদবা, কেলেষ্টেরোল ৱাংবা অমদি সেরম ক্রিএটিনিন ব্লদতা অহোংবা লৈতবসি নেফ্রোটিক সিন্ড্রোম মরু ওইবা লাইওং লেপথোপনি।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**(৩) কিদনি বাওপ্সি**

নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমগী হৌরকফম অমদি মরম খঙদোকপদা কিদনি বাওপ্সি তৌবনা খ্বায়দগী মরু ওইবা টেষ্টনি।

মসিনা কিদনি বাওপ্সি অসিদা কিদনি টিসুগী সেম্পল অমা লৌরগা লেবোরেটোরিদা কুপ্না য়েংশিনগদৌরিবনি। (অহেনবা খঙন্নবা চেপ্তর ৪ য়েংগদবনি)

**লায়েংবা**

লাইওং হন্থহনবা, য়ুংদা প্রোটিন মাঙবা চুমথোকপা, হেঞ্জিল্লকদবা জগা লায়েংথোকপা অমদি কিদনি ঙাকথোকপনা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম লায়েংবগী পান্দমনি। লায়না অসি লায়েংবদা মতম শাংনা (চহি) চংই।

**(১) চীঞ্জাক্কী পাউতাক**

- পোমখৎতুনা নারবা মীওই অদুনা মহাক্কী অপোন্বা অদু ফরবা মতুং চীঞ্জাক অদু ককথবা নত্রগা হোংদোক্কদবনি।
- পোমদুনা নারিবা মীওই : মহীগী শরুক তুংশিনবা অমদি পোমখৎপা অদু হন্থহন্নবা সোদিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওবা চিঞ্জাক চাদবা, অহেনবা থুমগী শরুক চারোইদবনি। মহীগী শরুক্তী হন্থদ্রবসু য়াই। নুংতিগী ষ্টেরোইদকী চাং হিদাক ওইনা ৱাংনা চাবা অনাবশিংনা পোমখৎত্রবসু থুম চাবা হন্থগদবনি। মসিনা হায়পরটেন্সন লাকতনবা চেকশিন থৌরাংনি।

  পোমখৎতুনা নারবা মওিইগীদি প্রোটিনগী চাং নিংথিনা চাদুনা হকচাংদগী প্রোটিন মাংখিবা অদু মেনখৎপা অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক ৱাৎপগী নুঙাইতবা অদু কোকপা ঙমগনি। মসিদসু নৎতনা কেলোরি অমদি বিতামিনগী চাং মপুং ফানা অনাবশিংদা পীগদবনি।
- লাইওং লৈতবা অনাবশিংগী : লাইওং লৈত্রিঙৈ মতমদা চীঞ্জাক্কী ওইবা পাউতাক্তা হকচাং ফগদবা চীঞ্জাকতমক চাবা অমদি মরম লৈতনা চাবা

> *পোমখৎতুনা নাবা মীওইশিংদদি থুম চাবা থিংবা তঙাইফদে, অদুবু লাইওং উৎতবা মতমদদি মরম লৈতনা চাবা থিংবা কান্নদে।*

থিংবা তৌরোইদবনি। থুম অমসুং মহী থিংলোইদবনি। প্রোটিন মপুং ফানা য়াওবা পোৎ চাগদবনি। তৌইগুম্বসুং প্রোটিন য়াম্না কা-হেন্না য়াওবা চীঞ্জাক কিদনি শোক্তনবা চারোইদবনি অমদি কিদনি ফেল ওইবা মীওইশিংদা প্রোটিন চারোইদবনি। উহৈ-ৰাহৈ, মনা মশিং চাবা হেনগৎকদবনি। ঈদা কোলেষ্টেরোলগী চাং হন্থনবা থাও (ফেট) য়াওবা চীঞ্জাক হন্থগদবনি।

## ২. দ্রগ থেরাপী

### (ক) অখন্নবা দ্রগনা লায়েংবা

**ষ্টেরোইদনা লায়েংবা :** নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমগী লায়না নাহন্দনবা অমদি থিংবদা খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা দ্রগ অদু প্রেদনিসোলোন (ষ্টেরোইদ) নি। অঙাং অয়াম্বা দ্রগ অসিনা কান্নবা পী। পোমখৎপা হন্থবা অমদি য়ুংদা প্রোটিনগী শরুক চয়োল ১ দগী ৪ ফাওবগী মনুংদা মাঙখিগনি। (য়ুংদা প্রোটিন য়াওরক্তবা অসি ফগৎলকপনি হায়না লৌগনি)

**মহুৎশিনবা থেরাপী :** ষ্টেরোইদ লায়েংদা ফগৎপা ঙমদবা অমদি য়ুংদা প্রোটিন অদুম্মক য়াওদুনা লৈবা অঙাংশিংদা মখাতানা থিজিন্দুনা কিদনি বাওপ্সি তৌবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা অনাবশিংদা লিভামিসোল, সাইক্লোফোসফামাইদ, সাইক্লোস্পোরিন, টেক্রোলিমস অমসুং মাইকোফিনাইলেট মোফিটিল (এমএমএফ) দ্রগশিং অসি শিজিন্নে। অসিগুম্বা মহুৎশিনবা দ্রগশিং অসি ষ্টেরোইদকা পুন্না শিজিন্নবসু য়াওই লোয়ননা মসিনা ষ্টেরোইদকী চাং হন্থরকপা মতমদা অনাবা থিংনবা শিজিন্নে।

### (খ) মতেং পাঙবা দ্রগকী লায়েং

- য়ুংগী চাং হেনগৎহন্নবা অমদি পোম্বা হন্থনবা দাইয়ুরেটিক্স শিজিন্নে।
- ব্লদ প্রেসর হনথনবা অমদি য়ুংদা প্রোটিন মাঙখিবা হন্থনবা এসিই ইনহিবিটরস অমদি এঞ্জিওটেন্সিন টু রিসেপ্তর ব্লোকরনচিংবা এন্টি হায়পরটেন্সিব দ্রগশিং শিজিন্নে।
- লাইজৌদনবা শিজিন্নবা এন্টিবাওটিক্স (খুদম বেক্টেরিএল সেপসিস, পেরিটোনিটিস, ন্যুমোনিয়া)

> *নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম লায়েংবগী অহানবা খোংথাংদি প্রেদনিসেলোননি*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- কোলেষ্টেরোল হন্থনবা ষ্টেটিন (সিম্বাষ্টেটিন; এটোরভাষ্টেটিন) অমদি হার্ট অমসুং শিংলি উতোংগী নুঙাইতবা থিংনবা ত্রাইগ্লিসেরাইদস শিজিন্নৈ।
- কেলসিয়ম, বিটামিন-দি অমদি জিঙ্ক তোঙান্না চাবা।
- ষ্টোরোইদনা চাকখাও নুঙাইহন্দবা থিঙনবা রবিপ্রাজোল, পেন্টোপ্রাজোল, ওমেপ্রাজোল নত্রগা রানিটিদিন শিজিন্নগনি।
- কান্নবা কুইনা ফংদবা মরম্না অলবুমিন ইনফ্যুজন শিজিন্নদে।
- ঈ ফমজনবা অমদি ফমজিল্লকতনবা ঈ পাথহনবা ঙস্বা ৱারফারিন (কোমাদিন) নত্রগা হেপারিন শিজিন্নৈ।

## (৩) অতোপ্পা ওইহল্লকপা য়াবা মরমশিং লায়েংবা

সেকেন্দরি নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম ওইহল্লকপা য়াবা অতোপ্পা মরমশিং য়াম্না কুপ্না লায়েংবা মথৌ তাই। খুদম ওইনা দাইএবেটিক কিদনি দিজিজ, লুপস কিদনি দিজিজ, এমিলোইদোসিসনচিংবা অনাবশিং কুপ্না লায়েংগদবনি। অসিগুম্বা অতোপ্পা ওইহল্লকপা য়াবা মরমশিং নিংথিনা লায়েংবনা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম লাকশিনবগী তঙাইফদবনি।

## (৪) ময়ামগী পাউতাক

- নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম হায়বা লায়না অসি চহী কয়া শাংথদুনা লৈ। ইমুং মনুংনা লায়না অসিগী মরমদা নিংথিনা খঙগদবনি; করম্বা মখলগী হিদাক শিজিন্নগনি অমদি মদুগী সাইদ ইফেক; হান্না থিংহৌবনা কান্নবা অমদি লায়না অসি চংলকপগা ঙন্না লায়েংহৌবগী কান্নবশিং খঙদোক্কদবনি। লায়না অসিনা নাবা ফরুরবা মতুং অমুক নারকপদা পোমখৎলপা য়াম্না চেকশিনগদবনি অদুগা লায়না অসিনা অহানবা ওইনা নাহল্লকপদদি অঙাং অদু কা হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাদে।
- অনাবা অসি হেক চংলক্কুনা লাইজৌবা হৌরকপদা মতিক চানা লায়েংবা মরু ওই মসি ষ্টেরোইদ থেরাপী হৌদ্রিঙৈদা তৌহৌগদবনি।

| |
|---|
| *নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অমুক হন্না নারকপগী মরমসি ইনফেক্সন্না (লাইজৌবনা) ওইহল্লি, মরম অদুনা অঙাংশিং লাইজৌদনবা চেকশিনগদবনি।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম নারবা অঙাংশিং শ্বর হোনবগী অমদি অতোপ্পা লাইজৌগনবা লায়নাশিংনা লাইনা চংশিল্লকপা ঙম্মী। থিংহৌবা, ঙন্না লায়না মশক খঙদোকহৌবা অমদি লাইজৌরিবা অনাবা অদু লায়েংহৌবনা য়াম্না মরু ওইবা খোঙথাংনি। মরমদি নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম্মা নাদুনা হিদাক চারিবা অনাবা অদুসু লাইজৌবনা অমুক হন্না নাহল্লকপা য়াই।
- লাইজৌবদগী থিংনবা ইমুং মনুং অমদি অঙাংশিংনা অফবা ঈশিং থকপা, খুৎ-শা শেংনা হামদোকপা অমদি মী য়াম্না চিনবা মফমদা লৈতবা নত্রগা লায়না অদু নারবা মীগা শম্নদবা মরু ওই।
- ষ্টেরোইদকী কোর্স লোয়রবা মতুংদা চাং নাইনা ইম্যুনাইজেসন তৌবা।

**(৫) কুপ্না য়েংশিনবা অমদি মখা তানা লায়েংবা**

- নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অসি মতম শাংনা লৈগনবা মরম্না ডাক্তরনা পীবা পাউতাক্কী মতুং ইন্না চাং নাইনা ডাক্তরদা মখা তাবা লায়েং চৎপা মরু ওই। মখা তাবা লায়েংদা ডাক্তরনা অনাবা অদুগী য়ুংদা প্রোটিন য়াওরিবরা, অরুম্বা চাংদা লৈবরা, ব্লদ প্রেসর হোংদবরা, মরেপ হেনগৎতবরা, হিদাক্লা অতোপ্পা নুঙাইতবা পোকহনবরা অমদি নুঙাইতবা হেঞ্জিল্লকপরা হায়না য়েংথোক্কনি।
- অনাবা অদুনা মশা মথন্তা অরুম্বা ওন্দুনা চার্ট অমা শেমগনি, মসিনা হকচাংদা ঈশিং/মহীগী চাং হেনব্রা-ৱাৎপ্রা খঙগনি।
- ইমুং-মনুংগী মীওইশিংবু য়ুমদা য়ুংদা প্রোটিন য়াওই-য়াওদে হায়বা অদু চাং নাইনা য়েংথোকপা হৈগদবনি অমদি দাইরি অমা শেমদুনা চাংয়েংগী ফল অমদি হিদাক চাবগী চাং অমসুং কুপ্না ইশিন্দুনা থমগদবনি। মসিনা লায়না অসি অমুক হৌরক্লবসু ঙন্না খঙদোকপা য়াহন্দুনা লায়েংবা য়াই।

**নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমদা প্রেদনিসোলোন করিগীদমক অমদি করম্না পীগনি?**

- নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম লায়েংবদা ইহান হান্না শিজিন্নবা হিদাক অসি প্রেদনিসোলোননি, মসিনা লায়না অসি চুমথোকপা অমদি য়ুংদা প্রোটিন মাঙবা অদু থিংবা ঙম্মী।

***নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম্মা চহী কয়া চংনা নাবা মরম্না চাং নাইনা য়ুং টেষ্ট তৌবা অমদি ডাক্তর তান্নবা মরু ওই***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- ডাক্তরনা প্রেদনিসোলোন কয়াম চাগনি, কয়াম কুইনা চাগনি অমদি করম্না চাগনি হায়বা পাউতাক পীগনি। হিদাক অসি চাকখাও শোক্তনবা করিগুম্বা চানবা অমগা চামিন্নগদবনি।
- অহানবা চাবা মতমদা হিদাক অসি তাঙ্কক অহুম খায়দোল্লগা থা ৪ চাগনি। হৌরকপদা হিদাক অসি নুংতিগী অয়ুক্তা চয়োল ৪ দগীনা ৫ ফাওবা চাগনি, মসি দোজ অমমমগীনি। অদুগা প্রেদনিসোলোন হিদাক অসি অসুম হন্থরগা কোন্নথংদা চাবা লেপকদবনি। ইহান হান্না লায়না অসি নাবা মীদা চাবা মওংগা অমুক হঞ্জিন্না নারকপা মীনা চাবগা খেৎনগনি।
- চায়োল ১ দগীনা ৪ ফাওবগী মনুংদা লাইওংশিং মাঙখ্রগনি অদুগা য়ুংদা প্রোটিন য়াওবসু লেপখ্রগনি অদুবু তাঙ্কক অদুদা অনাবা অদুনা প্রেদনিসোলোনগী সাইদ ইফেক কিবদগী লেপথোকপগী অশোয়বা অদু তৌরোইদবনি। ডাক্তরনা পীরকপা কোর্স অদু মপুং ফানা চাথোক্তুনা লায়না অসি অমুক হল্লকতনবা হোৎনগদবনি।

**প্রেদনিসোলোন (কোর্টিকোষ্টেরোইদ) গী সাইদ ইফেকশিং অদু করিনো?**

নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম লায়েংবদা খ্বায়দগী তোয়না শিজিন্নবা হিদাক অসি প্রেদনিসোলোননি। অদুবু হিদাক অসিগী সাইদ ইফেক খর লৈবনা ডাক্তরগী অকুপ্পা মীৎয়েং মখাদা হিদাক অসি চাগদবনি।

**মতম অতেনবা সাইদ ইফেক**

তোয়না থেংনবা মতম অতেনবা সাইদ ইফেকশিং অদুদি চানিং থকনিংবা হেনগৎপা, হকচাংগী অরুস্বা হেনগৎপা, মায় পোমখৎপা, পুক নুঙাইতবা অমসুং নাবা, অতোপ্পা লায়নানা লাইজৌহনবা য়াবা, দাইএবিতিস লাকপা য়াবা অমদি ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা,নুঙাইফম খঙদবা অমসুং মায়দা উরিং অমদি তু হৌবা হেনগৎপা।

***লায়না ফাজিন্নবা চপ চাবা ষ্টেরোইদ থেরাপী মথৌ তাই, মসিনা লায়না অমুক হৌহন্দে অমসুং সাইদ ইফেক হন্থহল্লি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**কুইনা লৈবা ইফেক**

য়াম্না তোইনা থেংনবা কুইনা লৈবা ইফেকশিং অদুদি হকচাং লুম্বা হেনগৎপা, অঙাংদা চাওবা হেন্দবা, উনষা পাথবা, ফৈগল, খুদাং অমদি পুক্কী জগাদা উনষা তিংবগী মমি তাবা, অশোকপা ফবদা কুইনা চংবা, কেটরেক হৌগৎলকপা, হায়পরলিপিদিমিয়া, শরুগী নুঙাইতবশিং (ওষ্টিওপোরোসিয়, ফৈরুগী এভাস্কুলর নেক্রোসিস) অমসুং মশল শোন্থরকপনি।

**তোঙান তোঙানবা নুঙাইতবা কয়া লৈরবসু নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম লায়েংবদা কোরটিকোষ্টিরোইদ শিজিন্নরিবসি করিগীনো?**

কোরটিকোষ্টিরোইদনা শোকহনবা কয়া মরুম লৈরবসু নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম হিদাক অসিনা লায়েংদ্রবদি খুদোংথিনিঙাই ওইরকপসু য়াই। নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমনা হকচাং পোমখৎহল্লি অমদি প্রোটিনগী চাং হন্থহল্লি। লায়েংদ্রবদি লায়না অসিনা নুঙাইতবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। খুদম ওইনা অতোপ্পা লায়নানা লাইজৌবা হেনগৎহনবা, হায়পোভোলেমিয়া, থ্রোমবোএম্বোলিজম, লিপিদগী শরুক চাং নাইহন্দবা, চাবদা মচি ওইদবা অমদি ঈ ৱাৎপনি। অঙাংদা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম লায়েংদ্রবদি লাইজৌদুনা শিবা য়াই।

অঙাংদা কোরটিকোষ্টিরোইদ শিজিন্নবনা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমনা শিহনবগী চাং অদু চাদা ৩ হন্থহল্লি। কোরটিকোষ্টিরোইদ অসি নিংথিনা মেদিকেল সুপরভিজনগী মখাদা চপ চাবা চাং অমদি মতম চানা চারবদি খ্বায়দগী কান্নে অমদি শোকপসু য়াম্না হন্থগনি। ষ্টেরোইদকী অমাঙবা অদু হিদাক চাবা লোয়খ্রবা মতুংদা অদুমক মাঙজখিগনি।

লায়েং অসিনা পীবা কান্নবা অমদি লায়না অসিনা ওইহল্লকপা য়াবা নুঙাইতবশিং অদু নাম্থোক্তুনা কোরটিকোষ্টিরোইদকী সাইদ ইফেক খরদি অদুম্মক মায়োক্লবা তাবনি।

*ডাক্তরগী মীৎয়েং মখাদা চেকশিন্না ষ্টিরোইদ চাবনা ওইরকপা য়াবা সাইদ ইফেকতগী হন্থহনবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**ষ্টিরোইদ থেরাপি হৌরকপদগী নোফ্রোটিক সিন্দ্রোম নাবা অঙাংশিংদা পোমখৎপা হন্থরকপা অমদি য়ুংদা প্রোটিন য়াওরক্তবা কান্দা চয়োল অহুম নত্রগা মরি শুরকপদা মায়দা পোমখৎপা অমুক হৌরকই। মসি করিগীনো?**

ষ্টিরোইদনা তোঙান-তোঙানবা ইফেক অনী পী, মখোয়শিং অদুদি চানিং থকনিংবা হেনগৎতুনা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎপা অমসুং নোয়খৎপগী চাং হেনগৎপনি। মসিনা মায় পোমখৎপা হেনগৎহল্লি। ষ্টিরোইদ চাবগী চয়োল ৩ দগী ৪ সুবা য়ৌশিল্লকপদা থা-গী মওং মান্না মায় অদু কোয়দানরকই; মসিনা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমনা মায় পোমখৎপা অদুগী মওংগা মান্নে।

**করম্না নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমনা মায় পোমখৎপগা ষ্টিরোইদনা মায় থা-মওং মালহনবগা খেৎনবা খঙদোক্কনি?**

নেফ্রোটিক সিন্দ্রেমনা পোমখৎহনবা অদু মিৎ অমদি মায়গী অকোইবদা হান্না হৌরক্কনি। মদুগী মতুংদা খুৎ, খোঙ অমদি হকচাংগী অতোপ্পা জগাশিংদা পোমখৎলক্কনি। নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমনা মায় পোমখৎপা অদু অয়াম্বা মতমদা অয়ুক্তা হেক হৌগৎপগা উগনি অদুগা নুংথিলগী মতমদা অসুম হন্থগনি।

ষ্টিরোইদনা পোমখৎহনবা অদু মায় অমদি পুক্কী শরুক্তা (নোয়থোকপা হেনবা) হান্না উগনি, খুৎ অমদি খোঙগী শরুক্তী মহৌশাগুম অহোংবা লৈরোই। মসিনা পোমখৎহনবা অসি নুমিৎ চুপ্পা অমা হন্থদনা লৈগনি।

পোমখৎপগী জগা মান্নদবা অমদি খ্বায়দগী হেন্না ময়েক শেংনা উবগী ফিভম অদুনা খেৎনবা খন্দোকপদা মতেং পাঙই। অনাবা খরদদি লাওং মান্নবা অদু খঙদোক্লবা ঈ টেষ্ট তৌনবসু য়াওই। পোমখৎপা, ঈদা প্রোটিন/অলবুমিনগী চাং হন্থবা অমদি কোলেষ্টেরোলগী চাং ৱাংবনা অনাবা অদু অমুক হল্লকপনি হায়না লৌই অদুগা টেষ্টশিং অদুদা নোর্মেল ওইরবদি ষ্টিরোইদ ইফেকনি হায়না লৌই।

*ষ্টিরোইদ থেরাপিনা চানিং-থকনিংবা হেনগৎহল্লি, অরুম্বা হেনগৎহনবা লোয়ননা মায় অমসুং পুক নোইথোকহল্লি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অমদি ষ্টিরোইদ ইফেকনা মায় পোমখৎহনবদা খেৎনবা থিদোকপগী মরুওইবা মরম করিগীনো?**

অনাবা মীওই অমদা করম্বা অচুম্বা লায়েং চৎথগদগে হায়বদু খঙদোক্লবা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অমসুং ষ্টিরোইদ ইফেকনা মায় পোমখৎহনবা অদু নিংথিনা খেৎনবা খঙদোক্কদবনি। নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমনা পোমখৎহনবা অদুগীদমক ষ্টিরোইদ দোজ হেনগৎহনগনি, হিদাক পীজবদা শেমদোক শেমজিন তৌগনি অদুগা করিগুম্বা কান্দা অতোপ্পা হিদাক হাপচিনগনি অমসুং মতম খরগী ওইনা ৱাটর পিল (দাইয়ুরেটিক্স) হাপচিনগনি।

অমরোমদা ষ্টিরোইদ ইফেকনা পোমখৎহনবা অদুদি ষ্টিরোইদ মতম শাংনা চারকপদগীনি, অনাবনা পোমখৎলকপা অদুনা হেনজিল্লকপনি হায়না কৈদৌঙৈদসু খল্লোইদবনি, মরম অদুনা পাখৎতুনা হিদাক্কী চাং হন্থবা তৌরোইদবনি। মতম কুইনা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম লাকশিন্নবা ষ্টিরোইদ থেরাপী ডাক্তরগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না মতম শাংথনা চাবা মথৌ তাই। ষ্টিরোইদনা পোমখৎহনবা হন্থনবা দাইয়ুরেটিক্স শিজিন্নবা কান্নদে, মসিনা তুংদা শোকহনবা য়াই।

**অঙাংদা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অমুক হন্না নাহল্লকপা য়াবগী তাঞ্জা কদায় ফাওবা লৈবগে? অমুক হন্না নারকপা অদু কয়াম তোয়না থোকপগে?**

অঙাংদা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম অমুক হন্না নারকপা য়াবগী চাং অসি চাদা ৫০ দগী ৭৫ ফাওবা ৱাংনা লৈ। অদুগা মসি অনাবা মী-মীদা তোয়না হৌগনবা চাং অদুনসু পুগনি।

**নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম লায়েংবদা ষ্টিরোইদনা কান্নরক্তবা কান্দা করম্বা দ্রগ শিজিন্নবগে?**

ষ্টিরোইদনা কান্নবা পীরক্ত্রবদা, লিভামিসোল, সাইক্লোফোসফামাইদ, সাইক্লোস্পোরিন, তেক্রোলিমস অমদি মাইকোফেনোলেট মোফিটিল (এমএমএফ) শিজিন্নগনি।

*মতিকচানা লায়েং চৎথবনা লায়নানা পোমখৎহনবা অদুগা ষ্টিরোইদনা পোমখৎহনবগী খেৎনবা অদু খঙদোক্কনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম্না নারবা অঙাংশিংদা কিদনি বাওম্সি তৌবগী তঙাইফদবা লাকপগী উৎলকপা মওংশিং অদু করিনো?**

অঙাংদা ষ্টিরোইদ শিজিন্নদুনা লায়েংবা হৌদ্রিঙৈদা কিদনি বাওপসি তৌবগী মথৌ তাদে। অদুবু কিদনি বাওম্সি তঙাই ফদবা অদু লাকপগী মরমশিং –

- ষ্টিরোইদ লায়েংদা ফগৎপা ঙমদবা (ষ্টিরোইদ রেজিজষ্টেন্স)।
- তোইনা নাবা হৌগনবা নত্রগা ষ্টিরোইদ দিপেন্দেন্ট ওইরবা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম।
- পোকপগী অহানবা চহীদা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমগী লাইওং উৎলকপা, ব্লদ প্রেসর হেনগৎপা, য়ুংদা আরবিসি অদুম্মক য়াওবা, কিদনিগী মথৌ শোকচিল্লকপা অমদি ঈদা সি থ্রিগী চাং হন্থরকপা।
- অহলশিংদা হৌরকপা খঙদবা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমদি কিদনি বাওম্সি হান্না তৌথোক্কুনা ষ্টিরোইদ থেরাপী কোন্না হৌগনি।

নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমগী প্রোগনোসিস (হান্না উৎথোকপা) করিনো? লায়না অসি ফহনবদা চংবা চাওরাকপা মতম কয়া য়াম্বনো?

প্রোগনোসিস (নাদ্রিঙৈদা হান্না উৎলকপা মওং) অসি নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম করম্না লাকপনো হায়বদুদা য়ুম্ফম ওই। তোইনা থেংনবা অঙাংশিংদা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম নাহনবগী মরমদি মিনিমেল চেঞ্জ দিজিজ (চেকশিনবা ৱাৎপনা নারকপা) না ওই, মসিনা অফবা প্রোগনোসিসসু উৎপা ঙম্মী। অসিগুম্বা মিনিমেল চেঞ্জ দিজিজনা ওইহল্লকপা অনাবদি ষ্টিরোইদনা নিংথিনা লায়েংবা ঙম্মী অদুগা ক্রোনিক কিদনি ফেলর লাক্কনি হায়বগী কিনিঙাইসু ওইদে।

নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমনা নাহল্লবা অঙাং খরদদি ষ্টিরোইদনা ফগৎহনবা ঙমদবসু য়াওই, মখোয়শিংদা অহেনবা (ব্লদ টেষ্ট অমসুং কিদনি বাওম্সি) চাংয়েং মথৌ তাই। মখোয়দা মহুৎশিনবা দ্রগ (লিভামিসোল, সাইক্লোফোসফাসাইদ, সাইক্লোস্পোরিন, তেক্রোলিমসনচিংবা) শিজিন্নগনি। অদুগা মসিনা ক্রোনিক কিদনি ফেলর ওইহল্লকপগী চাং য়াম্না ৱাংই।

| |
|---|
| ***অচম্বা নেফ্রোটিক সিন্দ্রোমনা অঙাংশিংদা কিদনি ফেলর ওইবগী কিনিঙাই লৈতে।*** |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

নেফ্রোটিক সিন্ড্রোমদা নিংথিনা লায়েংলবদি প্রোটিন মাঙবা লেপখিগনি অমদি অঙাং অদু হান্নগুম্না ফিভম ফগৎকনি। অয়াম্বা অঙাংশিংদা লায়না অসি হঞ্জিল্লকপা (রিলাপস) য়াবসি চহী য়াম্মী (অঙাং ওইরিঙৈ মতম অয়াম্বদ)। অঙাং অদুগা মপুং মরেপ ফারকপগা লায়না হঞ্জিনবা লেপখিগনি। নেফ্রোটিক সিন্ড্রোম পুংফা-ফবগী তাঙ্কক অদু চহী ১১ দগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা ওইগনি। অসিগুম্বা অঙাংশিং তুংদা অকায়বা য়াওদবা অহল অমা ওইরকই।

**নেফ্রোটিক সিন্ড্রোম নারবা মীওইনা করম্বা মতমদা ডাক্তর উন্নগনি?**

ইমুং অমদা অঙাং অদুনা মখাগীশিং অসি লোয়নরক্লবদি খুক্তক্তা ডাক্তর উন্নগদবনি :

- পুক নাবা, হকচাং শাগৎপা, ওবা নত্রগা দাইরিয়া।
- পোমখৎপা, য়াম্না থুনা অরুম্বা হেনগৎপা, য়ুংগী চাং খংহন হন্থবা।
- মশা ঙমদবগী মওং উৎপা খুদম ওইনা শান্ন-খোৎনবা লেপ্পলকপা অমদি মশা ইতন-তন্থবা।
- হকচাং শাগৎপগা লোয়নননা লেপ্তুনা লোক কন্না খুবা নত্রগা কোক কন্না চিকপা।
- চিকন পোক্স নত্রগা মিজলস নাবা মীওইগা নক্লবা।

*চহি কুইনা নাবা অনাবা অসি চহি য়ামশিল্লকপগা লোয়নননা তপ্না-তপ্না মাঙখিবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ২৩

# অঙাংদা য়ুরিনরি ত্রেক ইফেক্সন

যুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন (য়ুটিআই) শম্না য়ুং মরীদা লাইজৌবা, অসি অঙাংশিংদা তেন্না অমদি কুইনা নাগনবা তোইনা থেংনবা লায়নানি।

**অহলগা য়েংনরুবদা অঙাংশিংদা য়ুটিআই লৈরবদি খুদক্তা চেকশিনবা অমদি লায়েংবা মথৌ তারিবসি করিগীনো?**

য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন অসি অঙাংদা থেংনরবদি খুদক্তা য়েংথোকপা মথৌ তারিবসি মখাগী মরমশিং অসিননি -

- অঙাংদা মশা শাগৎহনবগী অচৌবা মরম য়ুটিআইনা ওইহল্লী। শ্বর হোনবগী মরীদা লাইজৌবা অমদি দাইরিয়াগী মথংদা য়ুটিআইনা অঙাংশিংদা নুঙাইহন্দবা অহুমশুবা খ্বায়দগী তোয়না থেংনবা লায়নানি।
- থেংথনা লায়েংবা নত্রগা মপুং ফানা লায়েংহৌদবনা খুদোং থিনিঙাই ওই লোয়ননা লায়েংবা ঙমলোইদবা কিদনি অনাবা ওইহনবসু য়াই। য়ুটিআই তোয়না নাগনবনা কিদনিদা দাগ থম্মী, মসিনা তুংদা ব্লদ প্রেসর ৱাংহনবা, কিদনি নিংথিনা চাওখৎহন্দবা অমদি ক্রোনিক কিদনি দিজিজ ফাওবা লাকপা য়াই।
- লাইওং য়াম্না মখল য়াম্বনা করিগুম্বা কান্দা য়ুটিআইনি খঙদোকহৌদবা য়াওই। লায়না অসি খঙদোক্লবা য়াম্না কুপ্না চেকশিন্ন লৈবা মথৌ তাই।
- ফখ্রবা মতুং অমুক হৌরকপগী চাং ৱাংই।

**অঙাংশিংদা য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন ওইহল্লকপা য়াবা মরমশিং অদু করি করিনো?**

- মখাদা পীরিবশিং অসিনা অঙাংশিংদা য়ুটিআই ওইহল্লকপগী মরম ওই:
- নুপীমচাশিংদা য়ুরিথ্রা তেনবা মরম্না মখোয়দনা তোয়না নাগল্লি।
- নুপীমচাশিংনা য়ুং হানবা লোয়রবা মতুং মনিংঙোমদগী মমাংদা তৈথোকপা (মমাংদগী মনিংঙোমদা তৈথোক্কদবনি)।

***য়ুরিনরী ত্রেক ইফেক্সন অসিনা অঙাংশিংদা মশা শাগৎহনবগী তোয়না ওইগনবা মরমনি।***

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- পোকপদগী অঙাংদা য়াওরকপা অশোয়বশিং খুদম ওইনা ভেসিকো য়ুরেটেরেল রিফ্লক্স (ব্লাদরদগী থোক্কদবা য়ুং অদু মথক্তা হায়গৎতুনা কিদনি য়ৌবা) অমদি পোষ্টেরিয়র য়ুরিথ্রেল ভালব।
- তিদোন উনষা ককপা (সার্কমসাইজ) নুপামচাশিংনা কক্তবদগীদি য়ুটিআই ওইরকপা য়াবা চাং হন্থে।
- য়ুরিনরি ত্রেক পোকপদগী শোয়জরকপা (খুদম - পোষ্টেরিয়র য়ুরিথ্রেল ভালব)।
- য়ুরিনরি সিষ্টেমদা নুঙ লৈবা।
- অতোপ্পা মরম - খোং হাম্বা য়াদবা, পেরিনিয়েল শেংদোকপা ৰাৎপা, কেথেটর কুইনা শিজিন্নরকপা নত্রগা ইমুংগী অহলশিং য়ুটিআই নাখিবা।

**য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সনগী লাইওংশিং**

চহী খর য়াল্লবা অঙাংশিং : নুঙাইতবা মথন্থা ফোংদোকচবা ঙমই। মখোয়দা অমদি অহলশিংদা পুন্না মান্নবা লাইওংশিং চেপ্তর ১৮ দা খন্নখ্রে। চহী নৌরিবা অঙাংশিংদি নুঙাইতবা অদু ফোংদোকপা ঙমদে। য়ুং হানবদা কপ্পা, য়ুং হানবা ঙমদবা, য়ুং মনম কা হেন্না নমথিবা অমদি মরম খঙদনা হকচাং শাগৎপা অসিনচিংবনা য়ুটিআইগী নুঙাইতবশিংনি।

চহী নৌরিবা অঙাংশিংদি চানিং থকনিংবা পোক্লক্তবা য়াই, ওবা নত্রগা দাইরিয়া, মশাগী লুম্বা হেনগৎতবা নত্রগা হন্থরকপা, মশা পোথাফম খঙদবা নত্রগা লাইওং শুংউৎ উৎতবসু য়াই।

**য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন খঙদোকপা**

অঙাংশিংদা য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সনগী চৎথবা ইনভেষ্টিগেসনশিং -

১) য়ুটিআইগী অচম্বা / অহৌবা ইনভেষ্টিগেসন

য়ুটিআইগী স্ক্রিনিং টেষ্ট : য়ুরিন মাইক্রোস্কোপি নত্রগা দিপষ্টিক টেষ্ট মখা তানা অকুপ্পাশিং অদু চেপ্তর ১৩ দা নৈনখ্রে।

*অঙাংশিংদা তোইনা থেংনবা য়ুটিআইগী লাইওংশিংদি হকচাং হঞ্জিন-হঞ্জিন শাগৎপা, মশাগী অরুম্বা হেনগৎতবা অমদি য়ুরিনরিগী নুঙাইতবশিংনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- যুটিআইগী দিফিনিটিব দাইগনোষ্টিক টেষ্ট : দাইগনোষ্টিক কনফর্ম তৌনবা যুরিন কলচর টেষ্ট, লাইজৌহল্লিবা বেক্টেরিয়া অদু মশক খঙদোকপা অমদি লায়েংবা অকন্নবা এন্টিবাওটিক্স খনবা।

ঈ টেষ্ট : হিমোগ্লোবিন, টোটেল অমসুং দিফরিএন্সিয়েল হ্বাইট শেল কাউন্ট, ব্লদ যুরিয়া, সেরম ক্রিএটিনিন, ব্লদ সুগর অমদি সি রিএকটিব প্রোটিন য়াওব্রা য়েংথোকপনি।

২) নারকপা য়াবশিং খুদোংচাবা লৈবশিংদা যুটিআইগী লায়না খঙদোক্লবা ইনভেষ্টিগেসন

- নিয়ম কায়রকখিবশিং দিটেক তৌনবা রেদিওলোজিকেল টেষ্ট : কিদনি অমসুং ব্লাদরগী অলট্রা সাউন, পুক্কী জাগাগি এক্সরে, ভোইদিং সিষ্টোযুরিথ্রোগ্রাম - ভি সি যু জি, সি টি স্কেন নত্রগা পুক্কী এম আর আই অমসুং ইন্ট্রাভেনস যুরোগ্রাপি (আই ভি যু)।
- কিদনিদা দাগ লৈব্রা য়েংথোক্লবা টেষ্ট : কিদনি দাগ লৈব্রা য়েংথোক্লবা খ্বাইদগী ফবা চাংয়েংদি দি এম এস এ কিদনি স্কেননি। দি এম এস এ (দিমরকেপ্তোসুসিনিক এসীদ) স্কেন অসি যুটিআইনা নাহল্লকপা থা অহুমদগীনা ৫ ফাওবগী মনুংদা চাংয়েং তৌথোক্কদবনি।

**ভোইদিং সিষ্টোযুরিথ্রোগ্রাম হায়বসি করিনো? মসি করম্বা মতমদা কদায়দা পাঙথোক্কনি?**

- ভোইদিং সিষ্টোযুরিথ্রোগ্রাম - ভিসিযুজি (হান্না মিক্টুরেটিং সিষ্টোযুরিথ্রোগ্রাম - এম সি যু হায়না খঙনরম্বা) অসি অঙাংশিংদা যুটিআই খঙদোক্লবা খ্বায়দগী মরু ওইবনি। মসিনা ভেসিকো যুরিথ্রেল রিফ্লক্স (ভি যু আর) সু খঙদোকপা য়াই।
- ভি সি যু জি টেষ্ট অসি থাক ৱাংবা য়াম্না ফবা মখলনি, মসিনা ভেসিকোযুরিথ্রেল রিফ্লক্স অমদি মসি কয়াম শোকচিল্লবগে য়েংথোকপা অমদি ব্লাদর অমসুং যুরিথ্রাগী অশোয়বসু য়েংথোকপা য়াই। যুটিআই অহানবা নাবা অঙাংশিংদা চহি অনীগী মখাদা লৈবা পুম্নমক চাংয়েং তৌথোক্কদবনি।

*যুটিআই নারকপা য়াবা খুদোংচাদবশিং খঙদোক্লবা অলট্রা সাউন্দ, ভি সি যু জি অমসুং আই ভি যু শিজিন্নগনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- ভি সি য়ু জি অসি য়ুটিআই লায়েংবা হৌরবা চয়োল অমগী মতুংদা তৌগদবনি।
- টেষ্ট অসিদা য়ুরিনরি ব্লাদর অসি কন্ত্রাষ্ট (এক্স-রে ফিল্মদা উবা ঙম্বা রেদিও ওপেক ওইবা আওদিন য়াওবা মহী) শিজিন্নদুনা কেথেটরগী মতেংনা য়াম্না চেকশিন্না মফম চানা অমদি শোক্তনবা হোৎনদুনা থলহনগনি।
- এক্স-রেগী মমিশিং অদু ভোইদিং তৌদ্রিঙৈ অমদি তৌরিঙৈ মনুং অকক্নবা মতম কাল্ল-কাল্লগা লৌগনি। মসিনা ব্লাদর অমদি য়ুরিথ্রাগী অকুপ্পা শক্তম অমদি মথৌ খঙদোকপা ঙম্মী।
- ভিসিয়ুজি অসিনা ব্লাদরদগী য়ুং মথক্তা হনগৎনা চেনখৎপা নত্রগা কিদনি ফাওবা য়ৌবগী নুঙাইতবা (ভেসিকে য়ুরেটরেল রিফ্লক্স) অদু খঙদোকপা য়াই।

মসিনা পীক্লিবা অঙাং নুপাশিংদা পোষ্টেরিয়র য়ুরিথ্রেল ভালব খঙদোকপা ঙম্মী।

**য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন ঙাকথোকপা**

১) মহীগী চাং হেন্না লৌশিনবা। মসিনা ব্লাদর অমদি য়ুরিনরি ত্রেকতা লৈরম্বা বেক্টেরিয়া অদু য়ুংদা ঈশিংগী চাং হেল্লকপনা মপান্দা থাদোকখিবদা য়াওখি।

২) অঙাংশিংনা পুং ২ নত্রগা ৩/৩ লৈরগা য়ুং হান্দোক্কদবনি। য়ুং ব্লাদরদা খাঙজিন্দুনা কুইনা লৈবনা বেক্টেরিয়া য়োকখৎপগী মতেং ওই।

৩) অঙাংশিংগী অথিভম জগাশিং নাননা থমগদবনি। য়ুং হানবা লোয়রগা মমাংদগী মনিংঙোমদা লৈথোক্কনি (মনিংদগী মমাংদা নৎতবা)। মসিনা অমাংথোংগী জগাদগী লিঙ্গরোমদা বেক্টেরিয়া শন্দোরকপা থিংবা ঙম্মী।

৪) অঙাংশিংগী দাইপর তোইনা শিন্দুনা অমাংবগা অথিভমগা কুইনা থেংনহল্লোইদবনি।

৫) নুংশিৎ নিংথিনা চংবা ঙম্বা কোটনগী ফিনা মনুংদা শেৎকদবনি। য়াম্না চিনবা অমদি নাইলোনগী ফি মনুংদা শেৎলোইদবনি।

*য়ুটিআই নারবা অঙাংশিংনা ভেসিকোয়ুরিথ্রেল রিফ্লক্স অমদি পোষ্টেরিয়র য়ুরিথ্রেল ভাল্ব খঙদোক্নবা খ্বায়দগী ফবা এক্স-রে চাংয়েংদি ভিসিয়ুজি নি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

৬) কোঙ্গোল য়াম্না থোক্লা ঈরুজরোইদবনি।

৭) তিদোন উনষা ককতবা নুপামচাশিংনা উনষা অদু শেংনা চাং নাইনা চামথোক্কদবনি।

৮) ভিয়ুআর লৈরবা অঙাংশিংদা ভোইদিং (য়ুং হান্দোকহনবা) অনিরক, অহুল্লক তৌদুনা য়ুং তুংদুনা লৈহল্লোইদবনি।

৯) এন্টিবাওটিক চাং হন্থনা নুংতিগী মতম শাংনা চাদুনা থিংহৌনবা (প্রোফাইলাইটিক) অখন্নবা ক্রোনিক য়ুটিআই নাগনবা অঙাংশিংনা হোৎনগদবনি।

**য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন লায়েংবা**

- য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন ঙাকথোক্লবা চেকশিনথৌরাং পুম্নমক অঙাং অদুনা ইলহনগদবনি।
- য়ুটিআই নারবা অঙাং অদু ঈশিং য়াম্না পীথক্কদবনি। হোস্পিটালদা নাদুনা লৈরবা অঙাংশিংদা ইন্ত্রাভেনস ফ্লুইদ থেরাপি (শিংলীদা মহি কাপশিনবা) চৎথগদবনি।
- হকচাং শাগৎপগী মতিক চাবা হিদাক চাগদবনি।
- লায়েংবা লোয়রবা মতুংদা লাইজৌবা অদু পুংফ-ফরে হায়বা খঙনবা য়ুরিন টেষ্ট তৌগদবনি। টেষ্ট তৌদুনা চাং নাইনা চেক অপ তৌগদবনি, মসিনা ইনফেক্সন লৈত্রে খঙগদৌরিবনি।
- য়ুটিআই নারবা অঙাং পুম্নমক্তা অলট্রা সাউন্দ অমদি অতোপ্পা মতিক চাবা ইনভেষ্টিগেসন পাঙথোক্কদবনি।

**অখন্নবা লায়েং**

- অঙাংশিংগী কিদনি শোক্তনবা এন্টিবাওটিক্লা থিন্থবা তৌদনা য়ুটিআই লায়েংথোক্কদবনি।
- লায়েংবা হৌদ্রিঙৈদা য়ুরিন কলচর তৌদুনা বেক্টিরিয়া মশক খঙদোক্কদবনি অমদি মদুনা এন্টিবাওটিক খনবদসু মতেং পাংগদৌরিবনি।

*য়ুটিআই থিন্থবা অমদি মতিক চানা লায়েংহৌদবনা অঙাংশিংদা মখোয়গী কিদনি অদু লায়েংবা ঙম্মোইদবা ফিভমদা পুরকপা য়াই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- অঙাং অদু মশা য়াম্না শাগৎলবা, ওরবা, পুক য়াম্না নারবা অমদি চীন্দা হিদাক চাবা ঙমদনা নারবদি হোস্পিটালদা পুদুনা শিংলিদা এন্টিবাওটিক কাপকদবনি। থা ফাদ্রিবা অঙাং অমদি পীক্লিবা অঙাংশিং লায়েংবদা মহী ওইনা অয়াম্বা শিজিন্নগনি।
- খৌনাওদা চাবা থকপা হৈরবা থা ৩দগীনা ৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নাদ্রিবা অঙাংশিংনা এন্টিবাওটিক চাগদবনি।
- ডাক্তরনা পীরকপা অকক্লবা মতম অদু মপুং ফানা অঙাংশিংনা হিদাক চাগদবনি। য়ুটিআইগী লাইওং উদ্রবসু মতম শুনা হিদাক চাগদবনি।

**য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন হঞ্জিন্না নাবা**

য়ুটিআই লাইওং মান্নবা অমদি হঞ্জিন্না নারবদি অঙাং অদু অলট্রা সাউন্দ, ভিসিয়ুজি অমদি করিগুম্বা কান্দা হৌরক্লিবা অদুগী মরম খঙদোক্লবা দি এম এস এ স্কেন শিজিন্নে। রিকরেন্ট য়ুটিআইগী লায়েংবা ঙম্বা নুঙাইতবা মরম অহুম অদুদি - ভিয়ুআর, পোষ্টেরিয়র য়ুরিথ্রেল ভাল্ব অমসুং কিদনিগী নুঙনি। অনাবা হৌরক্লিবা অদুগী মতুং ইন্না অকক্লবা লাইয়েং চৎথগনি অদুগা অমুক নারক্তনবা চেকশিন-থৌরাং পায়খৎকনি। মসিগীদমক মতম শাংনা এন্টিবাওটিক শিজিন্নবগী ওইথোকপা লৈ। অখন্নবা অঙাং খরদদি নেফ্রোলোজিষ্ট অমসুং য়ুরোলোজিষ্ট পুন্না তান্নরগা ওপরেসন চৎথবা ফাওবা য়াই।

**পোষ্টেরিয়র য়ুরিথ্রেল ভাল্বস**

পোষ্টেরিয়র য়ুরিথ্রেল ভাল্ব (পি য়ু ভি) অসি নুপা মচাশিংদা পোকপদগী য়ুরিথ্রা শোয়রকপা অদুনি। নুপামচাশিংগী য়ুরিনরি ত্রেক্কী মখা থংবা শরুক্তা অথিংবা পীবা য়াম্না তোইনা থেংনবা অনাবা মখল অমা পি য়ু ভি না ওইরি।

**নুংঙাইতবগী হৌরকফম অমদি মদুগী মরুওইবশিং**

য়ুরিথ্রাদা টিসু থুপচিননা (ননশিন্নবা) য়ুংগী খোংজেল অসি মপুং ফাহন্দবা নত্রগা অমুক-মুক থিংবা য়াওই। অথিংবা অসিনা য়ুরিনরি ব্লাদরদা বেক প্রেসর পী।

*লায়েংদ্রিঙৈদা য়ুরিন কলচর তৌদুনা বেক্টেরিয়া মশক খঙদোকপা অমদি চান্নবা এন্টিবাওটিক খনবদা মতেং পাংই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ব্লাদর চাওখৎলক্তুনা মশাগী মশল ৱালশিং অদু য়াম্না থাগৎলকই। চাওথোক্লবা অমদি প্রেসর হেনগৎলবা ব্লাদরনা য়ুরেটর অনী অমদি কিদনিদা মখা তানা প্রেসর হেনগৎহল্লি। মসিনা য়ুরেটর অমসুং কিদনিবু লাওথোকহল্লি। অসিগুম্বা লাওথোক্লবা চাওথোক্লবা ফিভম অসি মতাং মতম চানা মশক খঙদোক্তুনা লায়েংথোকহৌদ্রবদি তুংদা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ ওইহল্লকপা য়াই। পোকপদগী পি য়ু ভি নারকপা অঙাংশিংদি চাদা ২৫ দগীনা ৩০ ফাওবগী মনুংদা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ নারকপা য়াই। মরম অদুনা পি য়ু ভিনা য়াম্না পীক্লিবা অঙাং অমদি অতোপ্পা অঙাংশিং নাহনবা অমদি শিহনবা য়াওই।

**লাইওংশিং**

পোষ্টেরিয়র য়ুরিথ্রেল ভাল্বকী তোইনা থেংনবা লাইওংশিং অদুদি য়ুং হানবদা য়াম্না তপ্পা য়ুং থোরকপা, য়ুং মরিক মরিক তাবা, য়ুং হানবদা ৱাবা অমদি শংঙগা হানবা, তুম্বদা য়ুং হাঞ্জিনবা, ব্লাদর শোকপা অমদি য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন্না মরম ওইদুনা চনিং (সুপ্রা প্যুবিক রিজন) ইথন থনগৎপনি।

**লায়না মশক খঙদোকপা:**

পোকত্রিঙৈদা নত্রগা পোক্লবা অঙাং নুপা মচা অদু অলট্রা সাউন্দ লৌথোকপনা পি য়ু ভি খঙদোকপদা কান্নবা পী। অদুবু পি য়ু ভি নারে হায়না কনফার্ম (চপ চানা খঙদোকপা) তৌবগীদি ভি সি য়ু জি টেষ্ট তৌবা মথৌ তাই, টেষ্ট অসি পোকপা কুইদ্রিঙৈদা পাওথোকনৈ।

**লায়েংবা :**

সর্জন্স (য়ুরোলোজিষ্ট) অমদি কিদনি স্পিসিএলিষ্ট (নেফ্রোলোজিষ্ট) না পুন্না পি য়ু ভি লায়েংগনি। অহানবা লায়েং অসিদা ব্লাদরদগী য়ুং চিংথোকপনি। (মসিদা য়ুরিথ্রা ফাওদুনা টিয়ুব থিংজিন্নে নত্রগনা পুক্তা হুৎলগা মফম অদুদা দাইরেক্ট লেংশিনবা য়াওই) । মসিগা ইরোইননা লাইজৌবা ফনবা হিদাক চাবা, ঈ ৱাৎতনবা য়েংথোকপা, কিদনি ফেলরগী হিদাক চাবা, মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা, হকচাংদা অৱাৎপা মহি হাপচিন্দুনা হকচাং ফগৎহনবা তঙাই ফদে।

*নুপামচাশিংনা ঙন্না য়েংথোকহৌদ্রবদি লোৱর য়ুরিনরি ত্রেক অদু পি য়ু ভিনা থিংজিল্লকপা য়াই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

অরোইবা পিয়ুভিগী লায়েংদা সর্জরিগী মতেং চংগনি মদুগী মতুংদা মতেং পীবা খোংথাং পায়খৎকনি। এন্দোস্কোপ শিজিন্নদুনা য়ুরোলোজিষ্ট অমগী মতেংনা য়ুরিথ্রাগী ভাল্ব অদু লৌথোক্কনি। অঙাংশিংনা চাং নাইনা পুন্সি চুপ্পা নেফ্রোলোজিষ্ট অমদা ফোলো অপ তৌগদবনি, মরমদি য়ুটিআইগী লাইওং অমুক লাকপা য়াই, মপুং মরেপ ফারকপদা নুঙাইতবা লাকপা য়াই, হকচাংদা য়াওবা মহীগী অশোয়বা লাকপা য়াই, ঈ ৱাৎলকপা; ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা অমদি ক্রোনিক কিদনি দিজিজসু লাকপা য়াই।

**ভেসিকোয়ুরিথ্রেল রিফ্লক্স (ভিয়ুআর)**

ভেসিকোয়ুরিথ্রেল রিফ্লক্স (ভিয়ুআর) অসি "ব্লাদরদগী য়ুং অদু য়ুরেটরদা হনগৎনা চেনখিনবা" নি।

**ভেসিকোয়ুরিথ্রেল রিফ্লক্সকী মতাংদা খঙবা মরু ওইরিবসি করিগীনো?**

হকচাং শাগৎপা য়াওবা য়ুটিয়াই নারবা অঙাং চাদা ৩০ দগী ৪০ ফাওবদি ভিয়ুআর লৈগল্লি। ভিয়ুআরনা কিদনি দাক লৈহনবা অমসুং শোকহনবা য়াই। কিদনিদা দাক লৈহনবা অসি মতম কুইশিল্লক্লবদি মসিনা ব্লদ প্রেসর ৱাংহনবা, তোক্সিমিয়া (ঈদা হুচেনবা পোৎয়ান য়াওবা) নুঙাইতবা নহা ওইরিবী মীরোল্লবি নহাশিংদা, ক্রোনিক দিজিজ অমদি অরোইবদা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজনি। ভিয়ুআর অসি ইমুংদা হান্না লায়না অসি নাবা মীওই লৈরল্লবদি হেন্না তোয়না নাগল্লি অমদি নুপীমচাশিংদনা হেন্না তোয়না থেংনগল্লি।

**ভেসিকোয়ুরিথ্রেল রিফ্লক্স হায়বসি করিনো? অদুগা করিগীদমক লৈরিবনো?**

ব্লাদরদগী নিয়ম লান্না য়ুংনা মায়কৈ ওন্ননা য়ুরেটরস অমদি কিদনি ফাওবা হায়গৎখিবা অদুবু ভিয়ুআর হায়না খঙনৈ। মসি কিদনি মায়কৈ অনীমক্তা অমা হেক্তা নাহল্লকপা য়াই। কিদনিদা শেল্লকপা য়ুংনা মখারোমদা য়ুরেটর ফাওদুনা ব্লাদরদা য়ৌগদৌরিবনি। য়ুংগী খোংজেল অসি অচুম্বা মওংদা মখারোমদা য়ুরেটরদগী লাক্লগা ব্লাদরদা য়ৌরক্কদবনি।

*য়ুটিআই লৈবা অঙাংশিংদা ভিয়ুআর অসি য়াম্না তোয়না থেংনৈ লোয়নননা হায়পরটেন্সন অমদি সিকেদি নাহল্লকপা য়াই।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

Vesicoureteral Reflux




য়ুং হাল্লিঙৈ অমদি ব্লাদরদা য়ুংনা থল্লবা মতমদা ব্লাদর অমসুং য়ুরেটরগী মরক্তা লৈরিবা ভাল্বনা য়ুং অদু মনিংঙোমদা হনখিদনবা ঙাক্তুনা লৈবগী থৌদাং লৌই। ভিয়ুআর অসি ভাল্ব অসিগী মথৌদা অশোয়বা লাক্লবা মতমদা ওই। ব্লাদরদগী য়ুরেটর অমসুং কিদনি ফাওবা মায়কৈ ওন্ননা হায়গৎলকপা য়ুংগী ফিবম অদুগী মতুং ইন্না ভিয়ুআর শোনবা (অচম্বা) অমদি কনবা (শাথিবা) হায়না (গ্রেদ ১দগী ৫) খায়দোকই।

**ভেসিকোয়ুরেটরেল রিফ্লক্স করম্না ওইরকই?**

ভিয়ুআর মখল অনী লৈ : প্রাইমরি ভিয়ুআর অমদি সেকেন্দরী ভিয়ুআরনি। প্রাইমরি ভিয়ুআর অসিনা খ্বায়দগী তোয়না থেংনৈ। লোয়ননা পোকপদগী লোয়নরকপনি। সেকেন্দরী ভিয়ুআর অসি চহী মতাং অমা হেক্তদা নাবা য়াই। মসি ব্লাদরদা অপনবা পীরকপা, মথৌ ফজনা তৌবা ঙমদবা নত্রগা ব্লাদর য়াওনা য়ুরিথ্রাদা লাইজৌবনা ওইহল্লি।

**ভেসিকো য়ুরেটরেল রিফ্লক্স লাওংশিং অদু করিনো?**

চপ চাবা লাইওং অমদি খুদম লৈতে। অদুবু য়াম্না তোয়না য়ুরিনরি ত্রেক

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ইনফেক্সন তৌবনা ভিয়ু আরগী খ্বায়দগী তোয়না থেংনবা ফিভমনি। অদুবু চহী খর য়াওরবা অঙাংশিংদা লায়েংদনা লৈবা ভেসিকোয়ুরিথ্রেল রিফ্লক্সতদি লুশিল্লকপা মতাং ওইবনা শক্তি খর উবা ফংই, খুদম ওইনা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎপা, য়ুংদা প্রোটিন য়াওরকপা অমদি কিদনি ফেল ওইবনি।

**ভেসিকোয়ুরেটরেল রিফ্লক্স (ভিয়ুআর) করম্না মশক খঙদোক্কনি?**

অঙাংশিংদা ভিয়ুআর চিংনবগীদমক পাঙথোকপা চাংয়েং (ইনভেষ্টিগেসন) শিং অদুদি :

**(১) ভিয়ুআরগী তঙাইফদবা লাইওং খঙদোক্নবা টেষ্ট**

- ভোইদিং সিষ্টোয়ুরিথ্রোগ্রাম( ভিসিয়ুজি) অসি ভেসিকোয়ুরেটরেল রিফ্লক্স অমদি মসিগী চাং লেপথোক্নবা খ্বায়দগী ফবা টেষ্টনি।
- রিফ্লক্সকী লায়বা অমদি অরুবা ফিভম্না ভেসিকোয়ুরেটরেল রিফ্লক্সকী মগুণ ওল্লি। য়ুরেটরস অমদি কিদনিদা য়ুংগী চাং কয়াম মশিং হনগৎলকপগে হায়বদু ভিয়ুআরগী গ্রেদনা খঙহনবা ঙম্মী। গ্রেদিং অসি অনাবা অদুগী লাইওং চুম্না খঙদোকপা অমদি চপ চাবা হিদাক পীবদা য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইহল্লি।
- ভিয়ুআরগী ময়ায় ওইবা ফিভমদা য়ুংনা য়ুরেটর ফাওবদং হায়গৎলি (গ্রেদ ১ অমদি ২)। অদুগা ফিভম হেঞ্জিল্লবা ভিয়ুআরদদি য়ুং মথক্তা হায়গৎপগী চাং অদু য়াম্না ৱাংই অমদি য়ুরেটর অদু থেকচিন থেকতোক তৌবা হেনগৎলকই অমদি লাওথোকপসু হেনগৎলকই লোয়ননা কিদনি চাওনা পোমখৎলই (গ্রেদ ৫)।

**(২) ভিয়ুআরগী অহেনবা ইনভেষ্টিগেসন (চাংয়েং)**

- য়ুরিন টেষ্ট অমসুং য়ুরিন কলচর – য়ুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন খঙদোক্নবা।
- ঈ টেষ্ট : হিমোগ্লোবিন, হ্বাইট ব্লদ সেল অমদি সেরম ক্রিএটিনিন য়াওব্রা য়েংথোকপা।
- কিদনি অমসুং ব্লাদরগী অলট্রা সাউন্দ : কিদনি চাওথোকপা অমদি দাগ লৈব্রা, কিদনি নুঙ লৈব্রা অমদি অথীংবা নত্রগা অশোয়বা অতে লৈব্রা য়েংথোকপনি। মসিনা রিফ্লক্স খঙদোকপদি ঙমদে।
- দিএমএসএ কিদনি স্কেন : মসিনা কিদনি দাগ লৈব্রা খঙদোকপগী খ্বায়দগী ফবা থৌওংনি।

> *থাকনেম্বা রিফ্লক্স অসি মতম শাংনা চাং নাইনা এন্টিবাওটিক চাবনা সর্জরি তৌদ্রবসু ফহনবা ঙম্মী।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**ভেসিকোয়ুরেটরেল রিফ্লক্স করম্না লায়েংগনি?**

ভিয়ুআর লায়েংথোকপা য়াম্না তঙাইফদে, মসিনা কিদনিদা লাইজৌহনবা অমদি শোকহনবা থিংহৌবা ঙম্মী। ভেসিকোয়ুরেটরেল রিফ্লক্স লায়েংবসি রিফ্লক্সকী গ্রেদতা মখা পোল্লি, লোয়ননা অঙাংশিং অদুগী চহী অমদি লাইওংশিংদসু মখা পোল্লি। ভিয়ুআর লায়েংবগী লম্বেল অহুম লৈ, মখোয়শিং অদুদি - এন্টিবাওটিক্স, সর্জরি অমদি এন্দোস্কোপি লায়েংনি। ইহান হানবা ওইনা এন্টিবাওটিক্স শিজিন্নদুনা য়ুটিআই থিংবনি। সর্জরি অমসুং এন্দোস্কোপিক লায়েং অসি ফিভম শোকচিল্লবা ভিয়ু আরগীদমক খাক্কুনা থম্মী নত্রগা এন্টিবাওটিক্সনা কান্নবা ফংদ্রবা মতমদসু শিজিন্নৈ।

**য়ায়মরপ ওইবা (মাইল্ড) ভিয়ুআর :** মাইল্ড ভিয়ুআর অসি মশা মথন্তা অঙাং অদুনা চহি ৫ দগী ৬ ফারকপদা মাংজখি। মসি নারবা অঙাংশিংদা সর্জরি মথৌ তাদে। মখোয়দা দোজ হন্থবা এন্টিবাওটিক্স নোংমদা অমা নত্রগা অনী নুমিৎ খুদিংগী মতম শাংনা পীজদুনা য়ুটি আই লাকহন্দবা য়াই। মসিবু এন্টিবাওটিক্সনা ঙাকথোকপা কৌই। অঙাংদুনা চহী ৫ শুবা ফাওবা পীজগনি। এন্টিবাওটিক মখল অমহেক্তা চাবনা ভিয়ুআর ফগদবা নত্তে। নাইট্রোফুরানটোইন অমসুং কোত্রাইমোক্সাজোলনা ভিয়ুআরগী অখন্নবা এন্টিবাওটিকনি।

ভিয়ুআর নারবা অঙাং খুদিংনা (মথক্তা পনখিবা) য়ুটিআই ঙাক্তোক্লবগী লৌখৎপা য়াবা খোংথাং লৌখৎতুনা চাং নাইনা অমদি দবল ভোইদিং তৌগদবনি। য়ুরিন মতম নাইনা য়ুটিআই লাকপ্রা লাকতব্রা খঙদোক্লবা য়ুরিন টেষ্ট তৌগদবনি। ভিসিয়ুজি অমসুং অলট্রা সাউন্দ চহী খুদিংগী লৌদুনা রিফ্লক্স হন্থখ্রব্রা হায়বদু খঙদোক্কনি।

**হেঞ্জিল্লবা (সিবিয়র) ভিয়ুআর :** মখল অসিদি মশা মথন্তা ফবা ঙমদে। মরম অদুনা সিবিয়র ভিয়ুআর লৈরবদি সর্জরি নত্রগা এন্দোস্কোপিক লায়েং পাঙথোক্কনি।

ওপন সর্জরি (য়ুরিটরেল রিইমপ্লান্টেসন নত্রগা য়ুরিটেরোনিওসিষ্টোটোর্নি) পাঙথোকপনা য়ুরিন মথকলোমদা চেনখৎলকপা থিংবা ঙম্মী। সর্জরিগী কান্নবা অসি চাদা ৮৮ দগী ৯৯ ফাওবা মায়পাকপা ঙম্মী।

*সর্জরি অমসুং এন্দোস্কোপিক লায়েং অসি সিবিয়র ভিয়ুআর নত্রগা এন্টিবাওটিক্সনা কান্নবা ফংদ্রবা মতমদা শিজিন্নৈ।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

এন্দোস্কোপিক্কী লায়েং অসিনা ভিয়ুআরগী সিবিয়র মখলদা লায়েংবদা য়াম্না কান্নবা পীবা অনীশুবা মখলগী লায়েংনি। মসিগী কান্নবা অসিনা অনাবা অদু হোস্পিটালদা লৈত্রবসু য়াগদৌরিবনি। শুপ্পগী মিনিট ১৫ দগী হেন্না মাঙনিঙাই য়াম্না লৈতবা হকচাংদা লেনবসু য়াওদবা অনাবা খুৎয়েংনি। এন্দোস্কোপিক লায়েং অসি জেনরেল এনেস্থেসিয়া শিজিন্নৈ। লায়েং মখল অসিদা এন্দোস্কোপ (মৈ থানবা ট্যুব) শিজিন্নদুনা বল্কিং মেটরিএল (খুদম, দেক্সত্রানোমর/হিয়ালুরোনিক এসীদ কোপোলিমর - দিফ্লক্স) অসি য়ুরেটরনা ব্লাদর চঙখিবা জগাদা কাপশিনগনি। মসিনা ব্লাদরদগী য়ুরেটররোমদা য়ুং হনগৎনা চেনশিনবা অদু থিঙবা ঙম্মী। মসিগী মওং অসি শিজিন্নবনা মায়পাকপগী চাং অসি চাদা ৮৫ দগীনা ৯০ ফাওবা য়ৌবা ঙম্মী। এন্দোস্কোপিক লায়েংনা ভিয়ুআর হৌগৎলকপদা য়েংথোকপগী খ্বায়দগী অফবা লম্বেলনি। মসিনা মতম শাংনা এন্টিবাওটিক শিজিন্নবা হন্থহল্লি অমসুং চহী কয়া ভিয়ুআরগা লোয়ননা হিংবগী অৱাবা অদু কোকহনবা ঙম্মী।

**ফোলো-অপ :** ভিয়ুআর নারবা অঙাংশিংদা পুন্সিগী ওইনা মশাগী মরেপ, অরুম্বা, ব্লদ প্রেসর, য়ুরিন এনালাইসিস অমদি ডাক্তরনা হায়রকপগী মতুং ইন্না অতোপ্পা টেষ্টশিংসু পাঙথোক্কনি।

**করম্বা মতমদা ডাক্তর উন্নগনি?**

যুরিনরি ত্রেক ইনফেক্সন লৈরবা অঙাংশিংদা মখাগী অসি থেংনরবদি খুদক্তা ডাক্তর উন্নগদবনি -

- শাগৎপা লেপ্তুবা, অরুমহৌবা, য়ুং হানবদা নাবা নত্রগা শারি-শারি লাওবা, য়ুং মনম নমথিবা নত্রগা ঈ য়াওবা।
- ওন্নিংবা ফাওবা অমদি ওবনা মহি মনাই থকচিনবা অমদি হিদাক চাবা য়াহন্দবা।
- মহী য়াম্না লৌশিনবা ঙমদবা নত্রগা ওবনা মরম ওইরগা হকচাং দিহায়দ্রেট তৌবা (মহী ৱাৎপা)।
- খ্বাং নত্রগা পুক্কী শরুক্তা নাবা

  হকচাং পোৎথাফম খঙদবা, চানিং থক্লিংবা ফাওদবা, অঙাং ওইবগী শক্তম উবা ফংদবা।

*ব্লদ প্রেসর, ইনখৎলকপা, য়ুটিআই হঞ্জিল্লকপ্রা নত্রগা কিদনি শোকপা খঙদোক্ল বা ভিয়ুআর খঙদোক্লবা চাং নাইনা ফোলো অপ তৌবা তঙাইফদে।*

## চেপ্তর ২৪
## বেদৱেটিং (ফমুংদা য়ুং চিৎশিনবা)

বেদৱেটিং নত্রগা অঙাংনা তুম্বদা মশা খঙদনা য়ুং হাঞ্জিনবা। বেদৱেটিং, "নোকচরনেল ইনুরেসিস", অসি কিদনি নাবা নত্রগা, তনবদগী নত্রগা অঙাংনা ঙাওশিন্নবনা নত্তে। অঙাং চাওখৎলক্লবা মতমদা লায়েংদ্রবসু মথন্তা ফজখিগনি। অদু ওইরবসু থৌওং অসি অঙাং অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিং অদুদা নুঙাইতবা অমদি ইকাইবা ফাওহল্লি।

**অঙাংশিং চাদা কয়া বেদৱেটিং তৌবগে অমদি করম্বা চহী মতাংদা লেপখিবগে?**

ফমুংদা য়ুং চিৎশিনবা (বেদৱেটিং) অসি চহী ৬ কী মখাগী অঙাংশিংদা তোয়না থেংনৈ। চহী ৫ শুরকপা অঙাংশিংদা চাদা ১৫ দগী ২০ ফাওবা মসি থেংনৈ। চহী য়ামখৎলকপগী মতুং ইন্না বেদৱেটিং অসি হন্থরকই : চহী ১০ দা চাদা ৫; চহী ১৫ দা চাদা ২ খক অদুগা অহলশিংদা চাদা ১ দগী হন্থনা থেংনৈ।

**করম করম্বা অঙাংশিংদা বেদৱেটিংসি ওইরকপা য়াবগে?**

- মমা মপাশিংদা নুঙাইতবা অসি লৈরকপা অঙাংশিংদা।
- ন্যুরোলোজিকেল দিবলপমেন্টতা থিন্থবনা অঙাংদুনা মখোয়গী ব্লাদর অদু মপাঙ্গল খঙদবা।
- তুমখুন তান্না তুম্বা অঙাংশিং।
- নুপীমচাশিংদগী নুপামচাশিংদনা হেন্না থেংনৈ।
- নুঙাইতবা অসি হকচাং নত্রগা ৱাখলদা নুঙাইতবা লৈবা মতমদা হেনগৎলি।
- চাদা ২ দগী ৩ ফাওবগী মনুংদা অঙাংশিংনা নুঙাইতবা অসিদগী য়ুরিনরি

*ফমুংদা য়ুং চিৎপা (বেদৱেটিং) অসি য়াম্না তোয়না চহী নৌরিবা অঙাংশিং থেংনৈ, মসি লায়না নত্তে।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ভ্রেক ইনফেক্সন, দাইএবিটিস, কিদনি ফেলর, পিন ৱার্ম, কন্সটিপেসন, স্মোল ব্লাদর, স্পাইনেল কোর্দ নত্রগা নুপামচাশিংগী য়ুরিথ্রেল ভাল্ব য়াহন্দবা য়াওই।

**বেদৱেটিংগী নুঙাইতবা লৈরকপা অসি করম্বা মতমদা ইনভেস্টিগেসন তৌগনি?**

অশোয়বা লৈরে হায়বা চিংনরবা মতমদতা অখন্নবা অঙাংবু ইনভেস্টিগেসন চৎথগনি। তোয়না পাঙথোক্লবা টেষ্টশিং অদুদি য়ুরিন টেষ্ট, ব্লদ গ্লুকোজ, য়াংলেনগী এক্স-রে অমদি অলট্রা সাউন্দ লৌবা নত্রগা কিদনি অমসুং ব্লাদরগী ইমেজিং টেষ্ট তৌবনি।

**লায়েংবা**

বেদৱেটিং (ফমুংদা য়ুং চিৎপা) অসি মথন্তা তৌজবনি, অতম্লনা তৌবা নত্তে, মরম অদুনা অঙাংদা চৈগনু, দন্দি পীবা নত্রগা ফু-চৈবা তৌরোইদবনি। মখোয়দা মরাল শিজিনবগী মহুত্তা নুঙাইতবা অদু মতম খরা লৈরগা ফখিগনি হায়না থাজহনগদবনি।

**(১) ইদজুকেসন অমদি মোটিবেস্নেল থেরাপি**

- অঙাং অদু বেদৱেটিংগী মতাংদা মপুং ফানা জ্ঞান তাহনগদবনি।
- বেদৱেটিং অসি মখোয়গী মরাল নত্তে, মরম অদুনা মখোয়দা শাওজিনবা চৈবা তৌরোইদবনি, মদুনা হেন্না শোকচিল্লকপা য়াই।
- বেদৱেটিংগী মতাংদা অতোপ্পনা লক্লরক্তনবা শেন্নগদবনি।
- বেদৱেটিংনা ৱাখল নুঙাইতবা লৈরিবা অদু হস্থহনগদবনি; মসিগীদমক খ্বায়দগী ফবা পাম্বৈদি, অঙাং অদুদা ইমুং মনুংনা মাগী মতেং পাংদুনা লৈ অমদি নুঙাইতবা অদু মতম খরগী মতুংদা মশা মতোমতা ফজখিগনি হায়না থেমদুনা থাজহনগদবনি।

> *চহী য়ামখৎলকপা মতমদা, থেমদুনা নুংশিনা লোয়নবা অমদি থাজহনবনা বেদৱেটিংগী নুঙাইতবা অদু ফগনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- দাইপরগী মহুত্তা ত্রেনিং খোংগ্রাও মচা শেৎহনগদবনি।
- নুমিদাংদা টোইলেট চৎপদা লাইনা চৎনবা মৈ ঙান্না থানবীগদবনি।
- তুম্বদা শেৎপা খোংগ্রাও অহেনবা অমা, মোম্পাকফিদক অমগা লোয়ননা টৱেল অমা নক্লনা থম্বীগদবনি, করিগুম্বা অঙাংদুনা মীৎকপ থোরকপদা চোৎশিল্লম্লবদি মশা মথন্তা হোংদোকচা য়ানবা।
- মোম্পাক অদু প্লাষ্টিক্লা কুপশিন্দুনা য়ুং হাঞ্জিল্লবসু শোক্তনবা শেমগদবনি।
- মোম্পাকফিদক্কী হেক মখাদা অথাবা টৱেল অমা য়ুং চুপশিন্নবা থমগনি। অয়ুক্তা নুংতিগী ঈরুজবা হৈনহন্দুনা য়ুংশা মনম লৈহল্লোইদবনি।
- য়ুং য়াঞ্জিন্দবা নুমিদাংদুগী ওইনা অঙাংদু থাগৎপিগদবনি, লোয়ননা অঙাং অদু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা খুদোলপোৎ মচা অমা পীবিগদবনি।
- মখোঙ হামদোকপা য়াদবা (কন্সটিপেসন) থওইদবা তৌরোইদবনি, য়েংথোকপীগদবনি।

**(২) মহি-মনাই (ফ্লুইদ) থকচিনবা হন্থহনগদবনি**

- তুমগদবা পুং ২ দগী ৩ ফাওবারোম ৱাৎলিঙৈদা ঈশিং নত্রগা মহি থকপা হন্থহনগদবনি। অদুবু অয়ুক নুংথিলদদি মপুং ফানা মহি পীথক্কদবনি।
- কেফিন (কোফি, চা), ক্কার্বোনেটেদ দ্রিঙ্কস (কোলা) অমদি চোকোলেট নুংথিলদা পিজ-পীথকওইদবনি। মখোয়না য়ুং হানবগী চাং হেনগৎহনবগা লোয়ননা তুম্বদা য়ুং চিৎশিনবগী মতেং ওইহল্লি।

**(৩) মপানথোকপা (য়ুং হান্দোকপা) নত্রগা ভোইদিংগী হৈনবীগী পাউতাক পীগদবনি**

- তুমদ্রিঙৈদা মপান থোক্তোকপা অনীরমক তৌহনগদবনি। অহানবা অদুনা তুম্বা মতমদা নুংতিগী কাওদনা তৌহনবা অদুগা অনীশুবা অদুনা তুমদোরে হায়বা কান্দা ওইহনগদবনি।
- নোংমগী চাং নাইবা মওংদা টোইলেট তৌথোকপগী হৈনবী থমগদবনি।

*তুম্মমদাইদা মহি মনাই থকপা হন্থহনগদবনি অমদি মপান থোকথোকপগী হৈনবী থম্বা য়ান্না মরুওইবা খোংথাংনি*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- পুং ৩ লোম তুমথরবা মতুং নুমিদাং খুদিংগী মপান থোকপা থেমদোকপীগদবনি। তঙাই ফদ্রবদি অলার্ম শিজিন্নগনি।
- ফমুংদা য়ুং হাঞ্জিনবা মতম অদু চাওরাকপা খঙদোকপা লোয়ননা অঙাং অদু হৌদোকপীবগী মতমসু শেমদোকপা য়াই।

**(৪) বেদৱেটিং অলার্মস**

- বেদৱেটিং নত্রগা চোৎশিনবগী অলার্মসনা চহী ৭ কী মথক্তা লৈবা অঙাংগী ওইনা বেদৱেটিং কন্ট্রোল তৌনবা খ্বায়দগী অফবা মেথদনি।
- অলার্ম অসিদা অঙাং অদুগী মনুংগী খোংগ্রাওদা সেন্সর অমা থম্মী। মসিনা অঙাং অদুনা তুম্লিঙৈদা য়ুং হাঞ্জিনবা হৌরকপদগী অহানবা মরিক অমা হেক থেংবগা খোংঙক্কনি, মতম অদুদা অঙাং অদু মীৎকপ থোক্তুনা টোইলেট ফাওবা চৎপা নংগনি।
- অলার্ম অসিনা অঙাং অদু য়ুং হাঞ্জিন্দ্রিঙৈদা মতম চপচানা মীৎকপ থোকহনবগী ট্রেনিং অমা পীবা ঙম্মী।

**(৫) ব্লাদর ট্রেনিং শাজেল**

- বেদৱেটিং তৌবা অঙাং অয়াম্বা ব্লাদর পীকই। ব্লাদর ট্রেনিংগী পান্দমদি ব্লাদরগী কেপাসিটি হেনগৎহনবনি।
- অয়ুক নুংথিলগী মতমদা অঙাং অদু ঈশিং য়াম্না থকহন্দুনা য়ুং হান্নীংবা অদু খাঙহন্দুনা লৈহনবনি।
- শাজেল তৌরবদি অঙাং অমনা মতম শাংনা য়ুং হান্দনা খাঙজিনবা ঙম্মী। মসিনা ব্লাদরগী মশল কনখৎহনবা অমদি কেপাসিটি হেনগৎহল্লি।

**(৬) ড্রগ থেরাপী**

হিদাক শিজিন্নবা অসিনা অরোইবা উপায়নি। চহী ৭ তগী হেল্লবা অঙাংশিংদা মসি শিজিন্নে। কান্নবা ফংই অদুবু হিদাক্না বেদৱেটিং পুংফ-ফহনবদি ঙমদে। হিদাকশিং অসিনা বেদৱেটিং মতম খরগী ওইনা লেপহনবগী খ্বায়দগী

| |
|---|
| *বেদৱেটিং অলার্ম অমদি ড্রগ থেরাপী অসি অয়াম্বনা চহী ৭ হেল্লবা অঙাংশিংদা শিজিন্নে।* |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ফবা উপায়নি। হিদাকশিং অসি লেপ্পবা মতুংদা বেদৱেটিং অমুক হৌগল্লি। মতম পুন্বগী ওইনা ফনবদি অলার্ম শিজিন্নবনা হিদাকতগী কান্নবা হেল্লি।

ক) **দেস্মোপ্রেসিন এসিটেট (দিদিএভিপি) :** দেস্মোপ্রেসিন টেবলেট অসি কৈথেলদা ফংই অমদি অতোপ্পা মেথদনা উপায় লৈরক্ত্রবদা চান্নবা ডাক্তরশিংনা ইগনি। দ্রগ অসিনা নুমিদাংদা অঙাংনা য়ুং পুথোকপগী চাং হন্থহল্লি। মরম অদুনা দ্রগ অসি য়ুংগী চাং য়াম্না পুথোকপা অঙাংশিং খক্তদা কান্নবা ফংই। হিদাক অসি চারিঙৈদা অঙাং অদুবু নুংথিলদা ঈশিং য়াম্না পীথকলোইদবনি। হিদাক অসি তুম্মমদাইদা পীজগনি অদুবু অঙাং অদুনা মরম অমদগী হান্না ঈশিং য়াম্না থকচিনখিবা নুমিৎ ওইরবদি পীজরোইদবনি। হিদাক অসি য়াম্না কান্নবা অমদি সাইদ ইফেক লৈত্রবসু মমল তাঙবা মরম্না মমা মপা কয়ানা লৈবা ঙম্মদে।

খ) **ইমিপ্রামিন :** ইমিপ্রামিন (ত্রাইসাইক্লিক এন্টিদিপ্রেসেন্ট) না ব্লাদরবু পোত্থাহনবা ঙম্মী অমদি মশল কনশিনহন্দুনা ব্লাদরনা য়ুং তুংশিনবগী পাঙ্গলসু হেনগৎহল্লি। হিদাক অসি থা ৩ দগী ৬ ফাওবা শিজিন্নে। হিদাক অসিগী কান্নবা য়াম্না থুনা ফংবা মরম্না তুমদ্রিঙৈ পুং অমা ৱাৎলিঙৈদা শিজিন্নে। দ্রগ অসি য়াম্না কান্নবা পী অদুবু মসিগী সাইদ ইফেক লৈবা মরম্না য়াম্না খল্লগা শিজিন্নে।

গ) **ওক্সিবুটিনিন :** ওক্সিবুটিনিন (এন্টিকোলিনরজিক) অসি অয়ুক নুংথিলদা য়ুং চিৎশিনবা (বেদৱেটিং) দা শিজিন্নে। দ্রগ অসিনা ব্লাদর চপশিনবা হন্থহল্লি অমদি মাগী কেপাসিতি হেনগৎহল্লি। সাইদ ইফেকতা চিন কংবা, মায় ঙাংশিনবা অমদি খোং হাম্বা য়াদবনি।

> *বেদৱেটিংগী ওইনা দ্রগনা লায়েংবা অসি য়াম্না কান্নবা অতেনবা মতমগী ওইনা লেপহনবনি, মসিনা ফহনবদি ঙমদে।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**অঙাংদা বেদৱেটিংগী নুংঙাইতবা লৈরকপদা ডাক্তর করম্বা মতমদা উন্নগদগে?**

করিগুম্বা ইমুং অমদা অঙাং বেদৱেটিংগী নুঙাইতবা লৈরগা ডাক্তর উন্নগদবা মতাং অদু করিগুম্বা অঙাং অদুদা মখাগীশিং অসি লৈরবা কান্দনি -

- অয়ুক-নুংথিলদসু বেদৱেটিং লৈরক্লবা।
- চহী ৭-৮ দগী মতুংদসু বেদৱেটিং তৌরক্লবা।
- থা ৬ মুক বেদৱেটিং লৈরুদ্রবা মতুং অমুক হৌরক্লবা।
- খোং হাম্বদসু কন্ত্রোল ঙম্লক্ত্রবা।
- মশা শাগৎপা, য়ুং তোইনা হানবা, হানবা মতমদা শাবা ফাওবা অমদি নাবা, মরম লৈতনা ঈশিং খৌরাংঙকপা অমদি মায় অমসুং খোং পোমখৎপা।
- য়ুং হানবদা য়াম্না তপ্পা থোরকপা অমসুং হানবদা মতমদা ৱাবা নত্রগা শংঙগা হানবা।

*অয়ুক নুংথিলদা তৌবা বেদৱেটিংদা লাইহৌ হৌবা, য়ুং হানবদা শাবা অমদি অতোপ্পা নুঙাইতবা লৈরবদি ডাক্তর তান্নগদবনি।*

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# চেপ্তর ২৫
# ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নাবশিংগী চিঞ্জাক

কিদনিগী মরু ওইবা থৌদাং অসি অমোৎপা অমদি ঈ শেংদোকপনি। মসিদসু নত্তনা কিদনিনা অহেনবা ঈশিং, মিনরেল অমদি কেমিকেল লৌথোকই; ঈশিং অমসুং সোদিয়ম, পোটাসিয়ম, কেলসিয়ম, ফোসফোরস অমদি বাইকারবোনেটকী চাং অসি হকচাংদা চাং অমদা লৈহল্লি।

ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নারবা মীওইশিংদা লৈবা হকচাংগী মহী অমদি ইলেকত্রোলায়টকী চাং অসি অকায়বা লাকই। মরম অসিনা ঈশিং চুম্না থকপা, থুম নত্রগা পোটাসিয়ম য়াওবা চিঞ্জাক চাবদা মহী অমদি ইলেকত্রোলায়টকী চাং খুদোং থিনিঙাই ওইবা মওংদা চাং খেৎনহনবা য়াই।

কিদনি নারকপা মতমদা অহেনবা প্রেসর পিশিন্দনবা অমদি মহী অমসুং ইলেকত্রোলায়টকী চাং খেৎনবা লৈহন্দনবা ক্রোনিক দিজিজ নারবা মীওইশিংনা ডাক্তর অমদি দাইটিসিয়ানগী পাউতাক্কী মতুংইন্না চিঞ্জাক শেমদোক্নুনা চাগদবনি। ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নারবা মীওইশিংগী অককবা দাইট (চিঞ্জাক) লৈতে। তোঙান তোঙানবা অনাবশিংদা মখোয় মখোয়গী নাবগী ফিভম, কিদনি ফেল ওইবগী তাঙ্কক অমদি অতোপ্পা নুঙাইতবশিং অদু য়েংলগা চিঞ্জাক খেৎনগনি। অনাবা অমবুসু মহাক্না নারিঙৈ মনুংগী তোঙান তোঙানবা মতমগা লোয়ননা চিঞ্জাকসু খেৎনগনি।

**ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সি কে দি) নারবশিংদা দাইটরি থেরাপীগী পান্দমশিং অদুদি :**

১) সি কে দি খুমাং চাওশিল্লকপা অদু তপথহনবা অমদি দাইএলাইসিসকী মথৌ তারকপা অদু য়ৈথোক্লবনি।

২) ঈদা য়াওবা হু চেনবা অহেনবা য়ুরিয়া হন্থহনবা।

৩) চান্নবা চিঞ্জাক্কী চপ চাবা ফিভম থম্না অমদি হকচাংগী অরুম-অয়াং চাংদা থম্না।

৪) মহী (ফ্লুইদ) অমসুং ইলেকত্রোলায়টকী অকায়বা লাকপদগী ওইরকপা অৰাবা হন্থহনবা।

৫) কারদিও ভাস্কুলর দিজিজকী অকীবা-নুংঙাইতবা হন্থহনবা।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**সি কে দি অনাবশিংদা দাইটরি থেরাপীগী মরুওইবা নিয়মশিং অদুদি-**

- নোংমদা প্রোটিন চাবগী চাং অসি হকচাংগী অরুম্বা কেজি অমদা গ্রাম ০.৮ দা হন্থগদবনি।
- পাঙ্গল (ইনর্জি) লৈনবা মতিক চাবা কার্বোহায়ড্রেট লৌশিনগদবনি।
- থাও (ফেট) গী চাং ময়াই ওইরপ লৌশিনগদবনি। বটর, ঘি অমসুং থাও হন্থগদবনি।
- পোমখৎপা য়াওরবদি ঈশিং নত্রগা অতোপ্পা মহী থকচিনবা হন্থগদবনি।
- তঙাই ফদবা চাংদা বিটামিন অমসুং ট্রেস ইলিমেন্ট পীশিনগদবনি। ফাইবর (মশিং) য়াম্না য়াওবা পোৎ চাবা ফৈ।

**সি কে দি অনাবশিংদা চিঞ্জাক খনবা অমদি শেমদোকপগী অকুপ্পা মরোলশিং -**

**১) কেলোরি ৱাংনা লৌশিনবা**

নোংমগী থবক ইংখাং তৌবা, টেম্পরেচর মেন্টেন তৌবা, চাওখৎপা অমসুং হকচাংগী অরুম্বা চাং অমদা থম্নবা কেলোরি মথৌ তাই। মরুওইনা কারবোহায়ড্রেট অমসুং ফেটতা কেলোরি য়াম্না য়াওই। সিকেদি নারবা মীওইশিংদা তঙাইফদবা কেলোরি অদু হকচাংগী অরুম্বা কেজি অমদা কিলোকেলোরি ৩৫ দগী ৪০ ফাওবনি। কেলোরি লৌশিনবা ৱাৎলবদি, প্রোটিন্না মহুৎ শিন্নে। প্রোটিন থুগাইদুনা কেলোরি ওন্থোকপা অসি হকচাং শোকনিঙাই ওই, মসিনা মচি ওইবা পোৎকী চাং হন্থহল্লি অমসুং অমোৎপা কান্নদবা পোৎ হেন্না পুথোকই। মরম অদুনা সিকেদি অনাবশিংদা কেলোরিগী চাং চপ চানা লৌশিনগদবনি। অনাবা অদুগী মতম অদুগী অরুম্বা নৎতনা লৈগদবা অরুম্বদা য়েংলগা তঙাইফদবা কেলোরি লৌশিনগদবনি। অরুম্বা অসি অনাবা অদুনা হান্না মচি ওইবা চাবা ৱাৎপা অমদি দাইএবিটিক্স লৈবশিংদা তাবা য়াই নত্রগা হেনবসু য়াই।

**কারবোহায়ড্রেটস**

হকচাংদা কেলোরি চাং খ্বায়দগী মরুওইনা কারবোহায়ড্রেটনা পী। কারবোহায়ড্রেটস অসি গেহু, হৱাই-চেংৱাই, চেং, আলু, উহৈ অমসুং মনামশিং, চিনি, খোহি, তল, কেক, মিঠাই অমদি থক্লবশিংদা মরাং কায়না

য়াওই। দাইএবিটিক অমদি মশা কাহেন্না নোইবা অনাবশিংনা কারবোহায়দ্রেট লৌশিনবা হন্তুগদবনি। খ্বায়দগী ফবদি কারবোহায়দ্রেট মপুং ওইনা য়াওবা হৱাই-চেংৱাই খুদম ওইনা গেহু মপুম, পোলিস তৌদ্রিবা চেং অমসুং জোহর, বজরা, রাগী, অমদি নাচনিগুম্বা মিলেটসশিং অসি শিজিন্নবনি। মখোয়দা ফাইবরগী শরুকসু অদুম্মক য়াওই। মখোয়শিং অসিনা কারবোহায়দ্রেটকী মপুং ওইবা শরুক ওইগদবনি নত্রগা সুগর য়াওবা পোৎলমশিংনা কারবোহায়দ্রেটকী চাং চাদা ২০ ওইগদবনি।

**ফেটস (মহাউ/থাউ)**

হকচাংদা তঙাইফদনা চঙবা কেলোরি পীবদা ফেটস (মহাউ) য়াম্না মরু ওই। অমদি মসিনা প্রোটিন নত্রগা কারবোহায়দ্রেটতগী কেলোরি য়াওবা শরুক অনী হেল্লি। অনসেচুরেটেদ ফেট নত্রগ 'অফবা' ফেট খুদম ওইনা ওলিব ওইল, পিনট ওইল, কেনোলা ওইল, সেফ্লোৱর ওইল, সনফ্লাৱর ওইল, ঙা অমদি নটসনা সেচুরেটেদ নত্রগা 'ফত্তবা' ফেট খুদম ওইনা রেদ মিট, য়েন-ঙানু, শঙ্গোম, বটর, ঘী, শঙ্গোম মপাল, য়ুবী অমদি ওকথাউদগী হেন্না ফৈ। সেচুরেটেদ ফেট অমদি কোলেষ্টেরোল চাবা হন্তুগদবনি মরমদি মখোয়না হার্টকী অনাবা অমদি কিদনি শোকহনবা য়াই।

অনসেচুরেটেদ ফেটশিংগী মনুংদা মোনোসেচুরেটেদ অমদুং পোলিসেচুরেটেদনা কয়া য়াম্বনো মুন্না খঙদোকপা ফৈ। ওমেগা-সিক্স পোলি অনসেচুরেটেদ ফেটি এসীদ (পিয়ুএফএ) চাং ৱাংনা চাশিনবা অমদি ওমেগা সিক্স অমসুং ওমেগা থ্রিগী রেসিও কা হেন্না ৱাংনা চাশিনবা হকচাং শোকনিঙাই ওই অমরোমদা রেসিও নেল্লবদি কান্নবা ফংই। চান্নবা থাও অমখক শিজিন্নববুদি মনা-মশিংদগী শুংবা থাও শিজিন্নবনা হেন্না ফবা ওই। ত্রান্স ফেট য়াওবা বনস্পতি/দালডা ঘী, আলু অতাওবা, দোনটস, কৈথেলগীদমক শেল্লবা অথুম্বা তল অমদি কেকনচিংবশিং শোকনিঙাই ওই চারোইদবনি।

**(২) প্রোটিন লৌশিনবা থিংবা**

হকচাং টিসু শেমজিনবা অমদি ফনা থম্নবা প্রোটিন চংই। মসিনা অশোকপা ওইশিলহনবা অমদি লাইজৌবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। প্রোটিন হন্থবনা কিদনিগী মথৌ হন্থহনবগী চাং অদু নেমথহন্দুনা দাইএলাইসিসকী মথৌ

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

তারকপা অমদি কিদনি ত্রান্সপ্লান্টেসন থেংথহল্লি। অদুবু মরম লৈতনা প্রোটিন হন্থবদি কান্নদে মদুনা মরম ওইরগা মচি ওইবা ৱাৎলকপা, অরুম্বা হন্থরকপা, পাঙ্গল ৱাৎলকপা অমদি হকচাংগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী চাং হন্থরক্তুনা শিবগী লম্বেল নকশিল্লকপসু য়াই।

ইন্দিয়াদা মীওই অয়াম্বা মনা-মশিংগী চিঞ্জাক চান্নে। শা-ঙা চাবা মীওইশিং অদুসু নুমিৎ খুদিংগী চাবা নত্তে। সমাজগী লৈরিবা শেল-থুম পায়বা অমসুং পায়দবা কাংলুপশিংগী ইমুংদা প্রোটিন চাবগী চাং অসি ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওব মেদিকেল রিছার্স (আই সি এম আর) না পীবা হকচাংগী অরুম্বা কেজি অমদা প্রোটিন গ্রাম অমা চাগদবা অসি ফাওবা য়ৌদ্রিবনি। মরম অদুনা সিকেদি গী থাক হেঞ্জিল্লবা মতমদা প্রোটিন হকচাংগী অরুম্বা কেজি অমদা গ্রাম ০.৮ দা হন্থগদবনি হায়বসিসু মমিংগী ৱানি। মরু ওইরিবদি প্রোটিনগী ক্বালিতি অদুনি। বাইওলোজিকেল ভেল্যু ৱাংবা (কেজি অমদা গ্রাম ০.৪ দগী ০.৬) য়াওবা শঙ্গোমগী পোৎথাকশিং অফম্বা মপাল (কর্দ), পনির (শঙ্গোম সানা), শুংদোল্লবা সোয়াবিন পাউদর, সোয়া মরু, সোয়া চঙ্কস, য়েরুমগী অঙৌবা শরুকনচিংবা অদুগা নন-বেজিটরেনিয়ানশিংগী ওইনা য়েরুমগী অঙৌবা শরুক নুংতিগী চাবা অমসুং অফবা থাও য়াওবা ঙা চাবদা পুক্লিং হেন্না চংবা ফৈ।

**(৩) মহী (ফ্লুইদ) থকচিনবা (লৌশিনবা)**

**সিকেদিগী অনাবশিংনা মহী লৌশিনবদা চেকশিনগদৌরিবসি করিগীনো?**

হকচাংদা অহেনবা ঈশিংগী শরুক অদু য়ুং ওইনা লৌথোক্তুনা হকচাং মনুংদা ঈশিংগী চাং অসি চপ চানা থমলিবনি। সিকেদি অনাবশিংগী কিদনিগী মথৌ হন্থরকপনা য়ুংগী চাং হন্থরকই। য়ুং য়াম্না পুথোক্তবনা হকচাং মনুংদা ঈশিং তুংশিনবা অমদি মায় পোমখৎপা হৌরকই, খোং অমসুং খুৎ য়াওরক্কনি অদুগা ব্লদ প্রেসরসু ৱাংখৎকনি। লংসতা ঈশিং তুংশিনবনা শ্বর হোনবদা থবট থবট তৎকনি। মসি লাকশিলহৌদ্রবদি পুন্সি মাঙনিঙাই ওই।

**হকচাংদা ঈশিং হেন্না য়াওরকপগী ওইবা য়াবা মরমশিং করিনো?**

হকচাংদা ঈশিং অহেনবা য়াওববু ফ্লুইদ ওভরলোদ কৌই। পোমখৎপা, এসিটিজ (ফুগাম কামবা)/(পুক্তা ঈশিং হেন্না তুংশিন্দুনা কংখৎপা), শ্বর

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

হোনবদা থবট থবট তৎপা, অতেনবা মতমদা হকচাং লুম্বা খংহেন হেনগৎপনচিংবা অসি ফ্লুইদ ওভরলোদকী ওইরকপা য়াবা মরমশিংনি।

**ফ্লুইদ ইনটেক ফাজিন্নবা সিকেদি অনাবশিংনা করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি?**

মহী-মনাই হেনবা নত্রগা ৱাৎপগী মতাংদা শোয়দনবা ডাক্তরনা পীরকপা পাউতাক্কী মতুংইন্না লৌশিনগদবনি। অনাবা অমগা অনাবা অমগা খেৎনবনি অদুনা ঈশিং লৌশিনবগী চাং অদু অনাবা অদুগী য়ুং চৎপগী চাং অমদি অতোপ্পা মহীগী ফিভম য়েংলগা হোৎকনি।

**সিকেদি অনাবা অমনা ফ্লুইদ কয়া য়াম্না লৌশিনবগী পাউতাক লৈবগে?**

- পোমখৎপা য়াওদবা অমদি য়ুংসু হান্নগী চাংদা অদুম্মক পুথোকপা অনাবশিংদদি ঈশিং নত্রগা অতোপ্পা মহী থকচিনবা থিংবগী ৱাফম লৈতে। অদুবু ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নারবা মীশিংনা কিদনি কন্ননবা ঈশিং হেন্না থকচিনগদবনি হায়বদু লান্না থাজনবনি।
- পোমখৎপা য়াওরক্লবা অমদি য়ুং পুথোকপগী চাং হন্থরবা ফ্লুইদ লৌশিনবা হন্থগদবনি। পোমখৎপা হন্থনবা, পুং ২৪ দা থকচিনবা য়াবা মহীগী চাং অসি নোংমদা হান্দোকখিবা য়ুংগী চাং অদু ফাওবনি।
- মহী-মনাই (ফ্লুইদ) ওভরলোদ নত্রগা ৱাৎপদগী কোক্লনবা, নোংমদা লৌশিনবা য়ারিবা মহীগী চাং অসি নোংমা মমাংগী য়ুংগী চাং অদুদা এম এল ৫০০ হাপচিনবা। হুমাং থোকখিবা অমদি শ্বর হোনবদা মাঙখিবা মহীগী চাং অদু এম এল ৫০০ না মেনখৎপা ঙম্মী।

**করিগীদমক্তা সিকেদি অনাবশিংনা মশাগী অরুম্বা নুংতিগী ওন্দুনা রেকের্ড অমা থমগদৌরিবনো?**

হকচাংদা য়াওবা মহীগী চাং য়েংশিন্নবা অমদি মহী হেনগৎপা নত্রগা হন্থব্রা খঙদোক্লবা অনাবশিংনা মশাগী অরুম্বা নুমিৎ খুদিংগী ওন্দুনা রেকোর্দ তৌগদবনি। মহী লৌশিনবগী পাউতাকশিং নিংথিনা ইল্লবদি মশাগী অরুম্বা হোংদনা লৈবা য়াই। খঙহৌদনা অরুম্বা হেনগৎলক্লবদি ফ্লুইদ ওভরলোদনি, মসি মহী লৌশিনবা হেনবদগীনি। অসিগুম্বা অনাবশিংনা মহী লৌশিনবদা অথীংবা নিয়ম চুম্না থমগদবনি। অরুম্বা হন্থরকপগী মরম অসি মহী লৌশিনবা

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ৱাৎপা অমদি দাইয়ুরেটিক্সতা রেস্পোঞ্জ তৌরকপননি।

**মহী লৌশিনবা হন্থনবা কান্নবা ৱারোল খর :**

মহী মনাই লৌশিনবা অসি থিংবা য়াম্না লুই, অদুবু মখাগী ময়ামশিং অসিনা মতেং পীগনি।

১) ইশাগী অরুম্বা নুমিৎ খুদিংগী ওন্দুনা মদুগী অৱাৎ-অহেন শেমদোকপা য়াই।

২) ডাক্তরনা অনাবা অদুনা নোংমদা থকচিনবা য়াবা মহীগী মতাংদা পাউতাক পীরক্কনি। মসিগা মরী লৈননা থকপা মতমদা ওল্লগা নুমিৎ খুদিংগী থক্কনি। কাওরোইদবদি মহী থকপা হায়রগা ঈশিং খক্তা নত্তে, চা, কোফি, শঙ্গোম, শঙ্গোম অফম্বা, বটরমিল্ক, হৈ-মহী, অইস ক্রিম, কোল্ড ড্রিঙ্কস, সুপ, হৱাই মহী নচিংবনি। মহী কয়াম থকচিনখ্রবগে হায়বদু ঐখোয়না চাবা অতোপ্পা চিঞ্জাক্তসু য়াওখিবা মহীশিং অদুসু খঙজিনগদবনি। তরবুজ, অঙ্গুর, খামেন অশিনবা, এঞ্চাং মহী, এঞ্চাং ওইনা শিজিন্নবা মনা-মসিংশিং, চান্নবা বরবনচিংবশিং ঈশিংগী শরুক য়াম্না য়াওবনা চাবদা চেকশিনগদৌবনি।

৩) চাবদা থুম য়াম্না য়াওবা, মরু মরাং য়াম্বা অমদি তাওথোক্লবা চান্নবা পোৎ হন্থগদবনি মরমদি মখোয়না ঈশিং খৌরাংহল্লি অদুগা মহীগী চাং হেন্না লৌশিল্লি।

৪) ঈশিং খৌরাংলকান্দতা থক্কদবনি। হৈনবী ওইনা ঈশিং থকলোইদবনি নত্রগা মী অতৈনা থক্লে হায়দুনা মতৌ তমদুনা থকলোইদবনি।

৫) ঈশিং খৌরাংক্লবা মতমদা ঈশিং য়ামদনা থক্কদবনি নত্রগা বরব ওইনা শিনবা য়াই। বরব মতুম মচা অমা উম্মগা চুপ্পনা হেন্না কান্নগনি। খৌনাউদা ঈশিংদগী বরবনা হেন্না কুইনা লৈবা মরম্না খৌরাংবগী চাং হন্থবদা মতম শাংনা লৌই। অদুবু বরবসু ঐখোয়না মহী থকচিনবদা হাপচিনবনি কাওরোইদবনি। হেন্না লায়নবা থক্কদবা ঈশিংগী চাং অদু বরব ওনহল্লগা শিজিন্নগদবনি।

৬) চিন অমদি খৌনাউ কংবা চেকশিনগদবনি। ঈশিং থকচিনববুদি ঈশিং খরা লৌরগা থক্তবিদা তেংথোকঅগা ওথোকখিবা য়াই। মিথাই চুপ্পা, চম্প্রা

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

মচেৎ নত্রগা নুশি হিদাক অমসুং মাউথৱাস শিজিন্নদুনা খৌনাউ চোৎহনবা য়াই।

৭) অয়াম্বা মতমদা পাত্রা মচা শিজিন্নদুনা থক্কদবা চাং হন্থহনবা য়াই।

৮) চাবা লোয়রবা মতুংদা ঈশিং থকপা মতমদা হিদাক চাহৌদুনা অহেনবা ঈশিং হন্থহনবা য়াই।

৯) অনাবা অদু থবক চিলহনগদবনি। থবক লৈত্রবদি তন্থদুনা ঈশিং হেন্না থকচিনবা য়াওই।

১০) দাইএবেটিকশিংগী ঈদা চিনিগী চাং ৱাংবনা খৌরাংবা হেনগৎহল্লি। মরম অদুনা দাইএবিটিজ কন্ট্রোল তৌগদবনি।

১১) শাবগী চাং হেনগৎলকপদা খৌরাংবা হেনগৎকনি। মরম অদুনা অইংবা মফমদা লৈবনা হেননা ফৈ অমসুং লৈগদবনি।

**নোংমদা করম্না ওল্লগা মহীগী শরুক অসি চপ চানা থক্কনি?**

- ডাক্তরনা পীরকপা পাউতাক্কী মতুং ইন্না পাত্রা অমা ওল্লগা ঈশিং নুংতিগী থক্কনি।
- অনাবা অদুনা কাওরোইদবদি নোংমদা থকপা য়াবা মহীগী চাংদগী হেনবা য়াদে হায়বসিনি।
- করিগুম্বা অনাবা অদুনা ঈশিং নত্তবা অতোপ্পা মহী অমা থকপা তারবদি, চপ মান্নবা ঈশিং থক্কদবা চাং অদু পাত্রা অদুদগী লৌথোক্লগা হৈদোকখিগদবনি।
- পাত্রা অদুনা হাঙলক্লবা মতমদা অনাবা অদুনা নুমিৎ অদুগী থক্লবগী শরুক লোইরে মখা তাবা য়াদ্রে হায়বসি কাওরোইদবনি। অনাবা অদুনা অহেনবা মহী থকচিন্দনবা নোংমগী ওইনা মহীশিং অদু চাং মান্ননা মতম কাল্ল-কাল্লগা থক্কদবনি।
- মসিগী কন্ট্রোল তৌবগী থৌওং অসি নুংতিগী তৌগদবনি।
- অসিগুম্বা অচম্বা খোংথাং অসিনা নোংমদা থক্কদবা মহীগী চাং অদু অনাবদা চপ চানা পীদুনা অহেনবা ঈশিং/মহী থকহন্দবা য়াই।

**(৪) থুম (সোল্ট) হন্থনা চাবা**

**সিকেদি অনাবশিংদা থুম য়ামদবা চিঞ্জাক চাও হায়রিবসি করিগীনো?**

ঐখোয়গী নোংমগী চিঞ্জাক্তা থুমনা হকচাংগী ঈগী শরুক শেমজিন শাজিল্লি অমসুং ব্লদ প্রেসর কন্ত্রোল তৌদুনা থমই। সোদিয়ম চাং নাইহনবদা কিদনিগী অচৌবা থৌদাং লৈ। সিকেদি নারবা মীওইগী কিদনিনা অহেনবা সোদিয়ম অমসুং মহী লৌথোকপা ঙমদে মরম অদুনা হকচাংদা সোদিয়ম অমসুং ঈশিংগী শরুক হেনগৎলকই।

হকচাংদা সোদিয়মগী চাং হেনগৎপনা খৌরাংবা হেনগৎহল্লি, পোমখৎহল্লি, শ্বর হোনবদা নুঙাইহন্দে অমসুং ব্লদ প্রেসর হেনগৎহল্লি। মসিগী নুঙাইতবা অসি হন্থনবা সিকেদিগী অনাবশিংনা মখোয়না চাবা চিঞ্জাক্তা সোদিয়ম হন্থবা নত্রগা থিংগদবনি।

**থুমগা সোদিয়মগা করি খেৎনবগে?**

সোদিয়ম অমদি সোল্ট (থুম) অসি অয়াম্বা মতমদা অর্থ মান্নবা ৱাহৈ ওইনা শিজিন্নৈ। ঐখোয়না চাবদা শিজিন্নরিবা থুম (কম্মন সোল্ট) অসি সোদিয়ম ক্লোরাইদনি, মদিদা সোদিয়ম চাদা ৪০ য়াওই। ঐখোয়গী হকচাংদা চংবা সোদিয়মগী শরুক অসি থুমদগী ফংবা ঙমই। অদুবু থুমনা সোদিয়মগী ফংফম অমখক্তা ওইদে। ঐখোয়গী চিঞ্জাক্তা সোদিয়ম য়াওবা কম্পাউন্দ কয়ামরুম অমা লৈরি, খুদম ওইনা -

- সোদিয়ম অলজিনেট - আইচক্রিম অমসুং শঙ্গোমগী চোকোলেটতা।
- সোদিয়ম বাইকারবোনেট - সোদা অমসুং বেকিং পাউদর।
- সোদিয়ম বেনজোএট - সোচ শেন্বদা প্রিজাবেটিব ওইনা শিজৈন্নবা।
- সোদিয়ম সাইত্রেট - দেজার্টস, জেলাটিন অমদি বিভরেজশিংগী মহাও হেনগৎনবা শিজিন্নৈ।
- সোদিয়ম নাইত্রেট - শা মতুম লীনবা (প্রিজাবেটিব) অমদি মচু শঙবদ।
- সোদিয়ম সেকারাইদ - খুৎশেমগী অথুম্বা শেন্বদা।
- সোদিয়ম সলফাইট - অকংবা হৈ মচু হোংলক্তনবা।

মথক্তা পনখিবা কম্পাউন্দশিং অসিদা সোদিয়ম য়াওই অদুবু থুমদৌনা য়াক্তে। মখোয়দা সোদিয়ম লোৎতুনা য়াওই।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**মী অমনা থুম কয়াম চাগদগে?**

ইন্দিয়াগী মীয়াম্না চাংচৎতা নোংমা থুম গ্রাম ৬ তগী ৮ ফাওবা চান্নে। সিকেদি নারবা মীওইশিংনা ডাক্তরগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না থুম চাগদবনি। পোমখৎপা অমদি ব্লদ প্রেসর ৱাংবা অনাবশিংদা ডাক্তরনা নোংমদা থুম গ্রাম ৩ চাবা য়াহল্লি।

**করম করম্বা চিঞ্জাক্তা সোদিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওবগে?**

সোদিয়ম ৱাংনা য়াওবা চিঞ্জাকশিং অদুদি :

১) চান্নবা থুম (কমন সোল্ট), বেকিং পাউদর।

২) পাপর, থুম য়াওবা অচার, থুম থাকপা চতনি, সোচ, চাত মশালা, অমসুং সামভরশিংনি।

৩) বিস্কুট, কেক, পিজা অমসুং ব্রেদনচিংবা বেক তৌরবা চিঞ্জাক।

৪) কুকিং সোদা নত্রগা বেকিং সোদা য়াওবা চিঞ্জাক; খুদম ওইনা ইন্দিয়ানা চান্নবা পোৎশিং পকোরা, সমোসা, গনথিয়াস, ধোক্লাস, রাগদা পেটিস, দহি বদাজ নচিংবা।

৫) ৱেফরস, চিপস, পোপকোর্ন, থুম য়াওবা লৈবাক হৱাই, থুম য়াওবা অকংবা উহৈ - কেসু নট, পিস্টাচিওস, কৌতাদা হাল্লবা চান্নবনচিংবা অমদি রেদিমেদ ওইনা শেমলবা ইন্দিয়াগী অচাপোৎ - সেব, শিবাদা, শাক্রি, মাথ্রিন চিংবনি।

৬) থুম য়াওবা কৈথেলদা ফংবা বটর অমসুং চিজ।

৭) থুনা শেম্মগা চাবা য়াবা, নুদলস, স্পাগেটি, মাকারোনি, কোর্নফ্লেকনচিংবনি।

৮) কোবি, কোবি থমচেৎ, স্পিনাচ, ফেনুগ্রিক মনা, রেদিস, বিটরুট, ফদিগোম মনানচিংবা।

৯) থুম থাক্লবা লাশি, মসালা সোদা, খুদক্তা শেম্বা চম্প্রা মহী অমসুং য়ুবী মহিনি।

১০) সোদিয়ম বাইকারবোনেট টেবলেট, এন্টাসিদ, লেক্সেটিবস নচিংবা।

১১) নন-বেজিটরেনিয়ন ওইবা শা-মতুম, চিক্কন (য়েনশা) অমসুং কিদনি, লিভর অমদি ব্রেনগুম্বা শাগী পার্টশিং।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

১২) সমুদ্রদা ফংবা ক্রেব, লোবস্টর, ওস্টর, স্রিম্ফ অমদি থাও য়াম্না য়াওবা কোলস্বী, কুরাঙ, কেকরা, অমসুং বনগদানচিংবা ঙা অমসুং ঙা অকংবা।

**চাবদা সোদিয়ম হন্থনবা পাউতাক খরা :**

১) থুম চাবা হন্থবা অমসুং অহেনবা থুম অমদি বেকিং সোদা চাবদা হন্থবা থুম য়াওহন্দনবা হান্না থোংলবা মতুং চারমদায়দা চঙগদবা চাং হাপ্লগা চাবা। মসিনা নুংতিগী চাবা চিঞ্জাক্তা থুম হন্থহনবগী খ্বায়দগী ফবা লম্বেলনি।

২) মথক্তা পনখিবা সোদিয়ম চাং ৱাংনা য়াওবা চিঞ্জাক চাবা হন্থবা।

৩) দাইনিং টেবলদা থুম তোঙান্না হাপ্লগা চারোইদবনি; টেবলদগী থুম চফু লৌথোক্কদবনি। সলাদ, বটরমিল্ক, চাক, চপাতি, ভাখারি, পরাথানচিংবদা থুম হাপচিন্দবা।

৪) কৈথেলদা ফংবা পেক অমদি প্রোসেস তৌরবা চান্নবা পোৎতা থারিবা ৱাহৈ পরেং মুন্না য়েংগদবনি। সোদিয়ম কম্পাউন্দ য়াওদবা চান্নবা পোৎ ওইনা খনগদবনি। খুদম “সোদিয়মফ্রি” নত্রগা “লো সোদিয়ম” থাবা য়েংগদবনি।

৫) হিদাক্তা সোদিয়ম য়াওব্রা য়েংগদবনি।

৬) সোদিয়ম চাং ৱাংনা য়াওবা মনা-মশিং হান্না ফুৎতোক্কদবনি। ঈশিং অদু হৈদোকখিগদবনি। মসিনা মনা-মশিং অদুদগী সোদিয়মগী শরুক হন্থহনবা ঙমগনি।

৭) থুম য়াম্না য়াওদবা চিঞ্জাক হাওহন্নবা চনম, তিলহৌ, চম্প্রা মহি, আমচুর, টেজপটা, মঙ্গে, ভিনেগর, চিনামোন, কারদমোন, লোং, সেফ্রোন, মোরোক অতেকপা (অশংবা), নটমেগ, কালমির্চ, মিথি, কেনেল, পোপি মরু নচিংবা হাপ্পা য়াই।

৮) চেকশিনগদবা ! থুমগী মহুৎশিনবা পোৎশক শিজিন্নরোইদবনি, মরমদি মখোয়দা পোটাসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওই। মসিনা ঈদা পোটাসিয়মগী চাং হেনগৎহন্দুনা সিকেদি অনাবশিং খুদোংথিবা চাংদা হায়গৎহনবা য়াই।

৯) সোপ্ত ৱাটর থকলোইদবনি। ঈশিং সোপ্ত ওইহন্নবা হোৎনবদা কেলসিয়মগী মহুৎতা সোদিয়ম ওইনা হাপচিল্লি। রিভর্স ওসমোসিস

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

প্রোসেসনা শেংদোক্লবা ঈশিংদা সোদিয়মদা নত্তনা অতোপ্পা মিনরেলসু চাং নেম্না য়াওই।

১০) রেষ্টোরেন্টতা চাবা মতমদা সোদিয়ম য়াম্না য়াওদবা চিঞ্জাক খনগদবনি।

**৫) চিঞ্জাক্তা পোটাসিয়ম হন্থবা**

**সিকেদি অনাবশিংগী চিঞ্জাক্তা পোটাসিয়ম হন্থহল্লিবগী মরম করিনো?**

হকচাংদা মরুওইনা মিনরেল অমা পোটাসিয়ম্না ওইরি। হকচাংদা মশল থবক ফজনা তৌহনবা, মপাঙ্গল কলহনবা অমসুং হার্ট বিট চাং নাইহনবগী থবক পোটাসিয়ম্না তৌই।

হকচাংদা পোটাসিয়মগী চঙগদবা চাং অদু চিঞ্জাক্তা য়াওরকপা পোটাসিয়ম্না ওইহল্লী অদুগা অহেনবা অদুনা য়ুংদা লৌথোকখি। সিকেদি নারবা মীওই অমদা পোটাসিয়ম লৌথোকখিবগী চাং অসি হন্থরকই, মসিনা ঈদা পোটাসিয়ম হেনগৎহন্দুনা হায়পরকালমিয়া হায়বা অনাবা অমুক য়াওহল্লকই। দাইএলাইসিস পেসেন্ট মখল অনী চাংদম্নবদা হায়পরকালেমিয়া লাকপগী চাং অসি পেরিটোনিয়েল হিমোদাইএলাইসিসতগী হন্থে। খেৎনবগী মখল অসি পেরিটোনিয়েল দাইএলাইসিসনা লেপ্তুনা তৌগদবনি অদুগা হিমোদাইএলাইসিসতি মরক মরক্তা তৌবনি। পোটাসিয়মগী চাং ৱাংলবদি মশল শোন্থবা নত্রগা হার্ট বিট চাং নাইদবা য়াই, মদুনা খুদোংথিনিঙাই ওই। পোটাসিয়মগী চাং য়াম্না ৱাংলবদি খঙহৌদনা হার্ট লেপখিবা য়াই অদুগা শিবসু য়াই। মসিনা লাইওং উৎতনা নত্রগা করিগুম্বা খুদম অমত্তা পীদনা শিবা য়াবা ফিভম ওইহল্লী (সাইলেন্ট কিল্লর হায়নসু খঙনৈ)।

অসিগুম্বসি ওইরক্তনবা সিকেদি অনাবশিংদা পোটাসিয়ম য়াওদবা চিঞ্জাক চান্নবা পাউতাক পী।

**ঈদা নোর্মেল ওইবা পোটাসিয়মগী চাং অদু কয়ানো? করম্বা মতমদা ৱাংই হায়না লৌবগে?**

- ঈদা নোর্মেল ওইবা পোটাসিয়মগী চাং অসি 3.5 mEq/l দগী 5.0 mEq.l নি।
- পোটাসিয়মগী চাং অসি 5.0 দগী 6.0 mEq/l য়ৌরক্লবদি চিঞ্জাক শেমদোকপা য়ারে।
- পোটাসিয়মগী চাং অসি 6.0mEq/l দগী হেল্লবদি, খুদোংথিনিঙাই ওইরে, হন্থনবা থবক পায়খৎপা য়ারে।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- পোটাসিয়মগী চাং অসি 7.0 mEq/l দগী হেল্লবদি শিবা য়াবা মতাং য়ৌরক্লে, খুদক্তা লায়েংগদবনি।

**পোটাসিয়মগী চাংগী মতুং ইন্না চান্নবা পোৎলমশিং মখল খায়দোকপা**

ঈদা পোটাসিয়মগী চাং কন্ট্রোল তৌনবা ডাক্তরগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না চিঞ্জাক মখল শেমদোক্কদবনি। পোটাসিয়ম য়াওবগী চাংগী মতুং ইন্না চিঞ্জাক অসি মখল অহুম থোক্লা খায়দোকই (চিঞ্জাক্তা পোটাসিয়ম য়াম্না ৱাংনা য়াওবা, ময়ায়ওইরপ য়াওবা অমদি য়াম্না নেম্না য়াওবা)

পোটাসিয়ম ৱাংবা চিঞ্জাক - 200 mg/100gm দগী হেনবা

পোটাসিয়ম মায়য় ওইরপ য়াওবা - 100-200 mg/100gm

পোটাসিয়ম নেম্বা চিঞ্জাক - 100 mg/100 gm দগী নেম্বা।

**পোটাসিয়ম ৱাংবা চিঞ্জাক**

- উহৈ : হৈগ্রু, অশংবা এপ্রিকোট, লফোই অমুনবা, চেরি, চিকু, য়ুবী, কষ্টার্দ এপল, গুজবেরি, কিৱি ফ্রুট, চম্প্রা, হৈনৌ অমুনবা, মক্স মেলোন, মোসম্বী, চুন্থ্রে, বোরোই অমসুং সপোটা।
- মনা-মশিং : অমরনাথ, খামেন, ব্রোকোলি, হৱাই অশাংবী, পান, ফদিগোম, উয়েন, অৱাথবী অশংবা, আলু, স্পিনাস, মংগ্রা, দ্রমষ্টিক অমসুং সুরন (য়াম)।
- হৈ অকংবা : কেসু নট, অলমোন্দ, থাংতুপ, হৈবোং অকংবা, কিসমিস, হৈজুগাক।
- চেং-য়াম (পলস) : বজ্রা, রাগী অমসুং গেহু অতকপা।
- হৱায়-মরু : শগোল হৱাই, চানা, চানা দাল, বেঙ্গল চানা, চানা দাল অশংবা, মসুর দাল, মুগ, অঙাংবা চানা, হৱাই মুসোরী অমদি টুর দালনি।
- মসালা : জীরা মরু, ফদিগোম মরু, মরোক অকংবা, ফেনুগ্রিক মরু।
- নন-ভেজিটরেনিয়ান : এনকোবি ঙা, মেকরেল, রোহু, পোমপ্রেট অঙৌবা, মকু অকনবা পানবা খজিং, ৱাইখু অমদি লোবষ্টর অমসুং যন-শা নি।
- থক্লবা মহী : বোর্নবিতা, য়ুবী মহী, কোফি, কন্দেন্স মিল্ক, চোকোলেট মহী থক্লবা, খুদক্তা শুন্বা হৈ মহী, রসম (দাল), সুপ, বিয়র, ৱাইন অমসুং এরেটেদ ড্রিঙ্কস।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

- মখল-মথেল : চোকোলেট, কেদব্যুরি, চোকোলেটকী কেক, চোকোলেট আইস ক্রিম, লো - না সোল্ট (থুম মহুৎশিনবা), আলু চীপ অমসুং খামেন অশিনবা সুপ।

**পোটাসিয়ম ময়াই ওইনা য়াওবা চিঞ্জাক**

- উহৈ : লিটচি, স্বিট লাইম, কমফোই, অমসুং তরবুজ।
- মনা-মশিং : বিট রুট, লফোই অশংবা, কারোট অখাবী, গাজর, সেলেরি, কোবি-লৈ, ফ্রেন্স বিন, ভেলন্দ্রি, তিলহৌ, মাইরেন, হঙ্গাম মুলা, চুজাক অথুম্বা, সাফ্লাৰর মনা অমসুং খামেন অশিনবা।
- চেং-য়াম (পলস) : বার্লি, মৈদা, জোৱর, গেহুদগী শাবা নুদলস, চেং অমদি ভরমিসিলি গেহু।
- নন-ভেজিটরেনিয়ান : চিটল, হিলসা, কাটলা, মগুর, লিবর।
- থক্লবা মহী : ষনগী শঙ্গোম অমদি শঙ্গোম অফম্বা।
- মখল-মথেল : কালামির্চ, লোংপাল, এলাচি, অমসুং গরম মসালা।

**পোটাসিয়ম য়ামদনা য়াওবা চিঞ্জাক**

- উহৈ : শেম, ব্লেকবেরি, চেরি, পুংথোন, কোমলা, অৱাথবী অমুনবা, নাসপতি, কিহোম, রোজ এপল (জাম্বু উহৈ) অমদি ষ্ট্রোবেরি।
- মনা-মশিং : বোটল গোর্দ (দুধি), হৱাই অপাকপা (পাপরি), কেপসিকম, রিজদ গোর্দ (টুরিয়া), থবী, মেথি-মনা, চনম, লেটুজ, হৱাইথরাক অশংবা, হৈনৌ অশংবা, পোইন্টেদ গোর্দ (পৎবর), টিন্ দা (টেন্দর) নি।
- চেং-য়াম (পলস) : চেং, ৰাভা অমসুং গেহু (সেমোলিনানি।
- হৱাই-মরু : হরাইথ্রাক অশংবা।
- নন-ভেজিটরেনিয়ন : ষন-শা, য়াও-শা, য়েনশা অমসুং য়েরুম।
- থক্লবা মহী : ইরোই শঙ্গোম, কো-কা কোলা, ফেন্টা, চম্প্রা মহী, চম্প্রা মহী হাপ্পা অতোপ্পা মহী, লিমকা, রিমজিম অমসুং সোদা।
- মখল-মথেল : শিং অকংবা, খোহি, নুংশি হিদাক মনা, হঙ্গাম, নটমেগ অমসুং ভিনেগরনি।

**চিঞ্জাক্তা পোটাসিয়ম হন্থহনবা পাউতাক**

১) নোংমদা হৈ অমখক চাবা, মদুসু পোটাসিয়ম য়াম্না য়াওদবা।

২) নোংমদা চা নত্রগা কোফি কপ অমখক থকপা।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

৩) পোটাসিয়ম হন্থহল্লবা মতুং (মখাদা পীরি) মনা-মশিং চাবা।

৪) মথক্তা পনখিবা পোসিয়ম য়াম্না ৱাংনা য়াওবা হৈ মহী, য়ুবী মহিনচিংবা থক্তবা।

৫) চানবা চিঞ্জাক অয়াম্বা পোটাসিয়ম য়াওই, মরম অদুনা য়ারিবমখৈ পোটাসিয়ম য়াম্না য়াওদবা খল্লগা চাবা।

৬) পোটাসিয়ম হন্থবা অসি সিকেদি অনাবশিংনা দাইএলাইসিস তৌদ্রিঙৈদসু অমদি দাইএলাইসিস হৌরবসু পাঙথোক্কনি।

**মনা-মশিংদা করম্না পোটাসিয়ম য়াওবা হন্থহনগদগে?**

- মকু খোক্তোক্কনি অদুগা য়াম্না কুপ্না শোইবা।
- ঈশিং লুম্বু-লুম্বু শাবনা চামথোক্লবা মতুং অচৌবা চফু/পাত্রা অমদা হাপ্পা।
- চফু অদু ঈশিং অশাবা (মনা-মশিংদগী ঈশিংনা শরুক ৪-৫ হেনগনি) হাপ্পা পুং ১ রোম তিঙবা।
- পুং ২-৩ রোম তিঙলবা মতুং ঈশিং লুম্বু শাবনা অহুল্লক চামথোকপা।
- মতুংদা মনা-মশিং অদু ফুৎলগা অহেনবা ঈশিং হৈদোকপা।
- ফুৎতোক্লবা মনা-মশিং অদু অপাম্বা মওংদা থোংবা য়ারে।
- অসুম্না পোটাসিয়ম য়াওবগী চাং হন্থহনগনি অদুনা চাদা চাম্মা লৌথোকপা ঙমদবা মরম্না পোটাসিয়ম য়াম্না য়াওদবা চিঞ্জাক খনগদবনি।
- মনা-মশিং থোংদোকপদা বিটামিন লোয়না মাঙখিগনি, মরম অদুনা বিটামিন সপ্লিমেন্ট ডাক্তরগী পাউতাক মতুং ইন্না চাগদবনি।

**আলুদগী পোটাসিয়ম চুমথোকপগী পাউতাক**

- আলু খায়দোক্তুনা মচা-মচা তাথোকপা মরু ওই। মসিনা ঈশিংদা আলু অদুগী শরুক অয়াম্বা ঈশিংগা থেংনগদৌরিবনি।
- আলু ফুটকদৌরিবা ঈশিং শাবগী চাং অদুনা খেৎনবা পুরকই।
- আলু ফুটপদা ঈশিং য়াম্না হাপ্পনা কান্নবা হেল্লি।

৬) **চাবদা ফোসফরস হন্থবা**

**সিকেদি অনাবশিংনা ফোসফোরস য়ামদবা চিঞ্জাক চাগদৌরিবা অসি করিগীনো?**

- শরু কন্নবা অমদি মশা-ফনবা ফোসফোরস মরু ওইবা মিনরেলনি। অদুগা অহেনবা ফোসফোরস অদুনা য়ুংদা লৌথোকই। অসুম্না ঈদা

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ফোসফোরসকী চাং ৱাংহন-হেলন্দনা থম্মী।

- য়াওগদবা ফোসফোরসকী চাং অদু 4.0-5.5 mg/dl নি।
- সিকেদি নারবা মীওইশিংনা চাবদা অহেনবা ফোসফোরসশিং অদু য়ুংদা লৌথোক্তে মরম অদুনা ঈদা চাং হেনগৎলকই। মসিনা শরুদগী কেলসিয়ম চিংথোক্তুনা মপাঙ্গল হন্থহল্লি।
- ফোসফোরসকী চাং হেনগৎপনা হাকজবা, মশল অমসুং শরু শোন্থহনবা, শরু নাবা, শরু ফাজিনবা অমদি তাং চিকপনি। শরু ফাজিনবা নত্রগা লিঙ-লিঙ লাওবনা ফ্রেকচর তৌবদা মতেং পাঙই।

**ফোসফোরস য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক হন্থগদ্রা ?**

ফোসফোরস য়াওবা চিঞ্জাকশিং অদুদি :

- শঙ্গোম অমদি শঙ্গোমগী পোথোক : বটর, চিজ, চোকোলেট, কনদেন্স মিল্ক, আইস ক্রিম, মিল্ক সেক, পনির।
- হৈ অকঙবা : কেসু নট, অলঘোন্দ, পিস্টাসিওস, য়ুবী অকংবা, ৱালনট।
- কোল্ড ড্রিঙ্ক : কোলা অমুবা, ফেন্টা, মজা, ফ্রুটি, বিয়র।
- গজর, পান মনা, চুজাক, লৈবাক হৱাই, হরাইথ্রাক, মঙ্গ্রা।
- শাগী প্রোটিন : শা অশেন্বা, য়েনশা, লা অমসুং য়েরুম।

৭) **বিটামিন অমদি ফাইবর ৱাংবা চিঞ্জাক চাবা**

দাইএলাইসিস হৌরকপদা চিঞ্জাক ককথবনা মরম ওইদুনা বিটামিন ৱাৎপগী নুঙাইতবা সিকেদি অনাবশিংদা থেংনৈ। পোটাসিয়ম লৌথোক্তুনা চিঞ্জাক অদু হাওরক্তবনা চানিং থকনিংহন্দে। ঈশিংদা তুন্বা বিটামিন-বি অমসুং সি, ফোলিক এসীদনচিংবা দাইএলাইসিস মতমদা মাঙই। অসুম্না মাঙখিবা নত্রগা চাবদা ৱাৎপা বিটামিনশিং অসি মেনখৎনবা বিটামিন হেন্না চাশিনবা মথৌ তাই। ফাইবর য়াম্না য়াওবা চিঞ্জাক চাশিনবা সিকেদি অনাবশিংগী ওইনা য়াম্না কান্নে। মরম অদুনা অনাবশিংদা অতেকপা মনা মশিং অমদি বিটামিন অমসুং ফাইবর য়াওবা হৈ চাশিনবা মথৌ তাই।

**নোংমগী চান্নবা চিঞ্জাক শেমদোক শেমজিন তৌবা**

সিকেদি অনাবশিংনা নোংমগী চাবা মতমদা চাশিনগদবা অমদি থকচিনগদবশিং অদু হান্না শেমদোক শেমজিন তৌগনি। অমদি দাইটিসিয়ান অমনা নেফ্রোলোজিষ্টকী পাউতাক্কী মতুং ইন্না শেমদোক্কনি।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**দাইট শেম্বগী তোইনা শিজিন্নবা চৎনা পথাপশিং**

১) ঈশিং অমদি অতোপ্পা মহী লৌশিনবা - মহী লৌশিনবগী অথিংবা অদু ডাক্তরগী পাউতাক্কী মতুং ইনগদবনি। নুংতিগী অরুম্বা চেক তৌগদবনি। অরুম্বা মরম লৈতনা হেনগৎলক্লবদি মহী থকচিনবা হেনগৎলে তাকপনি।

২) কারবোহাইদ্রেট : পলস অমদি হৱাই চেংৱাইগা লোয়ননা মতিকচাবা কেলোরি হকচাংদা ফংহনগদবনি। অনাবা অদুনা চিনি নত্রগা গ্লুকোজ য়াওবা চিঞ্জক চাবা য়াই, করিগুম্বা মহাক্না দাইবেটিক ওইদ্রবদি।

৩) প্রোটিন : শঙ্গোম, পলস, হৱাই-চেংৱাই, য়েরুম, য়েনশানা প্রোটিনগী মরু ওইবা হৌরকফমনি। দাইএলাইসিস হৌদ্রিবা সিকেদি নারবা মীওইশিংনা মখোয়গী চিঞ্জাক্তা প্রোটিন হন্থগদবনি। নোংমদা হকচাংগী অরুম্বগী মতুং ইন্না কেজি অমদা প্রোটিন গ্রাম ০.৮ চাগদবনি। অদুবু দাইএলাইসিস হৌরবদি প্রোটিন ৱাংবা চিঞ্জাক চাশিনবা য়ারে (মরুওইনা পেরিটোনিএল দাইএলাইসিসতা)। শাদা য়াওবা প্রোটিনদি চারোইদবনি খুদম ওইনা অশেম্বা শা, য়েনষা, অমদি ঙা চারোইদবনি মরমদি মখোয়দা প্রোটিন পোটাসিয়ম অমসুং ফোসফোরসকী চাং য়াম্না য়াওই। শাগী প্রোটিন পুম্নমক্না সিকেদি অনাবাশিংদা শোকহল্লি।

৪) মহাও (ফেট) : চিঞ্জাক্তা য়াওবা ফেটকি শরুক হন্থহনগদবনি অদুবু বটর, ঘিনচিংবা পুম্নমক ককথৎপদি মাঙনিঙাই ওই। সোয়াবিন থাও, লৈবাকহৱাই থাও হকচাংদা কান্নবা পী অদুবু চাং য়ামদনা চাবনা অফবা ওইগনি।

৫) থুম : অনাবা অয়াম্বা থুমগী চাং হন্থনা চাবা মথৌ তাই। পুখম মচিদা থুম হাপলোইদবনি। বেকিং পাউদর য়াওরগা শেম্বা/থোংবা চিঞ্জাক চারোইদবনি। অদুবু চাদবা য়াদ্রগদি চাং য়াম্না হন্থগদবনি। থুমগী মহুৎশিনবা অতোপ্পা পোৎ পোটাসিয়ম চাং ৱাংনা য়াওবনিনা চারোইদবনি।

৬) চোং-য়াম (পলস) : চেং নত্রগা মসিগী পোৎথোক চেম্পাক, কুরমুরা (চেং পোপথোকহনবা) চাবা য়াই। অমখক্কী মহাওদা লৈবগী মহুত্তা গেহু, চেং, পোহা, সাগো, সেমেতলিনা, য়াম, গেহু কোনফ্লেক শিন-শিন্দুনা চাবা য়াই। চাং য়ামদনা বারলি, বজ্রা, অমসুং চুজাক চাবা য়াই।

৭) হৱাই-মরু : হৱাই মখলশুনা শিন-শিন্দুনা চাবা য়াই। হৱাই থোংবদা মহী য়াওবনা নোংমদা মহী কয়াম লৌশিনখ্রগে হায়বদু চেকশিনগদবনি।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

মহী লাংহনবগী মহুৎতা নঙ-নঙ লাওহনবনা হেন্না ফৈ। ডাক্তরগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না হৱাই চাগদবনি।

৮) হৱাইদগী পোটাসিয়ম লৌথোক্লবা চামথোক্লবা মতুং ঈশিং অশাবদা তিংদুনা অমুক লৌখৎকদবনি। ফুটলবা মতুংদসু মহী চিথোক্কদবনি। মদুগী মতুংদা থোংবা য়ারে। চাক অমসুং হৱাইগী মহুৎ শিনবা ওইনা খিচরি নত্রগা দোসা চাবা য়াই।

৯) উহৈ : শেম, অৱাথবী, বেরিনচিংবা পোটাসিয়ম য়াম্না য়াওদবা উহৈ নোংমদা অমা চাবা য়াই। দাইএলাইসিস তৌবা নুমিৎনা উহৈ অমদগী হেনবা য়াদে। হৈ মহী অমদি য়ুবী মহী থকলোইদবনি।

১০) মনা-মশিং : পোটাসিয়ম নেম্না য়াওবা মনা-মশিং চাবা য়াই। পোটাসিয়ম ৱাংনা য়াওবশিং অদুনা হান্না পোটাসিয়ম লৌথোক্লবা মতুংদা চাগদবনি। হাওবা হেন্নবা চম্প্রা মহী হাপচিনবা য়াই।

১১) শঙ্গোম অমদি শঙ্গোমগী পোৎথোক : শঙ্গোম এমএল ৩০০ দগী ৩৫০ নত্রগা খির, আইস ক্রিম, শঙ্গোম অফম্বা, মৎথা চাবা য়াই। অদুগা মহী হন্থনবগীদমক চাং হন্থনা চাবা তাই।

১২) কোল্ড ড্রিঙ্কস : পেপসি, ফেন্টা, ফ্রুটি থকলোইদবনি। হৈ মহী নত্রগা য়ুবী মহী থকলোইদবনি।

১৩) হৈ অকংবা : হৈ অকংবা, লৈবাক হৱাই, থোইদিং মরু, য়ুবী অহিংবা নত্রগা অকাংবা চারোইদবনি।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# গ্লোসরি অমসুং এব্রিবিএসন

## গ্লোসরি

**একুযট কিদনি ফেলর (শোকপা) :** খঙহৌদনা নত্রগা য়াম্না থুনা কিনিগী মথৌশিং লেপশিল্লকপা। অসিগুম্বা অশোকপা অসি মতম খরগীনি অমদি অমুক হন্না ফগৎলকপা য়াই।

**এনিমিয়া :** ঈদা হিমোগ্লোবিনগী চাং হন্থরকপা অদুবুনি। মসিনা হকচাং শোন্থবা, চোকথবা অমদি শ্বর থবেৎ থবেৎ হোনবা। এনিমিয়া অসি সিকেদিদদি তোয়না থেংনৈ অমদি কিদনিনা ইরিথ্রোপোআইতিন পুথোকপা হন্থবদগী ওইরকই।

**ওটোমেটেদ পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (এপিদি) :** সিসিপিদি দা য়েংসি।

**অর্টেরিওভেনস ফিস্টুলা (এভি ফিস্টুলা) :** পাম্বোমদা ওপরেসন তৌদুনা আর্টরি অমসুং ভেন শম্নহনবনি। এভি ফিস্টুলাদদি অচৌবা ভেনদগী য়াম্লবা ঈগী শরুক অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা চংশিল্লক্তুনা ভেন অদু লাওথোকহল্লি। লাওথোল্লবা ভেন অসিনা হিমোদাইএলাইসিসতা মথৌ তাবা য়েৎতুম থিংজিনবদা কোম্না য়াহল্লি। কুইনা দাইএলাইসিস তৌগদবশিংগী ওইনদি বাস্কুলর এসেস তৌবা য়ানবা য়াম্না ফবা মেথদনি।

**অর্টিফিএল কিদনি দাইএলাইজরদা য়েংউ বোনিঙ প্রোস্টেটিক হায়পরপ্লাসিয়া (বিপিঐচ) :** নুপানা চহী য়ামশিল্লকপগা প্রোস্টেট গ্লান চাওথোকপা হায়বসি হৌনশানি। বিপিঐচ হায়বসি চহি য়াম্লবা নুপাশিংদা কেন্সরস ওইদবা প্রোস্টেটিক চাওথোকপনি। মসিনা য়ুরিথ্রা নমশিনবা, য়ুংগী খোংজেল থিংগৎপা অমদি য়ুং হানবদা নুঙাইতবা পোকহল্লি।

**ব্লদ প্রেসর :** হার্টনা ঈ থাদোরকপা মতমদা ঈগী উতোংশিংগী ৱালদা চেল্লকলিবা ঈগী খোংজেলনা পীবা শাফু অদুবু ব্লদ প্রেসরনি। ব্লদ প্রেসর অসি য়াম্না মরুওইবা খুদম পীবা ওইরি। মসিগী ওনবদা মশিং অনি চংই। অহানবা মশিং অদুনা সিষ্টোলিক প্রেসর কৌই, মসিনা হার্টনা কন্ট্রেক তৌরকপদা থোরকপা খ্বায়দগী য়াম্বা প্রেসরনি। অনীশুবা মশিং অদুনা দাইএষ্টোলিক প্রেসর কৌই। মসি হার্টনা কনট্রেক তৌখ্রবা পোথারিঙৈদা লৈবা পেসর অদুনি।

**ব্রেন দেথ :** অব্রেন দেথ হায়বসি য়াম্না শাথিনা হেঞ্জিল্লবা হোংদোকপা য়াদবা মওংদা ব্রেন্দা শোকপা অদুনি, মেডিকেল নত্রগা সর্জিকেল ট্রিটমেন্ট তৌরবসু

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

ফবা ঙমদে। ব্রেন দেথতা অশিবা মীওই অদুগী শ্বর হোনবা অমদি ঈ চেলহনবা অদু খুৎশেম্না ওইহনবনি।

**কেদাবেরিক কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন :** দিসিস কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন্দা য়েংউ।

**কেলসিয়ম :** হকচাংদা খ্বায়দগী চাং ৱাংনা য়াওবা মিনরেলনি, শরু অমদি য়া চাওখৎলকপা অমদি শেমজিন-শাজিনবদা চংদবা য়াদবা মচাকনি। শঙ্গোম অমদি শঙ্গোমগী পোৎথোক খুদম ওইনা য়োগর্ট (শঙ্গোম মপান) অমদি চিজ কেলশিয়ম য়াম্না য়াওবা পোৎশকনি।

**হিমোদাইএলাইসিসকী কেথেটর :** মসি থেকথোক থেকচিন য়াম্না য়াবা, মখুল অনী পানবা অহোবা উতোংনি। মখুল অমদগীনা হকচাংগী ঈ অদু চিংথোক্লগা দাইএলাইসিস সার্ক্যুটতা শেংদোক্লবা চংলক্কনি অদুগা অতোপ্পা মখুল অমদা শেংদোক্লগা হকচাংদা অমুক চংখিগদবনি। মখুল অনী পানবা কেথেটর হাপ্পা অসি য়াম্না তোইনা তৌনবা অমদি য়াম্না কান্নবা ইমরজেন্সি অমদি মতম খরগী ওইনা হিমোদাইএলিাইসিসকী মেথদনি।

**কন্টিনুৱস এম্বুলেটরি পেরিটোনিয়ল দাইএলাইসিস (সিএপিদি) :** সিএপিদি অসি দাইএলাইসিস মখল অমনি, মসি মীওই অমনা মেছিন য়াওদনা য়ুমদা তৌবা য়াবনি। দাইএলাইসিস মখল অসিদা মহি অদু চাং নাইনা হোংদোক হোংজিন তৌই হায়বদি নোংমদা পুং ২৪ অমদি চৱোলদা নুমিৎ ৭ নি তৌবা য়াই।

**কন্টিনুৱস সাইক্লিং পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (সিসিপিদি) :** সিসিপিদি নত্রগা ওটোমেটেদ পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস (এপিদি) অসি য়ুমদা ওটোমেটেদ সাইক্লর মেছিন শিজিন্নদুনা নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোকপা কন্টিনুৱস পেরিটোনিএল দাইএলাইসিসনি। সিসিপিদিদা মেছিন অমনা অনাবা অদুনা নুমিদাংদা তুম্লিঙৈদা হকচাং অদু শেংদোকপগী থবক তৌগদৌরিবনি।

**ক্রিএটিনিন অমসুং য়ুরিয়া :** মখোয়সি প্রোটিন মেটাবোলিজমগী কায়থরকপা অরেমখাক ঙাক্তনি। মখোয়শিং অসি কিদনিনা লৌথোক্লিবনি। চাংচৎতা য়াওগদবা সেরম ক্রিএটিনিনগী থাক অসি মিলিগ্রাম ০.৮ দগী ১.৪% নি অদুগা য়ুরিয়াগীনা মিলিগ্রাম ২ দগীনা ৪% ফাওবনি। কিদনি ফেল ওইরকপা মতমদা য়ুরিয়া অমসুং ক্রিএটিনিনগী চাং অসি ঈদা ৱাংখৎলকই।

**ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সিকেদি) :** তপ্না-তপ্না মতম শাংনা থা খরদগী চহি

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

রোমদা কিদনিগী মথৌ অসি হনগৎপা ঙমদনা শোকশিল্লকপা অদুবু ক্রোনিক কিদনি দিজিজনি। লায়েংবা ঙমদবা লায়না মখল অসিদা কিদনিগী মথৌ অসি তপ্পা-তপ্পা লেপ্তুনা হন্থরকনি। মতম শাংলক্লগা কিদনিগী মথৌ পুমলেপ-লেপ্পা মতাং অমা লাক্কনি। মসিবু য়াম্না হেঞ্জিল্লবা অমদি থৱায় মাঙনিঙাই ওইরবা এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ (ইএসকেদি) কৌই।

**সিষ্টোস্কোপি :** ব্লাদর অমসুং য়ুরিথ্রা মনুংদা করি অশোয়বা লৈবগে য়েংনবা মঙাল য়াওজবা য়াম্না পীকপা সিষ্টোস্কোপ কৌবা খুৎলাই অমা ডাক্তরনা শিজিন্নদুনা য়েংবা অদুবু সিষ্টোস্কোপি কৌই।

**দিসিজ (কেদাবরিক) কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন :** ব্রেন দেথ ওইরবা মীওই অমদগী শোক্তবা দোনেট তৌরক্লবা কিদনি অদু ক্রোনিক কিদনি দিজিজ নারবা মীওইদা শিজিন্নবগী ওপরেসন অদুবুনি।

**দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ (নিফ্রোপেথি) :** মতম শাংনা দাইএবিটিস লৈরক্লবদি কিদনি ঈ উতোং মচাশিং অদু শোকহল্লকই। মসি য়ুংদা প্রোটিন মাঙবা হৌরকই। মসিনা হায়পর্টেন্সন, পোমখৎপা অমসুং তপ্পা-তপ্পা কিদনি শোকহল্লকই। মমৈদা সেবিয়র কিদনি ফেলর (এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ) ওইরকই। অসিগুম্বা দাইএবিটিসনা কিদনি শোকহল্লকপা অদুবু দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ কৌই। অনৌবা ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সিকেদি) নাবা চাদা ৪০ দগীনা ৫০ ফাওবদি দাইএবিটিক কিদনি দিজিজনা মরম ওইহল্লি।

**দাইএলাইসিস :** কিদনি ফেল ওইরবা অনাবা অমগী হকচাংদগী ঈদা য়াওবা ফত্তবা অমদি অহেনবা ঈশিং খুৎশেমগী কিদনি শিজিন্নদুনা ঈ শেংদোকপা অদুবু দাইএলাইসিস কৌই।

**দাইএলাইজর :** হিমোদাইএলাইসিসকী থবক্তা ঈবু ফিলটর তৌদুনা অরেম্বা ফত্তবা অমদি অহেনবা ঈশিং লৌথোক্লিবা খুৎশেমগী কিদনি অদুবু দাইএলাইজর কৌই।

**দাইয়ুরেটিক্স :** হকচাংদগী য়ুংগী মওংদা অহেনবা ঈশিং লৌথোক্লবা হোৎনহনবা ঙম্বা দ্রগ অদুবু দাইয়ুরেটিক্স কৌই। মখোয়সি ৱাটর পিলস হায়রগসু খঙনৈ।

**ড্রাইৱেথ :** দাইএলাইসিস তৌরুবা মতুং অহেনবা মহি লৌথোকখ্রগা লৈহৌবা মীওই অমগী অরুম্বা অদুবু ড্রাইৱেথ হায়রগা খঙনৈ।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**দ্বেল টাইম :** পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস মনুংদা পিদি ফ্লুইদনা পুক মনুংদা লৈবা মতম অদুবু দ্বেল টাইম হায়না খঙনৈ।

**ইজিএফআর :** ইজিএফআর (ইষ্টিমেটেদ গ্লোমেরুলর ফিলট্রেসন রেট) অসি ঈদা ক্রিএটিন লেভেল খঙদোকপা অমদি অতোপ্পা মচাক য়েংথোক্লবা হোৎনবা হোৎলগা ফংবা মশিং অদুবু খঙনৈ। ইজিএফআরনা কিদনি মথৌ নিংথিনা তৌরিব্রা য়েংথোকপদা শিজিন্নৈ মসিগী নোর্মেল ভেল্যু অসি ৯০ নত্রগা হেনবনি। ইজিএফআর টেষ্ট অসি সিকেদি নারকপগী থাক, লাইওং লেপথোকপা য়েংশিনবদা শিজিন্নৈ।

**ইলেকট্রোলায়টস :** ঐখোয়গী হকচাংদা মরুওইবা থবক কয়া পাঙথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা সোদিয়ম, পোটাসিয়ম অমসুং কেলসিয়মগুম্বা মিনরেল কয়া য়াওরি। অসিগুম্বা কেমিকেলশিং অসিবু ইলেকট্রোলায়টস কৌই। কিদনিনা অসিগুম্বা ইলেকট্রোলায়টশিং অসি ঈদা চাং হোংহন্দনা থম্মী, কিদনি অনাবা লৈরবা মীওইশিংদা ইলেকট্রোলায়টকী চাং অসি খঙদোক্লবা ঈ টেষ্ট তৌগনি।

**এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ (ইএসকেদি) :** ক্রোনিক কিদনি দিজিজ গী হেঞ্জিল্লবা থাক (সিকেদিগী থাক ৫) অদুবু এন্দ-ষ্টেজ কিদনি দিজিজ (ইএসকেদি) নত্রগা এন্দ ষ্টেজ রিনেল দিজিজ (ইএসআরদি) কৌই। সিকেদিগী ষ্টেজ অসিদা কিদনি অনিমক মথৌ শুংতৌ তৌবা ঙমদবা নত্রগা তৌবা ঙল্লোইদবগী মতাং অদু য়ৌরে। ইএসকেদি অনাবশিং লায়েংবা তঙাইফদে, খুদম ওইনা দাইএলাইসিস নত্রগা ট্রান্সপ্লান্টেসন তৌদুনা অফবা পুন্সি মরেল ফংনবা হোৎনগনি।

**ইরিথ্রোপোআইটিন (ইপিও) :** বোন মেরোদা রেদ ব্লদ শেল শেম্বদা মতেং পাংবা কিদনিনা পুথোকপা হোর্মোননি। করিগুম্বা কিদনি শোকপা তারবদি মখোয়না ইরিথেরাপোন্টইটিন মতিকচানা পুথোকপা ঙমদবদগী রেদ ব্লদ সেল পুথোকপা হ্রাৎপদগী এনিমিয়া ওইহল্লকই। কিদনি ফেলরনা মরম ওইরগা এনিমিয়া নারকপা লায়েংনবা কাপ্পা য়াবা মওংদা ইরিথ্রোপোন্টইটিন ফংই।

**এক্সচেঞ্জ :** থাক অহুম চংবা পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস কী মপুং ফাবা সাইকল অদুবু এক্সচেঞ্জ হায়না খঙনৈ। অহানবা থাক অদু পুক্তা দাইএলাইসিস মহি কাপশিনবনি। অনীশুবা থাক্লা পুক্তা পুংজা কয়া লৈহন্দুনা ঈদগী দাইএলাইসিস মহিদা অহেনবা হকচাংগী মহি অমদি হু চেনবা মচাকশিং চংহনবনি (দ্বেল হায়নসু

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

খঙনৈ)। অদুগা অহুমশুবা থাক অদুনা দাইএলাইসিস মহি অদু মপান্দা থোকহনবনি।

**এক্সট্রাকের্পোরিএল সোক ৰেব লিথোত্রিপসি (ইএসদব্লিউএল) :** ঈশিং মরীদা লৈবা নুঙশিং অদু লিথোত্রিপটর মেছিন্না য়াম্না কুঙবা সোক ৰেব থাজিন্দুনা থুগাইবগী থবকনি। নুঙশিং অদু মচেৎ মচেৎ থুগাইদুনা য়ুংগা কোন্ননা মপান্দা থোকখিবা ঙম্মী। কিদনি নুঙ লৈতনবা লায়েংদা তোইনা শিজিন্নবা য়াম্না কান্নবা মেথদ অমা ইএসদব্লিউএল না ওইরি।

**ফিস্টুলা :** আর্টেরিওভিনস ফিস্টুলাদা য়েংউ।

**গ্রাফট :** মতম কুইনা হিমোদাইএলাইসিস পাঙথোক্নবা খুৎলাইনি। মসি সিনথেটিক্কী অথোৎপা উতোং অমনি মসিনা আর্টরি অমসুং ভেন অমগা পাম্বোমদা শমজিন্নহল্লি। হায়রিবা গ্রাফট অসিদা হিমোদাইএলাইসিসকী মতমদা য়েৎতুম্না থিনজিল্লি।

**হিমোদাইএলাইসিস :** খ্বায়দগী পাম্নবা কিদনি ফেলর লায়েংবগী মখল অমনি। হিমোদাইএলাইসিসতা দাইলাইসিস মেছিন শিজিন্নদুনা খুৎশেমগী কিদনি অমগা লোয়ননা ঈ শেংদোকই।

**হিমোগ্লোবিন :** ৰেদ ব্লদ সেলদা য়াওবা প্রোটিন মোলিকুল অমনি, মসিনা লংসতগী ওক্সিজেন পুরগা হকচাংগী টিসুশিংদা য়ৌহল্লি অমসুং লংসকী টিসুদগী কার্বোনদাইওক্সাইদ পুরকই। হিমোগ্লোবিন অসিগী চাং ওন্থোক্নুনা ৰাৎলবদি এনিমিয়া নারে হায়না লৌই।

**হায়পরকালেমিয়া :** সেরম পোটাসিয়মগী নের্মেল ওইবা চাং অসি ৩.৫ তগীনা ৫.০ mEq/L নি। ঈদা পোটাসিয়মগী চাং অসি ৰাংখৎলক্লবা মতমদা হায়পরকালেমিয়া হায়না খঙনৈ। ফিভম অসি কিদনি ফেলরদা থেংনৈ, মসি থৱাই মাঙনিঙাই ওই অমদি অথুবদা মেডিকেলগী লাইয়েং তঙাইফদে।

**হায়পরটেন্সন :** ব্লদ প্রেসর ৰাংখৎপবু হায়পরটেন্সন কৌই।

**ইম্যুনোসপ্রেসেন্ট দ্রগ :** হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেম শোন্থহনবা (হন্থহনবা) হিদাকনি লোয়ননা মসিনা ট্রান্সপ্লান্ট তৌরকপা ওর্গান অমা হকচাংনা রিজেক তৌবদগী থিংবা ঙম্মী।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**ইন্ত্রাভেনস য়ুরোগ্রাম (আইভিয়ু) :** আইওদিন য়াওবা মচু খঙদোক্লবা মহি অমা ইন্ত্রাভেনসতা কাপ্পুনা য়ুরিনরি সিষ্টেমগী এক্সরে মখল কয়া লৌদুনা থিজিনবা অদুবু ইন্ত্রাভেনস য়ুরোগ্রাম হায়না খঙনৈ। টেষ্ট অসিনা কিদনিগী ফংসন অমসুং য়ুরিনরি ট্রেক্কী শক্তমসু খঙহনবা ঙম্মী।

**কিদনি বাইওপসি :** কিদনিগী টিসু মচেৎ অমা য়েৎতুম্না লৌরগা মাইক্রোস্কোপ্তা কুপ্না য়েংদুনা কিদনিগী লাইওং লেপথোকপগী থবক অদুবু কিদনি বাইওপসি হায়রগা খঙনৈ।

**কিদনি ফেলর :** কিদনিগী থবক শোকচিল্লক্তুনা ঈদগী হু চেনবা পোৎলম অমদি অহেনবা কান্নবা অরেমখাক ফিলটর তৌবা ঙম্লক্তবা থাক অদুবু খঙনৈ। ঈদা য়ুরিয়া অমসুং ক্রিএটিনিন য়াওবা হেনগৎলকপা কিদনি ফেলরগী মশক তাকই।

**মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া :** য়ুংদা চাং য়ামদ্রবসু মরম চাদনা অলবুমিন য়াওরকপা অদুবু মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া হায়রগা খঙনৈ। মসি য়াওরকপদা দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ হৌরকএ হায়বা খঙনৈ।

**মিক্টুরেটিং সিষ্টোয়ুরিথ্রোগ্রাম :** ভোইদিং সিষ্টো য়ুরিথ্রোগ্রামদা য়েংউ।

**নিফ্রোন :** কিদনি থবক তৌহনবগী য়ুনিটনি, মসিনা ঈবু ফিল্টর তৌদুনা শেংদোকহনবগী থৌদাং লৌই। কিদনি নাম্মদা নিফ্রোন মিলিয়ন অমরোম য়াওই।

**নিফ্রোলোজিষ্ট :** কিদনি লায়নাশিংদা অখন্ননা হৈরবা ফিজিসিয়ানবু খঙনৈ।

**নিফ্রোটিক সিন্দ্রোম :** অঙাংশিংদা য়াম্না তোইনা থেংনবা য়ুংদা প্রোটিন মাঙবা (নোংমদা গ্রাম ৩.৫ দগী হেনবা) ঈদা প্রোটিনগী চাং হন্থরকপা, কোলেষ্টেরোলগী চাং ৱাংবা অমসুং পোমখৎপা অদুবু নিফ্রোটিক সিন্দ্রোম হায়না খঙনৈ।

**পেয়র্দ কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন :** এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজগী অনাবশিংগীদমক অফবা কিদনি দোনেট তৌগে হায়বা মীওই কয়া লৈ অদুবু ব্লদ গ্রুপ নত্রগা ক্রোস মেটচ চান্নদবগী নুঙাইতবসিদি অদুম্মক লৈ। পেয়র্দ ট্রান্সপ্লান্টেসনগী মখাদা অহিংবা কিদনি দোনর অনি এক্সচেঞ্জ তৌনহন্দুনা চান্নদবা দোনর/রিসিপিয়েন্ট জুরা অনিনা চান্নবা জুরা অমা শেম্বা অদুনি।

**পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস :** কিদনি ফেলর লায়েংবদা য়াম্না কান্নবা লায়েং মখল অমনি। মসিদা অখন্নবা কেথেটর অমগী মতেংনা ঈ শোংদোক্লবগীদমক দাইএলাইসিস মহি অদু পুক্কী শরুকতা কাপশিনগনি। মহি অসিনা ঈদগী অরেমখাক

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

অমদি অহনবা ঈশিংগী শরুক লৌথোকই। মহি অদু পুক্তগী মপুং ফানা চিংথোকঅগা মপান্দা মাংহনখি।

**পেরিটোনিটিস :** পুক্কী মনুংদা লাইজৌবা মখল অমনি। পেরিটোনিটিস অসি পেরিটোনিএল দাইএলাইসিসকী তোয়না থেংনবা নুংঙাইবা হেঞ্জিল্লকপা মখল অমনি। মসি মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি থৱায় মাঙবা য়াই।

**ফোসফরস :** কেলসিয়মগী হেক মথংদা হকচাংদা খ্বায়দগী চাং য়াম্না য়াওবা মিনরেলনি। মসিনা কেলসিয়মগা লোয়ননা অফবা অকনবা য়া অমসু শরু শেম্বদা মতেং পাঙই। শঙ্গোম, য়েরুম, সিরিএলস, নটস অমদি মিটতা ফোসফরস মরাং কাইনা য়াওই।

**পোলিসিষ্টিক কিদনি দিজিজ (পিকেদি) :** পিকেদি অসি য়াম্না তোয়না থেংনবা জেনেটিক দিসওদর অমনি। লায়না অসিদা কিদনিগী শরুক্তা সিষ্ট (মহি য়াওবা খাওগুম্বা) ময়াম অমা শৌগৎলকপনি। ক্রোনিক কিদনি দিজিজশিংগী মনুংদা মরিশুবা খ্বায়দগী মরুওইবা মরমনি।

**পোটাসিয়ম :** হকচাংগী নর্ভ, হার্ট অমসুং মশলগী মথৌ মপুং ফাহন্নবা য়াম্না মরুওইবা মিনরেল অমনি। অনৌবা উহৈ-ৱাহৈ, শেম্বদা ঙাইরিবা হৈ-মহি, য়ুবি মহি অমসুং হৈ-অকংবদা পোটাসিয়ম মরাং কায়না য়াওই।

**প্রি-এমটিক কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন :** মতম শাংনা দাইএলাইসিস থেরাপি তৌরুরবা মতুংদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন অসি তৌনৈ। দাইএলাইসিস তৌদ্রিঙৈদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা অদুবু প্রিএমটিব কিদনি ট্রান্সপ্লান্টেসন কৌই।

**প্রোটিন :** হকচাং চাওখৎনবা, শেমজিন্নবা অমসুং ফিভম হোংহন্দনবা চিঞ্জাক মখল অহুমগী মনুংদা প্রোটিনসু অমনি। পলস, শঙ্গোম, য়েরুম অমদি শাগী পোৎথোকশিংদা প্রোটিন মরাং কায়না য়াওই।

**প্রোটিনুরিয়া :** য়ুংদা প্রোটিন কা হেন্না য়াওরকপা অদুবু খঙনৈ।

**রিজেক্সন :** হকচাংনা মশাগী নত্তবা অতোপ্পা ট্রান্সপ্লান্ট ওর্গান অমা চংলকএ খঙবা অমদি মদুবু থুগায়নবা হোৎনবা অদুবু রিজেক্সন হায়না খঙনৈ।

**সেমি পার্মিএবল মেম্ব্রেন :** অখন্নবা পোৎলম অমদি মহিতমক চংহনবা অদুগা অতোপ্পনা য়াহন্দবা ঙম্বা মপ্রাম অদুবু খঙনৈ। পোকপদগী য়াওজরকপা নত্রগা খুৎশেমগী মপ্রাম ওইবসু য়াই।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

**সেদিয়ম :** ঈগী চাং অমদি প্রেসর নিয়ম চুম্না থম্বা ঙম্বা মিনরেলনি। চিঞ্জাক্তা খ্বায়দগী লায়না ফংবা মওং অদুদি সোদিয়ম ক্লোরাইদ (চাননবা থুম) নি।

**ট্রান্স-য়ুরিথ্রেল রিসেক্সন ওফ দি প্রোষ্টেট (টিয়ুন্সরপি) :** য়ুরোলোজিষ্টশিংনা খ্বায়দগী তোইনা শিজিন্নবা বেনিঙ প্রোষ্টেট হায়পরপ্লাসিয়া (বিপিঐচ) লায়েংনি। মিনিমেলি ইনভেসিব সর্জিকেল ট্রিটমেন্ট অসিদা সাইটোস্কোপ হায়না খঙনবা খুৎলাই অমনা য়ুরিথ্রা ফাওনা থিনজিল্লগা য়ুংগী খোংজেল থিংজিল্লিবা প্রোষ্টেট গ্লান অদুবু লৌথোকপনি।

**অলট্রাসাউন্দ :** হকচাং মনুংগী ওর্গানশিং অমদি অতোপ্পা জগাশিং হায় ফ্রিক্যুন্সি সাউন্দ ৱেব শিন্নিদুনা মমি লৌথোকপা ঙম্বা অনাবা ফাওদবা লাইওং লেপথোকপগী মখল অমনি। কিদনিগী সাইজ, য়ুংগী খোংজেলদা অপনবা পীরিবা, সিষ্ট লৈৱা খঙদোকপা, নুঙ অমদি ট্যুমর লৈৱা য়েংথোকপদা শিজিন্নবা য়াম্না চম্বা, কান্নবা অমদি শোকনিঙাই লৈতবা টেষ্টনি।

**য়ুরোলোজিষ্ট :** কিদনি লায়নাশিংগী অখন্নবা সর্জনশিংনি।

**ভেসিকোয়ুরেটরেল রিফ্লক্স (ভিয়ুন্সর) :** য়ুংনা মায়কৈ ওন্নন মথকলোমদা (রিফ্লক্স) ব্লাদরদগী য়ুরেটর অমদি কিদনি ফাওবা হায়গৎলকপা অদুবু খঙনৈ। মসি হকচাং পার্ট শোয়বদগী নাকল অনিমক্তা ওইরকপা য়াবা ফিভমনি। মসিনা য়ুরিনরি ট্রেক ইনফেক্সন, হায় ব্লদ প্রেসর অমদি অঙাংদা কিদনি ফেলর ওইহল্লি।

**ভোইদিং সিষ্টোয়ুরিথ্রোগ্রাম :** কেথেটর শিজিন্নদুনা অমদি মচু শংবা মহি শিজিন্নদুনা হকচাংগী মখা থংবা য়ুরিনরি ট্রেক (ব্লাদর অমসুং য়রিথ্রা) গী ফিভম য়েংথোক্লবা এক্সরেদা উহনবা ঙম্বা থৌওং অদুবুনি। অনাবা অদু য়ুং হান্দোকহল্লগা এক্সরে অদু লৌই।

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

# এব্ৰিবিএয়ন

| | | |
|---|---|---|
| এসিই | - | এঞ্জিওটেন্সিন কনভৰ্টিং এঞ্জাইম |
| এদিপিকেদি | - | ওটোজোমেল দোমিনেন্ট পোলিসিষ্টিক কিদনি দিজিজ |
| এজিএন | - | একুট্যট গ্লোমেৰুলোনেফ্ৰিটিস |
| একেআই | - | একুট্যট কিদনি ইঞ্জুৰি |
| এপিদি | - | ওটোমেটেদ পেৰিটোনিএল দাইএলাইসিস |
| এআৰবি | - | এঞ্জিওটেন্সিন ৰিসেপ্তৰ ব্লোক্কৰস |
| এআৰএফ | - | একুট্যট ৰিনেল ফেলৰ |
| এভিফিষ্টুলা | - | আৰটেৰিও ভেনস ফিষ্টুলা |
| বিপি | - | ব্লদ প্ৰেসৰ |
| বিপিঐচ | - | বেনিঙ প্ৰোষ্টেটিক হায়পৰট্ৰোফি |
| বিয়ুএন | - | ব্লদ য়ুৰিয়া নাইট্ৰোজেন |
| সিএপিদি | - | কন্টিনুৰস এম্বুলেটৰি পেৰিটোনিএল দাইএলাইসিস |
| সিসিপিদি | - | কন্টিনুৰস সাইক্লিং পেৰিটোনিএল দাইএলাইসিস |
| সিকেদি | - | ক্ৰোনিক কিদনি দিজিজ |
| সিআৰএফ | - | ক্ৰোনিক ৰিনেল ফেলৰ |
| দিকেদি | - | দাইএবিটিক কিদনি দিজিজ |
| দিএম | - | দাইএবিটিস মেলিটস |
| দিএমএসএ | - | দাইমৰকেপ্তোসসিনিক এসীদ |
| ইজিএফআৰ | - | ইষ্টিমেটেদ গ্লোমেৰুলৰ ফিলত্ৰেসন ৰেট |
| ইপিও | - | ইৰিথ্ৰোপোআইটিন |
| ইএসকেদি | - | এন্দ ষ্টেজ কিদনি দিজিজ |
| ইএসআৰদি | - | এন ষ্টেজ ৰিনেল দিজিজ |
| ইএসডব্লিউএল | - | এক্সত্ৰাকোৰপোৰেল সোক ৱেব লীথোট্ৰিপসি |
| জিএফআৰ | - | গ্লোমেৰুলৰ ফিলট্ৰেসন ৰেট |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

| | | |
|---|---|---|
| ঐচদি | - | হিমোদাইএলাইসিস |
| আইদিদিএম | - | ইন্সুলিন দিপেন্দেন্ট দাইএবিটিস মেলিটস |
| আইজেভি | - | ইন্টর্নেল জুগুলর ভেন |
| আইপিদি | - | ইন্টরমিটেন্ট পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস |
| আইভিয়ু/ আইভিপি | - | ইন্ট্রা ভেনস যুরোগ্রাফি/পাইলোগ্রাফি |
| এমএ | - | মাইক্রোঅলবুমিনুরিয়া |
| এমসিয়ু | - | মিক্টুরেটিং সিষ্টো যুরিথ্রোগ্রাম |
| এমআরআই | - | মেগনেটিক রেজোনান্স ইমেজিং |
| এনআইদিদিএম | - | নন ইন্সুলিন দিপেন্দেন্ট দাইএবিটিস |
| এনএসএআইদি | - | নন ষ্টিরোইদেল এন্টি ইনফ্লামেটরি দ্রগ |
| পিসিএনএল | - | পরক্যুটেনস নেফ্রোলিটোমি |
| পিদি | - | পেরিটোনিএল দাইএলাইসিস |
| পিকেদি | - | পোলিষ্টিক কিদনি দিজিজ |
| পিএসএ | - | প্রোষ্টেট স্পেসিফিক এন্টিজেন |
| পিয়ুভি | - | পোষ্টেরিয়র যুরেথ্রেল ভালব |
| আরবিসি | - | রেদ ব্লদ সেলস |
| আরআরটি | - | রিনেল রিপ্লেসমেন্ট থেরাপি |
| টিবি | - | ট্যুবরক্যুলোসিস |
| টিআইবিসি | - | টোটেল আইরন বাইন্দিং কেপাসিতি |
| টিয়ুআরপি | - | ট্রান্স যুরিথ্রেল রিসেক্সন ওফ প্রোষ্ট্রেট |
| যুটিন্সাই | - | যুরিনরি ট্রেক ইনফেক্সন |
| ভিসিয়ুজি | - | ভোইদিং সিষ্টো যুরিথ্রোগ্রাম |
| ভিয়ুআর | - | ভেসিকোযুরিথ্রেল রিফ্লক্স |
| ডব্লিউবিসি | - | হ্বাইট ব্লদ সেলস |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

### কিদনি নারবা মীওইশিংগী কম্মন ওইবা ঈগী চাংয়েং :

কিদনি নারবা মীওইশিংগী কম্মন ওইনা পাঙথোকপা ঈগী টেষ্ট অমসুং রিফরেন্স রেঞ্জশিং মখাদা পীরি।

| Test | Conventional Units | Conversion factor | SI units |
| --- | --- | --- | --- |
| **Blood Tests for Kidney Function** | | | |
| Blood urea nitrogen | 8-20 mg/dl | 0.36 | 2.9-7.1 mmol/L |
| Creatinine Male | 0.7-1.3 mg/dl | 88.4 | 68-118mcmd/L |
| Female | 0.6-1.2 mg/dl | 88.4 | 50-100 mcmd/L |
| eGFR | 90-120 ml/min | - | - |
| **Blood Tests for Anemia** | | | |
| Hemoglobin Male | 13.5-17.0 g/dl | 10 | 136-175 g/L |
| Female | 12.0-15.5 g/dl | 10 | 120-155 g/L |
| Hemtocrit Male | 41-53% | 0.01 | 0.41-0.53 |
| Female | 36-48% | 0.01 | 0.36-0.48 |
| Iron total | 50-175 mcg/dl | 0.18 | 9-31 mcmol/L |
| Iron-binding capacity total | 240-450 mcg/dl | 0.18 | 45-82 mcmol/L |
| Transferrin | 190-375 mg/dl | 0.01 | 1.9-3.75 g/L |
| Transferrin saturation | 20-50% | - | - |
| Ferritin Male | 16-300 ng/ml | 2.25 | 36-675 pmol/L |
| Female | 10-200 ng/ml | 2.25 | 22.5-450 pmol/L |
| **Blood Tests for Electrolytes and Metabolic Bone Disease** | | | |
| Sodium (Na) | 135-145 mEq/L | 1.0 | 135-145 mmol/L |
| Potassium (K) | 3.5-5.0 mEq/L | 1.0 | 3.5-5.0 mmol/L |
| Chloride (Cl) | 101-112 mEq/L | 1 | 101-112 mmol/L |
| Calcium ionized | 4.4-5.2 mg/dL | 0.25 | 1.10-1.30 mmol/L |
| Calcium total | 8.5-10.5 mg/dl | 0.25 | 2.2-2,8mmol/L |
| Phosphrus inorganic | 2.5-4.5 mg/dl | 0.32 | 0.8-1.45 mmol/L |
| Magnesium | 1.8-3 mg/dl | 0.41 | 0.75-1.25 mmol/L |
| Bicarbonate | 22-28 mEq/L | 1 | 22-28 mmol/L |
| Uric acid Male | 2.4-7.4 mg/dl | 59.48 | 140-440 mcmol/L |
| Female | 1.4-5.8 mg/dl | 59.48 | 80-350 mcmol/L |
| PTH | 11-54 pg/ml | 0.11 | 1.2-5.7 pmol/L |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com

| Test | Conventional Units | Conversion factor | SI units |
|---|---|---|---|
| **Blood tests for General Health** | | | |
| Protein total | 6.0-8.0 g/dl | 10 | 60-80 g/L |
| Albumin | 3.4-4.7 g/dl | 10 | 34-47 g/L |
| Cholesterol total | 100-220 mg/dl | 0.03 | 3.0-6.5 mmol/L |
| Blood sugar fasting | 60-110 mg/dl | 0.055 | 3.3-6.1 mmol/L |
| **Blood Tests for Live Function** | | | |
| Bilirubin Total | 0.1-1.2 mg/dl | 17.1 | 2-21 mcmol/L |
| Direct | 0.1-0.5 mg/dl | 17.1 | <8 mcmol/L |
| Indirect | 0.1-0.7 mg/dl | 17.1 | <12 mcmol/L |
| Alanine transaminase (SGPT) | 7.56 unit/L | 0.02 | 0.14-1.12 mckat/L |
| Aspartate transaminase (SGOT) | 0-35 units/L | 0.02 | 0-0.58 mckat/L |
| Alkaline phosphatase | 41-133 units/L | 0.02 | 0.7-2.2 mckat/L |

Free!!! 200+ paged Kidney Book in 35+ Languages
Visit: www.KidneyEducation.com